[illegible]

মীতে পেনা মৈথৌরোল পুরারি

ইরাবোৎ নিংথৌজা

মীতৈ পেনা মৈহৌরোল পুরারি



পুয়াদগী শিন্দোকচবা চহি
শজিবু পুর্ণিমা (থানিল)
তাং ২/৪/২০০৭ ইং
নিংথৌকাবা

ইরাবোৎ নিংথৌজা
চীংমৈরোং মনিং লৈকাই,
ইম্ফাল।

পেনা লাইহুইরোল

(মীতৈ পেনা মৈহৌরোল পুৱারী)

খোরিবা : ইরাবোৎ নিংথৌজা

ফোঙদোকপা : নিংথৌজম ওংবী ইবেনিনা
লৈহৌ নুংহৌ শংলেন পেনা লোইশঙগীদমক।

ফোঙবা চহি : ১৪/০৫/২০১৪

কোপী মশীং : ১০০০

মমল : লুপা ৩০০/-

মখুম য়েকপা : অমুয়াইমা খাবা

© : অইবা

ফংফম : লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন পেনা লোইশঙ, চীংমৈরোং

ISBN-13, 978-81-923222-6-1

নম্ফম : দ-ইতাও ওফসেট প্রিন্তিং প্রেস
চীংমৈরোং খোংনাং অনি কারক, ইম্ফাল - ১০



সনামহি লাইহুইরোল খোরিথিবা

রাপু হায়কে

পুয়াদ্দি ঃ মালেম চুকখোঙ পুয়ানে

লাতমলোন ৪৭৬৪ নে।

ক।　অহানবা চুকখোঙ সনামহি পুয়া খোরিপতি, খ্বঃ ১২ তা পানবা কংলা পাখঙপা ঈথাংলোয় লাই পোং মৈডিংকোনতি পোং নিংথৌ কাইরেনপনে। পোং লাং সলাইকি মপুনে। লাই পোংবু তাইবতি, লাইঙম লাংকোই মাইচৌপনে। খোরিপা ফমলেনদি কংলা শাবা শুরুংনে।

খ।　অনিশুবা খোরিপতি খ্বঃ ৪৪০ তা পানবা নিংথৌপা নাওফংবা সনা হাক্তক্তানে। খোরিপতি, লাইতোংলেন অপোই মাইচৌনে। ফমলেনদি কংলা পাখঙপা উত্রা খাংওইদনে।

গ।　মৈনা ব্রাই তাংনা শমথরকপনা, খ্বঃ ১৪৬৯ দা পানবা মীতৈ নিংথৌরেন ক্যাম্বা সনা হাক্তক্তা, নিংথৌজাম্বা পন্দিডনা কংলা নোংলৈ পুংকোই শঙদা খোরিএ।

ঘ।　খ্বঃ ১৫৬২ দা পানবা মীতৈ নিংথৌপা মোংয়াম্বা সনা হাক্তক্তা অপোই খ্বাংচেং মচানা, কংলা পাখঙপা উত্রা খারৈ নোংকুম শঙদা খোরিএ। লাতমলোন্তি ৩৭২ নিনে।

ঙ।　খ্বঃ ২০০৭, শজিবু থানিল, নিংথৌকাবা নুমিৎলোইদা, ইরাবোৎ নিংথৌজানা সনামহি পুয়াবু কোকনোঞ্জনা ঈতমজৈএ। ফমলেনদি শামৈরোং য়াংঙমথেন। কংলা অব্রাং থোংমাই হুইরেননে।

খোরিবা
ইরাবোৎ নিংথৌজা

THOKCHOM MEINYA
Member of Parliament
Manipur

পাউজেল

জুন ১৯, ২০১১
(মীতৈ পেনা মৈহৌরোন পুৱারি)

লৈহৌ নুংহৌ শংলেন পেনা লোইশংনা পেনা লাইহুই কৌবা মীতৈগী ওইবা লাইরিক অমা ফোঙগনি.হায়বা তাজবদা য়াম্না নুংঙাইজবা ফাওই। হাযরিবা লাইরিক অসিনা তুংগী মীরোলদা মৈহৌরোন্দগী লৈরকপা নুংগী ওইবা কাংলোন কয়া পীরগনি হায়না থাজে।

পুম্নমক য়াইফবা ওইমিন্নরশি।

T. Meinya 19/6/11

(ডাঃ থোকচোম মৈন্য)

NONGTHOMBAM BIREN
Spokesperson, SPF Government
Minister
IFCD and CAF & PD, Manipur

MESSAGE

I am very glad to learn that the **LEIHOU NUNGHOU SANGLEN PENA LOISHANG**, Chingmeirong, Imphal is bringing out a publication of Meitei Culture to commemorate the beginning of Puya Thougal of Meitei King with Pena as the first musical instrument.

The publication will help revitalization of our cultural heritage as well as for global propagation.

I wish the publication a grand success.

(N. Biren)

I. Hemochandra Singh

Speaker

MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY

MESSAGE

It gives me immense pleasure to know that the "Leihou Nunghou Shanglen Pena Loishang" Chingmeirong, Imphal is pulishing a book under the name & style of Pena Laihui Nunglon Yangbi" written by Shri Irabot Ningtouja, President of the Loishang. The book will give a great help to the general public particularly to those persons dealt with the profession of Pena. It will also hepl to identify Manipur/Kangleipak to the univers and relation of Pean with Meitei Culture.

I wish the publication of the book a grand success.

(Shri I. Hemochandra Singh)

Speaker

TH. LOKESHWAR SINGH
Deputy Speaker
Manipur Legislative Assembly

MESSAGE

I am glade to learn that the **Leihou Nunghou Shanglen Pena Loishang, Chingmeirong, Imphal** is going to publish a book titled **PENA LAIHUI** very shortly.

It is a well known fact that our state of Manipur has a rich cultural heritage and in which Pena contributes a major share. The efforts of the Loishang to preserve such a rare cultural item to be recoquized by future generations is commendable,

I send my best wishes for a grand success of the function and the publication of the book **PENA LAIHUI** as well.

(Th. Lokeshwar Singh)

DR. K. SOBITA DEVI
Director
Department of Art & Culture
Government of Manipur.

"পাওজেল"

শ্রী ইরাবোৎ নিংথৌজনা পেনাগী মরমদা ইবা লাইরিক, পেনা লাইহুইরোন মীতৈ পেনা মৈহৌরোন পুৱারী মীয়ামগী মফমদা ফোঙদোকপিরক্কনি হায়বীরকপসি তাজবদা য়াম্না নুংঙাইজবা ফাওই। ইপা-ইপুশিংনা লাই হাক্তক্তগী য়োকখৎপিদুনা থম্বীরক্কবা জন্ত্র অসি ঐখোয় মীতৈগীদি তৎন-থানবা য়াদ্রবা পোৎশক অমনি। ঈং-তপ্পা থোরকপা পেনাগী মখোল অমসুং পেনাগী শক্তমদি মীপুম খুদিংমক্কা ইরাই লাইনা হায়বা ঙমনৈ অদুবু পেনাগী মতিক মগুন হায়বদি পেনাসি মীতৈ লাইনিং-লাইশোন্দা য়াওদবা য়াদ্রিবসি করিগীনো হায়না হংলকপা তারবদি পাউখুম অদু পীবদা লুনা হেক্তা থোকই। অদুনা হন্দক ফোঙবিরক্কদবা পেনাগী লাইরক অসিদদি শরুাইরবা ওজা গুরুশিংগী শৈহেক-শৈদা অমসুং পেনাগী শিজিন্নফম লৈচল শুনা হাপ্পিরক্কনি হায়না নিংজে। লাইরিক অসিনা হৌরকইবা অমসুং হৌরক্কদবা মীরোনশিংদা য়াম্না মরু ওইবা, অশেংবা অমসুং কলচরগা শাগোন্নরগদবা লাইরিক (Reference Book) অমা ওইরসনু।

ডঃ কে সোবিতা দেবী

DR. K. SOBITA DEVI

থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ইরাবোৎ নিংথৌজানা খোরিবা লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন পেনা লোইশঙ, চীংমৈরোংনা পুথোকপা পেনা লাইহুই, মীতৈ পেনা মৈহৌরোন পুৰারী হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী অহানবা পেনাগী লাইরিক্লি। লাইরিক অসি তুংলমচৎতা পেনা করিনো, পেনাগী থৌদাং কদাই ফাওবা মীওইবা সমাজদা কান্নবা পীবগে হায়বদু ময়েক সেংনা খঙবতা নৎতনা, মণিপুর কলচরদা পেনাগী থৌদাংবু লাইরিক অসিনা খঙহনবা ঙমলগনি। পেনাগী হৌরকফম, পেনানা লৌরিবা থৌদাং, মীওইব. সমাজগা পেনাগা কদাই ফাওবা নক্লনা লৈবগে হায়বা লাইরিক অসিনা তাক্লি। কংলৈপাক্কী অশেংবা অমত্তা ঙাইরবা, পোকপা শিবা মীওইপোক্কী থৌরমলোন ৭ পু থৌখাই পুরিবদি পেনানি। ঐহাক্লা হায়জনিংই, পেনাদি মীওইবগা থানবা য়াদ্রবা অখন্নবা অৰাংবা থাক্তা লৈবা, মৈহৌরোনগা শাগোন্নরক্লবা কংলৈপাক্কী সলাই পুন্সনা পেনা করিনো হায়বা খঙবদা কান্নরবা লাইরিক অসিবু ওজা ইরাবোৎ নিংথৌজানা পুথোকপীরকপসি হায়নিংঙাই লৈতনা হন্না হন্না থাগৎচবগা লোইননা মতুংদসু মীতৈ পুয়াগা মরি লৈনবা লাইরিক কয়া পুথোরকপদা ঈশ্বরনা থৌজানবীবা ওইরসনু।

লাইশ্রম লৈপাকমচা মীতৈ

তাং ২৫/৬/২০১১ ইং

(লাইশ্রম লৈপাকমচা মীতৈ)
মণিপুর ডান্স একাদমি
ফেল্লো ঃ (পেনা গুরু)
ইম্ফাল,

থাগৎ ৱাহৈ

পেনা হায়বসি অরিবা মতম (লাই হাকথক্তা) দগী লৈরক্লবা, পারি-পুরিশিংদগী শাগোন্নদুনা লাইগী থৌরম থৌদা খক্তা নত্তনা লৈপাক নিংথৌ ফম্নাইবশিংগী থৌখাইরোন্দসু শিজিন্নরি হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না খঙনবতা নত্তনা, পোকপদগী শিবা ফাওবগী, চয়োন অমগী, থা ১২গী থৌরমলোন্দসু পেনাগী অচৌবা থৌদাং ওইদুনা লাক্লি।

অসিগুম্বা মাংফদ্রবা, মণিপুর কলজরগী অমত্তা ঙাইরবা পোইরৈ মীতৈ লৈপাকসিগী চাউথোকচফম ওইবতা নত্তনা পেনানা লমদমসিবু অমদি তাইবঙ সলাইশিংবু মাংখিগদবদগী কন্দুনা লাক্লিবা জন্ত্র অসিবু লাইরিক ওইনা পুথোক্তুনা মীয়ামগা খুৎশম্মনা মাংলমচৎ-তুংলমচৎ হৌজিক ওইরিবা পূম্নমক্তা **পেনা করিনো** পেনানা করি কান্নে, পেনাগী থৌদাং করিনো, পেনা মাংখ্রবদি করি ওইরক্কনি, পেনা খঙলবদি লমদমসি করি ওইরকপা য়াবগে হায়বা চারোন-শুরোন্দা লেংদনা লৈহৌগদৌরিবা লাইরিক অসি লোইশঙগী ওজা অমা ওইনা পুথোকপিরকপগীদমক থাগৎচবগা লোইননা মতুংদসু পুয়াদা য়ুম্ফম ওইদুনা কান্নবা কয়া পুথোকপিরকখিনি হায়বগী থাজবা থমজবগা লোইননা মতম পুম্নমক্তা ঈশ্বরনসু থৌজানবিবা ওইরসনু হায়না থাগৎচরি।

নিংথৌজম মণিহার সিংহ
পন্ডিৎ অচৌবা
লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন
কোংপাল খাইদেম লৈকাই, ইম্ফাল।

পাউজেল

লৈহৌ নুংহৌ পেনা লোইশঙনা পেনা লায়হুইরোল কৌবা লাইরিক অমা মীয়ামদা খুদোল তন্বীগনি হায়বসি তাবদা য়াম্না নুংঙাইজে।

লাই হাক্তক্তগী শীজিন্নরক্লে হায়রিবা মীতৈশিংগী ঈশৈ-নোংমাইগী যন্ত্র পেনাগী ৱারী-ৱাখোঙ অমসুং মসিগী শীজিন্নফমগী লীক্লম নৈনবা লাইরিক অসি য়াম্না মগুণ লৈবা লাইরিম অমা ওইগনি। থোইদোক্লা লোল অহুমদা ফোঙগনি হায়বনিনা মণিপুরি লোল খঙদবা মীয়ামদসু কান্নবা ফংহনগদৌরি।

লাইরিক অসিবু পুথোক্লবা হোৎনবিখিবা মীওইশিংবু থাগৎচরি অমসুং মখোয়গী থবক পুন্নমক মায় পাকপা ওইরসনু।

Y. Mangi Ningthouja
ৱাই. মঙ্গি সিংহ



পাউজেল

লৈহৌ নুংহৌঁ শঙলেন, চীংমৈরোং ইম্ফালগী মীং ওইনা পঞ্জরবদা ইরাবোৎ নিংথৌজানা **পেনা লায়হুই, মৈহৌরোন্দা** লৈজরম্ববু তাশিন খোমজিন্দুনা অৱাবা কয়া খাঙদুনা মালেম শেম্বদগী লৈরক্লবা পেনাগী মরমদা শুগাইনা ইথোক্তুনা তুংলমচৎকীদমক, তুংলমচৎকী মীওইশিংনা চাওথোকচনা মালেমদা হীংজনবা হোৎনবীরিবা অসিনা মমি শামশিনগদৌরবা ঈপা ঈপুগী চৎনবী অসিবু মালেমদা মশক থোকহনবদা থৌদাং লৌবীবগীদমক অহল ইবুঙোগী ঙমখৈ লৈতনা ইকাই খুম্নজবা উৎচরি। লোয়ননা তুংগী পুন্সিদসু খুনাইসিগী তুংলমচৎকী খন্দুনা অৱাৎপা কয়াবুসু মেনখৎপা ঙম্বা অহল ইবুঙোদা সিদবা মপুনা পীনবীবা ওইরসনু হায়না থৌনিজরি।

সিদবা মপুদা থৌনিজরি

Telem Bhogen Meitei
General Secretary
Malem Society for Yek Salai Culture,
Kangla, Imphal

General Secretary
Malem Eyek Salai Enat Phampei Shanglen
Kangla, Imphal

PENA LOISHANG

Chingmeirong, Imphal East.

Regd. No. 93 Staff Member Estd. 2003. M/C/S/R/P/M/T.



Irobot Ningthouja
Chingmeirong West,
Imphal East
D/B. 1955, 1st Oct.

Y. Ibotombi Singh
Yaiskul Moibung
Lokpa Leikai
Member of
Pena Loishang Imphal.

Kh. Tombi Singh
Chingmeirong East,
Imphal East.
Member of
Pena Loishang Imphal.

N. Ranjit Singh
Khurai Puthiba Leikai
Imphal
Member of
Pena Loishang Imphal.

M. Anilkumar Singh
Heirangoithong West,
Yangang Leirak, Imphal
Member of
Pena Loishang Imphal.



Th. Manikhomba Meetie
Khurai Salanthong,
Imphal
Member of
Pena Loishang Imphal.

Ph. Tomba Singh
Khurai Puthiba Leikai.
Member of
Pena Loishang Imphal.



N. Manihar Singh
Chingmeirong Maning Leikai.
Member of
Pena Loishang Imphal.



L. Amuyaima Khaba
Khurai Chingangbam Leikai
Member of
Pena Loishang Imphal.

	হিরম	লাইমাই
১।	পেনা মৈহৌরোন	১
২।	পেনা চৈজীং ওইরকখিবগী মীঙ্খোশিং	৩
৩।	পেনা খোবাল ওইরকখিবগী মমিংশিং	৪
৪।	পেনা শিংখাই ১৮ ওইরকখিবা	৫
৫।	পেনা শিংখাই ১০ ওইরকখিবা	৬
৬।	পেনা শিংখাই ৮ ওইরকখিবা	৭
৭।	পেনা শিংখাই ১৮ গী মীঙ্খোরেন	৮
৮।	পেনা লাইহুইরোন	৯
৯।	শিংখাইরোন লিরেন	৯
১০।	পেনা মৈহৌরোন	১০
১১।	মৈরেন কোক লাই	১২
১২।	ইরেন খোং লাই	১৩
১৩।	মালং খোং লাই	১৪
১৪।	শাকোক মীরেন লাই	১৫
১৫।	ৱাংখোই চুক লাই	১৬
১৬।	ঈরিক লাংপুম চুক লাই	১৭
১৭।	থৌরেন পুংকোই চুক লাই	১৮
১৮।	শারেন পুংবা চুক লাই	১৯
১৯।	খ্বাংকোই সনা মীরেন শঙ	২০
২০।	শাকোক মৈরেন লাই	২১
২১।	তাওবী চীরাংখোক	২২
২২।	নাওথাং খোং	২৩
২৩।	নাওরেন চিখাঙ	২৪
২৪।	তাওখোঙ য়াংবী	২৫
২৫।	শাংজাই ইরেন চুল্লিবী	২৬
২৬।	লাইরেন্নুবী চুনাইরেম্বী	২৭
২৭।	য়ারেন চিনাইবী	২৮

হিরম		লাইমাই
২৮।	চুলেন লৈমা খ্বাংকোইবী	২৯
২৯।	সলাইরেন লৈমা শিদবী	৩০
৩০।	সনামহি লাংপুম পেনা লাইহুই	৩১
৩১।	লাইচিংকোক পেনা (করম্বা চকশিংদা পেনা পুথোকখি)	৩২
৩২।	লৈশিকোন পেনা (পেনাগী মওং মতৌ করিনো)	৩৬
৩৩।	নাহুই পেনা (পেনা করম্বা মতমদগী শিজিন্নরকই)	৩৯
৩৪।	খেনচোং পেনা (পেনাগী খোন্থোক করিনো)	৪২
৩৫।	নাওথেমলোন পেনা (খোনথোক কয়া সুবগে)	৪৫
৩৬।	কোরৌ নোংতাই পেনা (পেনা মখন কয়া সুবগে)	৪৮
৩৭।	থেলোন পেনা (মালেমদা কনানা পেনা পুথোকখি)	৫১
৩৮।	য়াংবী থৌসু পেনা(পেনা করম্বা পোৎশকনো)	৫৪
৩৯।	শিংখাইরোন পেনা (চৈজিং থাবু করি কৌবগে)	৫৮
৪০।	নাহুইরোন পেনা (করম্বা পেনা ওইরকখি)	৬২
৪১।	লাংদাই লাইহুই পেনা (পেনাবু লাইনি হায়বা করিগীনো)	৬৬
৪২।	থেংখৌ য়াওই পেনা (চৈজিং থাগী শাওং করিনো)	৭০
৪৩।	লাইথেমলোন পেনা (পেননা মীওইবদা করি কান্নবা পীবগে)	৭৪
৪৪।	লাইতাই নুংতাই পেনা (পেনা কয়াৎলোন কয়ানো)	৭৭
৪৫।	ঔগ্রী থেলোন পেনা (পেননা মীওইবদা করি ফোংদোকই)	৮০
৪৬।	খেচোং লাংচি পেনা (মীওইবগা পেনাগা করিগী নক্লরিবনো)	৮৩
৪৭।	নুংতাই নুংশেম পেনা (চৈজিংলোনবু করি কৌবগে)	৮৬
৪৮।	নোংকুমথেন পেনা (পেনাগী মগুন করিনো)	৯০
৪৯।	লাংদাইকোন পেনা (পেনা কনানা শিজিন্নবা হৌরকখি)	৯৩
৫০।	নাওথেম নাওশুম পেনা (করম্বা মফম মতমদা পেনা শিজিন্নগনি)	৯৭
৫১।	শিংখাইরোন ৬৪ য়াংবী (রাগ ৬৪ নি)	১০১
৫২।	লৈয়ারৈ শিংখাই	১০৪
৫৩।	নোংহারু শিংখাই	১০১
৫৪।	খিংলৈ য়াইখুসু শিংখাই	১০৫

হিরম	লাইমাই
৫৫। য়েংখুহৌ শিংখাই	১০৫
৫৬। হৌরেন মানবীসু শিংখাই	১০৬
৫৭। তরৈ হৌসু শিংখাই	১০৬
৫৮। য়েংলৌ কোংপী শিংখাই	১০৭
৫৯। লৈহৌ শিংখাই	১০৭
৬০। লৈশি লৈতাই শিংখাই	১০৮
৬১। হৌসুয়াং শিংখাই	১০৮
৬২। লাংহৈ নোংসু শিংখাই	১০৯
৬৩। হৈরেন শিংখাই	১০৯
৬৪। লৈখারোন লৈহৌ শিংখাই	১১০
৬৫। লাংসু রিহৌ শিংখাই	১১০
৬৬। তারৈ লাংহৌ শিংখাই	১১১
৬৭। মানহৌ খাংবী শিংখাই	১১১
৬৮। য়াংলৌ শিংখাই	১১২
৬৯। নোংথৌ খাইবী লিরেন শিংখাই	১১২
৭০। থারৌ লৈহৌ শিংখাই	১১৩
৭১। থাংবী নুংতাই শিংখাই	১১৩
৭২। য়াংলৌ শিংখাই	১১৪
৭৩। লৈশি লৈরেন শিংখাই	১১৪
৭৪। খাইরেন হৌসু শিংখাই	১১৫
৭৫। চুংবী তারৌ শিংখাই	১১৫
৭৬। লৈসুরেন লৈহৌ শিংখাই	১১৬
৭৭। হৌসু নুংকোই শিংখাই	১১৬
৭৮। চিরাও তরৈ শিংখাই	১১৭
৭৯। হৌরেন পাওহৌ শিংখাই	১১৭
৮০। থৌরৈ য়ৈরৈনু শিংখাই	১১৮
৮১। শিরৈ তারৌ শিংখাই	১১৮

	হিরম	লাইশ্মাই
৮২।	য়াংসু পোংহৌ শিংখাই	১১৯
৮৩।	খোংরৈ লৈরেন শিংখাই	১১৯
৮৪।	রৈয়াই শিংখাই	১২০
৮৫।	পানহৌরৈ শিংখাই	১২০
৮৬।	অরৈথা শিংখাই	১২১
৮৭।	কাইবী হৌরেন শিংখাই	১২১
৮৮।	ওরৈ হৌসু শিংখাই	১২২
৮৯।	লৈরোন নুংহৌ শিংখাই	১২২
৯০।	খোংলৈ সুহৌ শিংখাই	১২৩
৯১।	পামলৈ হৌরেন শিংখাই	১২৩
৯২।	মানশিহৌ শিংখাই	১২৪
৯৩।	কাইরেন শিংখাই	১২৪
৯৪।	লৈহৌ খারৈ শিংখাই	১২৫
৯৫।	হৌসু ওনবীরৈ শিংখাই	১২৫
৯৬।	পানয়া লৈহৌ শিংখাই	১২৬
৯৭।	লৈরেন লৈচন শিংখাই	১২৬
৯৮।	হিরোনরৈ শিংখাই	১২৭
৯৯।	খাংরৈ নুংরেপ শিংখাই	১২৭
১০০।	মানচি য়ৈরোন শিংখাই	১২৮
১০১।	পামসু লৈরোন শিংখাই	১২৮
১০২।	নোং হৌসু শিংখাই	১২৯
১০৩।	মানসুহৌ শিংখাই	১২৯
১০৪।	পানরৈ লোনহৌ শিংখাই	১৩০
১০৫।	ওরৈ লৈরেন শিংখাই	১৩০
১০৬।	খারৈ লোন্সু শিংখাই	১৩১
১০৭।	খাংলৈসু শিংখাই	১৩১
১০৮।	কৈরেন লৈরোন শিংখাই	১৩২

হিরম	লাইমাই

১০৯।	হৌরে লৈরোন শিংখাই	১৩২
১১০।	নুংলৌ লৈরা শিংখাই	১৩৩
১১১।	পাংহে লৈরোন শিংখাই	১৩৩
১১২।	রৈশি নোংহৌ শিংখাই	১৩৪
১১৩।	ঈরৈ নোংসু শিংখাই	১৩৪
১১৪।	শিংতাই লৈচন শিংখাই	১৩৫
১১৫।	হৌরেনসু শিংখাই	১৩৫
১১৬।	সলাই ৭ ওইরকখিবগী মাকমৈরোন	১৩৬
১১৭।	লাইহুই পেনা ৱাঙউরোন	১৩৯
১১৮।	য়া-কৈরোন	১৪১
১১৯।	লান্না থৌরম	১৪৪
১২০।	ফমশকলোন	১৪৭
১২১।	জগোয় থেনখৌ পেনা	১৫০
১২২।	ফমাং থৌগন	১৫৩
১২৩।	হোইরৌ ঃ অনোইরোন হকচাং শাগৎপা	১৫৬
১২৪।	মীকোন থাগোনলোন পেনা	১৫৮
১২৫।	ইনুংলোন শৈশকলোন	১৬১
১২৬।	থৌনিরোন থৌসু পেনা	১৬৪
১২৭।	নিংথৌ থৌগন পেনা	১৬৭
১২৮।	লাই হরাওরোন পেনা	১৭০
১২৯।	নুংলোন চৈশিং	১৭৩
১৩০।	লিরোন শৈশকলোন	১৭৫
১৩১।	থেনখৌ লিরেন পেনা	১৭৭
১৩২।	লাংওন শৈশকলোন	১৭৯
১৩৩।	থৌগন শৈশকলোন। (মীতিনলোন)	১৮১
১৩৪।	মরানলোন পেনা	১৮৩
১৩৫।	কুমওন থৌগন পেনা	১৮৫

	হিরম	লাইমাই
১৩৬।	নিংথৌ নাহুই পেনা	১৮৭
১৩৭।	লিরোন পেনা (ফাংনবা)	১৮৯
১৩৮।	থা ১২ ওইরকথিবগী ৱা হাইকে	১৯১
১৩৯।	নুমিৎ ৭ নি ওইরকথিবগী ৱা হাইকে	১৯৩
১৪০।	সাকোক নোংতম লাংপুম অরিবা (মালেম চুখোং পুয়া) (মালেম চুখোং পুয়ানা য়ুমফম ওইবা পেনা লাইহুইনে।)	১৯৬
১৪১।	পেনা শৈশকলোন ৯ গী ৱাপু হায়কে।	২০০
১৪২।	পেনা শৈশক ৯ ওইরকথিবগী নুংলোন ৱাপু হায়কে।	২০১
১৪৩।	খেনচোংলোন ৯ ৱাপুরোন।	২০১
১৪৪।	হৈউরোন ৯ গী ৱানে।	২০১
১৪৫।	তইবঙ খোংতাইরোন ৯ নি।	২০১
১৪৬।	সলাই মপোক থৌরম।	২০১
১৪৭।	শৈশকলোন ৯ গী মীংখৈরোন।	২০২
১৪৮।	পেনা শৈশকলোন ৯ না সলাই লিরেন তাক্লি।	২০২
১৪৯।	শৈশকলোন ৯ বু লিরেন ৭ কী থৌখাইরেনবু ময়েক সেংনা পীরি।	২০২
১৫০।	পেনা শৈশকলোন অহানবা ওইখিবগী ৱাপু হায়কে।	২০৩
১৫১।	পেনা শৈশকলোন অনিসুববু লাইহুইনা ময়েক সেংনা পীরি।	২০৫
১৫২।	পেনা শৈশকলোন অহুমসুবা ওইরকপগী ৱাপু হায়কে।	২০৮
১৫৩।	পেনা শৈশকলোন মরিসুবা ওইরকপগী ৱা হায়কে।	২১০
১৫৪।	পেনা মঙাসুবা শৈশকলোন ৱাপু হায়কে।	২১৩
১৫৫।	পেনা শৈশকলোন তরুকসুবা ৱাপু হায়কে।	২১৫
১৫৬।	পেনা শৈশকলোন তরেৎসুবা ৱাপু হায়কে।	২১৭
১৫৭।	পেনা শৈশকলোন নিপানসুবা ৱাপু হায়কে।	২১৯
১৫৮।	পেনা শৈশকলোন মাপনসুবা ৱাপু হায়কে।	২২১
১৫৯।	অহানবা শৈশকলোন ঈশৈ।	২২৭
১৬০।	অনিসুবা শৈশকলোন ঈশৈ।	২২৮
১৬১।	অহুমসুবা শৈশকলোন ঈশৈ।	২২৯

১৬২। মরিসুবা শৈশকলোন ঈশৈ। ২৩০

১৬৩। মঙাসুবা শৈশকলোন ঈশৈ। ২৩১

১৬৪। তরুকসুবা শৈশকলোন ঈশৈ। ২৩২

১৬৫। তরেৎসুবা শৈশকলোন ঈশৈ। ২৩৩

১৬৬। নিপানসুবা শৈশকলোন ঈশৈ। ২৩৪

১৬৭। মাপনসুবা শৈশকলোন ঈশৈ। ২৩৫

১৬৮। পেনা শিংখাইরেন ওইরকপগী ৱাপু হায়কে। ২৩৬

১৬৯। লিরেন ওইরকপগী ৱাপু পেনা লাইহুইনা পীরি। ২৩৭

১৭০। পেনা মিহুনলোন রাগ ৬৪ গী ৱাপু হায়কে। ২৩৮

১৭১। মঙানি য়ুপান থাবা, পেনা, শৈশক্লোন মঙানি। ২৪১
তান্থারোন ৫ নি। ১ ২ ৩ ৪ ৫

১৭২। চউন্বা থৌরম থৌখাই, পেনা, শৈশক্লোন অহুম্নি। ২৫০
তান্থারোন ৩ নি। ১ ২ ৩

১৭৩। শম কোকপা, লংহিং থাংবা পেনা শৈশক্লোন ২৫৫
তরেৎনি। তান্থারোন ৫ নি। ১ ২ ৩ ৪ ৫

১৭৪। মরাল লুহোংবা (পুন্সি লৈপুন), পেনা, শৈশক্লোন ২৬২
তরেৎনি। তান্থারোন ৭ নি। ১ ২ ৩ ৪ ৫ ৬ ৭

১৭৫। নোংকারোন, পেনা শৈশক্লোন য়াইবী নোংকাবা, ২৭৪
পেনা শৈশক্লোন অহুম্নি। তান্থারোন ৫ নি।
১ ২ ৩ ৪ ৫

১৭৬। মঙানি লৈহুন শৈশক্লোন, তান্থারোন মঙানি। ২৭৯
১ ২ ৩ ৪ ৫

১৭৭। লান্না থৌরম, পেনা শৈশক্লোন তরেৎনি। তান্থারোন ৭ নি। ২৮৭
১ ২ ৩ ৪ ৫ ৬ ৭

১৭৮। ফীরোই থাবা, পেনা শৈশক্লোন মঙানি। তান্থারোন ৫ নি। ৩০১
১ ২ ৩ ৪ ৫

১৭৯। থাগী হৈকৎ লৈচনলোন, লুক্লেন কৎপা, পেনা শৈশক্লোন ৩০৯
অহুম্নি। মৈরা কৎপা, পেনা শৈশক্লোন শৈথা, তানকোন্নবী।

ꯀꯪꯂꯩ ꯈꯤꯄꯣ ꯒꯪꯌ

ꯌꯍꯃꯥꯍꯆꯎꯕꯥ ꯇꯍꯁ ꯌꯍꯇꯎꯂꯪ ॥ ꯃꯇꯦꯅ ꯃꯤꯕꯁꯍꯥ ꯈꯌꯦꯔꯇꯪꯎ ꯑꯩꯇꯁꯕ ꯇꯩꯅꯂꯥꯍꯔꯣ ꯃꯂꯦꯈꯄꯥ ꯈꯃꯂꯣꯌꯎ ꯀꯦꯅꯤꯁ ꯋꯂꯤꯁꯨ ꯈꯇꯪꯃ ꯂꯍꯌꯍ ꯆꯅꯒ ꯄꯅꯂ ꯈꯌꯦꯔꯇꯪꯎ ꯑꯩꯇꯒꯁꯕ ꯇꯩꯅꯂꯥꯍꯔꯣ ꯃꯂꯦꯈꯄꯥꯂ ꯆꯤꯒꯪꯎ-ꯆꯤꯇꯋ ꯌꯍꯕꯨꯂꯦ ꯂꯍꯌꯍ ꯆꯅꯁ ꯈꯌꯊꯌꯥꯍꯤ, ꯀꯨꯈꯃꯂꯦ ꯌꯥꯍꯇꯒꯅꯁꯥ ꯔꯣꯃꯥꯎ-ꯔꯣꯋꯍꯕꯥ ꯀꯦꯌꯁꯂꯦ ꯈꯀꯎ ꯀꯎꯔꯣꯥ ꯑꯃꯁꯦꯅ ꯑꯩꯇꯌꯥ॥ ꯌꯥꯍꯀꯨ ꯇꯩꯅꯌꯦꯃ ꯀꯨꯃꯁꯂ ꯀꯦꯌꯁꯂꯦ ꯑꯃꯁꯦꯅ ꯑꯩꯇꯪ ꯄꯅꯁ ꯌꯁꯕ ꯄꯒꯋ ꯌꯦꯃꯈꯥ ॥ ꯇꯩꯅꯂꯥꯍꯔꯣ ꯃꯂꯦꯈꯄꯥꯂ ꯈꯇꯪꯃ ꯂꯍꯌꯍ ꯆꯅꯁ ꯄꯅꯇꯍꯇꯁꯕ ꯈꯀꯨꯍꯥ ꯑꯃꯁꯦꯅ ꯌꯃꯂ ꯌꯤꯇꯍꯇꯃꯈꯥ ॥ ꯑꯃꯁꯦꯅ ꯔꯍꯌ ꯈꯃꯂꯣꯌꯎ ꯇꯩꯅ ꯀꯦꯌꯁꯂ ꯑꯃꯁꯦꯅ ꯇꯍꯨꯂꯦ ꯇꯤꯁ ꯀꯨꯁꯕꯦ, ꯃꯂꯦꯈꯄꯥꯂ ꯀꯅꯈꯨꯂꯍꯕ ꯅꯆꯅ-ꯂꯨꯍꯃꯥ ꯌꯦꯎꯂꯁꯍ ꯇꯅꯂꯂ ꯌꯥꯍꯀꯨꯍꯥ ꯔꯣꯃꯥꯎ-ꯔꯣꯕ ꯂꯊꯌꯪ ꯄꯅꯂ ꯋꯃꯋ ꯀꯒꯤꯂꯂ ꯈꯇꯪꯃ ꯇꯤꯕ ꯌꯍꯔꯥꯎꯂ ꯇꯤꯁꯕꯨ, ꯈꯇꯪꯃꯕ ꯇꯤꯁ ꯇꯩꯅꯌꯦꯃꯂ ꯌꯪꯍꯇꯍ ꯌꯌꯨꯃ ꯈꯥꯂꯍ ꯌꯃꯇꯃꯈꯥ ॥

ꯇꯩꯅꯂꯥꯍꯔꯣ ꯃꯂꯦꯈꯄꯥꯂ ꯇꯩꯅꯌꯦꯃꯁꯨ ꯌꯪꯍꯂ ꯌꯅꯇꯍꯇꯃꯈꯥ, ꯋꯤꯂ ꯃꯪꯃꯁ ꯈꯇꯪꯃꯕ, ꯆꯒꯣꯕꯍꯥ ꯈꯇꯪꯃꯕ ꯂꯍꯆꯨꯃ ꯌꯃꯇꯥꯁ ꯇꯩꯅꯌꯦꯃꯂ ꯈꯌꯥꯎ-ꯈꯒꯤ ꯄꯪꯎꯁ, ꯇꯅꯍꯥ ꯇꯥꯌꯊꯇꯎ ꯈꯍꯄꯎꯁ ꯔꯣꯃꯥꯎ ꯀꯍꯁꯕꯥ ꯆꯒꯥ-ꯆꯒꯃꯁ ꯔꯣꯋꯍꯂ ꯇꯩꯅꯌꯦꯃꯁꯨ ꯌꯨꯀꯨꯃ ꯌꯎꯍꯕꯍꯪ ꯄꯅꯁ ꯌꯅꯇꯕꯨꯂ, ꯋꯤꯄꯍ ꯈꯑꯃ ꯌꯦꯕꯂ ꯈꯍꯌꯥꯁ ꯔꯣꯋꯍ ꯌꯣꯁ ꯌꯅ ॥ ꯇꯩꯅꯌꯦꯃ ꯑꯩꯂꯥꯅꯄꯣꯕꯨꯒꯁꯕꯥ ꯈꯇꯪꯃꯕ ꯇꯤꯁ ꯇꯩꯅꯃꯥꯍꯂ ꯈꯂ-ꯈꯂ ꯀꯥꯃꯁ ꯔꯣꯋꯍ ꯆꯌꯦ ꯌꯣꯒꯍꯌꯨꯂ ꯈꯀꯨ ꯈꯃꯍ ꯌꯦꯕꯁ ꯌꯒꯪ ꯄꯅꯨꯂ, ꯈꯀꯎ ꯀꯎꯔꯣ ꯃꯇꯦꯅ ꯃꯤꯕꯁ-ꯇꯤꯈ ꯃꯤꯕꯁꯥ ꯋꯂꯤꯁꯨ ꯆꯍ ꯂꯎꯇꯃꯇꯍ ꯇꯩꯅꯂꯥꯍꯔꯣ ꯃꯂꯦꯈꯄꯥ ꯈꯇꯪꯃꯕ ꯈꯑꯃ ꯌꯦꯕꯂꯦ ꯈꯍꯌꯥ ॥

ꯇꯩꯅꯂꯥꯍꯔꯣ ꯃꯂꯦꯈꯄꯥꯂ ꯌꯄꯥ ꯌꯤꯌꯊ ꯆꯌꯦ ꯈꯒꯍꯌꯦꯅꯕ ꯄꯅꯇꯍꯌꯨꯒꯁꯕ ꯈꯀꯎ ꯀꯎꯔꯣ ꯀꯇꯪꯃ ꯈꯈꯦ ꯃꯤꯕꯁꯥ ꯋꯂꯥꯂ ꯈꯇꯪꯃꯍꯥ ꯈꯑꯃ ꯆꯌꯦꯕ ꯈꯀꯒꯥ ꯃꯂꯦꯈꯄꯥ ꯔꯥꯌꯥ ॥ ꯔꯥꯁ ꯌꯦꯁ

[illegible]





[illegible]



[illegible]



[illegible]

[illegible]



[illegible]

[illegible]

[illegible]



[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]



ꯄꯪꯂꯦ ꯇꯤꯌꯥꯍꯦꯟ - ꯱꯰ ꯊꯪꯕꯝꯌꯥꯍꯤꯗꯦ



[illegible]



“ꯄꯥꯈꯪꯕ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯊꯧ - ꯱꯸ ꯃꯁꯛ ꯄꯥꯈꯪꯕ ꯁꯥꯏꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯕ”

꯱. ꯄꯥꯈꯪꯕ ꯂꯥꯏꯔꯦꯟ

꯲. ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯂꯥꯏꯔꯦꯟ

꯳. ꯄꯥꯈꯪ ꯂꯥꯏꯔꯦꯟ

꯴. ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯄꯥꯈꯪꯕ

꯵. ꯁꯪꯂꯦꯟ ꯃꯥꯂꯥ

꯶. ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯑꯃꯃꯥ ꯃꯥꯂꯥ

꯷. ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯂꯥꯏꯔꯦꯟ ꯃꯥꯂꯥ

꯸. ꯂꯥꯏꯕꯪ ꯂꯥꯏꯔꯦꯟ ꯃꯥꯂꯥ

꯹. ꯅꯣꯡꯃꯥꯏꯅꯪ ꯂꯥꯏ ꯄꯥꯈꯪꯕ ꯂꯥ

꯱꯰. ꯁꯪꯂꯦꯟ ꯄꯥꯈꯪꯕ

꯱꯱. ꯇꯥꯏꯕꯪꯁꯪꯂꯦꯟ

꯱꯲. ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯄꯥꯈꯪꯕ

꯱꯳. ꯁꯪꯂꯦꯟ ꯂꯥꯏꯔꯦꯟ

꯱꯴. ꯂꯥꯏꯔꯦꯟ ꯇꯥꯏꯕꯪ ꯃꯥꯂꯥꯏꯔꯦꯟ

꯱꯵. ꯑꯇꯥꯏꯕꯪꯃꯥꯂꯥꯏꯔꯦꯟ ꯃꯥꯂꯥꯏꯔꯦꯟ

꯱꯶. ꯂꯥꯏꯕꯪ ꯄꯥꯈꯪꯕꯤ

꯱꯷. ꯃꯥꯈꯪꯕ ꯑꯃꯥ ꯅꯣꯡꯃꯥꯏꯔꯦꯟ

꯱꯸. ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯄꯥꯈꯪꯕ

ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯊꯧꯕꯪ - ꯱꯸ ꯃꯁꯛ ꯄꯥꯈꯪꯕ ꯃꯇꯥꯏꯅꯤꯡꯂꯥꯏꯔꯦꯟ ꯂꯥꯏꯔꯦꯟ ꯫

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

পেনা মৈহৌরোন

চকশিংকোন্দি লাংবা চকলোননে। সলাই শিদবগী ময়াথংলেন ফংলবদা লাইনিংথৌ সনামহি-মশানৌতোন পাখঙবা অনিবু মালেম নোংখোং কোইরো হায়না ময়াথংলেন ফংজরবদা, লাইনিংথৌ সনামহিনা কৈরেন-কৈজাও তোংদুনা নোংখোং কোইবা মচৎখিঙে উমাসনা চিংজ্রোইবী থৌশিন-থৌওংদগী পাখঙবনা মপন পন্থৌগী ফম্বাল ফংজখি। চীংউ লাইয়াম পুম্বনা পাখঙবনা ফম্বাল লাংলে হাইবা তাবদা হরাও তয়াল্লম্মী। লাইনিংথৌ সনামহিনা নোংখোং কোইবা হল্লক্লবদা মপাবুংগী ফম্বাল তম্না চংলক্লম্মী। ফম্বাল থক্তা মশানৌ লাই পাখঙবনা ফম্বাল লাংদুনা লৈবা উবদা, সনামহিনা পাইম্না নুংদা ইকাই-নুংশি য়ান্নবগা লোইননা, চীংউগী থৌশিন-থৌদা নৎতে হায়না আশাও পরৈননা মালেম লৈদা খোংথিন্না লৈবদু মালেমদা লৈবা লাইয়াম্না য়েংলগা খোয়ুম মীনোক তল্লম্মী।

লাইনিংথৌ সনামহিনা লাইয়াম্বু য়েংনা খল্লক্লম্মী। ঐনা শেম্বা মালেমদা, কোরৌদগী মালেমদা নোংকুম তল্লীবা লাইয়াম্না, মচিন-মরৈ হেনবা, লাইগী লিচৎলোন মাংহনবা থৌশিন পাংবদি করি করম্বা থৌওংনা লাইয়াম্বু খুদুম চনগদগে হায়বা খল্লদুনা, ঐহাক মফম খঙদনা মাংখিবা থৌওং তৌবা তাই, লাইয়াম ফাজিনহৌদ্রবদি মালেমদা লৈবা লাইশিংনা মানা মানা পাম্বা থৌওং কয়া তৌদুনা মপু মশক খঙখিদবা তারে হায়দুনা মপন পন্থৌ সলাই শিদবা, লৈমা শিদবী অনিবু কোকনোল্লম্লগা লাইনিংথৌ সনামহি মালেমদা মফম খঙদনা মাংখি।

লাইনিংথৌ সনামহিনা চহি চৈচৎ কয়া মরাং য়াইদা হল্লক্লবদা, মপন পন্থৌ-পলেম মমা শিদবী অনিনা মালেমগী মফম কয়াদা মপারি সনামহি থিখি। থিবা খঙবা কৌবা লৈখিদ্রে। লাইনিংথৌ সনামহি মাংখিবদি অতৈ য়াব্রা অমগী নৎতেএ। লাংবা চকলোন লাইওইবশিংনা অনেম্বা মালেমদা পানবা মতমদা খোয়ুমগী অহেনবা থৌসুবা থৌদোক্লা থৌকাং থৌশিন্নি।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমগী মফম কয়াদা খোংদোই ইহুন তমদুনা, সনামহি লাংওন - ১০০০ পুথোক্লে। লাইয়াম্বু লাইতাই শিংদাইনবা, পেনা লাইহুইরোন শাখাইরেন লাই - ১৮ মমীৎ পাংহনবিরে। অরাপ্পদা উবা-অনকপদা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহিনি।

মশাগী থৌওং লাংওন ওইবনা, মপন পন্থৌ-পলেম মমাদা মপারি সনামহি থৌয়াম্বু খঙহনগে হায়বগীদমক মালেমগী মফম কয়াদা সনামহি লাংওন তমখি। মপন পন্থৌ সলাই শিদবনা পেনা শাখাইরোন লাই ১০ ফংজখি। লৈমা শিদবীনা পেনা শাখাইরোন লাই - ৮ ফংজদুনা নুমিৎ-থাগী শাওং লৌদুনা লৈমরেন্না, লাইয়ামদা চৈ-থাংখিবা চৈজিং হাইনা মীংথোল্লে। থাবু মোনখাংনখিএ

হায়বগী লাই - ৮গী খাওন থাবু লৈমা মোনখাং থা হায়না মিংথোনখিএ। লাইনিংথৌনা লাংদাইবা, লৈনুং খরো অসৈবা লাইদা শিনখিবনা 'কুরু লৈমরেন' অনিনা পেনা চৈজিং থা অনিগী শিংখাই খোন্থোক - ২০, পেনা লিরেন - ৩৬০ বু শৈফম শৈশক্লবা খোয়ুম কনা লৈবগে হায়না কৌবদা খরো অসৈবা লাইনা লাক্তুনা, পেনা শৈশক শৈহৌএ।

লাইয়াম পুন্বা খাঙবা ঙমদ্রদুনা শিদবা উপান তল্লক্তুনা লাকখিএ। সনামহি কেকু ফোঙখিএ। শিদবা-শিদবী অনিদা কোক নোঞ্জখিএ। মালেমদা লৈবা লাইয়াম পুন্বনা পেনা লাইহুইবু ঐখোয়গী শরুক তন্বীয়ু হায়না সনামহিদা হঙ্গৎচবদা,লাইনিংথৌ সনামহি হোয়াখিএ। খোয়ুম লাইগী লীচৎ অহেনবা পুন্বা সনামহি লাইহুই পেনা শিংখাইবিখিএ। মপন পন্থৌগী য়াথং ইন্দুনা সনামহি য়ুমচংখিএ। পাখঙবনা সলাই - ৭ কী ফম্বাল ফংজখিএ। কুরু লৈমরেন অনিনা নুংলোন্দা থুপ্তুনা লৈখিএ। পেনা লাইহুই মীৎপাংজখিএ॥

ৱাঙুরোন ঃ-

লাইনিংথৌ সনামহিগী লাংওন লাংদাইবু অনেম্বা মালেমদা লৈপা লাইশিংদা খংহলকে হায়পগী মপন পন্থৌ শিতপা লাই কুরুনা মালেমদা থৌপাংলক্লে। সনামহিগী থৌশিন থৌদা পুন্বা মতিক ময়াইবু মালেমদা লৈপা লাইনা খঙলকলে। কুরুগী মপারী লাই সনামহিনা মালেমদা লৈপা লাইয়াম কয়ানা পাংথোকপা মঙমদ্রববু করি করম তৌদুনা লাইয়াম মতিক ময়াই হাপ্তুনা থৌপাংহনসিগে খন্দুনা সনামহিনা থৌপাংলোই লাই ১০০০ পুথোক্তুনা লাইয়ামদো থৌজানবীখি। সনামহিগী মতিক ময়াই মঙানবু মালেমগী লাইয়ামনা ফংজখি হায়বসি ৱাঙুরোন্না পীরি।

মৈরেনকোক লাই

চকশিংকোন্দি লাংবা চকলোন্নে। লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈশেম তুশেম লোইরবদা মপন-পন্থৌ ময়াথংলেন ইঞ্জদুনা মালেম নোংখোং কোইবা হৌখরে। নোংখোং কোইবা লোইরদুনা মপনগী ফন্থাল কোন্দা চংলকপদা, সনা ফন্থাল ফমদেংলিবা মশানৌতোন লাই পাখঙববু উরুবদগী আশাও পরৈনখরে। লাইয়াম্না সনামহিবু উবদা লাই খুবাক খুরুম্মী। অশাওনরবা সনামহিনা মালেমগী মফম কয়া লাংওন তৌদুনা মাংখ্রে।

সনামহিনা কুমজা কয়া মরাংয়াইদা হল্লকখিদরে। লৈমা শিদবীনা সলাই শিদবদা মপারিগী খুঙ্গুল লিনবা হঙ্গৎচরে। মপন পন্থৌ শিদবনা মপারি সনামহিবু মালেমগী মফম কয়াদা থিবা খোঙদোই হুনখ্রে। কুমজা কয়া সলাই শিদবনা মপারি থিবা খঙবা কৌবা লৈতরে। মশানৌ সলাই শিদবনা মরাংয়াইদা হনৱাইরক্লুবদা, লৈমা শিদবীসু মালেমগী মফম কয়াদা মপারিবু থিবা হৌখরে।

লাইনিংথৌ সলাই শিদবনা, মালেমগী লাংহৈকোন কয়াদা লাংওন তৌদুনা সনামহিবু থিরকপা, অৱা-মৈচাক ওইরক্লে। নোংপোক খমলেন পুংকোইদা হৌরিবা সনা য়াইওইবা খোংনাং পান্বীদা সলাই শিদবনা পামেন থক্তা কাদুনা কোইনা-লৈনা য়েংলক্লে। মপারিদি উঙমদে। লাংওন লাই মৈরেনকোক্না সলাই শিদবনা কায়দোংলিবা ফৈরাথক্তা কাখৎলক্লে। মদু উবদা সলাই শিদবনা "ফীগাওনুং"দা হাপচিল্লে॥

ৱাঙুরোন ঃ-

লাইনিংথৌ সনামহিনা অনেন্বা মালেমদা নোংকুমবীদুনা, মালেমবু লৈশেম তুশেম্বা লোইরবদা মালেম অসিদা অচং চংতা জিবা কয়াবু পুথোকলগে হায়দুনা খোয়ুম লাইগী লাংওন কয়াবু পুথোকরক্লে। ইবুংঙোনা পুথোক্লিবা থৱাই পানবা জিবা কয়া অসি পানদমবু পুনশিন্দুনা মালেমদা থৌথাই ওইহনখি।

ইরেন খোঙ লাই

মপারি অহল লাই ওইবা সনামহিবু মকৌনবা সনা খোংনাং পাম্বী মথক্তা সলাই শিদবনা লেপ্তুনা খোম্থোক তমদুনা কৌরক্নে। মপারি লাই সনামহিনা খুম্না কৌবা লৈত্রবদা, ঙৈহাক সলাই শিদবনা ফমদেংদুনা মালেম লৈমাই থক্তা মিংস্না অনিনা কোইনা লৈনা য়েংলক্নে।

মপারি সনামহিনা লৈশেম্বা মালেমদা লাইজা খোং ঈশিংনা ইরাইনবা খোং অমা উরক্নে। লাইনিংথৌদি সলাই শিদবনা, খোং অদুদগী লাংওন-লাইরেল শাদম ওইবা খোয়ুম শকলোংপা অদু সলাই শিদবনা লাইজা ঈশিংখোং অদুদা চেন চোংদুনা শান্নবা অদু উরক্নে। মপু সলাই শিদবনা ফাদুনা য়াইওইবা সনা খোঙনাং অদুগী মথক্তা পুখৎলগে হায়না থল্লক্নে।

মপু সলাই শিদবনা পামেন উশা অমা খেক্তুনা খোং অদু তান্না লংখবে। খোং অদুগী মনুংদা লোৎতুনা লৈরিবা লাংওনবা লাই অদু পোং মখুংদা চেম্থোক-চেনশিন তৌবা ঙম্লক্রে। সলাই শিদবনা লাংওনবা লাই অদু সনা খোঙনাং পুম্বী অদুগী মথক্তা কৌখৎলে। শিদবা সলাইনা ঈরেন খোঙগী লাই অদু ফিগাও নুংদা হাপচিন্দুনা থমখ্রে॥

খাঙুরোল ঃ-

মালেমবু লৈশেম তুশেম্বা লোইরবদা মপু ওইবা লাইনিংথৌনা মালেমদা লৈবা খোয়ুম লাইগী লাংওন তম্বা কয়াবু অপুনবা অমদা পুনশিনদুনা খোয়ুম লাইগী লিথাংলোই পুথোকনবা থৌশিনলকলে। মপু ওইবা লাই সনামহিনা করি করম তৌদুনা লাইগী মশক মতিক-মগুন তাকসিগে হায়না নুংলোন য়াইদা খল্লক্লবদা ঈরেনখোংগী লাইবু লাইয়ামদা মতিক ময়াই খঙহনথি।

মালং খোঙ লাই



লাইনিংথৌ সলাই শিদবনা অসিনসু মদোমদে, মপারি শিংখোঙ অহল লাই সনামহিবু মফম কৈদা লৈবগে হায়না কোইনা লৈনা অসুম অসুম য়েংলকপদা, মালেমগী লাংহৈ-লাংদাইকোন ওইরিবা অনেপ্পা মালেমদা, খোংদি খোংসু হেলোই খোং অমা উরক্লে। খোং অদুদা লাইজা ঈশিং ঈরাই খোংগা লোইননা ঈচেপ্পা চেনবা উবদা সলাই শিদবনা পাইখ্রা নুংদা মপারিনা খোং মনুংদা শাল্লবা ওইনা উরক্লে।

ঙাইহাক লৈরগা খোং অদুদগী খাগী লাংহৈকোন্দা অকনবা মালং মুখোংদা নাম্বিবনা অশাঙ পরেংনা কপ্পা কপ্পা মাতং হুমোইবনা থৌকাং থৌনা পাংলকপা উদল্লে। অকনবা নোংলৈ নুংশিংনা থৌকাংলকপা পারোন লাই অমা থাওবা ঙমদ্রদুনা মালেম থক্তা কাখৎলক্লে।

মালং খোংদগী মালংবগী শাহুম কংবদা থাংবা য়ারদুনা মালেমনা খোংলোই হুমলক্লিনা খোং লাই ওইনবু পামেন কৈরাখত্তা কৌখৎলগে হল্লক্লে। লাইগী লাইশাক খঙলক্লবদা, মাগী মিংথৈ হায়দুনা সলাই শিদবনা মালং খোং লাইবু কৌখৎলে। মালং খোং লাংওনবা লাইনা পামেন কৈরাখত্তা কাখৎলক্লে। শিদবনা কাজিন্দুনা থমখরে।।

রাঙুরোন ঃ-

খোয়ুম লাইগী লাংওগ ওইরিবা, মাংবা য়াদ্রবা মপুগী লৈশেমদা লাংদাইরিবা লাইওইপনা মাগী থৌশিনকোন থৌরম থৌদাবু ঙাইদুনা মালেমগী লাংহৈদা লাংদাইরক্লে। খোয়ুম লাংওনবনা নুংলোন য়াইদা খল্লক্লে। মপুনা শেম্বীবা লাইওইবা ঐখোয়গী থৌরম থৌদাদি, পাংখিগনি। মপুগী মচা মনাইনি হায়বা মালেমদা লৈবা লাইওইবা কয়াদা খঙহঞ্জনবা থৌপাংজগে হন্দুনা ঙাইজরি। খোয়ুম লাইগী মাপোক্তা পোক্লবা লাইওইবা ঐগী থৌদাদি পাংগনি হায়বা অরেপ্পা ঙাইদুনা লৈজরিবা মালংখোং লাইনে।

শাকোক মীরেন লাই

সলাই শিদবা মপুনা সনা খোংনাং য়াইওইবগী উশা ফৈরাথক্তা ফমদেংদুনা মপারিবু লাকপা ঙাইরম্মী। ঙৈহাক লৈরগা হৌগৎতুনা পামেন ফৈরাথক্তা লেপ্তুনা মপারি সনামহিবু কোইনা লৈনা মালেমগী মফম কয়া য়েংলম্মী। মপারিগী শক্তম্মু মপন-পন্থৌনা উবা কৌবা লৈখিদরে মপন পন্থৌনা মপারিনা লৈশেন্বা মালেমদা উপান-ব্রাপন, হৈরাং-লৈরাং, লোইবী চীং-পাৎ-খোং কয়া উরক্লবদা মপারিবু হেন্না থোইনা নিংশিংলম্মী।

জিবা কয়ানা মালেমগী মফম কয়াদা চাক্তাদুনা লৈবা উরক্লে। মপারিতোন লাই পাখঙববুসু নিংশিংলকই। মালেমগী মফমলেন্দা ওইরিবা, লৈরিবা খোংসু খোংলেন, খোংদম খোংগী মপান্দা শাকোক মীরেন লাইনা নুমিৎকী মঙাল ফংবদা ওন্না- থোইনা হরাও-মথোই কাজনা লৈমাইথক্তা লৈবদু মপু সলাই শিদবনা উরক্লে।

শাকোক মীরেন লাইগী থৌওংবু উরগা করিনুংগী থৌশিন- থৌদানো হায়না মপু ওইবা সলাই শিদবনা খল্লক্লে। সলাই শিদবনা শাকোক মীরেন লাইবু কৌগে খন্দুনা উপান য়াইওইবগী ফৈরাথক্তা মীরেন শাকোক লাইবু কৌখৎলে। শাকোক মীরেন লাইনা শিদবা সলাইগী মগাইফমদা লাক্লে। শিদবা সলাইনা শাকোক মীরেন লাইবু ফাজিন্দুনা থমখরে।।

ব্রাঙুরোন ঃ-

মালেমদা লৈবা জিবা কয়া য়াম্বগুম খোয়ুম লাইনা লাংওনবা কয়ানা মাগী মাগী থৌরম থৌদারোন কয়াবু থৌপাংজরি। থৌপাং অদুতবু পাংজরগা মপুগী থৌশিনকোন মহৈ য়ানবদু ঙাইহজরিবা শাকোক মীরেন লাইনে। মালেমদা লৈরবদি করিগুম্বা শিঙ্খা অমা পাংদুনা মশক খঙহনবা পামজবা মীরেন লাইনিনে।

ব্রাংখোই চুকলাই



চকশিংকোন্দি লাংবা লাইনা পুনবা চুকলেননে। অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোল্লি। লাইনিংথৌ সনামহিগী লৈশেমকোন্নে। জিবা কয়ানা মালেমদা লাংদাই শিংদাইঙেনে। সলাই পোকলেম্বা মীৎপাং চকনে। লাংবা চকনোন্দা অনেম্বা মালেমদা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা লাংদাই-শিংদাইঙে মওইঙেনে।

নোংপোক খেংবা লাংচি চীংমাই হেলোই পৌশি লাইয়াম খুম্থোক চীংমাইরেননে। খুন্দিনবীগী লাইফমলেন্নে। লাইতাই-তিন্দাই চীংমাইথেন্নে। সলাই শিদবনা মালেম্থু কোইনা লৈনা য়েংলক্লবদা ব্রাংখোই চুকলাই উরক্লে। চীংলাই অদুনা লেং-ওৎপা মতৌ অদু শিদবা লাইনা মউইএ। করি নুংগী মতৌনো, লাংমাবু করি লাংদাইবনো হায়না পাইমা নুংদা খল্লক্লে।

থিল্লদনা ব্রাংখোই চুকলাইবু সলাই শিদবনা পামেন কৈরাথক্তা কৌখৎলকলে। পামেন কৈরাথক্তা চুকলাই লাইওইবা কাখৎল্লক্কুনা সলাই শিদবদা কোকনোঙ্জেএ। শিদবা সলাইনা ব্রাংখোই চুক্লাইবু কিশাওনুংদা ফাজিন্দুনা থমখরে।।

বাঙুরোন ঃ-

মালেম তাইবং পানবগী মপু ওইরিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমদা লৈরিবা অচৎ-চৎতা জিবা কয়াবু মাগী মাগী মতিক ময়াইবু য়েংগে হায়বগী অনেম্বা মালেমদা চকশিংকোনগী লাংদাইদা মপুথোক্লে। জিবশিংগী লৈফম মখল মখেল মানা মানা পামজবা মশাগা চানজবা মফমদা লৈজদুনা জিবা অদুনা হিংবা, মহাকপু শেন্নীবা মপু অদুবু কাওদনা, মহাক অসি মালেম অসিদা করি তৌরমগদনো, থৌরম করি পাংলগা ঐবু জিবশিংনা মশক খঙবা ওইগদগে হায়না লাংওনবা ব্রাংখোই চুকখোং লাইওইগী মতিক ময়াইবু মালেমদা লৈবা লাইয়াম্না খঙজখি।

ইরিক লাংপুম চুকলাই

মালেম লাংহৈকোন্দা লাইনিংথৌ সলাই শিদবনা, মীৎস্না অনিনা মালেমদা কোইনা লৈনা য়েংলকপা, নিংথিজরবা ইরিক্লোন অমা উরক্লে। ইরিক্লোন অদুদা মপারিগী মমি তাবরা হায়না য়েংলকপা মতমদা মপারিগী মমিদি নৎতবা লাংপুম ইরিক চুকলেন লাই অমা উরক্লে। মকোক্লা কোরৌদা মৈরেন্না মালেমদা উরে।

উপা লাইবু য়েংলগা পাইমা নুংদা খল্লক্লে। করি নুংগী লাংওনবনো হায়না সলাই শিদবনা খল্লক্লে। ঈরিক লাংপুম চুকলাইনা ঈরিক খোং অসিদা থুপ্তুনা লৈবদি খোযুম কনাবু ঙাইবনো হায়না সলাই শিদবনা খল্লক্লে। পামেন থক্তা কৌখৎকে হায়না মখল্লে। উশা অমা থেক্তুনা ঈরিক খোং অদুদা থাদখরে।

উশা অদুগী মনম ফংবদা পামেন অদু থিরক্লে। পামেন থক্তা থিন্থদনা ঈরিক লাংপুম চুকলাইবু ফিগাওনুংদা থাজিন্দুনা হাপচিনখরে।।

ৱাঙুরোন ঃ-

মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপনা অনেম্বা মালেমদা মপুগী লৈকোনদা লাই পোং মীওইবা তিন, কাং, শা, ঙা, জিবা কয়ানা মালেমদা মাগী মাগী থৌসু থৌরম থৌদা কয়া পাঙদুনা হিংনরি। মপুগী লৈকোন ওইরিবদি অনেম্বা মালেমনি। মালেম অসিদা মখল মথেল কয়াগী জিবা কয়া মপুনা মালেমদা পুথোকপীরে। জিবনা মালেমদা করি থৌরম থৌসু থৌদা পাংগদগে হায়না নুংলোন য়াইদা ইতল্লক্লে। জিবনা মাগী মাগী থৌদা থৌশিন কয়াবু পাংজবনা মালেমদা লৈজবগী থৌঙমবু মহৈ য়ানবা থৌদাং কয়াবু থৌশিনকোন ওইজরি। অনেম্বা মালেমদা লৈবা জিবদি অপিকপা অচৌবা ৱাখনসুবা সুদবা, অহেন্বা অৱাংপা কয়া লৈরি। জিবশিংনা মালেমগী থৌরম থৌদাবু মাংদবা লাই মী পোং কয়ানা ইরিক লাংপুমনা মাংখ্রবসু মহাক্লা লাইয়ামদা শিনরম্বা থৌরমবু মপুং ফানা মালেমদা মমি তম্বীরম্মী হায়না ৱাঙুরোন্না পিরি।।

থৌরেন পুংকোক চুকলাই



সলাই শিদবনা য়াইওইবা সনারেন উপান্থক্তা মিৎস্না অনিনা কোইনা লৈদুনা য়েংলকপদা থৌরেন পুংকোক চুকলাইনা উপান্থক্তা লৈবা উরক্লে। পাইমা নুংদা খল্লক্লে। করি মতৌনো তৌরিবা থৌওংসিবু, পারিবু থিবা লাকপদি জিবা কয়াগা ৱাতাই শংদাইনবা তারবরা হায়না পাইমা নুংদা খল্লক্লে।

চুকলেন অসিবু ময়েংনা পাইমা নুংদা খল্লক্লে। লাংওন অসিবু খোয়ুম কনাগী লাংওন ওইবনো হায়না মপু সলাই শিদবনা থৌরেন পুংকোক চুকলেনবু য়েংনা মতাইরক্লে। লাইওইবা চুকলেনবু য়েংনা মহাইগে মখন্না উজাও পান্বী চাউথোইবা সনা খোঙনাং পান্বীদা লাংওন্বা লাইবু কৌখৎকে হায়না শিদবা লাইনা মখল্লক্লে।

শিদবা লাই মপুনা খোঞ্জেল খোন্থোক মতম্বা অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন্দা লাংওন-লাংদাই ওইরিবা থৌরেন পুংকোক চুকলাইবু মকৌরক্লে। থৌরেন্বা লাইনা মপুগী পাউতাক ঙাইদুনা লৈজরিবা মপুগী থৌদা থৌশিন ফংলবদা থিন্থদনা পামেন-ফৈরাথক্তা লাংওনবা লাইনা উপান্থক্তা কাখৎলক্লে। শিদবা লাই মপুনা থৌরেনবু ফাজিন্দুনা ফিগাওনুংদা থমখরে।

ৱাঙুরোন ঃ-

> থৌরেন পুংকোক চুকলাইনা মপু ওইবা লাইনিংথৌ সনামহিগী লৈকোন্দা মপুনা লাই ওইবা লাংওনবা চুকলাইবু থৌশিনকোন ওইনবা মপুথোক্লে। মপুগী থৌদা থৌশিনবু মাংজিন থানা থৌপাংজগে হায়না মালেমদা থৌপাংলক্লে। খোয়ুমদা থৌদা থৌশিন পাংবদি শেন্বীবা মপুগী থৌশিন পাংবনা মপুনা থৌখাই পাংববু মতাইএ, লাংওনবা চুকলাইনা থৌদারোন কয়াবু ময়েক শেংনা থৌশিন মাবু থৌপাংজরিএ হায়না ৱাঙুউবোন্না পিরিএ।।

সারেন পুংবা চুকলাই

লাইনিংথৌ সলাই শিদবা মপুনা মপারি অহল লাইওইবা সনামহিবু তোইনা তোইনা কৌরক্লে। খোঞ্জেন্তনা মালেম শিনবা থুংখরে। অনেম্বা মালেমদা খুন্থোক তন্নীবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা সলাই শিদবগী খোন্থোকপু তারম্মী। করিনুংগী য়াৱা লৈবনা খোন্থোক অসি তন্নীবনো হায়না মালেমদা লৈবা লাইয়াম পুম্বনা মখঞ্জেনে।

মপারি শিংখোঙ লাই সনামহিবু উবা ফংদ্রবদা মালেমদা কোইনা লৈনা য়েংবদা জিবা অমা উরক্লে। তুবী লাইওইবগী শওংদা উরিবা শারেন পুংবা লাইবু সলাই শিদবনা মহাইএ। তাও, মালেমদা লৈবা খোয়ুম লাংওন্বা পুন্বা, শিদবা সলাই মপুনা ফাজিন্দুনা থমগনি হায়না পাইমা নুংদা খনখরে।

শারেন পুংবা লাই চুকলাইবু উপানথক্তা কৌখৎতুনা মাবুসু ফাজিনখরে। চুকলাইববু লাইরেন শাদম্ববু ফাজিনখ্রবদা, চুকলাইবা লাই নিংজবা থুংলে হায়না মপুগী নাক্তা লৈজবা ফংজখি। লাইগী লাওন ফংজবনে হায়না শারেন পুংবা লাইনা ফিগাওনুংদা খোমলেন তুমখুন তানখরে॥

ৱাঙুরোন ঃ-

চকশিংকোন্দি লাংগা কোনপা চকলোননে। অনেম্বাদি মালেমনি। লাইনিংথৌ সনামহি লৈশেমকোন্দা মপু ওইবা লাইওইপা সনামহিনা মালেমদা লৈপা জীবা কয়াবু মাগী মাগী থৌরম থৌদা করি পাংগদগে হায়বা, পাংলিবা থৌরমলোন অদুবু মালেমদা লৈবা জীবা কয়া থৌশিন থৌদা অদুবু ময়েক সেংনা মৈনা ৱাই তাংনা শমথরক্লবা থৌদা অদু মহৈ য়ানবা থৌরম থৌদা অদু মশক খংনা মালেমদা লৈহৌনবা মপুনা থৌশিনকোন কয়া পাংলিবা থৌরম অদু পাংলিবা মহৈ মপুং ফানবা পুংবা চুকলাইনথৌ অদুবু ময়েক সেংনা পীববু ৱাঙুউরোন্না তাক্লি।

খ্বাংকোই সনা মীরেন শঙলেন

লাইনিংথৌ সলাই শিদবনা মালেমগী মফম কয়াদা মপারিবু কোইনা লৈনা চৎতুনা থিরুবদা থিবা খঙবা ঙমদ্রবদা পামেন ফৈরাথক্তা য়েংদুনা মাইকৈ খা, ৱাং, নোংপোক, নোংচুপ মালেমগী মফম কয়াদা মাইওন ওন্দুনা মপারি লাকপা ঙাইরম্মী।

মপারিগী শাওংদি উবা ফংখিদরে। কৌবদা খুন্বা লৈরক্তে। ইরেন খোং, পাৎ-তুরেন, চীং কয়াদা মীৎয়েং শাংখৈরদুনা য়েংবদা মপারি উবা কৌবা লৈখিদরে মালেম পুংকোই চীংমাইরেন খেনবু চীংশাং হুইরেন চীংদা সনা মীরেন শঙ কুমলেং লাইনা হিরি কোন্দা লৈবা উরক্লে। করি নুংগী লাংওল্লো হায়না শিদবা লাইনা পাইমা নুংদা মখল্লক্লে।

খ্বাংকোই সনা মীরেন শঙলেনবু, সলাই শিদবনা কৌরক্লে। মপুগী খোন্থোক- খোঞ্জেন ঙাইদুনা লৈরিবা সনা মীরেন লাইনা উপান অদুগী মনাক্তা লাক্তুনা উপান মথক্তা কাখৎলক্লে। শিদবা সলাইনা উপান্দা কাখৎলক্লিবা সনা মীরেন লাইবু ফৈরাথক্তা লৈরিবা চরৈ ফিগাওনুংদা হাপচিল্লে। ফিগাওনুংদা লৈখ্রবদা সনা মীরেন শঙলাইনা হরাও-মথোই কাজরে। মপুগী থৌজান ফংজরে।

য়াঙ্গুরোল ঃ-

সনা মীরেন শঙলেন্না পাংখিবা থৌশিল থৌদা কয়া কয়াবু মালেমদা লৈবা জিবা কয়ানা শীরি। শীরিবা থৌখাইরোনদি তৌজবা মপুগী থৌরমবু মালেমদা পাংথোকুনা পাংখিবা থৌশিলগী মরোক সেংনা শীদুনা থৌশাংলিবা থৌসু মইহে য়াম্লে তাকপা ফোঙদোকপবু নুংঙোন য়াঙ্গুরোল্লা মরোক সেংনা ফোংদোকুনা থৌশিনবু থৌপাং মইহে য়াম্লে হায়না তাক্লি। তাক্লিবা থৌওংদি থৌরম অদুবু মরোক সেংনা উৎতুনা শীরি।

শাকোক মৈরেন লাই



লাইনিংথৌ সলাই শিদবনা নুমিৎলোইদি শিংকুমলোই কয়া উপান ফৈরা থক্তা, মপারি অহল সনামহিবু ঙাইরকপা, করি করম্বা লাংহৈদা পারিবু উবা ফংগদগে হায়না নুমিৎ শিঙগুম খুদিংগী উপানথক্তা খোয়ুম কনা কনা লাকপগে, মালেমদা করম্বা খোয়ুম কনা লাংওন তম্বগে হায়না সলাই শিদবনা য়েংলক্লে।

মপারি শিংখোঙ অহল্লা মালেম লৈশেম্বা লমলেমগী লাংহৈদা, লৈরিবা হৌরিবা হৈপান- লৈপান, মনা-মশিং, জিবা কয়াবু উরগা মপন পন্থৌনা পাইমা নুংদা মপারিবু হেন্না থোইনা পুক্লিং খেবু লাংলক্লে।

উপান থক্তা ফমদেংদুনা লৈরিবা সলাই শিদবনা কোইনা লৈনা য়েংলকপদা লাইজা ইব্রাইননা শাকোক মৈরেন লাইবু উরক্লে। মৈরেন্বনা মকোক্লা কোরৌদা, মমৈনা মালেমদা হাইথদুনা হায়জনিংবা য়াৱা কয়া হায়দোকপা ঙমদনা লেং-ওৎতুনা লৈববু সলাই শিদবা মপুনা য়েংলম্মী। মদু উবদা পাইমা নুংদা খল্লক্লে। শাকোক মৈরেন লাইবু কৌখৎলগে হায়না মৈরেনবা লাইবু উপান থক্তা কৌখৎলে। সলাই শিদবগী ফিগাওদা হাপচিল্লে।

ৱাঙুরোন ঃ-

মপুগী লৈকোন ওইরিবা অনেম্বা মালেমদি মপুগী লাংহৈ ৱাংদাইফমনি। সনামহি লাংদাইকোন অচৎ-চৎতা জিবা কয়া তুংনফমদি মালেমনি। মালেমগী মপু ওইবনা শাকোক মৈরেন লাইগী মতিকময়াইবু মালেমদা লাংদাই ওইনা মপোক তমহনগে হায়না থৌশেন থৌপাংলক্লে। মতিক ময়াই হেনলোইপা শাকোক মৈরেন লাইবু থৌশিন থৌদা শিনরক্লবদা মপুগী থৌদা থৌশিন কয়াবু পাংনবা থৌখাই হৌরক্লে। লাংওনবা মৈরেন লাইগী মশাগী থৌশিনবু থৌখাই ওইনা পাংদুনা মপারি মতিক ময়াইনা অনেম্বা মালেমদা মরু তাদুনা মশানা মশাবু খঙজখি হায়না ৱাঙুরোন্না পীরি।

তাওবী চীরাংখোক



লৈমা শিদবীনা মপারি শিংখোঙ অহল সনামহিনা আশাও পরৈননা মফম খঙদনা মাংখিবা, ইশানৌরেন সলাই শিদবনা মপারি থিবা খোংদোই হুনখিবা কুমজা কয়া হৌখ্রবদা ইরাংয়াইদা খোংদোই হুল্লক্ত্রবদা, করি নুংগী খোংদোই হুল্লক্তবনো হায়না লৈমা শিদবীনা মরাংয়াইদা লৈঙমদনা মপারি শিংখোং অহল সনামহিবু পলেম মমা শিদবীনা কোইনা লৈনা থিরক্লে।

লাইনিংথৌ সলাই শিদববু মালেমগী মফম কদাইদা লৈখ্রবগে হায়না মশানৌবু য়েংনা থিরকপনা হায়ফম খঙদনা মালেমগী মফম কয়া শায়োন-লাংওন তৌদুনা লৈমা শিদবীনা অৱা মৈচাক পুরক্লে। নোংপোক লোইবী হেলোই চীংদা থৌদু নুংগী থেনকুম পুংকোইদা অৱা পোৎথা লাংহৈরে। শিদবীদি লৈমনা, নোংপোক তাওবী চরাং খোকলাই উরে। শিদবীবু লাংশিং কয়াগী ঙাইদুনা লৈজরক্লবা তাওবী চীরাংখোক্কী লাইনা লৈমা শিদবীদা লাই ওইবীনা চঙজরে। তাওবী চীরাংখোক্কী লাইবু চরৈ ফিবুনুংদা য়োমশিঞ্জরে। তাওবী লাইনা মপোক ফংজরে।।

ৱাঙুরোল ঃ-

তাওবী চীরাংখোক লাংওনবনা মপুগী থৌশিনকোম্বু থৌদা মপুং পাংকে হায়দুনা খোয়ুম লাংওন লাংদাই ওইরক্লে। লাংওনপনা শেন্বীবা মপুবু উজকে হায়না থৌদা পাংলক্লবদা, মপুগী থৌশিনলোন য়ৌদুনা খোয়ুম মপুরেনগী শিনথা ঙাইরক্লে। খোয়ুমগী লাংদাইদা লাংওনবা তাওবীনা থৌপাংলোইবু মপুনা মখংলবদা, শেন্বীবা মপুনা লাংওনবা থৌশিন পাংজবা চীরাংখোকপু লাইয়ামগী মমাংদা মতিক ময়াই কয়াবু খংহনখি। তাওবী লাইগী থৌরম থৌদাবু মপুনা উবীদুনা থৌজান মহে ফংজখি হায়না নুংলোন ৱাঙুউরোন্না শেংনা তাকলি।

নাওথাংখোং লাই



লৈমা শিদবীনা থৌদু নুংপাকথক্তা ফমদেংদুনা মপারিবু লাকপা ঙাইরকপা, লাইনিংথৌগী খোঙ্গুল লিরকপা খোয়ুম ঙাইথেন পুংকোই চীংদা নুংগী মথক্তা ফমদেংনা শিংকুম কয়ানি ঙাইদুনা লৈরকপা, করি নুংগী থৌদোক্লো পাইমা নুংদা মখল্লক্লে।

মালেমদা হৌবা উপান-ৱাপান, হৈরাং- লৈরাং কয়াবু উজবা নৌহৌননা মপারি শিংখোং অহলবু তোইনা- তোইনা পাইমা নুংদা নিংশিংলে। কোইনা লৈনা মালেমগী মফম কয়ারক য়েংবদা খোয়ুম লাইগী লাংওন তম্বা অমা উরক্লে।

লৈমা শিদবীগী শাহুম ফংবদা খোমলেন তুমখুন তান্দুনা লৈরম্বা নাওথাংখোঙ লাইনা মীকপ থোরক্লে। নাওথাংখোঙ লাইনা লৈমা শিদবীনা মপারি ঙাইদুনা লৈরিবা নুঙগী থেন অদুদা কাখৎলক্লে। লৈমা শিদবীনা নাওথাং লাইবু উরক্লবদা মীৎম্না অনিনা মুন্না য়েংদুনা লাইনা লাংওনবা নাওথাংখোঙ লাইবু চরৈ ফীবু নুংদা য়োমশিন্দুনা লৈমা শিদবীনা ফাজিন্দুনা থমখরে। লাংওন নাওথাংখোঙদি মপোক লাংওন মহৈ য়াল্লে হায়না খঞ্জনা ফিগাওনুংদা খোমলেন তুমখুন তানখরে। লৈমা শিদবীগী মপারি সনামহিদি ফংবা কৌবা লৈখিদরে।

ৱাঙুরোন ঃ-

নাওথাংখোং লাইগী লুংলোল্লা পীরিবা ৱাঙুউরোন্দি, অচৎ-চৎতগী হৌরকফম অমদি তুংনফম ওইরিবা মালেমনি। মালেমগী লাংদাইখোন্দি লৈশেমখোল্লে। মপু ওইবনা মালেমদা লৈবা জিবা কয়াবু অপুনবা অমত্তা ওইনা মাগী মাগী শিজ্জানা মশানা মশাবু শক্তখংজবা থৌখাইবা হোৎল্লে। মপুগী লাংওন লাংদাই লাংদাইফমদে অনেম্মা মালেমনি। অনেম্মা মালেমদা লাইগী লাংওন্দা শকওইনা খোংলাইব শাকোংবীরে। নোংলাইনা মালেমদা মখাগী থৌশিন থৌদা পুক্তা উৎলোনা থৌশিন মহে য়ান্দুনা লাইরাম পুংকোই তিনাখবদু ৱাঙুরোল্লা তাক্লুনা পীরি।

নাওরেন চীখাঙ লাই

লৈমা শিদবীনা মপারি শিংখোঙ সনামহি উরক্রুবদা মশানৌরেন সলাই শিদববুসু থিবা খঙলক্রুবদা পাইমা নুংদা হায়ফম খঙদনা অৱা মৈচাক পুরক্লে। করি নুংগী লাংওন-লাংদাইরেন্নো হায়না লৈমা শিদবীনা খল্লক্লে। মপারিনা শেমজবা মালেমদা লাইয়াম পুন্সিনা খুন্থোক লাংওন তমজবা মপুগী করি থৌদাং লৈবনা মপারিনা অশাও-পরৈনবনো হায়না মীৎলু লাইজা ইহৌনা, নোংপোক থেনখৌ চীংমাইলেন্দা থৌদু নুঙপী মথক্তা ফমদেংননা লৈরক্লে।

লাংওন য়ান্নী হেলোইবীদি লৈমা শিদবীনে। শিদবীনা ফমদেংলিবা নুঙগী থেন অদুগী সুরুংদগী নাওরেন চিখাঙ লাইনা শিদবীগী থৌওংবু উরম্মী। মপোক লাংওন খুদিংদা উজগে হায়না ঙাইদুনা লৈজরিবী চীখাঙ লাইরেন্নীনে। চীখাঙনা নুঙপী থক্তা কাখৎতুনা শিদবীগী মনাক্তা লৈরক্লে। হন্থনা লৈমা শিদবীনা উরক্লবদা লাই ওইবীবু চরৈ ফীবুনুংদা হাপচিঞ্জরে। নাওরেন চীখাঙ লাইনা মপোক মহে য়াল্লে হায়না খল্লক্লে।

ৱাঙুরোন ঃ-

খোয়ুম্ম লাইগী লাংওন শায়োন্না তাক্লিবদি মালেমদা লৈবা জিবা কয়া অসিগী তুংলমচৎতা করিনা মালেমদা মখোয়বু লৈরম্মি হায়বসি খংহনশিগে হায়না খোয়ুম্ম লাই ওইবনা মালেমদা লাংওন শায়োন হৌখি।লাংওন শায়োনগী থৌশিন্দি থৌদারোন পাংবনি হায়না ৱাঙুরোন্না পীরি। শেম্লীবা মপু অদুবু কাওদনা মপুগী মতেং পাংজগে খঞ্জরিবা খোয়ুমগী লাংওন ঙাইরিবা চীখাঙ লাইদা মপুবু উরবদা, মহাক্কী থৌঙম্না শিল্হাবু পাংজদুনা মপুগী মতিক ময়াইবু খংজনা মালেমগী লাংহৈকোন থৌপাংলিবা নাওরেন লাইনি হায়না ময়েক সেংনা ৱাঙুরোন্না তাক্লি।

তাওখোঙ য়াংবী লাই

লোইবী হেলোই চীংমাইথেন, থেনকুম য়াংবী লৈশেমকোন, লাংহৈকোন্দি লাংদাইরেন, শিদবীগী য়াথোং চীং, লাইয়াম পুম্বগী লাংদাইথেন্দি নোংপোক খেংখোং চীংমাইথেননি। লোইবী হেলোই চীংমাইরেন্নে। লৈমা শিদবীনা ফমদেংদুনা মপারিবু ঙাইজরি। শিংকুম কয়ানি মঙাইরক্লে।

তু-খোং কয়া মালেমগী মফম কয়া উরক্লে। তাওখোঙ য়াংবী লাইনা লাংওন তৌদুনা লৈবা খোঙ অদুদা লৈমা শিদবীনা য়াংবী তাওখোঙ লাইবু উরক্লে। পাইমা নুংদা খল্লক্লে।

তাওখোং য়াংবী লাইরেন্বী অসিবু খোযুম কনাগী লাংওন্নো হায়না মীৎস্না অনিনা কুপ্তুনা মীৎয়েং তারক্লে। লৈমা শিদবীগী মীৎয়েংদা লৈবা ঙমদ্রদুনা থৌদু নুংগী মথক্তা য়াংবী লাইরেন্বীনা কাখৎলক্লে। মদু উবদা লৈমা শিদবীনা লাংওন্বী লাইরেন্বীবু য়েংলগা লৈমা শিদবীনা মহাইএ। তারো লাইরেন্বীও, করি নুংগী লাংওন্নো হায়না হংলকপদা লাংওন মাবু মতাইননা লাংওন্বীদি তাওখোঙ য়াংবী লাইনা মহায়জেএ। শিদবীগী ময়াথংলেন ইঞ্জবদি লাইগী মপোক্তা গোকচবী তাওখোঙ য়াংবী ঐগী লাংওন্দি মপুং ফাজরে হায়না হঙ্গৎচরে। লৈমা শিদবীগী ফীগাওনুংদা লাইরেন্বী তুমখুল তানহনখিএ।

ৱাঙুরোন ঃ-

মালেমদা লৈবা জিবা কয়ানি। করিগুম্বা পোৎশক অমা শেম শাবা মতমদা পোৎশক কয়ামরুম তিনশিন্দুনা শেম্মী। শেমলিবা পোৎশক অদুগী মপুং ফানবা তোঙান-তোঙান মশিং লৈজবা গোৎলম কয়া অমা তিন্দুনা করিগুম্বা মশক থোকপা পোৎ অমা ওইনা পুথোকই। পুথোক্লিবা পোৎশক অদু মালেমদা লৈবা লাই ওইবা অমদি সলাইগীনি। অপুনবা পুনশিন্বা হায়বা অসিনা মালেমদদি খ্বাইদগী য়ুম্ফম চেৎপা মতিং নাইবা অরেপ্পা ওইগনি হায়না নুংলোন ৱাঙুরোল্লা পীরি।

শাংজাই ইরেন চুল্লীবী

মালেমগী লৈমা শিদবীনা খাংঙমদনা মপারিগী শকওইবু উনিংবনা থৌদু নুংগী মথক্তা লেপ্তুনা মপারি অহল মফম খঙদনা মাংখিবা সনামহিগী মীংখৈবু তোইনা তোইনা কৌরম্মী। মপারিগী শক্তি উজবা ফংখিদরে। লৈমা শিদবীগী খোন্থোক্লা মাইকৈ মরি শিন্বা থুংনা খোন্থোক তমখরে। মালেমদা লৈরিবা চীংউবা লাইয়াম পুন্বনা খোন্থোক অদুবু করিনুংগী মতৌনো হায়না খল্লক্লে।

লাইগী লাংওন তন্নীবা শাংজাই ইরেন চুল্লীবী লাইনা লাইজা ইরেন খোংদা মাগী লাংওন ঙাইদুনা লৈজরি। খোন্থোক অদু হেক তাবদগী ইরোন্নুংদা লৈবা চুল্লীবী লাইনা লাইজা ইপান থক্তা তাওথৎলক্লম্মী।

চুল্লীবীনা পাইমা নুংদা খল্লক্লে, খোইয়ুম লাইয়ামলক্তা চুল্লীবী তিল্লগে হায়না খল্লক্লে। লাংওন ঐগী মপুংঝাই ওইরগে হায়না খল্লক্লে। লৈমা শিদবীবু কোইনা লৈনা থিরক্লে। চুল্লীবীনা ইরেন খোংদগী কারক্তুনা নুঙগী মথক্তা লৈররে। মদু উবদা লৈমা শিদবীনা চুল্লীবী লাইবু ফাজিন্দুনা থম্মখরে।

ৱাঙুরোন ঃ-

শাংজাই ইরেন চুল্লীবীবু নুংলোন ৱাঙুউরোন্না অসুম্না পীরি। অনেম্বা মালেমদা মপোক অমা পোক্তুনা করিগুম্বা শাওং অমা ওইনা লৈরবদি মপুনা পুথোকপীরিবা ঐগী থৌশিন থৌদা করি পাঙগদগে ? ঐনা করিগী মালেমদা লাংওন্দুনা লৈরিবনো। ঐহাক করি তৌফম থোকই হায়না ইরেন চুল্লীবীনা নুংলোন য়াইদা খংলক্লবদা, মপুগী থৌশিন্নু থৌপাংবা গুম্বা পীনবীয়ু হায়না থৌপাংজরম্মি। করি নোংগী লাংওম্বীনা থৌদা থৌরম পাংলিবনো হায়বদি, মালেমদা লৈবা অচৎ-চৎতা জিবা অমা ওইবা মপোক ফংলবদা জিবনা মালেমদা খুন্থোকঙৈদা থৌদা পাংজগে হায়না খোয়ুম লাইয়ামগী মমাংদা শাংজাই ইরেন চুল্লীবীনা মশাগী থৌদাং পাংজখিএ।

লাইরেন্নুবী চুনাইরেন্বী



উপান থক্তা লৈরিবী লাইরেন্নুবী চুনাইরেন্বীনা মাগী লাংওন ঙাইদুনা লৈরি। লাংওন শায়োন মঙাইজরিবদি চুনাইরেন্বীনি। লৈমা শিদবীনা ফমদেংলিবা মফমলেন্দি নুঙগী মথক্তা চুনাইরেন্বীনা য়েংলম্মী। মতমলেন অদুদা চুনাইরেন্বীনা লৈমা শিদবীনা য়েংলগা হায়জরক্লে। করি নুংগী পামেন মথক্তা হাদা লাইওইবী লাইরেন্নুবী নঙনা লাংওনবনো হায়না হংলম্মী। চুনাইরেন্বীনা খুমজখি। মপোক লাংওন খুদিংদা শিদবা-শিদবী, চীংউবা লাইয়াম পুন্সিগী থৌগন-থৌখাই ফংজবা, খোয়ুম ঐগী লাংদাইকোন ওইজগে হায়না চুনাইরেন্বীনা লৈমা শিদবী ইমারেনগী মফমদা হঙ্গৎচরে।

চুনাইরেন্বীগী য়াব্রা তাবদা লৈমা শিদবীনা পেন্বীদুনা, মকৌনা লাংওন্বী চুনাইরেন্বীবু চরৈ ফীবুনুংদা ইতন্বীরে। চুনাইরেন্বীনা হরাও-মথোই কাজনা লৈমা শিদবীগী ফিগাওনুংদা খোয়ুম মঙদম্নখরে। শিদবীনা মপারিবু মঙাইরিএ, লাইতিন পুংগী থৌদা নুঙপী মথক্তা।

ৱাঙুরোন ঃ-

চুনাইরেন্বীনা নুংলোন ৱাঙুউরোন্দা পীরি, থৌশিন থৌদারেনবু ময়েক সেংনা তাক্লি। মীওইপোক্তা পোক্লিবা সনাইনা পোকপগী মহৈ য়াননবা থৌদা থৌশিন থৌরম কয়াবু পাংথোক্লি। পাংথোক্লিবা থৌরম পুন্সা মহৈ য়ানহন্বা হায়বসি থৌদা থৌরম পাংলিবা মীওইদুনা থৌরমনা ময়েক সেংনা তাক্কুনা মীওই পোক্কী সমাজদা কোংদোকপা ঙমজববু ৱাঙুউরোন্না তাক্লি। চুনাইরেন্বীনা লাই কয়াগী লাংওনবু ঙাইজনা মহাক্না থৌপাং পাংগদবা থৌশিনবু মপু ওইবা খোয়ুম শিদবদা থৌনিজে। লাই ওইপা শিদবগী থৌজাল ফংদুনা মশানা মশাগী থৌদাবু থৌপাং কয়া ফোঙদোক্কুনা থৌরম ওইনা উংখিবী, লাংওন লাংদাই ওইরিবী চুনাইরেন্বী থৌসু মহৈ য়াখিবাবু ৱাঙুরোন্না ফোঙদোক্কুনা ময়েক সেংনা তাক্লি।

য়ারেন চিনাইবী



চকশিংকোন্দি লাংবা চকলোন্নি। অনেম্বা মালেমদা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা খুম্লোকঙৈনে। লাইনিংথৌ সনামহিনা মফম খঙদনা মাঙখ্রবদা পলেম মমা শিদবীনা অৱা মৈচাক খাঙজনা মপারিবু মালেমগী মফম কয়া কোইনা লৈনা থিবক্লে। থিবা খঙবা কৌবা লৈখিদরে।

লৈমা শিদবীনা মালেমগী লাংহৈকোন্দা লাংওন্বা চীংউবা লাইয়াম কয়াবু উরক্লে। মপারিগী শকওংদি উবা ফংবা কৌবা লৈখিদরে। তাওবীখোঙ, লাইখোঙ, ইরেনখোঙবী খোঙদা য়ারেন চিনাইবীনা মপুগী থৌগল ফংজগে হায়না য়ারেন চীনাইবী লাংওন্দুনা ঙাইজরিবা মফমলেন্নি। লৈমা শিদবীনা মপারি সনামহিবু মালেমগী মফম কয়াদা থিরগে হায়না খঞ্জরবদা ঙাইজরিবদি চীনাইরেম্বীনি।

লাংওন্বী লাইরেম্বী শিদবীবু ঙাইজরকপদা শিদবী ইমারেন থেংনজরে। শিদবী থৌজান ফংজরবদা হোয়াবিনা শিদবীনা ফীগাওনুংদা হাপচিন্বিরে। লাংওন মহে য়াঞ্জরে হায়না লাইরেম্বীনা খঞ্জখরে।

ৱাঙুরোল ঃ-

> মপুনা পুথোকপা মাগী থৌরম থৌদা কয়া থৌশিন্দুনা মালেমদা অপিকপা জিবা কয়ানা হিংজবা ঙমজনা থৌপাংনরি। থৌপাংজরিবা থৌসুবা কয়াগী মতিক ময়াইবু মপুনা মালেমদা ফোংদোকপীদুনা অপিকপা জিবা কয়া হিংনরি। থৌরম থৌদা থৌশিন পাংবা হায়বসি অপুন্বা অমা লৈতনা ইদোম পাংবা থৌরমদি মালেমদা লৈবা জিবা কয়ানা খংবদা অৱাংপা ওইগনি। মশানা মশাগী থৌরমবু মালেমদা ফংহন্দুনা থৌ অদুবু মপুংফানা ফোংদোকচদুনা মালেমদা নোংমা নত্ত্রগা নোংমদি মশানা মশাবু মশক খংজনা থৌরম অদু মহে য়ানগনি হায়না নুংলোন ৱাঙুরোল্লা তাক্লি।

চুমলেন লৈমা খ্বাংকোইবী

লৈমা শিদবী লাংওন শাইওন য়াম্বী লাইরেন মকোক হঞ্জবিনি। থৌদু নুঙগী মথক্তগী কুমথরক্তুনা চরৈ ফীয়োমগা লোইননা অসুম অসুম লাকপনা, মালেম লাংহৈকোন্দা লাংদাই মপুং ওইরক্লে। তু খোং কয়া লান্না লাকপনা চুমলেন লৈমা খ্বাংকোইবী লাইরেম্বী থেংনরে।

চুমলেন লৈমনা শিদবীদা পাওমেনজরে। হাদা ইমা শিদবী, নমোম্বু লাইয়ামলক্তা তিনহন্বিয়ু। খোয়ুমগী লংদাই হায়জগে হায়রবদা শিদবীনা লাংওম্বীবু য়েংলগা মহায়রক্লে। করি নুংগী লাংওন্নো হায়না শিদবীনা মহায়বিরে। চুন্নীবিনা হঙ্গৎচখি।

লাইগী মপোক ওইববু থৌগঞ্জগে হায়বগী লাংওন তমজবনে হায়জরবদা, লৈমা শিদবীনা পেন্বিরদুনা ফিগাওনুংদা হাপচিন্বীরে। ফিগাওনুংদা য়াওরিবা লাই ৮ (নিপান) অদু লৈমা শিদবীনা ফৈরপ্না পমদুনা অসুম অসুম লাকপনা কুরু শিদবা মপুনা য়াথোং তন্লীবা সনা খোংনাং মথোঙ অদু য়ৌরক্লে। লৈমা শিদবী চাদ-থক্তুনা অৱা মৈচাক লাংলবী, ৱামনখিবনা পামেন উজাও সনা খোঙনাং মখোঙ অদুদা লাংওন ফিগাও অদুনা মোনখাঙননা খোম্লেন তুমখুন তানখরে।

ৱাঙুরোন ঃ-

চুমলেন লৈমা খ্বাংকোইবী নুংলোন ৱাঙুরোন্না পীরিপনি । মালেম তাইবং পানবা মীওইপোক্তা পোকলিবা মীওইপনা মাগী মাগী হায়না থৌদাংনজরি। মীওইপোক্কি হৌরকফম মানবা হনখিগদবা লম্বেন মান্নবা মীওইপোক অমত্তা ওইনা মালেমদা চুম ওইনা থৌপাংবু নুংশি চান্নবা থৌপাংবীনবা পামজৈ হায়না লাংওনবা খ্বাংকোইবীনা ময়েক সেংনা তাকতুনা পীরি। অপুন্বা হায়বা পোৎশক অসি মীওইবা সমাজগী খ্বাইদগী চাউবা থৌরম থৌদানি হায়বা অমনি হায়না ৱাঙুরোন্না চুমলেন লৈমাগী থৌশিন্না তাক্লিএ।

“ [illegible] ”

সলাইরেন লৈমা শিদবী

লাইনিংথৌ সলাই শিদবনা সনা খোঙনাং পান্বী মথক্তা পামেন ফৈরা উকা মথক্তা ফমদেংনা নুমিৎ শিংগুমলোই কয়া লৈরক্লবা, লাংওন লাই - ১০ (তরা)গা লোইননা চরৈ ফিবুনুংদা য়োমশিন্দুনা কিসি থাংখাং ৭ (তরেৎ) পুন্দুনা থল্লীবা লাইশিং অদু মমিৎ পাংলক্লে।

শিদবা মপুরেন্দি ফৈরাথক্তা খোমলেন তুমখুন তান্দুনা লৈখ্রিঙৈদা ফৈরাথক্তা য়ান্দুনা থল্লীবা লাইশিং অদু লেং ওল্লকপগী খঙহৌদনা উপান অদুগী মখোঙদা পামেন ফৈরাথক্তগী ফীগাওদু তারক্লে। লৈমা শিদবীনা মোনখাংনদুনা তুল্লীবা লাই ৮ (নিপান) লাংওন্দুনা খোমলেন মীকপ থোরক্লে।

পামেন ফৈরা থক্তগী তারক্লিবা লাই লাংওন-১০ (তরা) য়াওবা ফীগাও অদুনা লৈমা শিদবীগী হকচাংদা নান্থরক্লবদা খঙহৌদনা লৈমা শিদবী মীৎকপ থোরক্লে। মীৎকপ থোকপা মতমলেন অদুদা মশাদা নান্থরক্তুনা লৈরল্লীবা লাই -১০ (তরা) য়াওবা ফীগাও অদু উবদা, খোয়ুম কনাগী থৌশিন্নো হায়না চৈ থাং হৌরক্লে।

লৈমা শিদবীনা মোনখাঙনরিবা চরৈ ফীয়োম নুংগী লাই লাংওন - ৮ (নিপান) অদু থাবুম চেপনা লৈখিববু লেং ওৎপা হৌরক্লে। লৈমা শিদবীনা কিসি থাংখাং-৭ (তরেৎ) ওইবা ফীয়োম অদুগা থাবুম চেপ্না মোনখাংনবা-২ (অনি) লাংদাইনরে।

ৱাঙুরোন ঃ-

মালেমদা লৈবা অচৎ-চৎতা জিবা কয়ানি । মালেমদা লৈরিবা জিবশিং অসিসু মাগী মাগী ঈ ওইবা মচা মশুবু নুংশিবা হায়বসি অদুমক লৈতবা নত্তে। জিবশিংনা মচাবু নুংশিবনা মচাবু মমা মপাদা মালেমদা মপুং মরৈ ফানবা থৌশিন কয়াবু পাংবা ঙমনরি। মচা কাইনরবা শিদবীনা সনামহিবু মালেমদা থিরক্লে। মালেমগী মফম কয়া কোইনা লৈনা য়েংলক্লে। থিবা খঙদ্রবদা পলেম মমা ওইবিদো মপারিগী মৈচাক্লা মালেমদা অৱাবা মমি তাখি। তাখিবা শিদবী মমি অদুনা ঙসি মালেমদা মমা ওইবীনা মচাবু নুংশিবগী ঈরিক সেংনা অদুমক লৈরি হায়না নুংলোন ৱাঙুরোন্না পীরিএ।

"[illegible]"

সনামহি লাংপুম পেনা লাইহুই

লাই ১৮ (তরানিপান) ফীগাও নুংগী অপুম্বা ওইখ্রে। নুংশিবা খোঞ্জেল থোরক্লে। পেন্নাইদ্রবা খোন্থোক তম্লক্লে। লৈমা শিদবীগী মোনখাং থাবুম চেপ্পা লাই লাংওনবা -৮ (নিপান) না লাংওন তমা (১) তম্লক্লে। কোলোই মীংলেনি দ 'সুমলেন মোনখাঙ থাওইবী' হায়না কোলোইরে। উপান থক্তগী খোমলেন মীৎকপ থোক্লিঙৈদা ফীবু খোজৈ মানবনা লাইরেনবীবু হৌদোকখিবা, অশাও-খাম্বী নংহনখিএ হায়বগী চরৈ মাবু নুংগী লাংওন লাই - ১০ (তরা) পুন্দুনা শিদবীদা হৈথখিবদা লাইবু চৈখিএ হায়বগী 'লাইচৈসিং' হায়না মকৌখিএ।

চৈশিং থা অনি (২) না সুখ্রবদা লাইশুমলোন মালেমদা লৈবা খোয়ুম কয়ানা লাক্কুনা পেনবা নাইদ্রবা খোন্থোক অদুবু তাজরম্মী। লাইয়াম্না খোন্থোক অদুবু পেনঙমদনা তাইএ হায়বগী 'পেনা' হায়না মীংকৌএ। লৈমা শিদবীসু খোন্থোক অদু তাজরম্মী। উপান ফৈরাথক্তা খোমলেন তুমখুন তাল্লিবা সলাই শিদবা মীৎকপ থোক্কুনা পামেন উথা অদুদা কুমথরক্লে। লৈমা শিদবী থৌওং অদু উরম্মী।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বা শিদবা শিদবী অনিবু কোইশিল্লম্মী। য়াইদা লৈনুং খরো পাখঙবনা পেনা থা চৈসিং পাইদুনা নুমিৎনা পেনা শিংখাই ২০ (কুন) না লিরেন - ৩৬৪ খোঙএ। লাইয়াম্না হায়জৈএ, খোয়ুমগী থৌদা পাঙবদা পেনা চৈজিং থানা থৌকাংবীয়ু হায়না সলাই শিদবদা হায়জখিএ। মপুনা হোয়াবিএ। লাইয়াম হরাও-মথোই কাজৈএ। সনামহি শাকোঙএ। 'সনামহি লাংপুম পেনা লাইহুই' মীৎকপ থোকএ। সলাই নমু য়ুমচংএ। সলাই পাখঙবা ফম্বাল লাংএ। লাইয়াম উমংলাই থৌসু পাংখিএ। কংলৈ পুংকোইরেন্দা সলাই চাদা নাওদাইএ। শিদবা শিদবী অনিনা নুংলোন য়াইদা হঞ্জিনখিএ।

ঐমখাংবা সংগৈ
লোইচিংকোক পেনা
করম্না চকশিংকোন্দা পেনা পুথোকখি।

মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপনা, কোরৌ লাইয়ামলক্তগী মপুরেন ওইরিবা 'অতিংকোকতি শিদবনা' কোরৌগীদি য়াইবীকোন লাইয়ামগীদি ইনুংকোন্দনি। মপুরেন শিদবনা মশিং লাংঙমদ্রবা চীংউবা মতিক ময়াই হেলোইবা খোয়ুম কয়া মপুথোক্লে। লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরমলেন্দি কোরৌনি। কোরৌ হনবা নোংদম্না মপু 'লাইনিংথৌ সোরারেন', 'সলাই শিদবা, 'সনামহি' খোয়ুম লাংদাই ওইদুনা কোরৌথক্তা মপুথোক্লে। মরুরেন্দি শিদবনা।

কোরৌ মপুরেন শিদবনা য়াইবী লোক্কী ইনুংকোন্দগী খোয়ুম মীংথৈ হেলোইবা লাইনিংথৌ কয়া মপুথোক্লে। থৌশিন হৈরেনবা মপুরেন্না মালেম চুকখোঙ মওইরেন্দি লাইনিংথৌ মরি (৪) অমসু মপুথোক্লে শিদবনা। নিংথিজবা কৌরৌগী লাইরমলেন্নি। মরুরেন্দি অতিংকোক্লা লোইনাইদ্রবা খোয়ুম কয়া অমসু মপুথোকপিরে। অসিনসু মদোমদে মতিক ময়াই হেলোইবী লাইরেন্বী কয়া অমসু মপুথোকলগে, নুংলোন য়াইদা খল্লদুনা মরুরেন্দি শিদবনা য়াইবী লোক্কী ইনুংকোন দগী লাইরেন্বী কয়া মপুথোক্লে।

কৌরৌ ইনুংকোন্দগী লাংহৈ মপুং ওইরিবা লাইরেন্বা লক্তগী অথোইবী শিদনুবী লাইওইবী মপুথোক্লে শিদবনা। অসিনসু মদোমদে, লাইয়াম পুম্বগী লাংহৈকোন্দা , লাংদাইরেন ওইনবা লাইরেন্বী কয়া অমসু মপুথোক্লে মরুরেনদি শিদবনা। লাইকোক লাইচিংহন্বী, য়াইওইবী য়াইখুরেন্বী হেলোইবী, লৈমা থাওইবী, থাওসুরেন্বী, নোংতম খোঙলেন্বী, শাফোঙলে। অসিনসু মদোমদে, লাইজিং তোইলোইবী লৈমা তোম্বী, চীংসুরেন্বী, নোংতন্বী, ঙালোই হেলোইবী, কুমথেংনুবী, লাইরেন্নুবী হালোইবীনি।

কোরৌগীদি লাংহৈকোন্দা মপুরেন শিদবনা লাইপুং থৌরম ফন্বান য়াইওইবা মশেল্লে। ফন্বান য়াইওইবী - ৭ (তরেৎ)সু ইতল্লে। চিংউ লাইগী লাইরমলেন, অরাংবদি কোরৌথক্লে। লাইগী লৈপাক ওইরিবা মপুরেন শিদবগী লাইরৈপাক্লে। চীংউবা লাইয়াম পুম্ববু মপুথোক্লবদা, লাইরেন্বী কয়াসু লাংহৈকোন ওইরক্লবদা, লাইয়াম পুম্বনা হরাও-মথোই কারক্লে, কোরৌগীদি লাইরৈপাক্তা। লাই ওইবা মপুরেন শিদবনা নুংলোন য়াইদা খল্লক্লে। কোরৌ লাংহৈকোন্দা লাংদাই মপু ওইরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্ববু শিন্থা লাংতাইরগে নুংলোন য়াইদা মখল্লক্লে।

খোয়ুম মপুরেন শিদবনা কোরৌগীদি লাংহৈদা লাইয়াম পুম্ববু মকৌনা, শিন্থা মাবু মশিন্নরগে - থৌকাং মাবু মওইহল্লগে মখন্দুনা লাইয়াম পুম্না মকৌনা লাইতিন-তিনগী পুংকোইদা চীংউবা লাইয়াম পুম্লমক ৱাতাই-শিন্তাই ওইরক্লে।

চীংউবা লাইয়াম পুন্সদো কোরৌগীদি লাংহৈকোন লাইয়াম্‌গীদি লাইতিন পুং, পুংকোইরেন্দি শিদবগী ইনুংকোন্নে। চীংউবা লাইয়াম পুন্সদো মাগী মাগী লাংহৈকোন্দা ইনুং খৈনা লাংহৈখ্রে। শিদবা মপুগী লাংদাইকোন্দা মদোম লাংহৈনরিবা অতিংকোক্তি মরুরেন্না নুংলোন য়াইদা মখল্লক্লে। কোরৌগী লাইয়াম পুন্সনা অনেম্বা মালেম শেমদুনা, লৈথক-লৈখা নাইরগে, অঙম-অঙান খাইরগে, কোরৌগী শিন্থা পিরগে, নোংদম্বা শিন্থা লাংহৈরগে, খোয়ুমগী শাওং খঙলবা শিন্থা মাপু পাংহল্লগে নুংলোন য়াইদা খল্লক্লে।

অসিনসু মদোমদে, কোরৌ থক্তা লাংদাইরিবা লাইরেম্বী পুন্সসু খোয়ুম শিন্থা ময়েল্লগে, লাংওন মাবু মতমহল্লগে, নুংলোন য়াইদা মখল্লকলে। লাইরেম্বী-লাইরেম্বা পুন্সসু সুনা মকৌনা শিদবগী লাইপুংথেন লাইয়ামগীদি পুংকোইরেন্দা চীংউবা লাইয়াম পুন্সবু মকৌখৎল্লক্লে শিদবনা। কোরৌ থক্তা লৈরিবা চীংউবা লাইয়াম পুন্সদো খোঙদোই ইতমহল্লক্লে। লাইপুংথেন্দি পুংকোইদা। চীংউবা লাইয়াম পুন্সবু ময়েংননা মহায়রে শিদবা মপু ওইরিবদি অতিংকোক্তি মপুরেন্না। হেল্লোইরবা নোংসিগী লাইয়াম শিন্থা লাংহৈনবা লাংদাই মপুং ওইনবা লাইয়াম ৱাৎহৈদববু লাইশিং ৱাৎনা খোঙদোই ইতল্লকপদি মপুরেন শিদবনা ফম্বাল য়াংঙোইরেম্বদগী মহৌগৎনা লাইয়াম্সু য়েংনা মহায়রক্লে।

তারো কোরৌ থক্কী চীংউবা লাইয়াম পুন্সা, মপুরেনগী থৌখাইবু মইন্নজগে মহায়খ্রগা চীংউবা লাইয়াম পুন্সা সুনা খোঙদোই ইহুল্লক্তবদি লাইয়াম পুন্সগী পাইম্মা নুংলোন্দা হোইয়াদবা য়াৱা করি ইতম্বনো? য়াৱা অসুম্মা লাংহৈরবদি, খোয়ুম লাংওন-লাংদাইদা মপুংলেনবু মওইররোইদো। লাইগী থৌশিন ওইবনা কাইফদ্রবা লিক্লম্সু মকাইহনগে মনিংবরা, মপুরেন ঐগী লাংদাইকোন্দা খোয়ুম পেনহৈদবা মরৈবসু ৱাতাই শিংদাই ওইবনা লিচৎ মপুং ওইগনি। কোরৌ লাংহৈ অসিগীদি তাবীয়ুদো লাইয়ামশা, খোয়ুম শিন্থা পিরগে পাইম্মা ঐনা মখনবা, চীংউবা লাইয়াম পুন্সগী লাংওন মপুংয়াই ইতমহল্লগে মখন্দুনা লাইয়াম পুন্সা লাইতিন পুংগী পুংকোইদা শিদবা ঐনা মঙাইবনে। খোয়ুম লাইয়াম মশুদ্রবনিনা শিন্থা মানা মহেনবা লাইতিন পুংকোইদা ৱাতাই-শিন্তাই ওইবদি লাংহৈ মপুং ওইররোই চীংউবা লাইয়াম পুন্নমক ইগাইফমলেন্দা মহল্লরসি।

তৈরেনবা কোরৌ ইনুংকোন্দা লাইয়াম অমুক শন্দাইনসি, মসি য়াৱা হায়দুনা চীংউবা লাইয়াম পুন্সদা ৱাতাই-শিন্তাই মওইখ্রে। লাইয়াম পুন্সসু মাগী মাগী মগাইফমদা ইতম-ইহুন ইতমখ্রে। শিদবা মপু অতিংকোক্লা, চীংউবা লাইয়াম পুন্নমক্লা মগাইফমলেন্দা মহন্নখ্রবদা পাইম্মা নুংলোন্দা খল্লক্লে। চীংউবা লাইয়াম পুন্সসে খোইয়ুম ঐগী খোইজি খাগী নাওয়োমনি, য়াইবী লোক্কী লাংহৈদগী খোয়ুম শাফোঙ তমখিবনি। খোয়ুম লাইয়াম্সু মকৌনবা য়াইবী লোক্কী খাইরেন পুং, পুংশা খোম্লোক তম্ববু মপুথোক্কে মখল্লক্লে।

থল্লকপা লাংহৈ মীৎকুপথেন, চীংউ মংলেন য়াইবীকোন মগাইফমলেন্দা তল্লকলে শিদবা মপু অতিংকোক্লা। য়াইবী কোনগী ইরিক খোঙবান ইতম্লনা ফমদেংদুনা ইরিক নুংগী য়াইবীকোনবু য়েংলক্লে। নুমিৎকুম মশোং কাং, থাওুম মঙান নৈ, অনি তুনা উরক্লে। মপুরেন্দী শিদবনা য়াইবী লোক্তা ইতল্লীবা শানা চিরোং য়াইওইবা, খেঞ্জোং লাংবা য়াংওইবা, তনিক-তশোইরেনববু মকৌখৎলে শিদবনা। অসিনসু মদোমদে লাকোই-লাংসি পুংকোইবা, থেল্লোই য়াংবা পুংমাইথেল, লৈরিক পুংদোই হৈবীবু মকৌখৎলি শিদবনা।

খোয়ুম্না লাংওন ওইরিবা খেনচোংবা খেনচোংবী অনিমক, খোয়ুম ওইবা নখোয় অনিসু য়াইবী লোক্তা লৈরকপা চৈচৎ লাংহৈ মপুং য়াইদা লাইয়াম লক্তা তম্লবা মকৌখৎপনে। ঐগী ময়াথংনে মহায়রক্লে অতিংকোক্লা। মপুরেনগী য়াব্রা তাবদা খেনচোংবা-খেনচোংবী অনিনা কোকনোঞ্জনা মভাইজেএ, য়াব্রা অসুম্না মহায়রে। মপুগী শিন্থা ইঞ্জবনা খোয়ুমগী লাংওন ওইজগে মঙাইজবনে য়াইবী লোক্কী ইনুংকোন্দা। অনিগী য়াব্রা তাবদা শিদবা মপুনা মপেঞ্জেএ। খোয়ুম শিন্থা পাংজরে লাইতিন পুংগী পুংকোইদা ইতম্মসি মহায়না খেনচোংবা-খেনচোংবী অনিগা মাংওইননা লাইতিন পুংকোইদা থুংলরে।

খোনচোংবা-খেনচোংবী অনিগী খোন্থোক লাংহৈনরকপদা লাইয়াম পুম্বা লৈঙমদনা লাইতিন পুংদা মতিল্লরে। চীংউবা লাইয়াম্বু য়েংলগা শিদবা মপুনা মহায়রক্লে। লাইয়াম শিন্থা পিখ্রে। কোরৌগী থৌদা মপিরে। নোংদম্বগী শিন্থা লাংখ্রে। সনামহি লাইহুই লাংদাইরে। লাইরেম্বী শিন্থা লাংপুল্লে। চীংউবা লাইয়াম পুম্লমক কোরৌগীদি লাংহৈকোন্দা হরাও পুংকোই তম্লক্লে। লাইয়াম পুম্বনা মহায়জে শিদবা মপুবু য়েংদুনা। শিদবা মপু হেলোইবা-ও, লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরমলেনগী ইনুংকোন্দা খোন্থোক / খোন্থাং অমা লাংহৈবসে মদুতবু মউহম্বীয়ু চীংউবা লাইয়াম্না মহায়রে।

হৈ চক্কী লাংহৈনি, হায়না চক্কী লাংতাইনি, চীংউবা লাইয়ামগী মাংওইননা খোনচোংবা-খেনচোংবী অনিদো মপুথোক্লে শিদবনা। লাইয়াম পুম্বনা মহায়জেএ, খেনচোংবা-খেনচোংবী অনিসে মপিবীয়ু মহায়রবদা মপুরেল শিদবনা লাইয়ামদা খেনচোংবা-খেনচোংবী অনিবু মশিন্নখিএ। লাইচিংকোক পেন্নবু চকশিংকোনগী লাংহৈদা চীংউবা লাইয়াম পুম্বগী নুংলোন য়াইদা ইরাশিন্নখিএ। অহানবা লাইগী পেন্না পুথোকপা ওইখিএ।

ꯂꯩꯁꯤꯀꯣꯛ ꯄꯦꯅꯥ

লৈশিকোক পেনা

পেনাগী মওং মতৌ করিনো ?

চকশিংকোনগী লাংহৈদা, অৰাংবা কোৰৌ লাংহৈকোন, শিদবা মপুরেন অতিংকোক্কী লাংদাইদা খোয়ুম লাংদাইকোন ওইরিবদি লাইনিংথৌ সোরারেন 'লৈমা শিদবী' অনিনি। সোরারেন- লৈমরেন অনিন্না কোৰৌ থক্তা লাংহৈ লাংদাইনরকপনা মপুগী লাংদাইকোন মপুংঙাই মওইরক্লে। মপুরেন শিদবগী থৌশিন পুংকোইদা লাংহৈ-লাংদাই মওইজৈএ। চীংউবা লাইয়াম পুন্না কোৰৌ থক্তা লাইতিন পুংকোই ইতমক্লে।

কোৰৌ হেলোইবনা শিংখুমলোই লাইনিংথৌ সোরারেনবু ময়েংননা, শিদবীদি লাইরেননুবীনা মহায়জৈনা লাইনিংথৌদা। লাইনিংথৌ-ও মপুরেন্দি সোরারেন্দা হঙ্গৎচৈএ। খোয়ুম ফম্বাল লাংহৈবা, ঙাক্কশেন মওইন্নবা, লাইরেনবী - ৭ (তরেৎ) পু ইপুরোইদা মপীবিয়ু মহায়না খোয়ুম থৌনি-থৌরম মপাংজবা লাইরেন ঐনা মপামজৈএ। মশি য়াৰা হায়দুনা লাইনিংথৌ সোরারেন্দা হঙ্গৎচরবদা লাইনিংথৌ সোরারেন্না হোয়াবীরে।

লাইনিংথৌগী য়াথংবু লৈমনুবীনা ফংজরবদা লাইরেনবী লাইকোন্নুং ফম্বাল চুমাই থেলোং য়াইনা খোয়ুম ইরাৎ-থৌনি মহৌরক্লে। লাইরেনবীদি লৈমানুবীনা চৈশিং কয়া অৰাংবা কোরৌগী লাংহৈকোন্দা, শিদবা মপুবু ইরাৎ-থৌনি পাংজরকপা খোয়ুম শিদবা মপুবু মঙাইজরকপনা, কোরৌগী মপুরেন শিদবনা লাইরেনবীগী ঈরাৎ-থৌনি-থৌকাংদু মউরক্লে। শিদবা মপুরেন ওইরিবা ইপুরোইদি মরুরেন্না নোংদম্বীগে খন্দুনা লাইরেন্বী মগাইফমদা খোয়ুম শকতাক্লরে।

লৈমা নুবীগী ইরাৎ পুংকোইদা শিদবা মপুনা ইতমখোঙদোই নাহুইরক্তুনা মগাইফমদা লেপ্পরবদা, শিদনুবীবু য়েংলগা ইপুরোইদি শিদবনা মহায়রক্লে। হেদা লাইরেন হঞ্জবী ও, করি য়াৰা লৈবনা খোয়ুম শিদবা ঐবু ইরাৎ পুংকোই মতমনা মকৌবনো মহায়য়ু মহায়না লৈমা শিদবীদা মহায়রক্লবদা ইপুরোই শিদবা মপুবু য়েংলগা কোকনোঞ্জনা লাইরেনবীদি লৈমনা খুরুমজখি। খোয়ুম মপুরেন্দি শিদব ও। মপুরেন মফমদা য়াৰা অমা মহায়না ইকোক নোন্না থৌনিজৈএ।

লাইরেনবী ঐগী লাংদাইকোন ফম্বান ঙাইলোই মওইনবা, লাইরেন্বী - ৭ (তরেৎ) ইশিনবীয়ু মহায়জরে লাইওইবীনা। লাইরেনবী য়াৰা তাবদা ইপুরোইদি শিদবনা খোয়ুম নোংদমবীগে নগাইফমদা ইতমহল্লক্লে। লাইরেনবী নিংজবা থৌকাং মহৈ য়ানজরে মহায়রক্লে। অদুহিতি মহায়না, মশানৌ লাইওইবা সোরারেনগী য়াৰা অমা মপামই মহায়রক্লে। ইপুরোইদি শিদবনা লৈমনু শিদবীনা মপুরোইদি মরুরেনগী য়াথংবু হোয়াজনা লাইনিংথৌ সোরারেন মকৌনা মগাইফমদা ইতম্লক্লে। লাইনিংথৌদি সোরারেন ইপুরোইদা কোক্লোঞ্জনা মহংগৎচৈএ। ইপুরোইদি শিদব-ও, ঐবু মকৌবীববু করি য়াৰা তাকপিগদবনো

মহায়রক্লে সোরারেন্না।

সোরারেনগী য়াৱা তাবদা ইপুরোইনা মহায়রক্লে। লৈমানুবীগী থৌকাংলোন, লাইরেন ৭ (তরেৎ) মপীবিয়ু মহায়বসে খোয়ুম শিদবা ঐনা মপীরগে নাপ্পা চিক্লা তারো। লৈমা সোরারেন অনিমক খোয়ুম শিদবা ঐনা পিগদৌরিবা ইমোম ৭ (তরেৎ) অসিদি অচম্বা ইমোম নৎতে। ইমোম ৭ (তরেৎ) অসিনা হয়েং সোরারেন নঙগী সংগাইদগী মপুং মরৈ ফারক্লবা মতমদা, সনামহি লৈশেমকোন্দগী লাংদাইরেন মালেম নোংকুমহল্লু। লাইরেনবী লাংওন মওইবনা নমোম শিন্থা ওইহল্লু। মসি য়াৱা ঙাকপনা খোয়ুম সোরারেন-লৈমা শিদবী নখোয় অনিগী লেংদ্রবা লাংদাই মওইজৌও। মসি য়াৱা মহায়রক্লে।

য়াৱা অসি হায়রন্নগা ইপুরোইদি শিদবনা কোরৌথক্কী লাংহৈকোন্দা লাংদাই ইতমখরে। লৈমা শিদবী লাইনিংথৌ সোরারেন অনিমক মমোম - ৭ (তরেৎ) ফংজগনি পাইমা নুংদা মখননা হরাও মথোই কাজনা মগাইফমলেন ইতমখরে। কোরৌগীদি লাইরমলেন্নি, ইপুরোইদি শিদবগী থৌজান ইরিক ফংজরবা লাইনিংথৌ সোরারেন-লৈমা শিদবী অনিনি। ইখঙ খঙহৌদনা নোংদমরেন কোরৌ হেলোইবা নুমিৎলোইদা ইপুরোই শিদবা থৌজান্দগী মগাইফমলেন্দি নিংথিবা, লাইগী লৈপাক লাইরৈপাক সোরারেনগী সংগাইনুংদা লাইরেন -৭ (তরেৎ) মচিন-মনাওনা শান্নদুনা মরৈরন্মী।

পীক্লীবা নৱা ৭ (তরেৎ) মগাইফমদা হৈশানা লৈরম্বদু লাইনিংথৌ সোরারেন, লৈমা শিদবী অনিনা মউরক্লে। লৈমা শিদবী লাইনিংথৌ সোরারেন অনিনা কয়াগী মতিক হরাওজবা, ইপুরোই শিদববু কোক্লোঞ্জেএ। ইপুরোইনা ইতম্বীরকপা মমোম ওইবী - ৭ (তরেৎ) অদু উজবদা কয়াগী মতিক হরাওজৈ লৈবা শিদবী অনিনা। ইপুরোইদি শিদবনা য়াইবী লোক্কী ইনুংকোন্দগী থাবিরক্লিবা মমোম ওইবী ৭ (তরেৎ) অসি মপুং মরৈ ফানবা খোয়ুম চাওয়োক-নাওয়োকচরগে পাইমা নুংদা খঞ্জনা লৈমা শিদবী লাইনিংথৌ সোরারেন অনিনা চাওয়োক-নাওয়োক তমখরে।

কোরৌগীদি লাইরৈপাক্তা লাইনিংথৌ সোরারেন লৈমা শিদবী অনিনা মমোম ওইবী লাইরেম্বী ৭ (তরেৎ)পু চাওয়োক-নাওয়োক তম্লকপনা সোরারেনগী মমোম লাংলেন ৭ (তরেৎ) তো মপুং-মরৈ ফারক্লে। নুমিৎলোই শিংকুমলেন খুদিংগী খোয়ুমগী শিন্থা মতাকপী পলেম মমা ওইরিবীদি লৈমা শিদবীনা মমোম ওইবীবু খোয়ুম লাংহৈ-লাংদাই মপুংলেন মওইরক্লে মমোম ওইবী ৭ (তরেৎ) তো। মমোমগী লাংহৈকোন খোয়ুম লাংদাইরেন লাইরেনবী ৭ (তরেৎ) কী মতৌ উজবদা পলেম মমা ওইবী লৈমা শিদবী খোয়ুম লাইয়ামলক্তগী অথোইবীদো পাইমা নুংদা হরাও মথোই মকাজৈনা। নোংমরেন কোরৌ অমদা মমোমগী শকলোই উদবদা লৈঙমদবা লাইনিংথৌ সোরারেন-লৈমা শিদবী অনিনি।

কোরৌগীদি লাইরমলেন্নি। কোরৌনা হেলোইবা নুমিৎলোই মমোম ওইবী ৭ (তরেৎ) নি। লাইনিংথৌ সোরারেন-লৈমা শিদবী অনিগী মমোম

ওইবী ৭ (তরেৎ) না মপন পন্থৌ সোরারেন-লৈমা শিদবী অনিগী ময়াথংলেন লৌজনা লাইরেনবীগী শিন্থাপুংলেন্দা খোয়ুম শিন্থা মপাংজবা লাইরেন ৭ (তরেৎ) খোংদোই হুনখ্রে। কোরৌ হেলোইবা নুম্রিৎলোই অদুদা মমোম ওইবী ৭ (তরেৎ) অদু খোয়ুম শিন্থানা ময়াম্মনখিবনা শিন্থা মাবু মপাংগুঁ মরাংয়াইদা হনলোইদ্রবদা, খোয়ুম লাইরেনবী শিন্থানা লেপনাইদনা থৌপাংখরে।

লাইরৈপাক্কী ইনুংকোন্দা খোয়ুম শিন্থা মপাংনদ্রে। চীংউবা লাইয়াম পুন্বসু মাগী মাগী মগাইফমলেন্দা মহনখ্রে। সোরারেনগী মমোম ৭ (তরেৎ) তি শিন্থা পুংদা লাংহৈনরি। মপন পন্থৌ-পলেম মমা ওইবীদি লৈমা শিদবী, মমোম ৭ (তরেৎ)না ইহনলক্ত্রবদা, মরাংয়াইদা লৈঙমদ্রে। হায়ফম তৌফম খঙলক্ত্রবদা, লাইরেনবীদি লৈমা শিদবীনা পাইমা নুংদা খল্লক্লে।

অদুগুঁরেন্দা ইপুরোইনা লাইয়াম ঐখোয়বু মকৌখিবা খেনচোংবা খেনচোংবী অনিগী য়াৰা মপাওনা ইমোমবু মকৌরবদি মসোইদনা ইমোম ৭ (তরেৎ) ইরাংয়াইদা ইতল্লক্কনি মখল্লকলে। লাইনিংথৌদি সোরারেন্দা হঙ্গৎচরে, মপুরোই সোরারেন লৈমা শিদবী য়াৰা তাবদা নুংলোন য়াইদা ইতন্বীখিবা লাইকোনথেন খেনচোংবা-খেনচোংবী অনিবু মকৌথোক্লা কৌথোকপীরে।

খেনচোংবা-খেনচোংবী অনিনা লৈমা শিদবী সোরারেন অনিগী মাংওইননা লেপ্লরে। খেনচোংবা-খেনচোংবী অনিবু য়েংলগা মহায়রক্লে। তারো খেনচোংবা খেনচোংবী নখোয় অনিনা সেরারেন ঐগী ইমোম ৭ (তরেৎ) অদু অমুক্তা মকৌ ও। ইরাংয়াইদা খোংদোই ইতল্লকত্র মহায়রবদা, খেনচোংবা-খেনচোংবী অনিনা নুমিৎলোই থা অসিগী শাওং লৌদুনা লৈথোকলোই লৈখাই পাদম মওইনা, অঙানবা নুমিৎকী শাওং, থাগী কোইরেনবা অইংবা মাইথোং পুথোক্তুনা লৈশিনকোক পেনা খোম্থোক তল্লক্লে। খোয়ুম লাইগী শাওং ওইরিবা নুমিৎকী-থাগী লাংওন তল্লীবা খেনচোংবা-খেনচোংবী অনিগী খোঞ্জেন তাবদা, সোরারেন লৈমা শিদবী অনিগী মমোমদো শিন্থা পুংদা লৈঙমদনা মরাংয়াইদা হনৱাইরক্লে। লৈশিকোক পেনাসু লাইনিংথৌ-লাইরেনবী অনিদা হনজিনখরে।

ৱাঙুরোন

মপুরেনগী থৌশিন থৌদাবু পাংজরিবা খেনচোংবা খেনচোংবী অনিনে। অনিগী লাংদাইকোন্দা, লাইনিংথৌ সোরারেন লৈমা শিদবী অনিনা মপুগী থৌজানবু য়েংগে হায়না খোয়ুম লাংওনবা খেনচোংবা খেনচোংবী অনিবু লাংদাই শিংদাইরক্লে। লাংদাইরেন ওইপা ফমলেন্দি মালেম লৈশেমকোননি। খোয়ুম মপু লাইওইপা সনামহি ইনুংকোন্দা লাংদাই ওইখিবা খেনচোংবা খেনচোংবী অনিনে। নুংলোন ৱাঙুরোন্না পীপদি, মালেমদা লৈপা অচৎ চৎতা জিবা কয়ানা চৎনরোনবু ময়েক সেংনা পীরি। লাইনিংথৌগীদি থৌশিনবু থৌপাংলিবা খেনচোংবা খেনচোংবী অনিগী থৌপাংলোইবু চীংউবা লাইয়ামদা খঙহনকে হায়না মপুনা থৌকাংখি। লাইনিংথৌ থৌশিনকোন, সলাইগী থৌপাংদা ৱাইশিনখিএ। মাংবা য়াদ্রবা মপুগী থৌশিনবু লৈশিকোক পেনাগী মতিক ময়াইবু ৱাঙুরোন্না পীরিএ।

ꯄꯦꯅꯥ ꯅꯥꯍꯨꯏ

নাহুই পেনা

পেনা করম্না মতমদগী শিজিন্নরকখি ?

খোয়ুম লাইগী চকশিংকোন, হয়ি হয়া চকলোননি। লাইনিংথৌ সোরারেনগী মপারি লাংওন লাংদাইরিবা, ইপুরোই শিদবগী লাংহৈকোন ওইরিবদি সনামহি, সোরারেনগী শঙগাইনুংদা অনিসুবা মপারি ওইনা ফংজখিবা লাংওন্নি। লৈমনুবী শিদবী লাইনিংথৌ সোরারেন অনিনা মপারি হালোইবা লাইনিংথৌ সনামহিবু চাওয়োক-নাওয়োক তম্লকপনা মপারি সনামহি খোয়ুম লাংদাইরেন্দা মপুং মরৈ ফারক্লে। মপারি সনামহিবু নোংমরেন কোরৌ হেলোইবা নুমিৎতা মপন পন্থৌ সোরারেন্না মপারি শিংখোং হল্লোইবা সনামহিবু মকৌরক্লে।

পারি হাল্লোইবা সনামহি - ও, ইপানা ঙসিরেন কোরৌ হেল্লোইবা নুমিৎলোইদা মকৌবদি অতৈ য়াম্রা অমগী নৎতেএ। কোরৌগী লাইয়াম লক্তগী ইচানা ফংঙমদ্রবা থৌদা অমা পীগে হায়বগী পারিবু ইপানা মকৌবনি। য়াৰাদি অতৈ অমা নৎতেএ। খোয়ুম মপুংয়াই ওইরক্লে। লাংওন লাংদাই শাফোঙলে। অৰাংবা কোরৌদগী মালেম লৈদা নোংকুমদুনা মালেম লৈশেম তুশেম মহৌরো, মসি য়াৰা লৈবনা পারি নঙবু ইপানা মকৌবনি। মসি য়াৰা হায়দুনা তাকপিরেদো সনামহি মপারিদা।

লাইনিংথৌ সনামহিনা, মপন পন্থৌদা কোক্লোঞ্জনা হঙ্গৎচরে। ইপনগী য়াৰাদি কোরৌ-মালেম তাইফরোই, নপারিনা ইপনগী য়াৰাবু হোয়াজরে হায়না লাইনিংথৌ সনামহিনা মপন্দা হঙ্গৎচরে। মপারি শিংখোঙ অহল সনামহিগী য়াৰা তাবদা লাইনিংথৌ মপন সোরারেন্না পাইমা নুংদা হরাও মথোই কাজরে। লাইনিংথৌ সনামহিনা মপন পন্থৌদা হঙ্গৎচৈএ। ইপনগী য়াৰা হোয়াজবা, পন্থৌগী শিন্থা পাংজবনা নপারি মঙম ওইজগে, হেলোইবা নুমিৎলোই পীবিয়ু। মহায়জরক্লে সনামহিনা, মপনলেন্দি সোরারেন্দা মপারি সনামহিনা হায়রক্লে। হেলোইবা ইনুং কোরৌদা শিন্থা মাবু পাংজবা লাংওন মপুং ওইজরো মহায়রক্লে মপন্না । সনামহিদি লাইনিংথৌদা থিন্থবা লাংহৈনদনা লাইনিংথৌদি সনামহিনা মপনগী য়াথংলেন ইনজবা অৰাংবা কোরৌরেন্দগী মালেম অনেম্বদা নোংকুম্লক্লে লাইনিংথৌদি সনামহিনা।

লাইনিংথৌ সনামহিনা অনেম্বা মালেম্বূ কোইনা লৈনা য়েংলক্লে। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎনা লাংহৈকোন ওইরিবদি মালেমনি। লাইনিংথৌদি সনামহিনা লাইজা ইমাই চোল্লবা মালেম করি করম্না লাংহৈনা লৈশেমসিগে খল্লকলে। লাইনা মালেমগী চুকখোঙ পুবা লাইতাই-শিংদাই ওইবা চীংউ লাইবু কোরৌদগী মকৌনা লাইনিংথৌদি থৌহেনবা মালেম লৈদা নোংকুল্লক্লে। খা ৰাং, নোংপোক, নোংচুপ লাংহৈরে। চীংখৈ-মৈরম, অৰাং-শন্নথোং মালেম (চুকখোঙ) চুকলেন ৪ (মরি)গী শুম লিংলক্লে। লাইনিংথৌ মরিনা মালেম চুকখোঙ চুকফারে।

লাইজা ঈশিংনা ঈৱাইনরিবা মালেমবু ইরিক-ইতম্বা লাইজা ঈশিং ইচিংথোক্লে। চীংনুং হুৎপু লাংহৈরে। ইরেন পুংকোই লাইজা ইনুংকোনবু ইফুৎ তম্না ঈথৈরে। লাইজা লৈরোন নুংলোন ৯ (মাপন) বু ইতম্নবা লাইনিংথৌ সনামহি মালেমবু কোইনা লৈশেম তুশেম মহৌরক্লে। লাইজা ইমাই ইচোল্লম্বা লাইজা ইকং তল্লক্লে।

লাইজা নুংদগী লৈশারোল মালেম অনেম্বা লৈথোল্লক্লে। অসুম লাংদাই-শিংদাই ওইরকপনা লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈশেল্লীবা মালেমগী লৈশেমকোন, খোয়ুম তেংবাংনবা কোরৌথক্তগী লাইয়াম পুম্বা মকৌরগে মখল্লক্লে। লাইনিংথৌদি সনামহিনা অনেম্বা মালেম ইরেন পুংকোইদগী কোরৌ লাইরৈপাক্তা লৈবা লাইয়াম্বু তান্নবা মকৌরক্লে। চীংউবা লাইয়াম পুমবনা, কোরৌ থক্কী লাইয়াম্না মালেমদগী মকৌরক্লিবা সনামহি খোন্থোংলেন অদুবু লাইয়ামনা তুংওইনরম্মী। কৌবসু কৌদবগুম নাপ্পা অমত্তা লাইয়াম্না মতারমদে। কোরৌ থক্কী লাইয়ামগী থৌশিন থৌওইদবা থৌওংবু লাইনিংথৌ সনামহিনা কোরৌ লাইয়াম্বু খঙহল্লগে হায়না খল্লক্লে। করি করম্বা লাংহৈনা লাইয়াম্না মকৌসিগে খল্লক্লে।

সনামহিদি লাইনিংথৌনা কোরৌগী লাংহৈকোন্দা মপুরেন শিদবনা লাইয়াম মকৌখিবা খেনচোংবা খেনচোংবী অনিগী খোন্থোকপু মতমহল্লগে মখনলক্লে।লাইনিংথৌ সনামহিনা নুংলোন য়াইদগী লাইওইবা খেনচোংবা খেনচোংবী অনিবু মপুথোক্লে। খেনচোংবা খেনচোংবী অনিবু য়েংলগা মহায়রক্লে। খোয়ুমগী শিন্থা মপাংজৌ মহায়রবদা, পেনা নাহুইনা খোন্থোক তল্লক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা অনেম্বা মালেমদা অহানবা খোন্থোক তমখিবা পেনাদি 'নাহুই পেনানি'। নাহুই পেনা অনেম্বা মালেমদা খোন্থোক য়ৈনা মখোঙলক্লবদা, কোরৌদগী মালেমদা লৈশেম তেংবাঙ য়াওরম্বা লাইয়াম পুম্বসু নাহুই লাই পেনা নাক্তা লাক্লম্মী। কোরৌথক্তগী লৈরম্বা লাইয়াম পুম্বা নাহুইগী খোঞ্জেল খোন্থোক কোরৌ য়ৌনা তারবদা লাইয়াম পুম্বা নাহুইনা মালেমগীদি অনেম্বদা মপুরক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈশেম নুংশেম তল্লিবা মফমলেন্দি মালেমদা চীংউবা লাইয়াম থুংলরে। লাইয়াম পুম্বনা লাইনিংথৌ সনামহিদা কোক্লোঙনা মহাইজে। অনেম্বা মালেম লৈশেম্বদা চীংউবা লাইয়াম ঐখোয় থৌপাং মঙম পাংজগে মহায়রক্লে লাইয়াম্না। লাইয়াম য়েংনা লাইনিংথৌ সনামহিদা মতাকপিয়ু। চীংউবা লাইয়াম পুম্বা তাবিহৈদো, মালেম অসিবু লৈশেম্বদি অতৈ করিগী নৎতেএ। ইপনগী য়াৱা কাইফদবা, মালেম অসি লৈবনা চীংউ লাইয়াম খুন্থোক ওইরগনি। লাইয়াম পুম্বনা মসি য়াৱা লৈবনা সনামহি ঐনা কোরৌগী লাই পুম্বা নখোয়বু মকৌবনে। মহায়রক্লবদা, লাইয়াম পুম্বনা হায়জরকখি।

খঙহৌ-উহৌদবা লাইয়াম ঐখোয়বু ঙাকপিয়ু হায়না লাইয়াম্না সনামহিদা চংজখি। চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা লাইনিংথৌ সনামহিগী য়াৱাবু হোয়ানরবদা, লাইনিংথৌ মালেমগী লৈশারোল নুংলোন পুম্বা লাইজা ইরেননুংগী ইমাইথক্তা

মপুখৎতুনা মালেম লৈশেমলকপনা মাইকৈ ৪ (মরি) সুমদাই ৮ (নিপান) চিরা ৬৪ (হুম্ফুমরি)গী মালেম লৈশেম তুশেমলক্লে। সনামহি লৈশেমকোন্দা লাংদাইরেন্দা কোরৌ লাংহৈকোন্দগী মালেম নোংকুমলক্লিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্নসু লাইনিংথৌগী লৈশেমকোন্দা খোয়ুম তেংপাঙ ওইরক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা ইরিরেন ইখোঙ, লাইজা ইরেন কয়া খাগী লাংহৈকোন শেমখরে। ৱাংলেনবা লৈমা নোংপোক- নোংচুপ, খা-ৱাং ইতমখরে। লোইবী ইতম চীংশাংলেন মওইখরে। ৱাংদা খাদা লাইজা ইতমখরে। লাইনিংথৌদি সনামহিনা মালেম লৈশেম্বা লোইরক্লে। লৈথক্কী- লৈখারোন অনেম্বা মালেম ওইরক্লে।

মপুগী থৌদা থৌকাংজরিবা কোরৌহনবনা, অমম-অঙান খাইরকলে। নোংদম্বা মপু থৌখাইরক্লে। চীংউবা লাইয়াম পুম্নসু লাইনিংথৌদি শিদবা, সনামহি মপুগী য়াথংতবু হোয়াজরে। কোরৌগী লাইয়াম পুম্নমনা সনামহিগী থৌশিন থৌঙম্নবু মউরক্লে। কোরৌ মপু ওইরিবা শিদবা মপুরেন ইপুরোইদি চীংউবা লাইয়ামলেন কোরৌথক্তা সনামহি লৈশেমকোনবু উজরবদা পাইমা নুংলোন্দা মখল্লক্লে। শিদবা ঐগী থৌশিনকোন্দা সনামহিনা মালেম লৈশেম্নদি মপুগী থৌরম থৌদাং মহৈ য়াল্লক্লে, নুংলোন য়াইদা থল্লক্লে।

মালেম লৈশেম্বা লোইরবদা, লাইনিংথৌ সনামহিবু কোক্লোঙ্গনা অনেম্বা মালেমদা কোরৌদগী নোংকুম্লকপা ফম্বাল নিংথৌরেম্বা কয়ানা মহায়জৈ, লাইনিংথৌদি সনামহি ও, শিদবগী নুংলোন ইতমলেন 'নাহুই পেনাবু' মালেমদা অহানবা খোম্থোক তম্বীখিবা খোয়ুম লাইয়াম ঐখোয়না মপেনজৈ। ইবুংঙোগী মালেম নাহুই পেনাবু লাই ঐখোয়দা অমুক হন্না খোম্থোক তুবী হাল্লোইবীনা হায়জরবদা, লাইনিংথৌ সনামহিনা নাহুই পেনা লাইয়াম পুম্বা অনেম্বা মালেমদা ফমদেংহন্দুনা নাহুই পেন্নাগী খোঞ্জেনবু চীংউবা লাইয়ামনা তাজবা ফংজখিএ।

ৱাঙুরোন ঃ

মপু ওইপা শিদবা লাই সলাইরেন্না মপারি শিংখোং হালোইপা সনামহিপু মালেমদা নোংকুমহন্দুনা পারিগী মতিক ময়াই থৌপাংলোইপু কোরৌ মালেমদা লৈপা লাইশিংতা খঙহনকে। সনামহি থৌঙম্নবু উরগে হায়পগী মপারী লাইওইপা সনামহি মালেম নোংকুমহনদুনা অনেম্বা মালেম লৈশেমলকলে। লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমবু লৈশেমপা লোইরবদা কোরৌথক্তা লৈপা লাইয়াম মালেমদা লৈপা লাইনা, সনামহিগী থৌশিল থৌদা থৌপাংববু অঙকপা ওইখরে। কোরৌ মালেম অনি লাংদাইরে লাইনিংথৌ সনামহিগী মতিক ময়াই পুম্বা লাইয়ামনা খঙজখি। মালেমগী লাইয়াম লক্তা মপু ফম্বাল লাংদুনা সনামহি ফম্বাললোন লাইয়াম্মা শেমজখি। অপুনবা লাইয়াম লৈপাক অনেম্বা মালেম ওইরকলে। নাহুই পেনা শাফোঙলে। মালেম লাইয়াম পুমবনা নাহুই পেনাবু সনামহিদগী নিজখিএ, ৱাঙুরোন নুংলোননা নাহুই পেনানা সনামহি থৌপাংকোকপু ময়েক সেংনা তাকখি।

খেলচোং পেনা

পেনাগী খোন্থোক করিনো ?

লাইগী লৈপাক লাইরমলেন, কোরৌ অরাংবদি লাইফমলেন। সলাই শিদবগী তালোইরেন্দি, লৈমা শিদবীনি। লৈমা শিদবীগী মপারি শিংখোঙ অতোনবদি ' কোঞ্জিন তুকথবা' নি। কোঞ্জিন তুকথবদি মপারি, মপারি ওইবা পলেম মমা শিদবীনা, কোরৌগীদি লাইরমলেন্দা চায়োক-নাওয়োক তল্লকপনা খোয়ুম মপুং-মরৈ ফারক্লে। মপারি কোঞ্জিন তুকথববু পলেম-পন্থৌ অনিনা নাওকোল্লকপা খোয়ুম লাইয়ামলক্তা লাইতিন পুংকোই তল্লক্লে।

সোরারেনগী মপারি লৈমা শিদবীগী মপারিতোনবু লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনিনা নুমিৎ থাগুম য়েংজরকপা পলেম মমা ওইবীনা খোয়ুমগী শিন্থা মতাকপিবা, লাংহৈ মাগী লাংদাইদা, লাংদাই মপুংয়াই মওইনবা খোয়ুম শিন্থা ওইরক্লকপনা, শিন্থারেন মপুং ওইরকলে । মতিক-মঙাল লৈবা খোয়ুম ময়াই হেলোইবা মপারিতোন্দি কোঞ্জিন তুকথবনি।

কোঞ্জিন তুকথবা মপারিনা লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরমদা, খোয়ুম থৌরেনবা কয়া লাংওন কয়া লাংদাইনরকপা, নুমিৎকুম মশোং কা, থাগুম মঙাল লৈবা মপারিদি অতোনবা কোঞ্জিননি। কোরৌগীদি হেলোইবা নুমিৎলোইদা পলেম-পন্থৌ অনিবু ময়েংজনা কোকনোঞ্জনা কোঞ্জিন তুকথবনা হঙ্গৎচরে। পলেম-পন্থৌ অনিগী মফমদা নপারি শিংখোং কোঞ্জিন তুকথবনা করিগুম্বা য়াবা অমা নিজগে।

মপন-পন্থৌ-পলেম-মমা অনিনা হায়যু হায়না তাকপিরবদা তুকথবনা কোকনোঞ্জনা হায়জরকই। পলেম-পন্থৌ অনিগী মফমদা নপারিনা নিজরিবা য়াবাদি অতৈ করি অমা নৎতেএ। য়াম্লুং সনামহিনা মালেম নোংকুমদুনা লৈশেম-তুশেম খোঙদোই হুনখ্রে। মালেম লৈশেম লোইরকলগনি। য়াম্লুংগী লৈশেম তেংবাং য়াওজরুগে, নপারি ঐহাকসু মালেম নোংকুম তমদুনা য়াম্লুংগী নাক্তা খোঙদোই হুঞ্জরুগে, পলেম-পন্থৌ অনিগী য়াথংতবু নপারি কোঞ্জিন তুকথবনা ঙাইজরি। য়াবা অসি হায়দুনা মপারিতোন্না পলেম-পন্থৌ অনিদা নিরক্লবদা, মপন পন্থৌ-পলেম মমা শিদবীনা নোংফুংনা তুমিন্না লৈখরে।

পলেম-পন্থৌ ওইরিবা লাইনিংথৌ সোরারেন-লৈমা শিদবী অনিনা মপারিগী য়াবা তাবদা মপন পন্থৌ ওইবনা য়াবা অমসু মহায়রক্লে। পারি ইবুংঙো কোঞ্জিন তুকথবা, ইপানা নহাকপু য়াবা করম্না মালেম নোংকুম্মু হায়সিবা, ইপানা খঞ্জননা লৈবনি। মদু য়াবা মওইরবসু ইচাগী নোংকুম্বা য়াবাসি হোয়ারগে। অদুহিংতি ওইরগা, থাজা কুমশিং লাংহৈদনা কোরৌ থক্তা ইকারকউ। মপন পন্থৌগী য়াবা তাবদা মপারিতোন কোঞ্জিন তুকথবদো হরাও মথোই কাজরে।

পলেম মমা শিদবীসু মপারিগী য়াৱাদো হোয়াবীরে। পলেম-পম্থৌ অনিগী য়াৱাবু হোয়ানরবদা কোঞ্জিন তুকথবা মপারিদো মালেম নোংকুমগে মখল্লক্লে।

কোঞ্জিন তুকথবা মপারি, মপন পন্থৌ-পলেম মমা শিদবী অনিবু কোকনোঞ্জনা অনেম্বা মালেমদা নোংকুমখরে। কোরৌ অৱাংবা লাইগী লৈপাক লাইরৈপাক্তগী কোঞ্জিন তুকথবা অনেম্বা মালেমদা নোংকুমলক্লে। কোঞ্জিন তুকথবা মশানৌনা ময়াম্বুং সনামহিনা শেম্বা মালেমবু কোইনা লৈনা য়েংলক্লে। মালেমগী মফম কয়াদা কোঞ্জিন তুকথবনা লাংওন কয়া পুথোরক্তুনা কোইনা অসুম য়েংলকপনা, অনেম্বা মালেমদা খোয়ুম লাই কয়ানা লাংহৈনরক্লে।

ময়াম্বুং সনামহিনা শেম্বা মালেমবু কোঞ্জিন তুকথবনা মালেমগী মফম কয়াদা লৈথিংগাই কয়া ওইরক্লে। ময়াম্বুংনা শেম্বা মালেম্বু লৈথিংগাই ওইরিবা মশানৌদি কোঞ্জিনবু, লাইনিংথৌ সনামহিনা কোইনা লৈনা মালেমগী মফম কয়াদা থিরক্লে। সনামহিনা কোইনা থিরকপা মশানৌদি কোঞ্জিন তুকথবনা লৈথিংগাই ওইরিবা মালেম খাকোন লাংহৈদা মচিন-মনাও অনি থেংনরে। লাইনিংথৌ সনামহিনা, মশানৌতোন লাই কোঞ্জিন তুকথববু য়েংলগা মহায়রক্লে।

ইশানৌদি কোঞ্জিন-ও, শানৌতোন নহাকপু ইয়াম্বগী মালেম শৈশেম্বদা তেংবাংনবা অনেম্বা মালেমদা নোংকুম্লক্লীবরা, য়াম্বুংনা নহাক থিরক্লিবনি হায়রবদা, মশানৌতোন লাই কোঞ্জিন তুকথবনা ময়াম্বুংদা কোকনোঞ্জনা হঙ্গৎচখি। য়াম্বুং, ননাওসু য়াম্বুং মালেম লৈশেম্বা চৎখিবদগী কোরৌদা য়াম্বুং শক্তম উদবদা লৈঙমদদুনা অনেম্বা মালেমদা নোংকুমজরক্লিবনি হায়না তুকথবনা ময়াম্বুংদা হঙ্গৎচখি।

মশানৌতোনগী য়াৱা তাবদা সনামহিদি লাইনিংথৌনা মশানৌতোনবু নুংশি মীৎয়েংনা য়েংবীরে। মশানৌবু য়েংলগা ময়াম্বুং সনামহিনা মহায়রক্লে। য়াম্বুগী শানৌতোন, য়াম্বুংনা শেম্বা মালেমদা শানৌতোন্না লৈথিংগাই ওইফরোইকো। অনেম্বা মালেম অসিদা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা খুম্থোক মফম ওইরক্লগনিদো ইশানৌ। হৌজিক য়াম্বুংগী লৈশেমকোন অসিদা ইশানৌনা লাংদাই ওইরো হায়রল্লগা ময়াম্বুং সনামহি মালেমগী লাংদাইকোন্দা লাংহৈ ওইখরে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা লাংদাই ওইখ্রবদা, মশানৌতোন লাই কোঞ্জিন তুকথবনা থিম্বদনা মালেম লৈকোই পুংকোইরেন্দা কোঞ্জিন তুকথবনা মালেম লৈথিংগাই হৌরক্লে। মালেম লৈথিংগাই হনলোইননা লাংহৈ ওইরক্লবদা মপন পন্থৌ ওইরিবা সোরারেন্না কোরৌথক্তগী ইৱাইননা মউরক্লে। মপারি শিংখোঙ অতোনবা কোঞ্জিন তুকথবা মপারিনা মালেম লৈথিংগাই ওইরিবা মালেম লাংহৈকোন অদু মউরক্লবদা মপন-পন্থৌনা মালেম অসি মাংবা তারে খন্দুনা মপন-পন্থৌ ওইরিবা সোরারেনদি লাইনিংথৌ মালেম নোংকুম্লক্লে।

লাইনিংথৌ সোরারেন্না মালেমগী মফমলেন কয়াদা কোইনা লৈনা চৎতুনা মপারি শিংখোঙ কোঞ্জিন তুকথববু থিরক্লে। মপারিতোন কোঞ্জিন

তুকথবা, মপন-পস্থৌনা থিবা খঙলক্কবদা মালেমদা লৈবা চীংউবা লাইয়াল্লক্তা মপারিবু হংলক্লে। মালেমগী লাইয়াম্না মপারিগী লৈফম্দু মহায়রক্লে। লাইনিংথৌ সোরারেন্না মপারিনা লৈরিবা মফম অদু তান্না খোঙদোই ইহুন তমদুনা মউনরে মপারি।

লাইনিংথৌ সোরারেন্না মপারিবু য়েংনা মহায়রে। পারি ইবুংঙো অতোনবদি কোঞ্জিন তুকথব-ও, ইপা য়াৱা অমা মহায়গে হায়বগী ইপানা নহাকপু মউন্নগে মহায়দুনা ইপানা মালেমদা নোংকুল্লকপনি। মপান পস্থৌ সোরারেনগী মফমদা কোঞ্জিন তুকথবা মপারিনা কোকনোঞ্জনা মহায়জে। ইপন-পস্থৌনা মপারিতোনবু করি য়াৱা তাকপিগদবা তাকপিরো অপোকপা হায়না কোক নোঞ্জনা হঙ্গৎচরে। মপন পস্থৌনা মপারিতোনবু য়েংলগা মহায়রে। পারি ইবুংঙো অতোনবদি কোঞ্জিন তুকথবা-ও, পারিনা নয়াম্বুংগী লৈশেমকোন্দা খোয়ুম তেংপাং চৎখিবদি নয়াম্বুং থৌশিনবু তেংবাংবদি নৎতনা ইচানা মালেম লৈথিংগাই ওইরকপসিদি ইপন্না কয়া হোয়াদে। লাইনিংথৌ সোরারেন্না, মপারি অহল সনামহিনা লৈশেমলিবা মালেমগী লাংহৈকোন্দা, মপারিতোন লাইওইবা কোঞ্জিন তুকথবনা লৈথিংকাই ওইরিবা মফমলেন্দা মপুএনা মপন্না। মালেমগী লাংদাইকোন্দা কোইনা লৈনা মপন পস্থৌ সোরারেন্না ময়েংলল্লে। মদু নোংগী কোঞ্জিন তুকথবনা লৈথিংকাই ওইপা মফম অদু উরক্লে।

অনেম্বা মালেমদা লৈথিংকাই ওইরিবা মফমলেন্দা মপুইএ লাই ওইপা মপন-পস্থৌ সোরারেন্না মহায়এ। য়েংঙু পারি মালেম্বূ লৈথিংকাই ওইপতি করি নুংগী থৌপাংবনো। থৌপাংখিবা মতৌবু য়েংকে তাকও হায়না শিদবা মপন পস্থৌ সোরারেন্না মহায়রকএ।

কোঞ্জিন তুকথবা মপারিনা মপন-পস্থৌ সোরারেন্দা কোকনোঞ্জনা মহায়এ, করি নুংগী য়াৱারেন হেলোইবদি নহিৎতেএ। মপারিতোন্না ময়াম্বুং সনামহিগী লৈশেমকোন্দা লৈথিংকাই ওইখিবতি অতৈ অমগী য়াৱা ওইদেএনা। য়াৱা পুম্বা হায়জগে, তাবীয়ুদো অপোকপও। মালেমদা লৈবা লাই পুম্বা, মপারিতোনগী লাংওন থৌখাই থৌসুরেন মঙমবু য়েংকে হায়বগীদমক, মালেমগী লৈশেমরোন্দা মপারিতোন্না নুংলোন খাম্বী ঈরিক ইচাইরেন লৈথিংকাইবু মালেমগী লাইয়ামদা উহনজবনে। অশাও-খাম্বীনে, অমাং-অতা নাইপনে।

মপারিগী য়াৱা তাবদা তুংলমচৎতা মাংবা তারে খন্দুনা লৈথিংকাইবু উহল্লু হায়পদা মপারিনা লৈথিংকাই হৌরক্লে। মদু উপদা মপন-পস্থৌনা লাইখুরেম্বা কৌদুনা থেনখৌ পেন্না খোঙএ। পাখঙববু নাওথেমখিএ। হৌ-এ-রি-হো-না-হুং-হুং-রি-এ, না, চোং-খোঙ-লৈ-খেং-হৈ-পৌ-হুং-না-এ পেন্না খোম্লোক তমদুনা নাওথেমএ।

পাখঙবা লৈথিংকাই মাংখিএ। মপন-পস্থৌদা হায়খিএ। লানপা পুম্বা ঙাকপিরে হায়না হায়জখিএ। সোরারেন্না মপারি ঙাকপিখিএ।

টেক্লংমটেঙ্গ গাংটে

নাওথেমলোন পেনা

খোঙ্হোক কয়া সুবগে ?

হয়ি-হয়া লাংবা চকলোন লাংহৈ লাংদাইরেন্দা অনেম্বা মালেমদা লাংদাই মপু ওইরিবদি লাইনিংথৌ সনামহিনি। মপন পন্থৌ সোরারেনগী য়াৱাবু ইনজদুনা মালেম নোংখোঙ কোইবা হৌরক্লে। মালেমদা খুঙ্হোক তল্লীবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা অঙকপা লাংহৈ লাংদাইনরক্লে। চীংউ লাইগী লাইশা অয়াংবা সগোল ঙৌরেনবা তোংদুনা মালেম নোংখোং লৈনা কোয়রক্লে। লাংওন শায়োনবদি ঙৌরেনবা য়াংবা শাগোলনি। কৈরেন য়াঙবসু লাংওন শানি।

লাইনিংথৌ সনামহিনা শেম্বা মালেম্বু কোইনা লৈনা নোংখোঙ কোইরকপা অঙকপা লাংহৈ লাংদাই শিংদাইনরক্লে। মশানৌতোন পাখঙবদি শাম্মা পাঙ্গাল শোনবনা মালেম নোংখোঙ কোইবা ঙমদবনা পাইমা নুংদা খল্লক্লে। য়াম্লুংনা অয়াংবা শায়াংথক্তা তোংদুনা মালেম নোংখোঙ কোইবা চৎখ্রে। য়াম্লুংনা শোইদনা ইপন-পম্থৌগী ফম্বাল অসি ফংখ্রগনি খল্লুবদা পাখঙবনা মালেম লৈদা খোঙথিল্লা মীৎলু লাইজা ঈহৌনা খোঙ্হোক তম্না মকপচববু কোরৌ থক্তা লৈরিবী শিদনুবী উরক্লে।

অদুঙৈগী য়াৱাবু নিংশিংলক্লে। নোংমা কোরৌ হেলোইবা নুমিৎলোইদা, লাইনিংথৌ সনামহিনা অনেম্বা মালেমদা নোংকুমদুনা মালেম লৈশেম্বা চৎখিঙৈ, মশানৌতোন পাখঙবসু খোয়ুম তেংপাংনবা অনেম্বা মালেমদা নোংকুমখ্রিঙৈ, শিদবা লাইনিংথৌসু মালেমদা লৈখ্রিঙৈদা শিদবা-শিদবী থৌগনলোনবী লাইরেন ৭ (তরেৎ) না থৌসু পুরম্মী। কোরৌ হেলোইবা নুমিৎলোইদা, লৈমা শিদবীনা পেনবীদুনা 'উমাঙ্গা চীংজ্রোইবী'বু ময়েংনা মহায়রকই।

ইমোম ইবেম্মা, ইমা য়াৱা অমা মহায়গে, নাপ্পা চীক্লা তারো। ইমাগী য়াৱাদি অতৈ অমা নৎতেএ। ইমোম্মা ইমাগী থৌগল তৌবসি ইমা পেল্লে। ইমাদগী অপাম্বা য়াৱা অমা মহায়য়ু , হায়না শিদবীনা চীংজ্রোইবী মমোমদা হায়রক্লবদা লাইরেম্বনা শিদবীদা হায়জখি। ইমানুবী লাইওইবী-ও, নমোমদি করি অমত্তা পামজবা লৈজদে। খোয়ুম মপোক্তা পোকচবী নমোম্মা ইমাগী থৌগল ফংজবদি লাই লাংওন্দা পোকচবগী মহৈদি ইমাগী থৌগল ফংজবা অসিদগী অহেনবা করি লৈবগে।

উমা সনা চীংজ্রোইবীগী য়াৱা তাবদা কোরৌ থক্কী লাইওইবী লৈমা শিদবীনা অপেনবা ওইজরে। মমোম ওইবী চীংজ্রোইবীবু ময়েংনা তোইনা য়াৱা চীংগোইরক্লে। ইমাগী ইমোম ইবেম্মা, ইচানা পাম্বা অমদি হায়য়ু হায়না হায়রক্লবদা, মমোম ওইবী লাইরেম্বীদি চীংজ্রোইবীনা পাইমা নুংদা খল্লক্লে। ইমাসি য়াম্লা নুংঙাইখিদবা তারে অরেপ্পা ৱাখলসু ৱাইথুংনহৌরগে হায়না খল্লক্লে। শিদবী ইমাদা শারি ৱাশকহনগে হায়না অরেপ্পা ৱাখল ওইরক্লে।

শিদবীবু য়েংনা উমানা হায়রক্লে, ইমানা করিগুম্বা য়াৰা অমা নিজৌ হায়রবনিনা পলেম্লা শারি ৱাশকপীয়ু, মহায়জরবদা মমোমগী নিংবা থুংজনবা শিদবীনা চীংউবা লাইয়ামগী মমাংদা শারি ৱাশক্লে। হায়রো হায়রো শিদবীনা উমাবু য়েংনা মহায়রক্লে। উমানা শিদবীবু কোক্লোঞ্জনা হায়জরক্লে। ইমানুগী নপারি অহন্না শেম্বা মালেম্বু ঈপন-পম্পৌগী থৌশিন-থৌদারেন্দা মপারি অহনবা-অতোনবু মালেম নোংখোঙ কোইহল্লু। নপারি অহন সনামহিনা নোংখোঙ কোইবা চৎথিঙৈগীদা, পাখঙববু ঈপনগী (ফম্বাল) খুভম শিনবীয়ু হায়না উমানা শিদবীদা হঙ্গৎচরে।

উমা সনা চীংজ্রোইবীগী য়াৰা তাবদা লৈমা শিদবীদো, মাইথোং মকা মকশিনখরে। মমোম ওইবী উমাবু য়েংলগা হায়রক্লে, ইমাগী ইমোমলোই, ফরে ইমানা শারি ৱাশকখ্রবা য়াৰাদি কোরৌ মালেম তাইফদবা য়াৰানি। হায়দোকখ্রবা য়াৰাবু অমুক হন্না হঞ্জিনবদি, ইমা হঞ্জিনলোই। থৌওং পুম্বা ইমানা ফনবা শিনগনি। অদুবু ইমোমলোইদি উমা-ও, ইমা য়াৰা অমদি হায়গে, করিগুম্বা লাংহৈ অমদা সনামহিগী য়াৰা খোন্থোক তল্লক্লবদি ৱারম পুম্বাসি উমাগী চীনবান্দগী থোকপনি হায়বসিদি অরেপ্পা ওইরোকো ইমোম্মা। হৌজিক ইমা, পারি অনিগী থৌশিন থৌদা পুম্বা থৌখাইরগে। নপন পম্থৌদা য়াৰা পুম্বা শিন্নরগে মহায়রল্লগা অনেম্বা মালেমদা লৈরিবা লাইনিংথৌ সোরারেন্দা থৌশিন পুম্বা শিন্নখ্রে।

সোরারেন্না মপারি অনিবু কৌশিন্দুনা অনেম্বা মালেম্বু নোংখোঙ কোয়য়ু। অহানবা ইপাগী ফম্বাল নাক্তা থুংলবা পারিনা ঈপাগী ফম্বাল শিন্নগনি হায়না মপারি অনিদা তাকপিরবদা, মপারি শিংখোঙ অনিনা মপন পম্থৌগী য়াৰাবু কোরৌ-মালেম তাইফরোই থন্দুনা মপন্দা কোক নোল্লল্লগা মচিন-মনাও অনিনা মালেম নোংখোঙ কোইনবা থৌশিন থৌখাই পাংনবা থৌরাংখরে। সনামহি মালেম নোংখোঙ কোইবা খোঙদোই হুনখ্রে।

মপারি শিংখোঙ অতোনবা পাখঙবনা মীৎলু লাইজা ইহৌনা নোংখোং কোইবা শিম্থা পাংঙমদনা মালেম লৈদা খোঙথিন্না লৈবদু শিদবীনা কোরৌথক্তা মউরক্লে। অনেম্বা মালেমদা নোংকুমদুনা মপারিতোন লাই পাখঙববু য়েংদুনা মহায়রক্লে। পারিনা মালেমদা খোঙথিন্দুনা মীৎলু লাইজা ঈহৌবদি করি নুংগী য়াৰা লৈবগে হংলক্লবদা, মপারিতোন লাইওইবা পাখঙবনা পলেম ওইবী মমাবু কোকনোঞ্জনা হায়জরকই। হাদা ইমারেন্দি-ও, য়াৰা পুম্বা নপারিনা চীংগোইজগে, য়াৰা পুম্বা তাবীয়ু।

ইপন পম্থৌ শিদবনা, নপারি ঐখোয় অনিবু মকৌবীনা, য়াৰা অমা তাকপীরে। য়াৰাদি অসিনি, নচিন-ননাও অনিনা মালেম নোংখোং কোইরো, মালেম নোংখোং কোইবা লোইরদুনা ইপাগী ফম্বালদা হান্না থুংলবা পারিনা ইপাগী ফম্বাল অসি শিন্নগনি হায়না তাকপি। য়াৰা অদুগী হৈনা তুংইন্না য়াম্বুংদি মালেম নোংখোং কোইবা খোঙশানখ্রে।

নপারি শিংখোঙ অতোনবা ঐহাক্তি, শাম্মা পাঙ্গল কন্দবনা মালেম নোংখোং কোইবা ঙমদবনা, মালেম লৈদা খোঙথীন্দুনা, ইমাবু কৌদুনা

লৈজরক্লিবনি। মচাগী য়াব্রা পুম্ববু তারবদা, পলেম মমা শিদবীনা মপারিবু য়েংনা মহায়রক্লে। তারো পারিতোন পাখঙব-ও, ইমানা য়াব্রা পুম্বা হায়গে নাপ্পা চিক্লা তারো। নয়াম্বুংলেন্না মালেম নোংখোং কোইবা চৎখিঙৈ, ইমানা নপনগী ফম্বাল অসি ইচানা ফংনবা থৌশিনগনি হায়না তাকপিরে।

মপারি শিংখোঙ লাইওই পাখঙবনা, পলেম মমা শিদবীদা কোকনোঞ্জনা মহায়রক্লে। শিদবী ইমানা মপারি পাখঙবদা ময়েংনা মহায়এ। তারো পারিতোন নহাক্লা নপন পম্বৌ সলাই শিদবগী ফম্বাল অসি ৭ (তরেৎ) লক কোইজরো, ফম্বালবু ৭(তরেৎ) লক কোইবদি নোংখোং ৭ (তরেৎ) লক কোইবগা পাংখকনি হায়না শিদবীনা মপারিতোন লাই পাখঙবদা তাকপিরে। থিন্থবা কৌবা লৈতনা লাইনিংথৌ পাখঙবনা পলেম মমাগী য়াব্রাবু ইন্দুনা মপনগী ফম্বাল মনাক তান্না চংদুনা কোকনোঞ্জনা ফম্বালবু ৭ (তরেৎ) থোক্লা কোইজরে। লাইপক ৭ (তরেৎ) লক কৎতুনা মপন ফম্বাল পাখঙবনা ফংজরে।

লৈমারেন শিদবীনা মপারি ফম্বাল ফংজরবদা কোরৌ লাংহৈকোন্দা লাংদাই-শিংদাই ওইখরে। মপন পম্বৌ সলাই শিদবনা ফম্বাল কাদা লাংহৈ লাংদাই-শিংদাই ওইনবা মগাইফমদা ইতম্লকপদা মপারিতোন্না ফম্বাল লাংদুনা লৈরম্বা মউরক্লে। মপারিতোন্না ফম্বাল লাংববু সলাই শিদবনা মউরবদা পাইমা নুংদা খল্লক্লে। করিগবু থোক্লগবা পারি অহন ইগাইফমদা হল্লক্লবদা, য়াব্রা অসি মখনঙৈ। থিন্থবা কৌবা লৈতনা লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেম নোংখোং কোইবা লোইরদুনা মগাইফমলেন ওইরিবা সলাই শিদবগী ফম্বাল কোন্দা ইতম্লক্লে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা পাখঙববু থৌগন্দুনা ফম্বাল লাংলিবা ফম্বাল কোন্দা লাইনিংথৌ সলাই শিদবা খোঙদোই ইহুন তম্লক্লে। ফম্বাল য়াইওইবা মথক্তা মশানৌতোন লাই পাখঙবনা ফম্বাল লাংবা অদু সনামহিনা উরক্লে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা সনামহিবু উরগা থৌশিন লুতুংনরক্লে। মদু নোংবু উবদা, লাইনিংথৌ সনামহিনা পাইমা নুংদা খললক্লে। মালেম ঐগী লৈশেমদা, অব্রাংবা কোরৌদগী লাইয়াম পুম্বা খুন্থোক মতম্লক্লে।

চীংউবা লাইয়াম্না মপু থৌশিন খঙলক্লবতা, তুংলমচৎকী চৈশিংদা লাইওইবগী মতৌবু লাংদাই-শিংদাইনবা মাংখ্রগনি পাইমা নুংদা সনামহিনা মখল্লক্লে। করি করম্বা লাইয়াম্বু মতাইসিগে হায়না নুংলোন্দা খল্লক্লে। থিন্থদনা লাইনিংথৌ সনামহিনা মপন পম্বৌ-পলেম মমা শিদবীবু কোক নোনলম্লগা লাইনিংথৌ সনামহি মালেমদা মফম খঙদনা মাংখি। চহি চৈচৎ কয়া মাংখ্রবদা খঙহৌদনা লাই - ১৮ গা লোইননা লাইয়াম লাইতাই-শিংতাইবা, লাইনিংথৌ ' পেনা লাইহুইরোন' মপুথোক্লে। লাইয়াম পুম্বনা পেনাগী খোম্থোক তাবদা লৈবা ঙমদ্রদুনা, সনামহি মগাইফমদা চংজখিএ। লাইনিংথৌ সনামহিনা পেনা থাগৌ হেল্লোইবা লৈনুং খরো অশৈবা পুথোকএ। অশৈবদা পেনা শিন্নৈএ। লাইনিংথৌ সনামহিবু মালেমগী লাইয়াম পুম্বনা, কোরৌ লাইরেম্বী - ৭ কা লোইননা খরো অশৈবনা পেনা থাবু পমদুনা লাইয়ামগা লোইননা সনামহি নাওথেমএ। হোয়ানরে লাইনিংথৌ সনামহি।

ꯀꯣꯔꯧ ꯅꯣꯡꯇꯥꯏ ꯄꯦꯅꯥ

কোরৌ নোংতাই পেনা

পেনা মখল কয়া সুবগে ?

সলাই শিদবা মপুরেনগী য়াৱারেনবু ইনজদুনা লাংবা চক্তিং চকশিংকোন্দা মপুরেন শিদবগী মপারি শিংখোঙ অহল লাইনিংথৌ সনামহিবু অনেম্বা মালেমদা নোংকুমদুনা মপু শিদবগী য়াৱারেনবু ইনজদুনা অনেম্বা মালেম্বু, লাইনিংথৌ সনামহি মালেম লৈশেমকোন হৌরক্লে। অনেম্বা মালেমদা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেম লৈশেম্বা লোইরবদা, মপন পন্থৌ সলাই শিদববু মালেমদা নোংকুম্বগী য়াৱারেন ইতমজরে। মপারি শিংখোঙগী লাংহৈকোন অনেম্বা মালেমদা মপুরেন লাইনিংথৌ সলাই শিদবনা নোংকুল্লক্লে।

লাইনিংথৌ সলাইরেন শিদবনা অনেম্বা মালেমদা ৱাইথুংলবদা মালেমদা লৈরিবা কোরৌদগী নোংকুম তমদুনা লৈরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা সলাই শিদবদা কোকনোঞ্জরে। সলাই শিদবনা মালেমগী মফম কয়াদা খোঙদোই নাহুই ইতমদুনা কোইনা লৈনা য়েংলক্লে। মপারিগী লৈশেমকোন য়েংবদা অপেনবা লাংহৈকোন ওইখরে। অসিনসু মদোমদা, সলাই শিদবা মপুনা মালেম লাংহৈকোন কয়াদা উপান-ৱাপান, হৈপান-লৈপান, লোইবী হেলোই চীং, লোক-তাই, খোং কয়া উরক্লে।

মদু নোংগী মউরবদা, মপারিগী লাংহৈকোন, লৈশেমকোনগী লাংদাইরেন, অনেম্বা মালেমদা মশিং লাংঙমদনা জিবা কয়াসু উরক্লে। জিবশিং অদু উবদা মপু ওইবা সলাই শিদবনা পাইমা নুংদা খল্লক্লে। মীওইপোক্কি লাংহৈদি মউদ্রি হায়না কোইনা লৈনা য়েংলক্লে। অরাপ্পা মালেমগী লাংহৈকোন্দা চীংউবা লাইয়াম পুম্বগা তাইবং পী-পা, পোং কয়ানা লাংদাই-শিংদাইনবা উরক্লে।

সলাই শিদবা মপুনা মপারি শিংখোঙ অহল লাইনিংথৌ সনামহিবু মকৌননা মহায়এ। তারো অনেম্বা মালেমদা খুন্থোক তল্লীবা পারিও, য়াৱা অমা হায়কে হায়না মহায়এ। তাইবং পী-না, পোং কয়াবু করি করম্বা লাংহৈদা লাংদাইবনো হায়না মহায়রবদা, লাইনিংথৌ সনামহিনা মপন-পন্থৌদা হঙ্গৎচখিএ। ইপন-পন্থৌগী মফমদা পোং কয়া ওইরকপগী লাংহৈ-লাংদাই পুন্না হায়জগে। চকশিংকোন্না লাংবা চকলোন লাংহৈকোন্দা, সলাই অপোক - ৭ থৌকাংজরে। পোং সলাই কয়া মালেমদা মীৎপাংএ। লাইগী লীচৎলোন লাংহৈনজরিএ হায়না সনামহিনা মপন্দা হঙ্গৎচৈএ।

সলাই শিদবা মপুনা মপারি শিংখোঙ অহল লাই সনামহিবু য়েংনা মহায়এ। পারি ও সনামহি, নশানৌতোন লাই ওইবা পাখঙববু মালেম নোংকুম্না ইতমখিবা, মালেমগী মফম কয়াদা লাংদাই-শিংদাইখিবগে হায়না সলাই শিদবা মপন্না, সনামহিদা মহংলক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা, মপনবু য়েংনা মহায়এ। ৱাংলেন মীৎকুপ খরদং ঙাইবীয়ু। শানৌতোন মকৌজগে মহায়রবদা, মপন্না হোয়াইএ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মশানৌতোনবু মালেমগী খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপ, মাইয়োন তমদুনা মকৌরক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিগী খোঞ্জেল তারদুনা মশানৌতোন লাই পাখঙবনা ময়াম্বুং সনামহিবু থিরক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈবা মগাইফমদা, পাখঙবা খোঙদোই হুল্লক্লে। পাখঙবনা ময়েংলগা মপন-পস্থৌগা অনিনা মগাইফমলেন্দা লেপ্তুনা লৈবা উরক্লে।

পাখঙবনা মপন-পস্থৌ উবদা খুবাক চাংজৌ লৈতানা, মপন পস্থৌ অমদি ময়াম্বুংদা কোক নোঞ্জরে। মপন-পস্থৌনা ফম্বাল কাদা মপারি অনিবু মপুসল্লে। মপারি অনিবু য়েংনা মহায়এ। পারি অনিমক তারো, পারি অহলগী মালেম শৈশেমকোন্দা, ইপানা অপেনবা লাংহৈনরে। সনামহিগী লৈশেমগী লাংহৈদা হৈপান-লৈপান, উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং, মশিং লাংঙমদবা জিবা কয়া উবা ইপানা লাংদাই ইতম তমলে।

লাইনিংথৌ থৌজান ইরিক ইপানা সনামহিদা মপিরবনি। পারিতোন পাখঙবনা মালেমদা সলাই-৭ কী মপুরেন ওইববু লাংদাইও হায়না মতাকপিরে। লাইওইবা মপারি অনিনা হোয়াইএ। লাংদাই লাংহৈ মপুয়াই মওইরক্লে।

সনামহি পাখঙবা অনিবু য়েংনা মপন পস্থৌনা মহায়এ। হৌজিক্তি পাখঙবা লাংওন ১১৮ মপুথোকও। পারি অহল সনামহিগী লাংওন ১০০০ লাংদাই শিংদাইরে হায়না মপারি শিঙখোঙ অনিদা মতাকপীএ। মপন সলাই শিদবগী য়ারাবু হোয়াজনা অনেম্বা মালেমদা মপনবু কোক নোঞ্জনা সনামহি পাখঙবা অনিনা লাংওন ইতম হৌখরে। লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমগী মফম কয়াদা কোইনা লৈনা চৎতুনা লাংওন-লাংদাই হৌরক্লে।

চীংউবা শাইওন মপুরেন লাইওইরিবদি লাইনিংথৌ সনামহিনি। সনামহি পাইমা নুংদা খল্লক্লে। মালেম অসিদা জিবা কয়া চাদা নাওদা ইতল্লক্লগনি। জিবশিং অসিদা মালেমদা হিংজবা ঙম্নবা সনামহি ঐগী লাংওন মপুথোক্লগে হায়না পাইমা নুংদা খল্লক্লে।

সলাই শিদবগী মালেম নোংকুমঙৈদা লাইনিংথৌ সনামহিনা লাংওন মতমখিএ হায়বা য়ারা খোল্হোক মতম হৌরসনু হায়দুনা মপুরেন ওইরিবা সনামহিনা লাংওন লাংদাই ইতল্লক্লে। কোরৌ-মালেম লাংহৈরে। শিল্থা লাংদাই ইতমলে। চকশিংকোন্দি লাংবা চকলোননি। হুয়ি-হয়া-লাংবা কোন্না চকলোন্নি। লাংহৈকোন ওইরিবা মপুরেন সনামহিনা মালেমকোন্দা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা খুম্থোক মওইরেন্দা লাইগী লাংওন হৌরক্লে। সনামহি লাংওন্না মালেমদা লৈবা লাইয়ামশিংগা লাংদাই-শিংদাই ওইখরে।

লাইয়াম পুম্বনা সনামহিবু শিদবা মপু, শিদবা লাংওনবা হায়না মালেম লাংহৈকোন্দা লাংদাইরে। সনামহিনা হেলোই লাইয়াম পুম্বনা লাংদাই শিংদাইবা লাই অমা মালেমদা পুথোকলে। লাইশিংবু য়েংনা লাইনিংথৌ সনামহিনা লিরিরেন-লিচৎলোন, লাইগী চৈশিংকোন কয়া লাংহৈ পাউশানরক্লে।

সনামহি মীংখৈরোন লাংওন-লাংদাই - ১০০০ বু চীংউবা লাইয়াম

পুম্বদা মখণ্ডহল্লে। লাইয়াম পুম্বনা সনামহিনা মপুথোকপা মীংখৈরোন - ১০০০ তাজবা উজবা ফংবদা হরাও-মথোই কাজৈএ। লাইনিংথৌ সনামহিনা লাইয়াম পুম্ববু মতাইনবা লাংদাই-শিংদাই মওইনবা থৌশিন-থৌকাং কয়া হৌরক্লে।

লৈনুংলোন, লৈখারোন, কোরৌ নোংতাই লাইয়াম পুম্বসু ইতাইনা চুমলেন খোংবী ইতাইরেন ফমল্লেনবা লাইবু মপুথোকএ। খোয়ুমগী কোলোই মীংখৈরেন্দি, লৈনুং খরো অশৈবনি। নুংলোন পালোন পুবা লাইনে। মতিক-ময়াই হেল্লোইবা, লাইনিংথৌ সনামহি মীংখৈরোল লাংওন লাইনে। লাই পুম্বা তাইবনে। লাইনিংথৌ সনামহিনা লাংওন--লাংদাই মওইরকপনা, মপন সলাই শিদবদা মপারিগী লাংওন মপুংয়াইবু খণ্ডহনকে হায়না পাইমা নুংদা খল্লক্লে সলাই শিদবনা সনামহিগী লাংওন উরক্লে।

মপারিতোন পাখণ্ডবগী সলাই ৭ কী ইকোন, অপোকপা লাই ৭ মীংপাংখরে। মঙাং-লুৱাং-খুমন-অঙোম-মোইরাং-খাঙানবা-সরাংলৈশাংথেম অপোকপা লাই-৭ মীংপাংএ। পাখণ্ডবগী লাংওন লাংদাইদা, মালেমগী খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপ কয়াদা লৈপা তু-খোং-পাৎ-চীং কয়াদা খোয়ুম লাংওন কয়া পাখণ্ডবা লাংওন হৌরক্লে।

মালেমদা লৈবা জিবা কয়া পাখণ্ডবা লাংদাইখোং-ইরেন লাই কয়া শাকোণ্ডলক্লে। য়েক - ৭, সলাই - ৯ দা মী-পোং-লাই ওইনা পাখণ্ডবনা তাইপং শাজৎ-লিরেন কয়া ইতম্লক্লে। মশাবু মশানা খণ্ডবা লাংওন তমপীএ। লাই পাখণ্ডবগী লাংওন মীংখৈ - ১১৮ লাংওন ইতমখরে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমদা লৈপা লাই পুম্ববু নাওথেম লাংহৈনা ফম্বালকোন তাইগে হায়না লাংওন তমখরে। সনামহিনা লাইরেনপা মীংখৈ - ১০ পুবা লাই পুথোকএ। মমা শিদবীনা শাওন লাইয়ামদা চৈ থাংববু চৈজিং হায়না মীংকৌখিএ। অমাহিৎতি, লৈমনা ফাদুনা পুরকপা লাই - ৮ বু মোনখাংনখিএ হায়দুনা, মাগী লাংওন্দি থাবু মাল্লি হায়বগী, কোরৌ থাসু থাওইপা হায়না লাই - ১৮ না শাখাইরেন ওইপা চৈজিং থা অনি পুথোকএ। মপন-পন্থৌ,পলেম মমা শিদবীদা শিনৈএ।

লাইয়াম্লা, চৈজিং-থা অনিবু য়েংজৈএ। সনামহিনা লৈনুং খরো অসৈবদা চৈজিং-থা লাইনা, মীনা পেনপা নাইতবা খোম্থোকলে। লিরেন - ৩৬৪ লাইয়াম্লা তাইএ। খোঙপতি অশৈবনি মমিংতি খরো লৈনুংবনে। মতিক-ময়াই হেল্লোইপা লাইরেন, মাংচোক-লাংচোক, ফমসু-ফমথেন তাইবনে । সলাই শিদবনা মপারি অনিগী লাংওন উজখিএ। লৈমা শিদবী হরাও-মথোই কাজৈএ। লাইরেন মকোক হনজবীনে। পেনা খোম্থোক্লা "কোরৌ মালেম নোংতাই"-লাংহৈ ইতম্লা খোংএ। মী লাই পুম্বা সুমহৎলে। লাইয়াম পুম্বনা মালেমদা হরাও-মথোই কাজৈএ। লাংবা কোনবা চকলোললে।

থেলোন পেনা

মালেমদা কনানা পেনা পুথোকখি ?

হয়ি লাংহৈকোন কোরৌনে। হয়া লাংহৈরেন অনেম্বা মালেমনি। কোরৌ লাই মপু শিদবনা থৌশিন-থৌদা মপাংনা অনেম্বা মালেম্বু মপুথোকএ। মৈ তরং, ঈশিং তরং, নুংশিৎ তরং তরংলেন ৩ (অহুম) দগী লাংহৈ মপুং ওইখিএনা। কোরৌ থক্তা চীংউবা লাইয়াম্না খুন্থোক মপাংঙৈনে। সনামহি মালেম নোংকুম্না মালেম লৈশেম নুংশেমঙৈগী ৱানে। চীংউবা লাইয়াম খুন্থোক লাংহৈকোন্দি অনেম্বা মফমনে।

কোরৌ মপু শিদবগী লাংহৈকোন্দা, লৈমা শিদবীনা লাইরেন মকোক হালোইবী মতাইঙৈনে। শিদবীনা মগাইফমলেন্দা ইতাইরেন মওইরক্লে । লাইরেননুবী - ৭ (তরেৎ) না লৈমা শিদবীগী থৌগল থৌখায় মপুংয়াই মওইএ। কোরৌ হাল্লোই নুমিৎলোইদা লাইরেন্নুবী - ৭ না লৈমা শিদবীগী থৌখাই মপুংয়াই মতমঙৈনে। থৌখাই পুরিবা নুরাবী - ৭ কা শিদবীগী থৌশিনকোন লাংহৈজরে।

হেল্লোইবনা নুমিৎলোইদা পেনবী হৈবী লাইরেনবী লৈমা শিদবীনা মহায়এ। লাইরেন্নুবী হাল্লোইবী উমাসনা চীংজ্রোইবীদা। ইমাগী ইমোম ইবেম্মা, ইমা য়াৱা অমা মহায়কে হায়না মতকপিএ। শিদবীগী য়াৱাদি হোয়াদবা মঙমদবানা উমানা হোয়াজখিএ। লৈমা শিদবীনা উমাবু পেনবীদুনা থৌজান ইরিক ইতম্বীগে, নিংজবা অমা লৈমা ঐগী মফমদগী নিজৌও মহায়এ। উমানা মনুং মতম চারে খন্দুনা লৈমা শিদবীদা শারি ৱাশকহনখরে। শারি ৱাশক ঙাক্কনি হায়না লৈমনা উমাদা মতাইএ।

উমানা, লাইনিংথৌ সনামহিবু মনুংশিজৈএ। সনামহিদি মপুওইবনা থৌকাংদুনা মপুং ওইবা ঙমখিদেএ। মদু নোংগী য়াৱাবু হায়রগে হায়না খল্লক্লে। খোয়ুমগী পাউখোংবু ফোংলগে হায়বগীদমক, লৈমা শিদবীদা উমানা শারি ৱাশকখ্রে। লৈমা শিদবীনা মহায়এ, উমাবু য়েংনা হায়রে। অপাম্বা য়াৱা পুন্বা পীরগে হায়না তাকপীরে। উমানা মহায়এ, শিদবী ইমাগী মফমদা নমোম্না পামজবদি অতৈ অমা নৎতেএ, মালেম লৈশেম তুশেম খোংদোই ইতমখিবা সনামহিবু শিন্থা অমা পীবীয়ু হায়না হঙ্গৎচরে।

য়াৱাদি অসিনি, নপারিবু লৈশেম-তুশেম্বা লোইরবনিনা, মালেম নোংখোং কোইহনবীয়ু। পাখঙবসু য়াওহনবীয়ু। ইপন সলাই শিদবদা হঙ্গৎপীয়ু। পাখঙববু ইপনগী ফম্বাল শিন্নবীয়ু। সনামহিনা নোংখোঙ কোইবা লোইরদুনা ইরাংয়াইদা হনৱাইরকপদা অশাও-পরৈনবদো থৌশিন থৌদা শিন্নবদো, খোয়ুম চৈরাক ফংজবদো নমোমগী শরুক ওইজগে হায়না লৈমা শিদবীদা উমানা হঙ্গৎচখিএ।

উমাগী য়াৱা পুন্বা তাবদা লৈমা শিদবী করিনুংগী য়াৱানো হায়না পাইমা নুংদা খল্লক্লে। হায়দোকাখিবা য়াৱা ওইবনা লৈমা শিদবীনা উমাগী য়াৱা পুম্বা

থৌকাংলগে হায়না খল্লক্লে। লাইনিংথৌ সলাইরেন শিদবদা য়াৱা পুন্সা মশানৌরেন লৈমা শিদবীনা হঙ্গৎচরে। লৈমা শিদবীনা কোরৌ লাংহৈকোন্দা লাইরেম্বী - ৭ কা লোইননা চীংউবা থৌকাং লাংহৈ মপুংয়াই ইতমঙৈগী লাংহৈনে। লাইনিংথৌ সলাই শিদবনা থৌশিন-থৌদা পুন্সা পাংখরে। পাখঙবনা সলাই - ৭ কী ফম্বাল ফংজরে। লাইনিংথৌ সনামহি য়ুমশা - ৯ গী লাংহৈ মপু ওইখরে।

মালেমদা জিবা কয়া লাংদাই শিংদাইনরক্লে। মালেমদা লৈবা জিবা কয়াগী লাংদাই ইহুন তম্লবগী মালেম মপুংয়াই কয়াদা সনামহি লাংওন কয়া মপুথোকল্লে। সনামহিনা চীংউবা লাইয়াম পুন্সগী মমাংদা পাখঙবা ফম্বাল থৌশিনবু খোয়ুম কনাগী থৌশিন্নো, সনামহি ঐগী লাংওনবু খোয়ুম লাংদাই খঙহল্লগে হায়না অশাও পরৈ থাংলক্লে। মদু নোংবু মালেমদা লৈবা লাইয়াম পুন্সা উরক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা পাইমা নুংলোন্দা মতাইননা মখল্লক্লে। চীংউগী শিন্থারেন্দা তাইওন্নবা থৌশিন-থৌদারেন থৌওংবু থৌশিন্নবদি, খোয়ুম কনাগী থৌশিন- থৌদানো খঙগনিদো, খোয়ুম-শাথেং-শানথেংনলো করিগুম্বা লাইরেম্বী থৌশিন মওইরম্বদি তালোই ঐগী লৈপুন ওইগে - হায়না লাইনিংথৌ সনামহি মালেমদা লৈবা চীংউবা লাইয়াম পুন্সগী মাংওইননা খোয়ুম পাউতাক্লরক্লে। মালেমদা লৈবা লাইয়াম পুন্সনা করিগীম্বু থোক্লগবা হায়না অকি তুজুং পোক্লরক্লে। সনামহিগী খোন্থোক্লা কোরৌগী লাইয়াম পুন্সসু নাপ্পা চিক্লা মতারক্লে।

মপু ওইবা সনামহিনা আশাও পরৈ থাবদি মালেমদা লৈবা খোয়ুম লাইয়াম পুন্সা কোরৌদা নোংকারক্লগনি হায়না কোরৌ লাইয়াম পুন্সা ৱাতাই-শিংদাই ওইরক্লে। অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন্দা চীংউবা খুন্থোক তমলীবা, শায়োন-লাংওন মওইরেন লাইনিংথৌ সনামহিনা অনেম্বা মালেমদা খোন্থোক ইতমঙৈরেন মতাইরেন্দা, কোরৌ লাইওইবা উমাসনা চীংজ্রোইবী-লৈমা শিদবীনা অনেম্বা মালেমদা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা আশাও পরৈ থাংবা য়াৱা পুন্সা কোরৌ লাইয়াম্না তারদুনা লৈমা শিদবীনা মালেমলৈদা কুল্লগে হায়না মখল্লক্লে। উমা সনা চীংজ্রোইবীগা লোইননা অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন্দা খোঙদোই ইহুন ইতল্লক্লে।

উমা, লৈমা শিদবীগা অনিনা মালেমগী লাংহৈকোন্দা কোইনা লৈনা লাইনিংথৌ সনামহিবু থিরক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা মফম খঙদনা শাম্বী অশাও পরৈননা লাংদাই-শিংদাই ওইখিবনা লাংওন লাংদাইরেন ওইরক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈশেম তুশেমদুনা কোরৌগী চীংউবা লাইয়াম্না মালেমদা খুন্থোক মওইএনা। সনামহি মপুরেন্না লাইবু থৌখাই লিরেন পীরগে হায়বগী লাইকী লিচৎলোন কয়া লাংহৈ পাওশানরক্লে। সনামহিনা মালেমগী লাংহৈকোন্দো শায়োন-লাংওন পুন্সবু মালেম মমা শিদবী, লৈমালক্তা হেলোইবী উমাবুসু কোরৌদগী নোংকুমহন্দুনা লাইনিংথৌ সনামহিগী লাংওনবু মউহল্লে।

উমা সনা চীংজ্রোইবী-লৈমা শিদবী অনিনা মালেমগী মফম কয়াদা লাইনিংথৌ সনামহিগী লংওনবা খোয়ুম কয়াগী শকলোন কয়া উপা ফংজরে।

থৌকাংলগে হায়না খল্লক্লে। লাইনিংথৌ সলাইরেন শিদবদা য়াৱা পুল্বা মশানৌরেন লৈমা শিদবীনা হঙ্গৎচরে। লৈমা শিদবীনা কোরৌ লাংহৈকোন্দা লাইরেন্বী - ৭ কা লোইননা চীংউবা থৌকাং লাংহৈ মপুংয়াই ইতমঙৈগী লাংহৈনে। লাইনিংথৌ সলাই শিদবনা থৌশিন-থৌদা পুল্বা পাংখরে। পাখঙবনা সলাই - ৭ কী ফল্বাল ফংজরে। লাইনিংথৌ সনামহি য়ুমশা - ৯ গী লাংহৈ মপু ওইখরে।

মালেমদা জিবা কয়া লাংদাই শিংদাইন্নরক্লে। মালেমদা লৈবা জিবা কয়াগী লাংদাই ইহুন তম্লবগী মালেম মপুংয়াই কয়াদা সনামহি লাংওন কয়া মপুথোকল্লে। সনামহিনা চীংউবা লাইয়াম পুল্বগী মমাংদা পাখঙবা ফল্বাল থৌশিনবু খোয়ুম কনাগী থৌশিন্নো, সনামহি ঐগী লাংওনবু খোয়ুম লাংদাই খঙহল্লগে হায়না অশাও পরে থাংলক্লে। মদু নোংবু মালেমদা লৈবা লাইয়াম পুল্বা উরক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা পাইমা নুংলোন্দা মতাইননা মখল্লক্লে। চীংউগী শিন্থারেন্দা তাইওন্নবা থৌশিন-থৌদারেন থোওংবু থৌশিন্নবদি, খোয়ুম কনাগী থৌশিন- থৌদানো খঙগনিদো, খোয়ুম-পাথেং মানথেংনলো। কারিগুম্বা লাইরেন্বী থৌশিন মওইরন্বদি তালোই ঐগী লৈপুন ওইগে - হায়না লাইনিংথৌ সনামহি মালেমদা লৈবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বগী মাংওইননা খোয়ুম পাউতাক্লরক্লে। মালেমদা লৈবা লাইয়াম পুম্বনা কারিগীরু থোক্লগবা হায়না অকি তুজুং পোক্লরক্লে। সনামহিগী খোন্থোক্লা কোরৌগী লাইয়াম পুম্বসু নাপ্পা চিক্লা মতারক্লে।

মপু ওইবা সনামহিনা আশাও পরে থাবদি মালেমদা লৈবা খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা কোরৌদা নোংকারক্লগনি হায়না কোরৌ লাইয়াম পুম্বা ৱাতাই-শিংদাই ওইরক্লে। অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন্দা চীংউবা খুন্থোক তমলীবা, শায়োন-লাংওন মওইরেন লাইনিংথৌ সনামহিনা অনেম্বা মালেমদা খোন্থোক ইতমঙৈরেন মতাইরেন্দা, কোরৌ লাইওইবা উমাসনা চীংজ্রোইবী-লৈমা শিদবীনা অনেম্বা মালেমদা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা আশাও পরে থাংবা য়াৱা পুম্বা কোরৌ লাইয়াম্না তারদুনা লৈমা শিদবীনা মালেমলৈদা কুল্লগে হায়না মখল্লক্লে। উমা সনা চীংজ্রোইবীগা লোইননা অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন্দা খোঙদোই ইহুন ইতল্লক্লে।

উমা, লৈমা শিদবীগা অনিনা মালেমগী লাংহৈকোন্দা কোইনা লৈনা লাইনিংথৌ সনামহিবু থিরক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা মফম খঙদনা শাম্বী অশাও পরেননা লাংদাই-শিংদাই ওইখিবনা লাংওন লাংদাইরেন ওইরক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈশেম তুশেমদুনা কোরৌগী চীংউবা লাইয়াম্না মালেমদা খুন্থোক মওইএনা। সনামহি মপুরেন্না লাইবু থৌখাই লিরেন পীরগে হায়বগী লাইকী লিচৎলোন কয়া লাংহৈ পাওশানরক্লে। সনামহিনা মালেমগী লাংহৈকোন্দো শায়োন-লাংওন পুম্ববু মালেম মমা শিদবী, লৈমালক্তা হেলোইবী উমাবুসু কোরৌদগী নোংকুমহন্দুনা লাইনিংথৌ সনামহিগী লাংওনবু মউহল্লে।

উমা সনা চীংজ্রোইবী-লৈমা শিদবী অনিনা মালেমগী মফম কয়াদা লাইনিংথৌ সনামহিগী লংওনবা খোয়ুম কয়াগী শকলোন কয়া উপা ফংজরে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা কোরৌ মালেম্সু লাংদাই শিংদাইননা লাংওন মতম্লক্লে। জিবা কয়াবু মালেমদা হিংজবা ঙম্লবা থৌকাংলক্লে। জিবাশিংগী চিঙাক মালেমদা কয়া মশিং লাংঙমদনা মপু ওইবা সনামহিনা মপুথোকপীরে। লাই ওইবা মপুরেন শিদবগী লাংহৈকোন অনেম্বা মালেমদা সনামহি লাংওন তম্লক্লে। লাইজা ইরোন্নুংদা খোয়ুম লাংওন মীতম লাংদাইরে।

মশিং লাংঙমদ্রবা জিবা কয়া মালেমদা মপু ওইবা সনামহিনা মপুথোক্লে। লাইখোং কয়াদা লৈবা জিবা কয়াবু ইবুংঙোনা মপুথোক্লে। লৈরাং কয়া মশিং লাংঙমদনা, লৈরাং কয়া মালেমদা লৈশাৎ তমহনখ্রে। মপুরেন শিদবগী লাংহৈকোন দা সনামহিনা মালেমদা লৈবা জিবা কয়া মপুথোক্লা লাংদাই শিংদাইরক্লে। চকশিংকোন্দি, লাংবা-কোনবা চকলোন্নি। লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমগী লাংহৈকোন চীং-পাৎ তুরেন-খোং কয়াদা চাকতারিবা জিবা কয়াবু মালেমদা হিংজনবা থৌশিন-থৌখাইসে মপুথোক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমদা লাংওন-শায়োন কয়া তমখ্রবদা উমা সনা চীংজ্রোইবী, লৈমা শিদবী অনিনা লাইনিংথৌ সনামহিবু মালেমগী মফম কয়াদা থিবা খঙলক্ত্রে। লেপ্পা কৌবা লৈতনা মালেমগী মফম কয়াদা কোইনা-লৈনা চৎতুনা অসুম অসুম থিরকপা, মালেমদা লৈরিবা লাংওন কয়াগী মফমদা সনামহিগী খোঙ্গুল লিবা খঙলকলে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা, শিদবী ইমানা, উমানা থিরি হায়বদি মখঙএ। খোয়ুম শায়োংপা নংতেএ। সনামহি লাংওন, নপারিগী থৌঙম শিঙ্খাবু মমা ওইবীদা খঙহনজগে হায়বগীদমক সনামহি লাংওন তাকপনে। সনামহিনা লাইসুলোন থৌলাই পুংথোইরে। নুমিৎ থাগী থৌসুরেন, লাইনিংথৌ সনামহিনা লাইয়াম নাদম খিহলোন - ১৮ লাংহৈবা পেসু-পেনাই পেনঙম্বা পেনা নাহুইরোন মপুথোক্লে।

মালেমদা লৈপা লাই, তিন, জিবা কয়াবু সুমহৎএ। পেনা লিরোন্দি খরোবা লাইনা থৌপুইএ। সনামহিনা লৈনুংলোন খরোবদা পেন্না শিন্নেএ। লাইনিংথৌ সনামহিনা পেনা নাহুইরবদা মালেমদা লৈপা লাই পুম্বনা নাহুই পেনাবু শিন্নবিরো মহায়রবদা, সনামহিনা চীংউবা লাইয়াম্বু য়েংনা হাইএ। মালেমদা লৈবা লাই পুম্বাদা, সনামহি লাংপুম লাই পেনাবু শিন্নগনিএ মহাইএ।

লাইনিংথৌ সনামহিগী মালেমদা লৈপা চীংউবা লাইয়াম পুম্বা তাকপীয়ু। লাইয়াম পুম্বনা ফম্বাল লাংবা মতমলেন্দা পেনা অসৈরেম্বা লৈনুংলোন খরোপনা, মশিং লাংঙমদনা লাই ওইবা কয়াবু পেনা থৌগল থৌখাই পাংজবা ওইজরো হায়না মপু ওইবা সনামহিনা মালেমগী লাইয়ামদা মহায়এ। খঙহৌদনা লাইয়ামগা সনামহিগা শঙদাইদা, উমা লৈমা শিদবী অনিনা খোঙদোই ইহুন তমদুনা লাকএ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈমা শিদবীদা কোকনোঞ্জেএ। লৈমা শিদবীনা মহায়এ। পারিনা করি নিংবা থুংদবগী মালেমদা লাংওন তম্বনো মহৎএ। উমানা সনামহিদা কোকনোঞ্জেএ। পুম্নমক খঙনা উদা লৈতবা সনামহিনা উমাবু লৈমা শিদবী ইমারেনগী মাব্রা ইনজদুনা সনামহি উমাসনা অনি মরাল লুহোংতমখি। সনামহি য়ুমজংখি।

ꯌꯥꯡꯕꯤ ꯊꯧꯁꯨ ꯄꯦꯅꯥ

য়াংবী থৌসু পেনা

পেনা কয়াম্বা পোংশক্লো ?

হৈয়ি চকলোন কোরৌরেন, হয়া চকলেন মালেম, লৈশেমকোন লাংবা চকলোন চীংউবা খুন্থোকলোন কোনবা চকশিংকোন লাংদাইরেন, লাংবা কোনবা চকলোন্নি। লাইনিংথৌ সনামহিনা অনেম্বা মালেমদা খুন্থোকখৈংগী ৱানে। লাইনিংথৌনা মশানৌরেন লাই ওইবা পাখঙববু য়েংনা মহায়রক্লে। ইশানৌরেন পাখঙব-ও, চকশিংকোন লাংহৈ মপুংয়াই মওইরক্লে। অনেম্বা মালেমদা লাংওন তন্নীবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বগী থৌশিল-থৌদাকোন ইতম পুংকোই লাংহৈরে।

য়েক - ৭, সলাই - ৯ গী পোকলেম্বা-পোকলেম্বী পুম্ববু খোয়ুম মীকপ থোকখরে। নমু পোং সলাই চাশিংসু লাংহৈ পাউশানখ্রে। কংলৈ পুংকোই ওইরক্লে। হালোইবা কংলা পুংময়োন - চীংউবা লাইয়াম ফম্বাল ইতম থৌখাইরেন মপাংলগে মহায়রক্লে। কংলাগী লাইফমলেন, লাইফমথেন চুকখোঙ-লাংখোং সুমলেন পুবা খোইয়ুমশিং পুম্বা ইয়াম্বনা ইশানৌতোন্দা লাই অমা চীংথদনা মহায়রকে।

শানৌতোন ফম্বাল লাংবা চকশিংকোন ওইরক্লে। য়াইওইবা কংলা ফম্বালকোন মশক তাক্লককে হায়না মশানৌতোন লাই পাখঙবদা সনামহিনা মহায়এ। মশানৌতোন লাই ওইবা পাখঙবনা ময়াম্বুংলেন সনামহিদা কোকনোঞ্জনা হায়জরক্লে। য়াম্বুংগী থৌজাল মীৎয়েংনা সনানৌনা কংলা য়েক - ৭ কী ফম্বাল ফংজবনি। পুম্নমকসু শেম্বীবনি। খঙদা উদা লৈতবা মালেমগী মফম কয়াদা লাংওন শায়োন মতম্নীবা য়াম্বুংনি।

মশানৌতোনগী নুংশি য়াৱারেন তাবদা সনামহিনা পাইম্বা নুংলোন্দা পেনজখি। তারো ইশানৌতোন পাখঙব-ও, কংলা নোংপোক-নোংচুপ, খা-ৱাং মরমখৈরেন্দা লৈপা লাই ১৪০ গী লাইশক, লাইনিংগী ইতুংফম ফম্বাল ৱাপু মহায়কে। কংলা শাখাইরেন - ৫ (মঙা) গী লাইসু হিরেন পোং খাগী শঙ্গোং মরমদি, থাংজিং কোইরেন লাইগী চুকলেন্নি। লাই ওইপা - ৩৩ না চুপলেন-চুপখোঙ তাইদুনা লৈবনে। চীংউবা মতিক-ময়াই হেলোইবা খোয়ুম থৌপুরেন্নি।

ইশানৌরেন ময়েংদুনা মউহৌরো, কংলাগী চীংখৈরেন পাংবা মরম খৈরেন্দা উপা লাইফমলেন্দি, - মার থাংমাই হাল্লোইবা সুমলেন পুংকোই মপুনে। লাইওবীদি হুমুনে। লাইতিন পুংকোইনা লাইওইপা-লাইওইপী কয়া লৈপনে। সলাইকোনগী ইকোন্নে। শিদবগী লাংহৈকোন্নে।

খোয়ুম মতিক ময়াই, হেল্লোইপা লাইশিংনে মখঙওদো ইশানৌতোন পাখঙব-ও। কংলাগী চীংখৈরেন্দা লৈপনে। কংলাগী মৈরম খৈরেন্দা লৈপা

লাইশিংকী ফম্বালকোন ৱাপু ইনুং পুংলেন্না মহায়কে। মৈরমলেন্দি কংলাদা লৈপা লাইদি ৱাংপু হালোইবা চুমলেন পুপা লাইনে। লাইওইপা লাইরেম্বা-লাইরেম্বী লাই - ৪১ না থৌখাইরেন পুংকোই পুপা লাইনে। চীংউপা মতিক-ময়াই হেলোইরেনপনে খঙও। খোয়ুমগী লাংওন লাংদাই মপুংয়াই ইতম্বনে।

অসিনসু মদোমদে, কংলাগী উরিবা অৱাংখমলেন লাইজিংকোন ওইরিবা মফমলেন্দা লৈঙাক সুমলেন পুপা লাইতি কৌপা হালোইবা লাইনে। চীংউবা লাই ওঁইপদি খোয়ুম - ২৪ না থৌপুরেন লাইওইপা কংলা অৱাংখমলেন্দা লৈএ। হিপু-লাইপু মতিক ময়াই হেনবা লাইনি খঙএ। থেনসু চীংসু পালোইপনে, নুংপু-পানবু উপা লাইনে। অসি মরম খিবিক্তি কংলাদা লৈবনে।

কংলা মেনখোঙ লাইখোঙদা পুবা লাইতি মশানা ফম্বাল লৈপনে খঙ-ও। য়েৎ-ওইপনা ইপন সলাই শিদবগী লেংদবা ফম্বালনে। ওই ওই ফম্বাল লাংপানা শিদবী ইমাগী লাংহৈকোন ফম্বালতি মতিক ময়াই হেলোইপা লাইনে। কোরৌ মালেম ত্তিনতাই লাইতাইপনে। মালেমপু লাংহৈপা, কোরৌ অৱাংবদগী নোংকুম তম্বনে। অনেম্বা মালেমদি লাংদাইকোননে।

মশানৌতোন লাই ওইপা পাখঙবদা সনামহিনা কংলাগী লাইফম - ১৪০ মতাকএ। লাইফম-তিনফম পুন্বা মহাইএ। মশানৌতোন্না লাইনিংথৌ সনামহিদা কোকনোঞ্জনা মহাইএ। পুন্বা লাইফম ইয়াম্বুংগী থৌশিন-থৌদাদগী খঙজবা ঙমজরে হায়না কোকনোঞ্জনা সনামহিদা লাংহৈনরক্লে মশানৌতোনগী য়াৱা তাবদা পেনবী হৈপা সনামহিনা মশানৌপু খোয়ুম থৌখাইরেন ফম্বাল পীকে হায়রক্লে। কংলাগী লাই পুন্বা কৌএ সনামহিনা। লাইনিংথৌ সনামহিগী খোস্থোক তাবদা লাইয়াম পুন্বা কংলাদগী মীৎপাংএ।

চীংউপা লাইয়াম পুন্বনা লাইনিংথৌ সনামহিদা কোকনোঞ্জনা হঙগৎচৈএ। লাংহৈকোন চকশিং লাংবা কোন্না চকনে। লাইয়াম্বু য়েংনা মহাইএনা লাইনিংথৌ সনামহিনা, কংলা লাইওইপা পুন্বা, খোয়ুম শিন্থা পাংপিরো মহাইএ। লাইনিংথৌ সনামহিনা মশানৌতোন্দা কংলাদা লৈপা লাই ১৪০ গী থেলোন পুন্বা মতাকপীরম্লগা, লাইকী লাইয়ুম মীগী মীয়ুম শাননবা, য়ুমশারোন তম্নবা, লাইনিংথৌ-মাপনগা লোইননা কংলাগী অৱাং খমলেন্দা খোংদোই ইহুন তমখরে।

লাইয়ামকা লোইননা অৱাং পাংনা ইতম্লকপনা, চীরিক খোংসু চিংমাইথেন্দা উয়ান শিন্থা লাইপুংথৌ - ৯ গা লোইননা মপাংখিএ। লাইওইপা কয়ানা থৌসু খোঙলৈ পাইতুনা চীরিককোন্দা হৌপা উরেন-উজাও কয়াবু য়ান দুনা চীংউ লাইগী উয়ালোন মপাংখিএ। লাইয়াম্না পাংপা উয়ানলোন শিন্থাপু লাইনিংথৌ সনামহিনা মতাইএ। লাইনা-শিন্থা লাংএ, উয়ান তমএ।

চীংউ উয়ান শিন্থা পাংপতা উরাওখোন তাইএ। লাইপুংথৌসুবা লাইনা মপু ওইপা সনামহিদা হঙ্গৎচরে। করি নুংকী উয়ানকোন্দা খোস্থোক অসি

লাংহৈপনো হায়পতা, উথাওকোন্দা লাইগী লাংদাই করি নুংকিনো মহায়এ। লাইনিংথৌ সনামহিনা, উয়ানকোন তল্লীবা লাইপু য়েংনা মতাইননা মহায়পিএ। চকশিংকোন-লাংশিংকোন্দা খোয়ুম লাইনা লাংওনপা লাই ওইপা পেন্না লাইহুই লাংপুম ইতমখিএ।

খোই লাইওইপা পেন্নাগী লিরেন চৈপু ইপন সলাই শিতপনা উরেন উজাও উকাথক্তা লাইপুরেন লাই ১০ পু ফাজিন্দুনা থমখিএ। লাই ওইপা - ১০ না ফিগাওনুংতা লৈখিএ। লাই- ১০ কী ফিগাওনুংদা লৈপকী খোন্থোকপু লাইনা মতাইএ। অসি নোংকী য়াৱা লৈপনা উয়ানকোন্দা খোয়ুম -১০ না খোন্থোক তম্ববু মউরেন ওইপা পামমেন্না খুমজবনে।

(মালেমগী) পেনাতি অতে করি নৎতেএ - পাম্মেন্না মালেমদা হৌপগা পাংখকনে। পাম্মেন্না মালেমগী মফম কয়ানা শিনপা থুংনা হৌপতি, পেনাগী খোন্থোক্কা উয়ানকোন্দা নিলবনে। নুংসু পান্নে - পানসু নুংনে - হায়না লাইনিংথৌ সনামহিনা লাইপুংথৌ - ৯ দা মহাইপিরে। পেনাগী লিরেন করিনো হায়পা মশক তাকপিখিএ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা লাইয়ামবু য়েংনা মহায়এ। তারো চীংউবা লাইয়ামশা, নখোয়গী শিন্থা লাংহৈদো মপুংলেন লাংহৈ মওইরে। উরা-উজাও পুন্বা য়াংবী ইরেন খোংদা থাদদুনা উয়াম মতাওহল্লগে মহায়ক্লে। চীংউবা লাইয়াম্না চিরিক কোন্দগী উশিং পুন্বা চিংথদুনা মপুনশিল্লে। ইরেন খোঙদা থাদরে। লাইয়াম পুন্বনা উঙাম মথক্তা তোংলে, হিয়াং-হিরেনগুম্না উঙাম তাওথরকপা হৌরক্লে। লাইয়াম পুন্বা হরাও মথোই কারক্লে।

উঙামনা অসুম অসুম খা পাংনা চেন্থরকপনা ইরেনখোংদি খোংসু খোং, লাই অৱাংবগী মমোমলোই - ৭ না ইচিংকোন হৌরক্লে। লাইরেন নুবী - ৭ না থারিবা ঈন অদু উঙাম্না ননথেক্কুনা হঙ্গেন পৌরা পুন্বা লোইনা থুদেকলল্লগা উঙাম লাম্থোকখি। লাই নুরা - ৭ না লাইপুংথৌ - ৯ বু য়েংনা হায়খি।

লাইরেন্বী - ৭ কী হঙ্গেন পৌরা থুদেকখিবদি, লাইনিংথৌরেন - ৯ না পূরিবা উঙাম অদুগী থৌসুবা লাইরেন থৌখাই পাংহৈদবা ওইরসনু হায়না লাই নুরাবী - ৭ না শারি ৱাশক্লা লাইপুংথৌ - ৯ দা খোন্থোক তমহনখি।

লাইপুংথৌ - ৯ গা লাইনিংথৌ সনামহিগা লোইননা উঙাম অসুম তাওথরকপনা চাওখোঙ হিদেন মরিন্দা অসুম অসুম লাকপা কংলৈ পুংকোইরেন য়ৌরক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা পুরকলিবা মশিং লাংঙমদ্রবা উঙাম পুন্বা লাইপুংথৌ - ৯ গা ইরেন খোঙ অদুদা ৱাংলেন মীংকুপ থরদং থামখি। থামখিবা মফম অদুদা মশানৌ লাইওইবা পাখঙবনা ময়াম্লুং সনামহিবু ঙাইদুনা লৈখি।

ময়াম্লুং সনামহিনা মশানৌনা ঙাইরমলিবা মফমলেন অদুনা ফমদেংদুনা অৱা পোৎথাখিএ। লাইবুংথৌ - ৯ না থৌগল তৌজখি। সনামহি পাখঙবা মচিন-মনাও অনিনা অৱা পোৎথানখিবা মফমলেন অদুদা, তোকপা কান্বা লাংওন

তমথিএ। মফম অদুদা মাংবা য়াদ্রবা সলাই - ৭ কী উপান লিংথি। লাইনিংথৌ সনামহি পাখঙবা অনিনা লাইপুংথৌ - ৯ দা লাইগী লিরেন চৎনরোন তন্থীখিএ। তোকপগা কান্বগা অনিনা চোং ফন্দুনা মশান্নৈএ। লাইয়াম্না য়েন ওন্দুনা চেনখিএ। লাইগী য়েননি চাফদে, য়েনখোং ফংতে চাশিল্লু, অশেংববু য়োখৎলু, অমাংববু মাংহল্লু, হায়বা খোলাও অসি লাংদাইএ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মশানৌ লাই পাখঙবগা লোইননা লাইপুংথৌ - ৯ গা তুং ইন্দুনা কংলা পুংকোইদা উঙাম পুশিনখরে। চীংউবা লাইয়ামগা লোইননা লাইনিংথৌ সনামহিনা লাইয়াম শাবা হৌরক্লে। য়ুমশারোল - ৯ পুরক্লে। মীয়ুম লাইয়ুম খাইখরে। লাইয়ুম য়াংবী ইতমলে। চীংউবা লাইয়াম পুন্না হরাও মথোই কাজরে। মাশিং লাংঙমদবা লাইনিংথৌ সনামহি য়ুশারোল কয়াৎ-৯ মপুথোকএ, লাইফমলেন য়াথোংনরে।

ৱাঙুরোন

য়াংবী থৌসু পেনা নুংলোন ৱাঙুরোন্না পিরিএ। পুক্লিংনা নিংজবা মীয়ামগী থৌপাংলোইদা করি করম্না থৌপাং মহে য়ানগদগে হায়না থৌশিন মাংওইনা থৌপাংলিবা মপু ওইবা লাই সনামহিনা মালেমগী লাংহৈকোন্দগী উয়ান তমদুনা কংলৈ পুংকোইদা চীংউপা লাইয়ামগা লোইননা মপুরল্লবদা, উয়ানকোনগী উশিংনা লাইগী লাইয়ুম শাদুনা মালেমদা খোয়ুম লাইগী লাইয়ুমথেন লিংবা হৌথি। থৌশিল মপু ওইবনা মালেম লৈশেমকোনগী লাইয়ামবু কৌথতুনা অমত্তা ওইনা থৌপাংমিন্দুনা, লাইয়ুম মপুং ফাদুনা চীংউপা লাইয়ামনা লাইয়ামবু উজরগা হরাও মথোই কাজখি। মসি নোংগী নুংলোন ৱাবু য়াংবী থৌসু পেনা ৱাঙুরোন্না পীরি।

শিংথাইরোন পেনা

চৈজিং থাবু করি কৌবগে ?

হয়ি চক্কী লাংহৈকোন, কোরৌগীদি লাংদাইরেন। শিদবা মপুগী লাংহৈকোন, ইপুরোইদি শিদবনা হয়ি লাংহৈঙৈদা কোরৌগী লাইয়াম পুম্নবু য়াইবীলোক্কী লাংহৈকোন্দগী লাইয়াম পুম্নগী লাংদাইরেন মওইঙৈগী ৱানে। ৱাসু-থৌসু হেলোইঙৈগী ৱানে। শিদবা মপুরোই ইপুরোইনা কোরৌহনবা থাওইনবা অনিবু মপুথোক, নোংদমখোংলোইবা লাইবু মীৎপাংহনখিএ। লাইনিংথৌ সোরারেন- লৈমা শিদবী অনি মপুথোকএনা। মশিং লাংঙমদ্রবা চীংউবা ফম্বাল তাইবা খোয়ুম কয়া কোরৌথক্তা লাংদাইকোন মওইরক্লে।

লাই ওইবা কয়ানা কোরৌথক্তা লাংহৈ সুরেন লাংদাই পুংকোইরেন ইতমঙৈগী ৱানে। শিদবা মপু ওইরীবা ইপুরোইনা চীংউবা লাইয়াম পুম্নবু খোয়ুম শিন্থা মপিঙৈগী য়াৱানে। লাইপু হেলোই মতমঙৈনে। ফম্বাল মপু শিদবীনা কোরৌথক্তা লাইগী থৌশিন মঙমলেন ইতাইরক্লে। লাইনিংথৌরেনবা, লাইরেন্নুবী হেলোইবী মশিং লাংঙমদ্রবা লাইয়ামগা ইপুরোই শিদবা মপুগা লোইননা খোয়ুম লাইগী থৌশিন-থৌদা কয়া মপাংলক্লে। কোরৌদা লৈপা খোয়ুম কয়ানা মপুগী থৌশিন কয়া ইঞ্জরম্মী।

লাইনিংথৌ সোরারেন- লৈমা শিদবী অনিনা সোরারেনগী শঙকাইরেন্দা, শিংকুম- চৈশিং কয়া ইরাৎ থৌনি কয়া পাংজরম্মী। করি নুংগী থৌখাইরেন্নো হায়না কোরৌ লাইয়াম্না মহংজেএ। কোরৌ লাইয়ামগী মফমদা মহাইএ। করি নুংগী য়াৱা নহিৎতিএ, পারি ইমোম্নু পীবিয়ু হায়না শিদবা ইপুরোইদা থৌখাই মাবু পাংজবনে হায়না লাইনিংথৌ সোরারেন্না খুমজখি। চীংউ লাইনা সোরারেনগী থৌখাইবু খঙজখিএ।

নিংজবা লাংহৈ ওইরিবা লাইনিংথৌ সোরারেন্না ঈরাৎ- থৌনি, লৈমা শিদবী অনিগা লোইননা থৌখাই অসুম পাংলকপনা মপু ওইবা শিদবা ইপুরোইনা সোরারেন- লৈমারেন অনিগী মগাইফমদা লাক্কুনা মহাইএ, করি নুংগী শিদবা ঐবু ইরাৎ থৌখাই পাংবদি, লৈমা সোরারেন নখোয় অনিগী নিংজবা করি লৈবগে হায়না হংলক্লে। লৈমা শিদবী সোরারেন অনিনা খুমজখিএ। ইপুরোইবু ইরাৎ- থৌনি পাংজবদি অতৈ অমা নত্তেএ, খোয়ুম ঐগী লাংওন্দা লাংদাই মপুং ওইঙমদবা, পারি নোংদম্বীয়ু হায়জগে হায়বগী মপুবু ইরাৎ থৌনি পাংজবনি হায়না হঙ্গৎচরে।

সোরারেন- লৈমারেন শিদবী অনিগী য়াৱা মপাও তাবদা মপুরেন শিদবনা পেনবীদুনা য়াৱা অসুম মহায়রক্লে। তারো সোরারেন- লৈমা শিদবী অনিমক, নখোয় অনিনা সোরারেন নঙগী নগাইফমদা ফুহিং অমা নুমিৎ শিংগুম

- হুমনি ঈরাৎলো। হুমনি শুবা নুমিৎতা নপারি অমা পীগে হায়না শিদবা মপুনা লৈমা সোরারেন অনিদা থৌজান মীৎয়েং কুবীরবদা লৈমা সোরারেন অনিদো হরাও মথোই কাজরে।

সোরারেনগী শঙ্গাইনুংদা ফুহিং ঈরাৎ হৌরক্লে। খঙহৌদনা শিদবগী লাংহৈকোন্দগী লাইনিংথৌ সোরারেনগী শঙ্গাইনুংদা হুমনি সুবা নুমিৎতা নৱা ওইনা লাইনিংথৌ সনামহি শাফোঙলে। সনা মচুনা নুংলোন মওইএ হায়বগী সনামহি কৌএ। ঙৌরেনবা চরৈ থোল্লি হায়বগী ঙৌবরেন হায়না কোলোইরে। লাইনিংথৌ সোরারেন- লৈমা শিদবী অনিনা মপারি সনামহি ফংজরবদা চীংউবা লাইয়াম পুম্বগী মমাংদা হরাও-মথোই কাজবা। মপারিবু উজবদা লাইগী লৈপাক ওইরিবা লাইরমলেন্দা হেলোই ফম্বাল ফংজদুনা লাইনিংথৌ সোরারেনগী মগাইরেন পুংকোই মওইখিএনা ।

লাইনিংথৌ সোরারেন্না মপারি সনামহিবু খোয়ুম নাওকোন তমজরকপা লাংহৈ মপুংয়াই ওইরক্লে। নোংদম্বগী নোংদমখোংদগী লৈমা শিদবীগী পীবুকনুংদা খোয়ুম লাংওন মীতমলেন মওইরক্লে। থাজা - ১ দগী থাজা - ৫, থাজা - ৫ দগী থাজা ১০ লাংহৈ ওইদুনা লৈমা শিদবীগী পীবুকনুংগী সোরারেনগী মপারিতোন অমা ফংজবদা, কোরৌ লাইয়াম পুম্বনা হরাও-মথোই কাজরে।

লৈমা শিদবীগী মপারি শিংখোং অনি মশুরক্লবদা, পলেম মমা ওইরিবী, মচিন-মনাও ওইববু ফংজবদি লাংহৈ মাগী লাংহৈদা মপুংয়াই মওইরে হায়না পাইমা নুংদা খল্লক্লে। লৈমা শিদবীনা মপারি শিংখোং অনিবু চাওবা শারেপ ফানবা চাওয়োক-নাওয়োক তল্লক্লে। নুমিৎ থাগী শাওং মওইরেন্দি, সনামহি-কোনজিন তুকথবনি। লাইগী লৈপাক ওইরিবা কোরৌগীদি লাংহৈকোন্দা লাংওন-লাংদাই মওইরক্লে। চান-চিন্না লাংহৈনা মচিন-মনাও অনিনা লাংদাই-শিংদাই মতল্লক্লে।

লাইনিংথৌ সোরারেনগী শঙগাইনুংদা, কোরৌগী লাংহৈকোন্দা মপারি শিংখোং অনিবু চাওয়োক নাওয়োক তল্লকপ্পা চাওবা শারেপ ফারক্লে। খোয়ুমগী শিন্থা মপুংয়াই তমখরে । লৈমা শিদবীগী মগাইরেন্দা থৌগনলিবী লাইরেনবী - ৭ কী লাংহৈকোন মতল্লক্লে। লৈমা মতমঙৌনে। লাইরেন নুবী - ৭ না লৈমা শিদবীবু থৌগল ফংজরকপা কুমজা চৈচং লাংহৈনরক্লে।

লৈমা শিদবীগী থৌগললোম্বী লাইরেন নুবী - ৭ কী লুচিংবীদি উমানি। মপু শিদবগী লাংহৈকোন্দা খোয়ুমগী লাংদাই ওইরিবদি লৈমা উমালে। উমাগা লাইনিংথৌ সনামহিগা অনিনা লাংদাইকোন মতাইনা মালেমগী মপুংয়াই ওইরো হায়না শিদবা ইপুরোইগী লাংহৈ ওইখিবনা, খোয়ুমগী লাংহৈকোন লাংদাইরক্লে। মগাইরেন্দা শিদবীগী থৌগল্লোম্বী উমানা লাংওন অমা তমলক্লে। কোরৌনা হেলোইবা নুমিৎলোইদা লাইনিংথৌ সনামহিগী শকলোন লৌদুনা খোয়ুমগী শিন্থা মপাংঙৌনে।

সনামহি লাংওন লাংদাইরেন, শিন্থারেন্দি কোরৌদা, মপুরেনবী উমানা,

লাংওন মতমলগে হায়দুনা লৈমা শিদবীগী মনাইরেন অচানবী লাংওন তমখি। উমানা সনামহি লাংওনফমদা, মপু ওইরিবা সলাইনা চংলক্লুনা শিঙ্খা মাবু পাংগে হায়না লাংহৈনরকপদা, উমানা লাংওনবা সনামহি অদু মপুরেন সনামহিনা মউরক্লে। মদু নোংগী লাংওনবা উবদা করিনুংগী লাংওন তম্বনো হায়না মপুরেন সনামহিনা পাইমা নুংদা খল্লক্লে।

উমানা লাংওনবা সনামহিবু য়েংনা মপু লাই শিদবা সনামহিনা মহায়এ। খোয়ুম কনাগী লাংওনবনো, সনামহি ঐগী শিঙ্খাবু খোয়ুম তেংপাংবিরীবা, য়াবা অসি মহায়রবদা উমানা লাংওনবা সনামহিনি হায়না খুমজখিএ। হয়েং মপোক লাংওন অমদা শাফোঙনা চীংউবা লাইয়াম পুম্বদা লাংদাই পাউহংবগী পাউখুমজগে মহায়এ। খোয়ুমগী লাংদাইদা লাংওন মাদি সনামহি মীংকৌনা, নুমিৎ থাগী শাওংনি। চৈজিং থাবু মকৌগনিএ হায়না উমানা সনামহিদা হঙ্গৎচখিএ।

উমাগী য়াবারেন তাবদা লাইনিংথৌ সনামহিনা পেনাগী লাইহুইরেন পুম্বা মখঙলক্লে। সনামহিনা উমাগী লাংওন লাংদাই পুম্বা খঙলক্লবদা লাইরেম্বী শাইয়োন্না মালেমদা লাংদাই-শিংদাই ওইবদি করি নুংগী লাংহৈ লাংদাইনো হায়না লাইনিংথৌ সনামহিনা পাইমা নুংলোন্দা খললক্লে। উমা লাইওইবীবু য়েংনা মহায়রে। চৈজিং থা অনিদি অমত্তা ওইবা লাংহৈনি। লাংহৈ অসিগী লাংদাইরেন্দি, চকশিংকোন লাংবা কোন্না চকলোন্দা খোইয়ুম ঐগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই শাফোঙ ইতম্না মালেম্বু লাংহৈরেন মওইরে। মতমনি হায়বা লাইনিংথৌনা উমাদা মতাইখিএ।

লাইনিংথৌনা উমাবু য়েংনা মহায়এ। খোইবু লাইরেম্বী শকলোন লাংওন অদুনা অসুম লাংদাইকোন ওইবদি, লাইরেম্বী লিরেন মাংখিগনি। নহনফমদা হঞ্জিন্না ইশাদা লাংদাইরশি হায়না সনামহিনা উমা লাইরেম্বীদা মহায়রল্লবদা, উমানা সনামহিগী লাংওন্দা লৈরম্বা পুম্ববু হঞ্জিনখিএ। উমা সনা চীংজ্রোইবীগী লাংওন্দা হঞ্জিনখিএ। উমানা চকশিংকোন্দা লাক্কদবা লাংওন পুম্বা লাইনিংথৌ সনামহিদা হঙ্গৎচখিএ। লাইনিংথৌ সনামহিদা উমানা খুবাক চাংজৌ লৈতানা কোকনোঙ্গরম্লগা, শিদবী- লৈমগী মগাইফমদা হঞ্জিনখি। লৈমা শিদবীগী উমানা থৌগল ফংজখিএ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা লাংওন লাংদাই পুম্বা খংলক্লবদা নুংজোন য়াইদা লৈবা ঙমখিদরে। লাইনিংথৌ সনামহি পারোন লাংওন তম্লগে হায়না পাইমা নুংদা খল্লক্লে। মপন পল্লৌ সলাই শিদবনা মপারি শিংখোং অহল সনামহিবু মকৌনা খোয়ুম শিঙ্খা মপিরক্লে। পারি ইবুংঙো সনামহি, খৌজিক্তি, চকশিংকোন লাংহৈ মপুং ওইরবনিনা অনেম্বা মালেমদা নোংকুমদুনা মালেম লৈশেম নুংশেম্বা মওইরো হায়না শিঙ্খা পিরক্লবদা সনামহিনা মপনগী য়াম্রাবু ইঞ্জেদুনা খোয়ুম শিঙ্খা পাংলগে হায়না পল্লক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা অনেম্বা মালেমদা নোংকুপ্লক্লে। মৈ তরং, ঈশিং তরং, নুংশিং তরং ওইদুনা অনেম্বা মালেমদা সনামহি লাংওন তমদুনা মালেম্বু লৈশেন্বা হৌরক্লে। মালেমদা লৈবা ঈশিং, নুংশিং, মৈ অহুম্মা ইতিন্দুনা তরং লাইজা ইৰাইনা চৈচৎ কয়া লাংহৈনা সনামহিনা মালেম্বু লৈশেন্বা হৌরক্লে।

ৰাঙুরোন

শিংখাইরোন পেনাগী নুংলোন ৰাদি, হায়দোকখিবা অচেৎপা ৰাখলবু থৌরম থৌদা পাংথোকতুনা পোৎশক ওইনা উৎতুনা ফোঙদোকপা মপুং ফাবা থৌরমলোনবু শিংখাইরোন পেনাগী থৌখাই মপুংনি হায়না পীরি। পাক চাওবা মফমলেন অমদা করিগুম্বা ওইথোকপা য়াবা থৌওং ওইনা পুথোক্তুনা তাকপাবুসু পেনা শিংখাইনা ময়েক সেংনা পীরি। লাইনিংথৌ সনামহিনা মপল পন্থৌগী য়াৰাবু কাইদনা থৌপাংজগে হায়না নুংলোন্দা অচেৎপা লৈখিবনা, পাক্লবা লাইজা ঈশিংনা ঈমাইচোলবা মালেমবু নিংথিরবা লাইগী লৈপাক অমা ওইনা লৈশেমদুনা, মালেমদা লৈবা লাইশিংদা শিনজখি। সনামহিনা খঞ্জখিবা পাংথোকচগে হায়না নিংজখিববু শিংখাইরোন পেনাগী লিথাং ওই হায়বতি মখাদা লোইনজবা থৌপাঙবা ঙম্বা মতিক ময়াই অদু মালেমদা শিনদুনা থৌরম ১০০০ থোকনা মালেমবু উবা ফংনবা লাইজনুংগী লৈশা পুখৎতুনা অনেম্বা মালেম্বু লৈশেমকোন মহৈ য়ানখি। অরেপ্পা ৰাখল্লোন মাং থাদুনা থৌপাংলগা থৌওনবগী থৌশিনকোন অপুনবা অমত্তদা লেপ্পুনা থৌসু মঙম পাংদুনা থৌসুরেন মহৈ য়ানখিববু, শিংখাইরেন পেনা লিরেনগী নুংলোন ৰাঙুরোন্না অসুম্মা ৰাখনলোন কয়ানা অমৎতদা পুন্দুনা থৌপাং মহৈ য়ানববু শিংখাইরোন পেনানা পীরি।

ꯌꯦꯜꯍꯧꯒꯤ ꯃꯆꯥꯛ

নাহুইরোল পেনা

করম্না পেনা ওইরকখি ?

চকশিংকোনগী লাংহৈ লাংদাইরেন্নি। হয়ি চকলেন লাংহৈনি। মপুরেন শিদবা ইপুরোইনা, য়াইওইবী ইতমকোন্দগী কোরৌহনবা নুমিৎ-থা অনিবু মপুথোক্লে। লাইয়াম পুম্বনা কোরৌহনবা নুমিৎ-থাগী মশেক মঙান ফংজবদা, কোরৌগী লাংহৈকোন ওইরিবা অৰাংবা কোরৌদা লাংহৈ পাউশানরক্লে। মপুরেন শিদবনা কোরৌগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই শিংদাইঙৈগী ৱানে। ইপুরোইনা চীংউবা লাইয়াম্বু ময়েংনা মহায়এ। তারো কোরৌগী লাইয়ামশা।

নখোয় পুম্বা লাংহৈ লাংদাইরেন ওইরক্কদবা পুম্বা লাইতিন পুংগী পুংকোইদা, ইনুং তৈরেনবা নুমিৎলোই চীংউ শিন্থা মপিরগনি হায়না ইপুরোই শিদবনা চীংউবা লাইয়ামদা মহায়রক্লে। হয়ি চক্কী লাংদাইরেন্দা কোরৌ থক্তা লৈরিবা লাইয়াম পুম্বনা মপুগী শিন্থা তাজবদা হরাও মথোই কাজরে। লাইয়াম পুম্বা মপুগী থৌদাবু হোয়াজনা মাগী মাগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই শিংদাইখরে।

চীংউবা লাইয়াম্না মাগী মাগী ৱাঙম থৌদাবু মপীগে হায়না মপু শিদবনা মতাকপিএ। লাইয়ামসু কোরৌদা হোয়া লাংহৈ লাংদাইনরে। অসুম লাংহৈ পাউশানরক পনা ইনুং তৈরেন লাংহৈনরে। ইতমখোংসু খোংহৈরে। হাদা লাইনিংথৌ-লাইরেন কয়াদা লাংদাই পাউশানখরে।

লাইয়াম পুম্বা লাইতিন পুংকোইদা ইতিল্লক্লে। লাইনিংথৌ লাইরেম্বা কয়াগী লাংকোন্দা ফমদেংজরে। মপু শিদবা ইপুরোইবু মঙাইজেএ। চকশিংকোন্দি হয়ি লাংকোন্নি। লাংদাই পৌশি ইতম্লক্লে। মপুরেন শিদবা ইপুরোইনা চীংউবা লাইয়ামলক্তা চংলক্কুনা মফম ফমলেন ৱাংওইবদা ফমদেংজরে। মপুরেন শিদবদা চীংউবা লাইয়াম্না কোকনোঞ্জরে। লাইয়াম পুম্ববু য়েংনা শিদবনা মহায়এ।

কোরৌগী লাংহৈকোন্দা লাংদাইরেন ওইরিবা চীংউ লাইয়াম পুম্বগী, খোয়ুম থৌখাইরেন পুম্বা মতাইননা মপিরগে। লাংওন শায়োন ওইবনা খোয়ুম লাইয়ামগী থৌকাং মওইজরে, লাংওন শায়োন মপুংয়াইনা থৌশিন থৌদা ওইবদি, খোয়ুমগী লাংওন মওইজৌ-ও। কোরৌ হনবা, নোংতম্বা, সলাই শিদবা, অচিবা সনামহি, মপুংয়াইদা হয়ি কোরৌ থক্তা লাংহৈ মপুং ওইবদো লাংদাই থৌশিন-থৌদারেন পুম্বা মউনরসি হায়না চীংউবা লাইয়াম পুম্বদা থৌদা থৌশিন পিরক্লে।

মপুরোই শিদবা ইপুরোইগী ময়াথংলেনবু হিতোকহৈদবনা, কোরৌদা লৈবা মপু থৌখাই-থৌশিনবা লাইওইবনা খোয়ুমগী থৌদারেন পাংলগে হায়না থৌশিনলক্লে। চীংউবা লক্তগী কোরৌহনবা মপুনা, নুমিৎকী মঙান্না লাইগী লৈপাক কোরৌথক্তা মঙান মশেক্কা লোইননা অঙানবা লাংহৈকোন ওইরক্লে। কোরৌদা

খাগী লাংহৈকোন ভুংজমচংতা ওইরক্কদবা পুন্সিবু কোরৌহনবনা লাইরমলেন্দা চিংখৎতুনা, কোরৌ থক্তা লৈবা লাইরাম্বু উহনলে।

কোরৌ হনবগী থৌশিন-থৌদা পুন্সা উবদা লাইয়াম পুন্সা অঙকপা লাংহৈকোন ওইরক্লে। কোরৌ হনবগী মতিক-ময়াইনা লাইরমলেনবু অঙানবা শরুক লাংদাইখরে। কোরৌগী মতিক ময়াইবু লাইয়াম্মা খংজখরে। শিদবা মপুনা কোরৌহনবগী লাংহৈ থৌশিনবু মতাইখরে। শিন্থা লাংহৈ ওইখরে।

নোংতম্বা লাইগী থৌশিন থৌদারেনবু কোরৌ থক্তা লৈবা লাইয়াম পুন্সিদা মউহনলক্লে। নোংতম্বানা, নোংতম লাংহৈবু চীংশিন্দুনা কুমথা য়াইওইনরক্লে। চকশিং-লাংশিং মপুথোক্লে। চকশিংদা থৌখাই পুবা লাইশিং মউহল্লে লাইয়ামদা। লাংশিংদা পুবা লাইবু মউহনলে কোরৌ লাইয়াম পুন্সা, নোংতম্বনা অচৎ-চৎতা জিবা কয়া চকশিংদা লাক্কদবা উহনলে।

মদু নোংগী য়াম্বারেন অদু মউবদা লাইয়াম পুন্সা অঙকপা লাংহৈ লাংদাইরে। শিদবগী মপুরেন ইপুরোইনা পেনবীরে। নোংতম্বনা লাংদাই ওইদুনা চৈশিং- চৈচৎ মপুথোকএ। অশি-অচং পুংকোই লাংদাই পুন্সিসু মউহল্লে। কোরৌগীদি লাইয়াম পুন্সিদা, কোরৌ লাইয়ামনা নোংতম্বগী থৌশিন খঙজরে।

হয়ি চকলোন লাংহৈরেন কোরৌগী লাংদাইরেন, চীংউবা লাইয়াম পুন্সিনা মাগী থৌদারেন থৌশিন লাংওন-লাংদাইবু মপু ওইবা ইপুরোই শিদবগী মগাইরেন। লাইতিন পুংগী পুংকোইদা অচিবা লাইনিংথৌনা খোয়ুম লাংহৈরেন পুন্সা শাফোংনা লাইয়ামদা থৌশিন থৌদা মউহনকে হায়না খল্লক্লে। অচিবনা চকশিং হয়া লাংদাইকোন্দা মওইনরক্কদবা লাইয়াম পুন্সিগী থৌশিন থৌদারেন কয়াবু কোরৌ থক্তা চিংখৎতুনা মতিক ময়াই পুন্সিদো চীংউবা লাইয়াম পুন্সিদা উহনলে। নিংথিজবা মালেমগী লৈকোন ওইবা মপুগী শিন্থা ওইরক্কদবা পুন্সিবু অচিবনা, কোরৌগী লাইয়ামদা মউহনলবদা, কোরৌ থক্তা লৈবা লাইয়াম অঙকপা লাংহৈকোন ওইখরে।

চীংউবা লাইয়াম পুন্সিনা অচিবগী থৌশিন থৌদারেনবু হোয়াননা থৌদাং মহৈ য়ানববু শিদবগী ইপুরোইগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই ওইরসনু হায়না লাইয়াম্মা আচববু য়েংনা মহাইরক্লে। অসিনসু মদোমদে অচিবদি লাইনিংথৌনা খোয়ুম লাইয়াম পুন্সিবু পেনবীহৈবা থৌশিনকোন লাংহৈ খোয়ুম পীবুকনুংদা ইতমহনখরে। খঙজৌদনা কোরৌদা লৈবা মশিং লাংঙমদ্রবা লাইয়াম্মা পেনজবা লাংহৈ মপুংফাই তমজখিএ! কোরৌগী লাইয়াম্মা অচিববু হায়নিংঙাই লৈতনা থৌজাল ইরিক মপুংফাই ওইএ হায়না পাওদম ইহুন ইতম্লখিএ।

মথংলেন লাংহৈ লাংদাই পেংদা লাইওইবা সোরারেন সনাই শিদবা, অতিংঙা হায়না মীংকৌনা লাইনা মাগী লাংওন লাংদাই শায়োন কয়া লাইয়াম মমাংদা মপুথোক্লে। মতিক ময়াই হেনবা থৌজাল ইরিক ইতম ঙম্বা, শায়োন লাংওন মপুংফাই ওইবা, শিন শিন থৌদা হেক্লোইবা খোয়ুম কয়া লাংওন

লাংদাইনরক্লে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা সলাই শিদবগী লাংওন মপুংয়াই উবদা অঙকপা লাংওন উরক্লে। নোংগী লাংওন লাংদাইবু উবদা লাইয়াম্না সলাই শিদববু য়েংনা মহায়এ। থৌশিন অসিদি করি লাংহে লাংদাইনো হায়না হংজরক্লে।

সলাই শিদবনা কোরৌ থক্তা লৈবা লাইয়াম্বু য়েংনা মহায়এ, তবীয়ু, খোয়ুম মীৎয়েং থাবীয়ু। উরিবা থৌশিনবা লাইয়াম অসি অতৈ অমা নৎহিংতেএ। চকশিং-লাংশিং লাক্লগনি। ইপুরোই থৌখাই মপুং ওইরক্লগনি, লাইয়াম পুম্বা থৌকাংলগনি। ইপুরোইগী থৌশিনবা সলাই শিদবা খোয়ুম ঐগী লাংওন লাংদাইরেন থৌখাই পাংজগদবা লাংওনবু কোরৌ লাইয়ামদা মতাকচবনি হায়না লাইয়াম্বু য়েংনা মহায়রক্লে।

সলাই শিদবগী লাংওনবু উবদা লাইয়াম্না পেনবিখি। শায়োন মাবু মপুংয়াই ওইরসনু হায়না মপুরেন ইপুরোই মথৌ পুংকোই লাইপুংকোন্দা মতাইখি। শিদবগী লাংহৈকোন নুংলোন য়াইদগী মমি তম্লকপা সনামহিনা লাইয়াম পুম্বদা সনামহিগী লাংওন পুম্বা তাক্লক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা সোরারেনগী শঙকাইনুংদা হুমনিসুবা মপারি ওইনা ফংজবা, অনেম্বা মালেমদা নোংকুমদুনা চীংউবা লাইয়ামগা লোইননা মালেম লৈশেম্বা লাইনিংথৌ, মীংখৈরেন - ১০০০ পুথোকপা পুম্বা কোরৌগী লাইয়াম পুম্বনা মউরক্লে। মদু নোংগী য়াব্রারেনবু উজবদা লাইয়াম্না সনামহিগী থৌশিন থৌদা পুম্বা ইঞ্জনা চকশিংকোন হয়া লাংবা চকলোন্দা খোয়ুম লাইয়াম ঐখোয়সু থৌপাংজগে হায়না, শিদবা মপু ইপুরোইবদা হঙ্গৎচরে। সনামহিগী লাংওনবু কোরৌ লাইয়াম্না শিন্থানরক্লে। শিদবগী পীবুকনুংদা লাইগী লৈপাক কোরৌ থাজবু মপুং ফারে হায়না মখনখরে।

মাংবা য়াদবা কোরৌ থা অসি খোঞ্জেন্না লাইগী লৈপাক পুমনিল নিলখি। লাইনিংথৌ সনামহিনা লাইয়াম্বু য়েংনা মহায়রে। কোরৌ থক্কী খোঞ্জেন্না হয়া লাংবা কোনবা চকলোন্দা লাইয়ামগী খোন্থোক্লা পেন্নাইদ্রবা, পেনা হায়না লাইয়ামগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই ওইরসনু হায়না সনামহিনা করম্না পেনা ওইরকখিবগে হায়বগী লাংহৈবু কোরৌ থাদগী লাংহৈ অসিদগী মালেমদা লৈবা লাইয়ামগী শরুক মতমখিবা ওইরসনু হায়না সনামহিনা কোরৌথক্তা লাইয়ামদা শিন্নখিএ।

ৱাঙুরোন

নাহুইরোন পেনাগী নুংলোন ৱাঙুরোন্না অসুম্না পীরি। মপুরেন লাই শিদবনা অৱাংবা কোরৌ লাংহৈকোন্না লৈপা, মপুগী থৌজান ফংলবা লাই ওইবশিংগী মাগী মাগী মতিক ময়াইবু ফোঙদোক্তুনা, কোরৌদা লৈপা লাই পুম্নমকপু খঙহনলগে হায়না নুংলোন য়াইদা মখনলক্লে। মপু ওইপা লাই শিদবনা কোরৌগী লাইয়াম পুম্ববু মকৌএ। করি নোংগী

মকৌবনো, হায়পতি। হাদা লাইয়াম পুম্বনা মপুগী মগাইফমদা খোংদোই নাহুইবা মপু ওইবা শিদবদি কোরৌগী লাইয়াম পুম্বনা মহায়এ। শিদবা লাই মপুও হয়ি হয়া লাংহৈকোন্দা খোয়ুমগী লাংদাইকোন লাংওন শায়োন মপুং ওইনবা খোয়ুম মপু শিদবগী লাংহৈকোন ওইজগে হায়না কোরৌ লাইয়াম্না শিদবা লাই মপুদা থৌনি থৌখাই মপুং ওইরক্লে। কোরৌ লাই মপু শিদবনা লাইয়াম্বু য়েংনা মহায়এ। তারো লাইয়াম পুম্বনা লাংওন মশক খঙজবা শায়োন মাপু নোংদমজরো হায়না মপুনা লাইয়াম্বু নোংদম্বীরে।

শিদবা মপুগী থৌখাইবু কোরৌ লাইয়াম পুম্বনা মপাংলগে হায়না নুংলোন য়াইদা তমলক্লে। কোরৌহনবা লাই ওইবগী মতিক ময়াই পুম্বা কোরৌ থক্তা লৈপা লাইয়াম পুম্বনা মউরক্লে, নোংদম্বা লাই মপুগী থৌশিন থৌদা থৌপাংবু শিদবা লাই মপুনা মউরক্লে। কোরৌ মালেম অনি তাইরিবা সোরারেনগী মতিক ময়াই লাইয়াম পুম্মক্লা মখঙলক্লে। অসি নোংগী য়াবাবু নুংলোন ৱাংঙুরোন্না খোয়ুম লাইগী মতিক ময়াইবু মালেমদা মমি তমহনলগে, মালেমদা লৈবা অচৎ-চৎতা জিবা কয়াগী থৌশিনখোন মপুংয়াইবু ওইখি হায়না নুংলোন ৱাঙুরোন্না পীরি।

ꯂꯥꯡꯗꯥꯏ ꯂꯣꯏꯍꯨꯏ ꯄꯦꯅꯥ

লাংদাই লোইহুই পেনা

পেনা লাইনী হায়রিবা করিগীনো ?

হয়া লাংকোন্দা কোরৌ অৱাংবদগী মপু শিদবগী ময়াথংলেন ইঞ্জদুনা লাইনিংথৌ সনামহিনা নোংকুমদুনা, লাইনিংথৌনা মালেম্বু লৈশেম-নুংশেম হৌরক্লে। মপু ওইবা লাইনিংথৌনা মালেম্বু লৈশেম তুশেন্বা লোইরদুনা অনেম্বা মালেমগী লৈকোলদা কোরৌগী লাইয়াম পুম্ববু মকৌননা নোংকুম মতমঙেনে। লাইনিংথৌ সনামহিগী লাংহৈকোন্দা লাইয়াম লাংদাইকোন ওইরক্লে। চকশিংকোন্দি লাংবা চকলোন্নি। খোয়ুম লাইয়াম্না অনেম্বা মালেমদা খুন্থোক্লুনা লাংওন শায়োন মওইরক্লে।

শিদ্দবা মপুগী লাংহৈকোন ওইরিবা অনেম্বা মালেমদা কোরৌ লাইয়াম্না নোংকুম তমদুনা খোয়ুম লাংদাই মপুং তল্লক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা, খোয়ুমগী লাংদাইকোন ওইরিবা মালেমদা লাংওন শায়োন তল্লক্লে। পাখঙবা সলাই - ৭ না মালেমদা নোংকুমদুনা লাংদাই-শিংদাই ওইরকলে। সলাই শিদবগী লাংহৈকোন কংলা লাইফমলেন ইতারেন্দা মালেমগী লাইতিন পুংকোই মওইরক্লে। হালোইবদি কংলানি। সলাই পাখঙবনা কংলাগী থৌশিনকোন ময়াথংলেন পীথ্রবদা, পাখঙবনা সলাই - ৭ কী অপোকপা লাই - ৭ মপুথোকএ। অপোকপা লাই- ৭ না মালোমদা মীৎকপ থোকলে।

হয়া লাংহৈকোনগী লাংদাইদা অনেম্বা মালেমদা লাংবা কোন্না চকশিংকোন্নি। মালেমদা খুন্থোক শায়োন তল্লীবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা হরাও-মথোই কাজনা অনেম্বা মালেমদা লাংওন মতল্লক্লে। শিদবা মপুগী লৈকোন ওইরিবদি মালেম্নি। মালেমদা থৌখাই মপুরেন ওইরিবদি লাইনিংথৌ সনামহি লাংওননি। লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমদা লৈবা চীংউবা লাইয়াম ময়েংননা মহাইএ। লাংওন মাদি লাংদাই-শিংদাইদুনা অনেম্বা মালেমদা লৈবা লাইয়াম থৌশিন থৌদারেন পাংজরো হায়না লাইনিংথৌ সনামহিনা ময়াথংলেন পীরক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিগী ময়াথংলেন ইঞ্জনা অনেম্বা মালেমদা লাংওন তল্লিবা লাইয়াম্না ফম্বালকোন লাংহৈ লাংদাই হোয়ানবা থৌশিন থৌদা মপাংলক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা লাংবা চেকলোন্দা কুরু শিদবগী মমি লৌদুনা তাংপং পানবা মী-পোং কয়া মশিং লাংঙমদ্রবা সনামহিনা মালেমদা মপুথোক্লে।

চকশিংকোন্দি লাংহৈকোন, লাংদাইরেন্দি লাংবা চকনে। অনেম্বা মালেমদা থৌসু থৌপাং লাংওনবা খোয়ুম কয়ানা মালেমদা নোংকুম তমদুনা লাংদাই লাংহৈনরক্লে। অনেম্বা মালেমদা, হৈপান-লৈপান, উপান-ৱাপান, মনা-মশিং, জিবা কয়া মালেমদা মপুথোক্লে। অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন্দা খুন্থোক তল্লিবা চীংউবা লাইয়াম কয়া খোয়ুম লাইগী লিরেন কয়া লাংদাইকোন মতল্লক্লে।

তুখোং লাই খোং, খোংসু খোং, য়াংবী খোং, মীরেন খোং, কাইবী খোং, পাৎলোইপাৎ, লাইরেন পাৎ, ঈচাই পাৎ, ঈরেন পাৎ, হৈরেন পাৎ, লাংহু চিরেন পাৎ, পাৎশিং লাংশিং কয়া মপুথোক্লে। হৈরেন পাৎ, য়োইরেন পাৎ, চীংপু হেলোইচীং, মাতক চীং, লাংখু য়াংবী চীং, হিরেন পোংবা চীং, লৈচিনকোন মালং চীং কয়া মশিং লাংহৈননা মপু ওইবা লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমদা মপুথোক্লা মশেন্লে।

চীংউবা লাইয়াম পুন্নবগী লাংহৈকোন লাংবা চকলোন্দা খোয়ুম লাইনা থৌপু থৌশিন লাংদাই ওইনা মপাংঙৈনে। লাইনিংথৌবা, থৌরেনবা, থৌরেনবী কয়ানা মালেমদা লাংওন তমদুনা খোয়ুমগী লাংদাইকোন মওইরক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমদা লাংওন শায়োন তন্বী চীংউবা লাইয়াম পুন্নবগী থৌশিন থৌদাবু ময়েংলক্লে। লাংওন মশক খঙনা লাংদাইকোন ওইরিবা অনেন্বা মালেমগী চীংউ লাইয়ামনি।

লাইনিংথৌ সনামহিনা লাংদাইকোন লাংহৈ পুংকোই মওইরেনবা লাই লাংওন মীংখৈরোন - ১০০০ মপুথোকএ। লাইয়াম পুন্নবনা সনামহি মপুগী মীংখৈরোন লাংহৈ পাউশানদুনা অনেন্বা মালেমদা লাংদাইকোন মওইরক্লে। খোয়ুম মপোক লাংওন ওইরিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা থৌশিন থৌদা কয়া মালেমদা লৈবা চীংউ লাইয়ামদা থৌকাংলক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিগী লাংহৈকোন্দা নুমিৎ থাগী শাওং মানবা খোয়ুম লাইগী লিরেন চৈজিং-থা অনিবু লাই ওইবা - ১৮ না লাংহৈ মীহুলোন পুঙন্নবু লাইয়াম তিনদাই লাইতাইরোন মওইননা মপুথোকএ।

মালেমদা লৈপা চীংউপা লাইয়াম পুন্নববু মকৌকে হায়পকী লৈনুংলোন খরো অশৈববু মকৌএ। লৈনুংলোন খরো অসৈবনা লাইনিংথৌ সনামহিগী ময়াথংলেন ইঞ্জদুনা কংলৈ পুংকোইদা পেনা থাবু পমদুনা লাইনিংথৌনা লৈবা মগাইরেন্দা খোংদোই নাহুই ইতল্লক্লে।

খরো অসৈবনা লাইনিংথৌ সনামহিদা খুবাক চাংজৌ লৈতানা কোক নোঞ্জেএ। লাইনিংথৌনা খরো অসৈববু ময়েংনা মহায়এ। তারো লৈনুংলোন খরো অসৈবা, লাংওনপা নংপু কৌপতি অতৈ অমগী নৎতেএ।

মালেম লৈশেমকোন্দা লৈবা চীংউবা লাইয়াম পুন্নববু পেনা থৌগৌরেন্বনা মীহুনলোন - ১৮ বু মমিৎ পাংহনবীনা থৌকাংবীয়ু হায়না সনামহি থৌদারেনসু লৈনুংলোন খরো অশৈবদা মহাইরক্লে। থিন্থবা কৌবা লৈতনা খরো অসৈবনা পেন্না চৈজিং য়েৎওইননা পাই, থাওইববু ওইওইননা পমজদুনা, মাইওন নোংপোক তমদুনা হয়ি হয়া লাওনা পেনা নাহুইনরক্লে।

লৈনুং খরো অশৈবনা অসুম অসুম লাংহৈ লাংদাই শিংদাইরকপনা, সনামহি লৈশেমকোন অনেন্বা মালেমদা লৈবা চীংউবা লাইয়াম পুন্নবদো থৌশিন

থৌদা ৱাঙম পাংবা মঙম্না লাইনিংথৌ সনামহিঅমদি লৈনুংলোন খরো অসৈবগী মনাক তম্না খোংদোই নাহুই তল্লক্লে। মালেমগী লাংহৈকোন কয়াদা তম্না চীংউবা লাইয়াম্না খোঙদোই নাহুই ইতল্লকপদু মপু ওইবা সনামহিনা মউরক্লে।

অসুম অসুম লাইনিংথৌ সনামহিগী ফমদেংকোন কংলৈ পুংকোই তম্না লাইয়াম্না নাহুইরক্লে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা লাইনিংথৌ মপুরেনবু মউরবদা লাইয়াম্না লাইনিংথৌ সনামহিদা ইতাইননা মতাইএ। চীংউবা লাইয়াম্না সনামহিদা হঙ্গৎচখিবা খোয়ুমগী নাহুইরোল ওইরিবা পেন্না থাংওইবগী খোম্লোক অসি তাবদা খোয়ুম ঐখোয়বু লৈঙমদনা ইরাং নাহুইদগী খোঙদোই ইহুন ইতমজরক্লিবনি।

খোম্লোক লাংহৈ অসিনা খোয়ুম ঐখোয়গী লিরেন পুংকোইথেন মওইজগে, লাই ওইবা মপুনা নোংদম্বীয়ু হায়না চীংউবা লাইয়াম্না মহায়রক্লে। লাইয়াম থৌশিন-থৌদাবু লাইনিংথৌ সনামহিনা হোয়াবিরে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বগী য়াৱাবু মপু ওইবা সনামহিনা হোয়ারবদা, মালেমগী লাংহৈকোন মাগী মাগী ময়াংমামি ইনুংকোন্দা লাইয়াম পুম্বা লাইদাই শিংদাইখ্রে। লৈনুংলোন খরো অসৈববু মগাইফমদা পেনা থাগৌবসু লাংসুদুনা ইতমখরে। মপু ওইবা লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমগী থৌশিন থৌদা লাংহৈ পোংবু লাংদাই শিংদাইনবা খোয়ুম ইতাইরেন লাংহৈনখ্রে।

মালেমদা খুম্লোক তল্লীবা খোয়ুম কয়াদি পেনা থৌকৌববু করি লাংওন লাংদাইনো হায়না খঙনিংলক্লে। খোয়ুম লাইয়াম কয়াগা লোইননা পাউসুরেম্বা লাইনা থাগৌবা থিরক্লে। কংলৈ মফম কয়াদা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা লৈনুংলোন খরো অসৈববু থিরকপদা খঙবা কৌবা লৈতরে।

পাউসুরেম্বা লাইনা খঙলক্লে। খরো লাইদি নুংলোন পালোই তাইবা লাইনি। লৈরোল নুংলোন- ৯ দা খোয়ুম য়াথোং তমদুনা লৈরম্লগনি হায়না পাইমা নুংদা খল্লক্লে। মালেমগী লাংহৈ লাংদাইরে। খৈরেন পুংসু থেন্দা চীংউবা লাইয়ামগা লোইননা খরো অসৌববু থিরক্লে। মফম অদু য়ৌরক্লবদা পাউগুরেম্বা মফম অদুদা কোইনা লৈনা য়েংলকপদা অহোবা গুরুং অমগী মপান্দা চৈজিং পেনা মালেমদা ঙাদুনা লৈবা উরে।

মদু উজরবদা পাউগুরেম্বনা লাইয়াম্বু কৌশিন্দুনা, পেনা থাগৌরেম্বসু খোয়ুম মীৎয়েং পাংখৈনরক্লে। লৈনুং খরো অসৈবনা নুংলোন্দা লৈরিঙৈদা, থাগৌবা পেনা অসি হেক্তা পাইদুনা ময়েংলগে হায়না খজলক্লে। মদু য়াৱা মখল্লবগী চৈজিংথা পেনা থাগৌরেম্বা-থাগৌরেম্বী অনিদগী লাই - ১৮ থোক্লকপা অদু চীংউবা লাইয়াম্না উরক্লে।

করি নুংগী থৌকাংনো, অচম্বা পেনা থাগৌরেম্বা নৎতেনা। খোয়ুম লাইগী লাংওন লাংদাইনি হায়না মালেমদা লৈবা লাইশিংনা খঙলক্লে। পেনাদি লাইনি য়ায়না লমনমাগী লৈনুং খরো অসৈবা মালেম জৈরোল নুংলোন্দগী হৌগৎতুনা

ইপন লাংদা লৈরিবা লাইয়াম্বু উরক্লে। মদু উবদা খরোবনে মহায়এ। চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা পেনা লাংওন লাইনি হায়পা খংলেদনা হায়না হংজখি। লাইয়ামসু খঙজরে হায়না খুমজখি।

ৱাঙুরোন

লাংদাই নাহুই পেনাগী নুংলোন ৱাপু ৱাঙুরোন্না ময়েক সেংনা পিরি। কোরৌ লাই শিদবা লাইনিংথৌনা অনেম্বা মালেমদা নোংকুমবীদুনা খোয়ুমগী লাংওন লাংদাইকোন লাই ১০০০ মপুথোকপীরে। মপুরেন শিদবা লাই ওইরিবা সনামহিনা অনেম্বা মালেমদা মশিং লাংঙমদবা অচৎ-চৎতা জিবা কয়া পুথোকপীরে। জিবগী তুংকাইরেন্দা পোং সলাই তাইবং পানবা মীওইবসু কুরুগী মমি লৌদুনা মালেমদা খুম্থোকহল্লে। মী লাই পোং কয়া থৌসু হেনবা লাংপুলোন পোৎশাবা কয়া মপুথোকলে। খোয়ুম লাইগা থানবা য়াদ্রবা সলাই থৌখাইরেন ওইবা লাখাই পেনা পুথোকপীদুনা মী লাই পুম্ববু মতাইএ, হায়পা ঙম্ববু পেনা লাইনি হায়না ৱাঙুরোন্না ময়েক সেংনা তাকলিএ।

ꯐꯪꯖꯔꯛꯂꯕ ꯁꯦꯡꯂꯕ ꯃꯇꯥꯡꯗꯥ

থেংখৌ য়াওই পেনা

চৈজিং থাগী শাওং করিনো ?

অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন লাংবা কোন্না চকশিংকোন্নে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা মালেমদা খুন্থোকশৈংগী ৱানে। সনামহিনা লাংদাই শিংদাই মওইরেন ৱানে। অনেম্বা মালেমদা জিবা কয়ানা খুন্থোকশৈংনে। কোরৌরেন হেলোইবা নুমিৎলোইদা পাখঙবা মশানৌনা ময়াম্লুং লাইনিংথৌ সনামহিবু য়েংনা হঙ্গৎচৈএ। য়াম্লুং, ননাও নশানৌতোন্না হঙ্গৎচনিংবা য়াৱাদি অসিনি। মালেম অসিদা লৈরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বা পেনা থাগৌরেম্ববু পামজবা থৌখাই মাবু নিজবনি। খোয়ুমগী থৌশিনকোন মওইনা নশানৌতোন্না মখঙনিংবা য়াৱাদি থাগৌবা পেনাগী নুংলোন্দা লৈবা লাংওনবা লাই - ১৮ গী থৌশিন থৌদা, লাইশক লাইওংবু মহায়পীও হায়না মশানৌতোন লাইওইপা পাখঙবনা ময়াম্লুং সনামহিদা হঙ্গৎচৈএন।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মশানৌতোন পাখঙববু ময়েংনা মহায়এ। তারো ইশানৌতোন - ও, পেনা থাগৌরেনবা লাই - ১৮ না লাংওনখিবা, থাগৌবা পেনা ওইরকখিবা ৱাপু মহায়রক্লে। ময়াম্লুংলেন ঐগী লাংওন লাংদাই পুংকোইরেন অনেম্বা মালেমদা লৈবা লাইওইপা লাংওনপা কয়ানা মাকি মাকি লাংদাইকোন ইতম্মু হায়না থৌখাইরেন কয়া পীখ্রবদা, খোয়ুমগী হেলোইবা লাংওন লাংদাইরেন কয়া মহেনবনা লাংদাই শিংদাই ওইরক্লে। লাইগী লিরেন ওইরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা অনেম্বা মালেম লাংহৈকোন্দা ইতম্ববু মউরক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা পাইমা নুংদা খল্লক্লে, করি করম্বা লাংহৈনা লাইয়াম পুম্ববু লাংদাই শিংদাইশিগে হায়না পাইমা নুংলোন্দা খল্লক্লে। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বগী থৌশিন থৌদারেন ওইবদি চকশিংকোন্দা লাংদাই শিংদাই ওইরক্কদবা, জিবা কয়া লাইগী লিরেনবু মতম্না খোয়ুম থৌশিন থৌদা পুংদোই মতাইরক্কনিএ। মসি য়াৱা লৈবনা লাইওইবনা লিরেন নাথৈরবদি, খোয়ুমগী লাংওন মাংখিগনিএ হায়না লাইনিংথৌনা খল্লক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা অনেম্বা মালেমদা লাংদাই-শিংদাইরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বগী থৌশিন লাংশিংকোন কয়াবু লাংদাইনরক্রবদা, মালেমদা লাংওন তম্লীবা লাই ওইপা কয়া লাংহৈ মপুংয়াই ওইগদবা হায়না নুংলোন য়াইদা খল্লক্লে। খোয়ুমগী মতিক ময়াই হেলোইবা কয়ানা, কোরৌ মপুরেন লাংদাই ওইরিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা মখল্লক্লে। পাইমা নুংলোন্দা ইতমলেন পালোইননা খোয়ুম শায়োন লাংওন মালেমদা মতমদুনা সনামহি মীংখৈ লাংদাইগে মখল্লক্লে।

মপূ ওইবা লাইনিংথৌনা অনেম্বা মালেমগী লাংদাইকোন চকশিংকোন্দি লাংবা-কোনবা চকলোন্দা চীংউবা লাইয়াম অমত্তনা লাংদাই

শিংদাই মওইদুনা খোয়ুমগী লাংহৈকোন মওইববু সনামহি লাংওন তন্নরক্লে। খাগী লাংদাইকোন্দি সনামহি মীংথৈনা লাংদাই-লাংওন মদোম ইতম পুংকোই লাংখরে। অনেম্বা মালেমদা লাংওন-শায়োন তন্নীবা চীংউবা লাইয়াম্না মপু ওইবা লাই সনামহিবু থিবা হৌরক্লে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বগী থৌশিন থৌদা ওইরিবা সনামহিনা মালেম মফম কয়াদা উবা ফংদ্রবদা অনেম্বা মালেমদা খুন্থোক্লা লাইয়ামগী নুংলোন য়াইদা মখল্লক্লে। করি নুংগী মপু ওইবা সনামহি লাইয়াম ঐখোয়বু থাদোক্তুনা লাংদাইকোন অসিদা মাংখিবনো হায়না পাইমা নুংদা লাংহৈনরক্লে। লাইওইবা কয়ানা মালেমগী মফম কয়াদা লাইতিন পুংকোই তমদুনা খোয়ুম কয়া থৌকাংলক্লে।

মপু ওইবা লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেম অনেম্বদা খুন্থোক শায়োন তন্নীবা লাইয়াম্না থিরক্লে হায়বা খঙলম্মী। খাগী লাংহৈকোন্দগী অরাং মরম খৈরেন্দা লাংদাই মীংথৈ কয়া মপুথোক্লে। অসিনসু মদোমদা, নোংপোক মরম খৈরেন্দা সনামহি লাংওন তমদুনা লাংহৈ মপুংয়াই ওইরক্লে। মালেমগী লাংদাই পুংকোইরেন্নে। লাইনিংথৌ থৌদা থৌশিন লাংহৈনা শায়োন মপুং ওইরক্লে।

অসিনসু মদোমদা মপুওইবা লাই সনামহিনা, মালেম চুকলেন নোংচুপ খৈরেন্দা খোয়ুমগী লাংহৈ পাউশানরকপনা, শায়োন লাংওন কয়া লাংদাই শিংদাই মওইরক্লে। মপুরেনগী লাংওননি। চকশিংকোনগী লাংদাইনে। অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন্নে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমদা লৈবা লাইয়াম পুম্বা খোয়ুম ঐগী ইতিক ইয়ায় লাংওন শায়োন কয়াবু মখঙহল্লগে হায়না মালেমদা কোইনা লাংদাই শিংদাইনরক্লে। লাইনিংথৌনা অসুম অসুম লাংহৈকোন লাংদাই শিংদাই ওইরকপনা লাইনিংথৌ সনামহিবু মঙাইজরিবা লাংওন লাই কয়ানি মালেমদা খুন্থোক লাংহৈনরিবা। লাইনিংথৌ সনামহিনা তু-খোং, লোইবী চীং, খোং, চীংয়া কয়া লাংদাই লাংহৈনরকপদা, নহানলোং মালেম লৈশেম নুংশেমকোন্দা লাংদাই শিংদাইখিবা লাংওনবা খোয়ুম অমা লাংহৈনরক্লে।

লাইনিংথৌনা উরিবা খোয়ুম লাংওনববু সনামহিনা য়েংনা মহায়এ। খোয়ুম লাংওন নহাকপু করি কোনোই মীংলেন কৌবগে হায়না মৈরেনকোক্লা হংজখিএ। সনামহিনা মহায়খিরে। তারো লাংওনবা খোয়ুম ওইবা লাংওন নখোয়সু খোয়ুম শিন্না পাংবদা তেংপাংবা লাংহৈ ওইজরো হায়না মপুনা কুখীরে।

অসুম অসুম সনামহিনা মালেমদা লাংদাই শিংদাই ওইরকপা ইরেন খোংলাই থেংনরে। ইরেন খোংলাইনা লাইনিংথৌ সনামহিদা চংজদুনা লাংওন মাবু মহাইজরে। খোং লাইনা মহায়জেএ। মপু ওইবা খোয়ুম্না খোংলাই ঐবু মালেম অসিদা চীংউ লাইগী থৌখাইদা থৌরম মাবু য়াওহনবীয়ু হায়না মপু ওইবা লাইনিংথৌদা হায়জরবদা, লাইনিংথৌ সনামহিনা য়োয়াজরে। থিস্বা কৌবা লৈতনা মালং খোং লাইসু সনামহিনা চংজদুনা লাইয়ামগী থৌখাইরেন পুবদা থৌদাং মগীরে।

লাংওন লাই শাকোক মীরেনবা শাকোক মৈরেনবা লাইবু লাইনিংথৌনা হোয়াবীদুনা লাইয়ামগী থৌদা কয়া থৌশিং লাংশিন্দা থৌদা ফংজখিএ। লাংওনবা লাই ৱাখোই চুকলাইসু খোয়ুমগী থৌদা পাংজগে, মালেম খুন্থোকপদা মপু সলাইনা হোয়াবিখরে। ঈরিক লাংপুং চুকলাই থৌশিন থৌদা পীদুনা মালেমদা লৈবা চীংউবা লাইয়াম পুন্সিগী থৌশিন থৌদা কয়াদা শরুক য়াজবসু হোয়াখিএ।

লাইনিংথৌদা অসুম লাংহৈনরকপদা থৌরেন পুংকোই লাইবু মথেংনরে। খোয়ুম লাংওনববুসু লাইয়ামগী থৌশিন-থৌদাদা হোয়াবিরে। লাইরেন পুংবা লাইসু মপু সনামহিনা লাইয়ামগী থৌজান থৌশিন্দা লাংবা থৌদা পিনা হোয়াবিরে। খ্বাংকোই সনা মীরেন শঙলাইবু সনামহিনা থেংনরবদা লাইনিংথৌদা চংজরে। মপু ওইবনা লাংওনবনা পামজবা থৌশিন থৌদাবু হোয়াবীরে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমগী মফমলেন কয়াদা লাংদাই শিংদাই ওইরকপনা খোয়ুম লাংওনবা কয়া মতাইনরক্লে। অসুম লাংহৈনরকপনা তাওবী চরাইখোং লাইনিংথৌ সনামহিনাময়েংনরক্লে, লাইনিংথৌ সনামহিদা মহাইজরে। লাংওনবা ঐখোয়সু লাইয়াম লক্তা তিনহনবীয়ু হায়রবদা মপু ওইবা লৈশেম্বনা হোয়াবীরে। অসিনসু মদোমদা, নাওফং খোয়সু লাইনিংথৌদা চংজদুনা খোয়ুমগী থৌদাং পীখরে।

নাওরেন চীনাই খোংলাইসু মপু ওইবা লাই সনামহিদা চংজরবা লাইনিংথৌ সনামহিনা হোয়াবীরে। লাইনিংথৌনা মালেম লাংহৈকোন খোয়ুম মিংখৈবা চীংউবা লাইয়াম কয়া লাংদাই শিংদাইনরক্লে। তাওরোই য়াংবী লাইসু লাই মপুরেন ওইরিবদি লাইনিংথৌদা মহায়জৈএ। খোয়ুম লক্তা লাংদাই শিংদাই ওইদুনা থৌদা থৌশিন পীবীয়ু হায়না মহায়রবদা লাইনিংথৌ সনামহিনা হোয়াবীরে।

লাংওনবা লাই শাখাই মীরেন চুনাইবীনা খোয়ুমগী শিন্থা পীয়ু হায়বা মপু সনামহিদা হায়জরবদা চীংউবা লাইয়ামগী থৌরম থৌদা তেংপাং ওইনা মপিএ। লাইরেন নুপী চুনাইরেন, য়ারেন চীনাইবী লাই অনিনা সনামহিদা চংজরবদা লাইনিংথৌনা মালেমদা লৈবা চীংউবা লাইয়াম থৌখাইদা থৌরাং পাংজবা ওইরু হায়বা মপিএ। চুমলেন লৈমা খ্বাংকোইবীসু থৌশিন-থৌদারেন্দা মঙমলেন মথৌ পাংজবা ওইয়ু হায়না শিন্থা মপিএ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা, লাংওনবা লাই - ১৮ না পুন্দুনা নুমিৎ থাগী থৌশিন থৌকাং পেন্না থৌকাং মপুথোকএ। লাই- ১৮ না ওইখিবা পেন্না শাখাইরোম্নে খংও। লাংদাইরোন তাইপা - ১৯ সুবতি লৈনুংলোন অসৈবনে। মালেমদা লৈপা লাই পুম্নমক্পা থাগৌবা পেনাবু মকৌনা খোয়ুম লাংদাই মপুংদা থৌশিনববু সনামহিনা মপিএ।

লাইনিংথৌগী থৌদানা, চীংউবা লাইয়াম পুম্বা হেলোই থৌশিনবু সনামহি নাওথেম নাওসুমলোন পেনা লিরেন - ২০ সুপনা নাওশুমখিএনা মালেমকী লাইপুন্বা। খোয়ুম লিরেন মতাইখিএ, সনামহি হোয়া লৈএনা।

থেংখৌ য়াওই পেনা নুংলোন ৱাপু হায়কে। লাই মপু শিদবা লাইনিংথৌ সনামহিনা মশানৌতোনবু ময়েংননা মহায়এ। ইশানৌরেন তোকপা খোয়ুম লাই ১৮ না লাংওন নোংদমখিবা পেনা লাইহুইরোন থেংখৌ য়াংওইবা ঈরেম মতাই ৱাপু খংও হায়পতা লাই ওইপা পাখঙবা, ময়াম্নুংলেন সনাথক্তা পেনা লিথাংলোন লাই ১৮ গী নুংলোন ৱাপু লিশাং থাবীয়ু হায়না কোকনোঞ্জখিএ। লাই ওইপা সনামহিনা পাখঙবা মশানৌবু ময়েংনা পেনা নুংলোন থেনখৌ য়াংওইবা লাই ১৮ গী লিথাংলোই লাইশিংবু অমা চিংথদনা মহায়খিএ। হাদা লাই ওইপা পাখঙপনা হায়এ। মপুরেন শিদববু করি নোংকি লাই লাই ১৮ না পেনা থাগৌ ইতাইরিবনো হায়পা মহায়এ, সনামহিনা য়েংনা হায়এ, পেনা নুংলোন লিরেন লাই ওইপা ১৮ পু লৈনুংলোন অসৈমনা থাদুনা, ১৯ ওইএ, লাই ১২ দি নুমিৎলোইনে, লাই ৭ না থা ওইবনে। নুমিৎ থা অনিদি কাইনবা য়াদবনে হায়না সনামহি লিরেনবা ৱাঙুরোন্না ময়েক সেংনা পীরিএ।

ঠৈসংসঠৈঙ্গ গাংঠৈ

লাইথেমলোন পেনা

পেনানা মীওইবদা করি কান্নবা পীবগে ?

চকশিংকোনগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই শিংদাই মওইঙৈগী লাংহৈকোন্নে। অনেম্বা মালেমদা লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈশেম নুংশেম মওইরেন্দা, মালেমদা তু- খোং, চীং-পাৎ, পুং কয়ানা লাংহৈকোন মওইরক্লে। লাইনিংথৌ সনামহি লৈশেমকোন্দা মশিং লাংঙমদ্রবা জিবা কয়া লাংহৈ লাংদাই মওইরক্লে। হৈপান-লৈপান, মনা-মশিং, উহৈ-উপান কয়ানা মালেমগী লাংদাইকোন মতমলক্লে।

সনামহি লৈশেমকোন্দা অনেম্বা মালেমদা মশিং লাংঙমদ্রবা জিবা কয়া মপুথোক্লে। অনেম্বা মালেমদা কোরৌ মালেম তাইবা জিবা কয়া লাহৈরক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই শিংদাইরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বগা লাংহৈনরক্লে। কোরৌরেন হেলোইবা নুমিৎলোইদা শিদবা কুরুনা মপারি শিঙখোং হেলোইবা সনামহিবু ময়েংনা মহায়এ।

পারি শিংখোং হাল্লোইপা - ও, মালেমদা পারিনা জিবা কয়া মপুথোকলে। তাইপঙ পানপা মীওইপপু মপুথোক-ও হায়না শিদবা সলাইরেন্না মপারি সনামহিদা মহায়এ। লাইনিংথৌ সনামহিনা মপনবু কোকনোঞ্জনা মহায়এনা। ইপনগী য়ারাদি নপারিনা হোয়াজরিএ হায়না মপন্দা কোনোঞ্জেএনা। তাও পারি ও, হাল্লোইবা সনামহি - ও, ঈপাগী মমিপু লাইজা ঈপান্থক্তা তাবা য়েং-ও।

তারিবা মমি অসিনা তাইপংকী হকচাং ওইকনিএ। মালংপনা কুরুগী তাপা মমিপু হায় হুমদুনা লৈপা অদু সনামহিনা মউইএ। মদু নোংকী নুংলোন্দি তাইপং হকচাং শেম্বা য়ারোইএ হায়না মখল্লবতা কুরুদা হঙ্গৎচখিএ। কুরুনা য়েংনা মহায়এ। তাও পারি সনামহি-ও, মালেম লাংহৈকোন লাইজা ঈরোলনুংদা থাজা - ১০ লৈদুনা সনামহিনা মী শেম-ও হায়না কুরুনা মহায়এ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা জিবা কয়া মালেমদা মপুথোকপা মওইরেন্দা, মপন-পন্থৌ সলাহৈ শিদবা কুরুগী ময়াথংলেন ইঞ্জদুনা অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন কুরু চুকফা চুকলেনকোন লাইজা ঈরোন্দা সনামহি লাইজা নুংদা চোংথদুনা ঈরোলনুংদা লৈখরে। কুরুনা লাইনিংথৌ সনামহিবু ঈরোলনুংদগী কাখৎলকপা ঙাইজরম্মী। অসুম অসুম লাংহৈ লাংদাইনরকপনা লাইনিংথৌ সনামহিনা ঈরোলনুংদা তাইপং পানবা পোংবু শেম্বা হৌখরে।

নমু পোং শেম্লকপা, লাইজগীদি ঈরোলনুংদা থাজা - ১০ লাংহৈ মপুং ওইরক্লে। তাইপংবু লাইজা নুংদগী মপুখৎলক্লে। কুরুদা লাইনিংথৌ সনামহিনা শেম্বা নমু তাইপং পানবা মপিএ। কুরুনা থাজা - ১০ লাইজা ঈরোলনুংদা লৈতুনা শেম্বা তাইপং পানবা মীওইপপু য়েংলগা মহায়এ। তাউওনা পারি হাল্লোইবা সনামহি - ও, করি নুংকী শেম্পনো হায়পতা, খোয়ুম ওইপা পারিগী সলাই চাকোক্লে।

তাইপংগী শকওইদি ময়ারে। তাইপং পোং সলাই অসি য়েংপদা ফিভম চুমএ। কুরু ঐনা হোয়াইএ। অদুনোং ওইবসু মী ওইপদি য়াদ্রিনা। নশানৌও লাই পাখঙববু মকৌও হায়না কুরুনা শিন্থা মপিএ। কুরুকী য়াৱাবু ইঙ্গদুনা সনামহিনা মশানৌ লাই ওইপা পাখঙপা কৌএ। পাখঙপনা কুরুগী নাক্তা লাক্তুনা কুরুদা হঙ্গৎচৈএ। ইপন্না নপারিতোন পাখঙববু কৌপিপা করি য়াৱা লৈবগে হায়না হংজবদা কুরুনা মপারিতোনবু য়েংনা মহায়এ।

নয়াম্বুং লাই সনামহিনা শেন্বা থাজা - ১০ লাংহৈ ওইপা নমু পোং অসিগী তাওবী-তাওরোই লাই - ১০৮ বু তাইপংকী পীবুক্লুংদা হাপ্লো। মিহুন-লাইহুন ফংহল্লো হায়রুবদা, মপনগীময়াথং ফংলবদা পাখঙবনা তাইপং পোংদা তাওবী-তাওরোই - ১০৮ হাপ্লীএ। নমু কৌএ। তাইপং লেং ওৎপা ঙমএ। কুরুনা পারিগী থৌওং উপদা হৱাও-মথোই কাজৈএ। কুরু শিদবগী ময়াথংলেনবু মপারিতোন লাই ওইপা পাখঙবনা মপাংথোক্লবদা কুরুবু খুরুমজদুনা মহনফমদা হঞ্জিঞ্জখিএ।

মপারি অহন লাই ওইপা সনামহিদি মপন মগাইফমদা লেপ্তুনা তাইপং পানপা মীওইপগী শাওংবু মুন্না য়েংদুনা লৈখরে। মপন পস্থৌনা মহায়এ। পারি ও হাল্লোইপা , নাওয়োকনুংগী লাইজা ঈশিংনা ঈৱাইদুনা নাওপুরোন তমগদবা মীওইপা হায়পা মপোক ওইকনিএ খঙও। লাইকী মমিংপু লাইমী কৌপনে। লাইকা লোইনবা জিপতি মীনে। তাইপং পানবা মীকী কয়াৎ- ৯ ৱাৎলে। মসি মঙম ওইনবা থৌকাংও মহায়এ সনামহিতা। লাইনিংথৌ সনামহিনা কুরুদা হায়জৈএ, তাকপিয়ু হায়না। কুরুনা সনামহিদা কৌপা লাইপু মকৌও হায়না তাকপিরবদা, কোপা লাইওইপা মকৌনপা খোংদোই নাহুই মতমএ, লাইনিংথৌদি সনামহি।

লাইনিংথৌ সনামহিনা অৱাং কৌপা লাইপু কৌতুনা কুরুকী নাক্তা লাকএ। কৌপা লাইনা, সনামহিনা শেন্বা নমু তাইপং পানবা উইএ। কুরুদা কৌপা লাইনা করি য়াৱা লৈপগে হায়না মহংজবদা, কুরুনা খুমএ। সনামহিনা লাইজা নুংদা থাজা - ১০ নাওয়োমনুংদা লৈদুনা শেমখিবা পোং অসিগী থোংদাইরেন, নুংলোন পাল্লোই - ৯বু খোয়ুম ওইপা কৌপা মপুনা তাইপং থোংতাই-ও হায়না কুরুনা মহায়রবদা, কৌপা লাইনা হোয়াখিএ।

কৌপা লাইনা লাইনিংথৌ সনামহিপু য়েংনা মহায়এ। তাবী-ও লাইনিংথৌদি মপুরেন- ও, খোয়ুম্না শেন্বা নমু সলাই চাগোক অসি লেম্না মাংবা য়াদবনা, অদুঙৈরেন লৈশেম তুশেমঙৈদা লাংদাই শিংদাই ওইদুনা লাংওনবা লাই - ১৮ পু মপুথোক্লা মালেমদা লৈখিববু পিবী-ও মহায়এ- কৌপা লাইনা। কৌপা লাইকি য়াৱারেন তাপতা লাইনিংথৌ সনামহিনা অদুঙৈগী লাংদাই শিংদাইখিবা নহালনোং লৈশেম নুংশেমঙৈগী লাই - ১৮ নিংশিংলক্লে - সনামহি। লাই লাংওনপা লাই - ১৮ পু মকৌএ। খোয়ুম লাংওন মপুংয়াই ওইঙমদনা, সলাই চাগী থৌখাই মপুংয়াই ওইজগে হায়না নিংজরিপা লাই - ১৮ লাকএ। লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈপা মগাইদা লাই - ১৮ ময়ৌরক্লবদা, সনামহিদা কোকনোঞ্জৈএ। সনামহিনা লাংওনপা লাই ১৮ পু য়েংতুনা হায়এ।

নখোয়না নিংজবদা মপু লাই ওইপা কৌপা লাইনা পীগে হায়রে। মদু নোংগী য়াম্না লৈবনা লাই - ১৮ নখোয়বু কৌবনে। লাইনিংথৌ অৱাং কৌবা লাইনা, লাইও লাংওনপা নখোয়গী শিল্লা পিগে। ঙসি কৌবা নুমিৎতগী নখোয়গী নিংজবা খুংজনা, তাইপং পানবগী মীহুনলোন মতেং পাংতুনা নুংলোক্তা লৈও।

কৌপা লাইকী ময়াথংলেন ফংজরবদা লাংওনবা লাইনা হয়াও-মথোই কাজনা কৌপা লাইগী ময়াথংলেন ইঞ্জখিএ। কৌপা লাইনা, লাই ১৮ বু তাইপং থোংলোন - ৯ মতাইখিএ। নুংলোন - ৯ তাইতুনা লাই ১৮ তাইপংতা লৈএ হায়পকী থোং-৯ অসি লুনা তৌপতি পুন্সিএ। থৌওইদ্রবদি পুসিদিএ। নুংতা লৈপা লাই - ৯ না পান্দা তৌপা শিংপু উপা খঙপা ঙমএ। নুংশিপা, কপনিংপা, আশাওপা, নিংঙমদবা, অপেনপা, কল্লকপা, অশিংপা, অপঙপা, খল্লবা ঙমদবা, মীহুনলোন - ৯, পানগী থোং - ৯ অসি লাইনিংথৌ অৱাং কৌপা লাইনা তাইপংকী কয়াংলোন মকম চানা শিন্দুনা হাপ্লিএ।

তাইপং পানপা মীওইপকী হকচাংতা লাই - ১৮ লৈয়বদা, ১৮ না - ১০৮ ওইখিদুনা মাগী শাগোকপু নুংলোন সলাই চাগোক হায়না কৌএ। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুসু মগাইকমদা হনখরে। তাইপং য়েক সলাইচা পী-পা কয়া নাইখরে। লাইনিংথৌ সনামহিনা তাইপঙ পানবা মীপু শেম্বা হৌরেনবগী মাংওননা, পাখঙবা মশানৌনা অপোকপা সলাই - ৭ পুথোক্লা লৈরোল্লুংদা মীৎপাংদুনা সলাই অপোকপা সলাই চাগোক নমু পোংবু ঙাইদুনা লৈএ। ঙাইতুনা লৈপা মফমপু পাখঙবনা খঙএ, লাইকমতি কংলানে।

লাইনিংথৌগী থৌওংবু কুরুনা পেনবীখিএ। কুরুনা হঞ্জিনখ্রবদা পেন্নানা মীওইপতা করি কান্নবা পীপকে হায়পতি, পেনা লাইকা মীওইপকী নুংতা লৈপা লাইকা মরি লৈনপনে। অসি খিবিক লৈপনা মীওইপনা পেনাবু লাইওইনা কৌপনে। থান্নবা য়াদ্রবা তাইপঙ হকচাং নাওয়োমদা মীহুন - ১৮ লৈপনে। মসি য়ারাপু নমু পোংদা মহায়তুনা সনামহি হঞ্জিনখিএ।

ꯂꯣꯢꯇꯣꯢ-ꯅꯨꯡꯇꯣꯢ ꯄꯦꯅꯥ

লোইতোই-নুংতোই পেনা

পেনাগী কয়াৎলোন কয়ানো ?

চকশিং লাংশিংকোন, হয়ি হয়া লাংহৈকোন, কোরৌগীদি লাংদাইরেন, ইপুরোই শিদবা লাংহৈকোন, কোরৌ লাইয়াম পুম্বনা লাংদাইকোন ওইরিবা অৱাংবা লাংহৈকোন্দি হয়ি চকশিংকোন কোরৌনি। চীংউ লাইয়াম্না অনেম্বা মালেমদা লাংদাই শিংদাইগৈ ৱানে। লাংহৈ মপুরেন কয়ানা কোরৌথক্তা লাংদাইঙৈনে। মালেম লৈশেম নুংশেমদ্রিঙৈগী ৱানে।

অতিয়া মরু শিদবনা, ইপুরোইগী ময়াথংলেন ফংজদুনা অনেম্বা মালেমদা খোয়ুম লাংদাই-শিংদাই মওইরগদবা পুম্ববু মউহল্লগে হাইতুনা কোরৌথক্তা লৈবা পুম্বদা হায়এ। কোরৌগী লাইয়াম পুম্বনা চকশিংকোন্দা লাইগী লাংওন কয়া মতমলেন ওইরক্কদবা পুম্ব - ও, করি করম্বা লাংহৈ-লাংদাইনা তুংলমচৎকী লাংওনবু উবা ঙমজগনি খঞ্জরিবা কোরৌ লাইয়ামনে।

কোরৌনা হেল্লোইবা নুমিৎলোইনে। অতিয়া শিদবা মপুনা কোরৌ থক্তা চীংউ ফম্বাল লাংদুনা, খোয়ুম শিম্থা মপুংয়াই, থৌশিন-থৌদা ফংজরিবা, ইপুরোই শিদবগী থৌজান লাংহৈপা অতিয়া শিদপনা লাইয়াম পুম্ববু মকৌননা মহায়এ। হাদা খোয়ুম শিদবা-শিদবী পুম্বা মতাবি-ও, লাইওইবা পুম্বগী মফমদা চকশিং-লাংশিং লাংদাই-শিংদাইদা ওইরক্কদবা পুম্ববু মউজহনগে হায়পকী কোরৌ লাইয়াম পুম্ববু অতিয়া শিদবা খোয়ুম ঐনা মকৌজবনে।

অতিয়া শিদবগী য়াৱারেন তারবদা নুংলোন য়াইদা খঞ্জরম্বা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা, চকশিং-লাংশিং কয়াদা লাইগী মপোক শাইয়োন লাংওন কয়াবু উজবা ফংজবা নিংজববু, শিদবা অতিয়ানা মখঙহনগে হায়পা য়াৱা তাবদা, কোরৌ থক্তা লৈপা চীংউপা লাইয়াম পুম্বনা হরাও মথোই কাজৈনা।

কোরৌ লাইয়াম পুম্বনা অতিয়া শিদবা মপুরেনগী মগাইদা চংজদুনা, চকশিং-লাংশিং, লাংওন-শাইয়োন পুম্ববু মতাকপীও, মউহনবীয়ু হায়না মহায়এ। লাইয়াম পুম্বগী অপাম্বা লাংদাই-শিংদাই ওইবা কয়া অদু উবদা কোরৌ মালেম অনিগী লাংদাই চকশিং উহল্লকে হায়না অতিয়ানা কোরৌ লাইদা মহায়এ।

অতিয়া শিদবা, লৈমা শিদবী অনিনা য়াইদা ফমদেংনা কোরৌ লাংহৈকোন দা চীংউবা কোরৌগী লাইয়ামগা লোইননা চকশিং-লাংশিংদা ওইরক্কদবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বগী লাংওন-লাংদাই কোরৌ মালেম লাংহৈকোনবু উহল্লগে হায়না খন্দুনা লাংদাই-শিংদাই ওইরক্লে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বা য়েংনা মহায়এ, মউরো খোয়ুম লাইয়ামশা। লাংবা কোনবা চকশিংকোন্দা, লাইগী লাইয়াম্বু শিংদাই ওইরক্কদবা, খোয়ুম মশক খঙলো হায়না অৱাংবা কোরৌদগী-অনেম্বা মালেমদা হয়া লাংহৈকোন ফাওবদা, লাইয়াম্বু ময়েংহল্লে।

লাইয়াম্না অসুম লৈথক- লৈখারোলবু কোইদুনা য়েংলক্লে। অতিয়া শিদবনা, ইপুরোই শিদববু থাগোন্দুনা মহাইজেএ। খোয়ুম মপুরেন শিদব-ও, খোয়ুমগী লাংওন-লাংদাই চকশিং-লাংশিং পুন্বা উহনবীয়ু। লৈথক-লৈখা নাইহনবীয়ু হায়না অতিয়ানা থৌনিজরবদা ইপুরোইনা পেনবীদুনা, চকশিং-লাংশিংদা ওইরক্কদবা, খোয়ুমগী লাংওনবা, লৈচিন পোমাই হায়দোক্তুনা, কোরৌ-মালেম অনিবু লাংদাই-শিংদাই মওইরক্লে।

কোরৌ থক্কী চীংউবা লাইয়াম পুন্ববু চকশিং-লাংশিংদা লাইগী লাংওন-লাংদাই ওইরক্কদবা পুন্বা, লৈথক-লৈখারোন্দা, লৈচিনলোন লাংদাই-শিংদাইনা মউরক্লে। কোরৌগী লাইনা অনেম্বা মালেমদা কুমদুনা, মালেম্বু লৈশেম-নুংশেম্বা মউরক্লে। মৈ তরঙ, ঈশিং তরঙ, নুংশিৎ তরঙ উপবু মালেম লৈশেমকোন লৈশারেন কয়া লাংদাইবা কোরৌগী লাইনা মউইএ।

মীৎস্না লৈদুনা খাগী লাংহৈকোন্দা লাই ওইবা কয়ানা খুন্থোক-লান্থোকপা লাইয়ামনা মউইএ। কোরৌগী লাইয়াম্না মালেমদা লৈবা লাইয়াম্বু উপদা হরাও-মথোই কাজেএ। লাইশিংনা মালেম্বু লৈশেম-তুশেম কয়া লাংদাইপা, হৈপান-লৈপান জিবা কয়া উবদা করি নুংগী খোয়ুমগী লাংওন ওইপনো হায়না কোরৌ লাইনা মতাইএ। লাইয়াম ৱাতাই-শঙদাই ওইবনা নিল্লক্লে কোরৌগীদি লাংহৈকোন, মপুগী লাইদাইরেন্নি।

চকশিং-লাংশিং, লাংদাই-শিংদাই মওইরেন্দা, হয়ি-হয়া কোরৌ-মালেম অনিগী লাংহৈকোন্দা, চীংউ লাইগী শায়োন-লাংওন পুন্বা, মপু শিদবগী থৌশিনকোন, লাংদাই-শিংদাই মওইববু মউরক্লে। নুমিৎ-থাগী লাংদাইবু উরক্লবদা, কোরৌ লাইয়াম্না মহায়এ। লৈথক-লৈখারোন মতাইরিবা খোয়ুম লাংওনবা লাংদাই অসি মউবদা মহায়এ, কোরৌগীদি লাইয়াম্না, লৈচিন পোমাই হেল্লোইবদা, লৈথক লাইনা নোংদম্বা, লৈখা লাইনা নোংখাইববু মউইএনা।

কোরৌ লাইনা অতিয়া শিদবগী মফমদা হঙ্গৎচরক্লে। কোরৌগী লাইপু য়েংতুনা মহায়এ। তাবীও লাইয়াম পুন্বা, কোরৌথক্তা ঙানপা লাইদি, কোরৌ হেল্লোইবগী লাংওন্নে। লাংওন মানা লাংদাই ওইপনা, লৈথকলোন মশক পীপনে। লৈশেমলোন পুপদি লাংওনপা লাই - ৯ কী থৌশিন্নে। লাংওন মশক তাকপনে। খোয়ুম ময়াই হেল্লোইপনা, মালেমপু হেল্লোই ঙানপনে।

চকশিং লাংশিং মতাইবনে। খোয়ুম অঙানপা লাংওনপা লৈচিন পোমাইপু লৈনা কোইনা লাংহৈ পাউশাবনে। পাউশা হেল্লোইপদি, কোরৌ মচি থেনবু লাংবা ইতাই খোংবী লৈশাকোন লাংহৈরেন কোরৌ মতাইএ। হাদা পাউশা হেল্লোই ইতাইরেন, হয়ি লাংচি পোংবু মতাইএ। মপু শিদবা অতিয়ানা মহায়এ। কোরৌগী লাইনা মহাইএ। নুংলোন ওইপা লাইনা মওইপপু পাল্লোই হেল্লোই য়াংবা লাংচিরেন্দি কোরৌরোইদা ঙানবনা থৌশিন পুংকোই মতাইএ।

অসি অদোম হেল্লোইনা লাংজি পুবা লাইতি, হয়া লাংহৈকোন্দা মপুওইবা

লৈচিখোং লাই কয়ানা অনেম্বদা খুন্থোকপা কোরৌ লাইনা মউইএনা। খোয়ুম লাংওন তম্বদি শায়োন মপুংয়াই মতমএ।

লাই মপু অতিয়া শিদবনা কোরৌ লৈথক-লৈখা লাইশিংদা কোরৌ মালেম লাংতাই শিংতাই মওইরেন, লাংওনবু মউহল্লে। লৈচিলোন্দা শায়োন লাংওন ওইনা মপুগী থৌজান ফংজরিবা লাইনা সলাই শিদবা মপুবু য়েংনা হায়এ। খোয়ুম মপুনা কোরৌ মালেম তাইবা লাইশিংগী থৌশিন করি লৈপকে হায়না মহাইপদা, শিদবা অতিয়ানা কোরৌ লাইবু য়েংনা মহাইএ। তারো লাইয়াম পুন্বা, খোয়ুম ঐনা মহাইকে, লৈথকলোন- লৈখারোন হায়পা অনি লৈপতি করি নুংকী নৎতেএ। লৈথক লৈপনা লৈখা লৈপনে, অসি নোংতি হয়িনা কোরৌনে। হয়ানা মালেম্নে। কোরৌ মালেম অনিগী য়াইদা খোয়ুম লাইগী লাংওন শানবনে। মপুরেনগী য়াব্রা তাবদা কোরৌ লাইনা মহাইজেএ। অঙানবা অমম্বা লৈপতি, করি নুংকী লৈপনো মহাইএ। মপু অতিয়ানা লাইয়াম্বু য়েংনা মহায়এ।

তারো কোরৌ লাইয়াম পুন্বা, অঙানবা মশাদগী অমম্বা ওইরকখিবনে। অমম্বদগী অঙানবা মশা লাকপনে। অনি অসি অমৎতা ওইবা মশানে। লাইগী লাংওন্দি, মশানা মশা ওইবনি। থৌখাই থৌরম থৌসুনা লাংওন মাবু তাকচবনি । কোরৌসু মালেমদা তাইবনে। মালেমনা কোরৌদা ইনবনে। কাইনবা য়াদ্রবা খোয়ুম লাংশিং-চকশিং ওইনা, হয়ি-হয়া কোরৌ মালেম হায়না লৈকনিএ। লাইগী লাইহুইরোনসু কোরৌ মালেমনি। কোরৌ মালেম অনিনা লাংদাই-শিংদাই ওইদ্রবদি, মালেমদা লৈবা লাইনা কোরৌ নোংতমলোইএ।

মালেম লাইনা কোরৌদা লাংদাইএ। কোরৌগী লাইনা চকশিংকোন্দা-মালেমদা খুন্থোক তমদুনা লাংওন মওইরগনিএ। অসিরেন খিবিক লৈবনা, কোরৌগী চীংউবা লাইয়াম পুন্বদা লাংদাই শিংদাইনরক্কদবা খোয়ুম চকশিং-লাংশিং পুন্ববু মউহনবনে। মপু সলাইরোন্দি অতিয়া শিদবগী য়াব্রারেন, লৈথক-লৈখারোন লাইহুইরোন পুন্ববু মউহল্লে। লাইয়াম্বু মাগী মাগী লাংওন ল্যাংদাই পুন্বা মখংজরল্লবদা, শিদবা অতিয়াদা মহাইরক্লে।

খোয়ুম লাইয়ামগী লিরেন-নুংলোন-পাল্লোন-লাইহুইরোল, কোরৌ মালেম লাইতাই শিংতাই মওইরেন্দা, শকউদবা খোন্থোক্লা, চীংউবা লাইয়াম মতাইরিবা, খোয়ুম শকলোৎপগী লাংওন মশকপু তাকপিয়ু হায়না কোরৌ লাইনা অতিয়া শিদবা মপুগী মফমদা মহাইজরবদা, মপুনা লাইয়াম য়েংনা মহাইএ। তারো লাইয়াম পুন্বা কোরৌ মালেম তাইবদা খোন্থোক অমা লৈবদি লাংদাই-শিংদাই-লাংওন-শাইওন মশক তাকপনি। শায়োন লাংওন্দি খোন্থোক লৈকনিএ। খোন্থোক মাগী মীহুল্লোম্না, কোরৌ মালেম্বু খাইবনে। মপু অতিয়া শিদবগী য়াব্রারেন তাজরবদা, লাইয়াম পুন্বা পেঞ্জখিএ। শায়োন মশক খণ্ডজখিএ। কোরৌ লাইয়াম পুন্বা মহনফমদা হুনখরে। অতিয়া শিদবসু লাংহৈকোন্দা লাংদাইখরে।

ꯑꯩꯒꯤ ꯊꯦꯂꯣꯟ ꯄꯦꯅꯥ

ঐগী থেলোন পেনা

পেনানা মীওইবদা করি ফোংদোকই ?

অনেম্বা মালেমগী লাংদাইদা চীংউবা লাইয়াম্না খুম্হোকউঙেনে। লাংবা কোনবা চকশিংকোন, লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমতা লৈপা চীংউপা লাইয়াম্নু য়েংনা খোয়ুম লাংদাই-শিংদাইও হায়না শিম্বা লাংহৈথ্রবদা, মালেমদা লৈপা চীংউপা লাইয়াম্না মাগী মাগী লাংদাই-শিংদাইকোন্দা খোয়ুমগী হেন্নোইবা থৌশিং লাংহৈ কয়া পাংলক্নে।

মালেমতা লৈপা লাইয়াম্না লাংওন শায়োন কয়া তৌদুনা মালেমতা লৈপা জিবা কয়া, মপু শিদবা কুরুগী মমি লৌতুনা, লাইনিংথৌ সনামহিনা, থাজা - ১০ পাখঙবগী নাওয়োম নুংগী তাইপং পানপা পী-পা কয়ানা, মালেমগী লাংহৈকোন খোয়ুমগী তুংদানরক্নে। চীংউবা লাইয়াম কয়ানা তাইপং পানপা মীওইপপু য়েংনা থৌশিন-থৌদা পুম্বা য়েংলক্নে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই-শিংদাই ওইরকপনা, অনেম্বদা লৈবা জিবা কয়াসু লাংদাই-শিংদাইনরক্নে। লাইনিংথৌনা থাজা - ১০ লাংদাই ওইদুনা লাইজা নুংগী, পাখঙবগী লাংহৈকোন-লাংদাইথিবা নমু পোং তাইবং পানবা মীওইপপু য়েংনা মতাইজেনে। চীংউ লাইয়াম্না তাইপং পানবা মীওইপপু কল্লক-মীহৌরোল কয়া ইতমএ। লাইনা মীবু মীয়েং তারক্নে।

তাইবংগী অশোইবা অঙাম পুন্না কুপ্পা লাইয়াম্না য়েংলম্মী। মীওইপতি মপু ওইপা লাইনা থৌজাল পীএ হায়পা লাইয়াম্না খঙই। লাইয়াম্না মীপু য়েংনা মীকী লাংলৌপু লাইয়াম্না খিরক্নে। করি করম্বা মতমদা তাইবং পানবা মীবু মাইথিবা পীবা ওমগাদগে হায়পা লাইয়ামগী থৌশিন ওইরক্নে।

চীংউবা লাইয়ামনা মী পোংবু য়েংতুনা মহায়এ। লাইনা হায়পা ব্রা পুন্না ইনগদবনি। লাইয়াম ঐখোয়গী ইতুং ইন্দুনা লৈপতি মীগী থৌসু-থৌদা ওইম্মু হায়না লাইয়াম্না মহায়এ। মীনা লাইদা হায়জেএ। লাইগী লিরেন অতুম্বা মীনা লৌগনি হোয়রাখিএ। চীংউবা লাইয়াম্না মালেমগী লাংহৈকোন্দা মীবু পুদুনা চংলে।

মীয়াম-লাইয়াম পুন্না চাওকায়খিরেএ। চকশিংকোন্দি লাংবা-কোন্না চকলোন্নে। চককোন লাংহৈ লাংদাইদা, মী-লাই নুংশি চান্নেএ। লাইনা-মীবু নুংশিএ। মীনা লাইবু নুংশিএ। অমত্তা ওইনা মালেমদা মী-লাই পুন্দুনা খুম্হোক লাম্হোক তম্লকলে।

অনেম্বা মালেমদদি লাংহৈকোন, চকশিং লাংবা কোন্না চকলোন্নে। অনেম্বা মালেমদা খুম্হোক লাংলিবা খোয়ুম শায়োন-লাংওন মওইরেন্দি চীংউবা লাইয়াম পুম্বনে। লাইয়াম পুম্বগী থৌশিন-থৌদা পুম্ববু নমু পোংনা তুংদাননা লাংহৈ

শিংদাইনরক্লে। লাইয়াম্না পাইমা নুংদা মতাইরক্লে। খোয়ুম মপু শিদবনা থৌজাল ঈরিক তম্লিবদি নমু পোং কয়ানি।

নমু পোং কয়া মালেমদা লাংহৈ লাংদাই ওইরকপনা মপু খোয়ুম শিদবগী থৌজাল ঈরিক ইতম্ববু মালেমদা লৈবা খোয়ুম লাইয়াম্না হোয়ানরকএ। লাইয়ামগী মীয়েং মীতাবেন মওইরক্লে। নমু পোংদা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা তাইবং পানবা মীওইববু করি করম তৌরগা মীবু ফাদুনা মীগী য়াইবী লৌশিকে হায়দুনা লাইয়াম পুম্বা ৱাতাই-লাংদাই লাইয়াম পুম্বা লাংহৈরে।

চীংউবা লাইয়াম্না খোয়ুম শায়োন কয়া পুথোক্লম্মী। তাইবং পানবা মপুনা চাননবা, মনাই পোং কয়াগী য়াইবী লৌনবা থৌশিনশি হায়না ৱাতাই-শংদাইনরক্লে। চীংউবা লাইয়াম্না মাগী মাগী লাংওন কয়া তম্বা হৌরক্লে। লাংওন লাইদি -- লাই খরৌবা, মী খারোবা, লমতুবা-লমশেম্বা, লম্মাবা-তুমাবা, শারোই-লানলোই, হনু-কোকচাউ, হন্নু লৈখম, লাংওনবা লাই কয়া লাংদাইরক্লে।

মালেমদা লোইজিং লোইয়া, চীংখোং-চীংয়া, পাৎ-তুরেল, খোং, মংশোং কয়াদা চীংউবা লাইবু শিল্হা পীদুনা ফম্বাল ইতম্বা লাইয়াম্না থৌশিনকোন ওইরক্লে। চীংউবা লাই পুম্বদা তাইবং পানবা মী-পোং কয়াগা খোয়ুম লাই ওইবা নখোয়না ফাখোংননা মাইয়োক নৌ-ও। অঙম্বা অদুনা মপুগী থৌশিন-থৌদা মওইজৌ-ও মহায়এ। ফম্বাল ইতম্বা লাইশিং কয়াগী থৌজাল ফংজরে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বা ফম্বাল লাইনিংথৌ কয়াগী থৌজাল ফংলবদা, খোয়ুম লাইয়াম শারোই-লাল্লোই কয়ানা নমু পোং কয়া মালেমদা চাদা নাওদাদুনা লৈববু থিবা হৌরক্লে। তাইবং পানবা মীওইবপু চকশিংকোন লাংহৈ লাংদাইদি কোনবা চকলোন্দা, চীংউবা লাইয়াম্লক্তা চাদা লাংহৈনরিবদি নমু পোংনি। নমু পোংবু খোয়ুম শারোই-লাল্লোই কয়ানা, মীতা খোমদানরম্মী। কোরৌ থৌদা মপাংলিবা, অঙম-অঙান খায়রিবা মপু থৌশিন ইতম্না অনেম্বা মালেমদা লাংদাইপা খোয়ুম থৌশিনপতি, কোরৌ হনপনে।

কোরৌ হনপনা, য়োইদা ঙানবা থৌকাংঙৈ, য়োইহেনবা কোরৌ লাংহৈরে, অমম থোং তাইএ। মঙাং-লুৱাং-খুমন কৌএ। খোয়ুম লাইয়াম, শারোই লাল্লোই, তাংলৌ থেংলকপদা মালেমদা খুম্হোক্তুনা মপুগী থৌশিন থৌদা পাংএ। কোরৌ হনবনা লাইয়ামগী লাংদাইদা মালেমদা লৈপা লাইয়াম শাথিবা লৈপনা কোরৌ মশেক হেনপতা, খোয়ুম লাল্লোই শিংলোই কয়ানা অশাও থাম্বী লৈপনা কোরৌ থৌতা য়াররোই হায়তুনা মপু ওইবা কোরৌ হনপতা লাইয়াম চীনফেং হেনখিএ।

নহান নোংকী মপু কোরৌ য়াৱা লৈপনা, লাইয়াম শারোই লাল্লোই কয়ানা কোরৌ মশেক ওইবদা লাইয়াম লাল্লোই শিংলোই পুম্বা মীৎপাংঙমদেএ। তাংলৌ খুমন পুংকোইদা চাক্তাবা লাইদি লাইচোই-তিনচোই কয়া তাওরোইনে। তাইপং

পানবা মী পোং কয়ানা তাংলৌ থেংপা মতমদা লাইনা ঙাইদুনা লাইগী লৈফমলেন, লমহাং-তুমহাং, চীংখোং-চীংয়া কয়াদা খোযুম লাই লৈএ। মী থেংনৈএ। মী ফাদুনা লাইয়াম্না য়াইবী লৌএ-মীনসূ লাইবু চৈরাক পীবা ঙমএ।

ঙস্মা লাইদি, শারোই-লাল্লোই-শিংলোই-খারৌবা-খারৌবিনে। লাইয়াম্না অহিং তাংলৌ থেংবদা মী পোং কয়া পীবা চৎলে। মী পোং কয়াবু ফাদুনা য়াইবী লৌই। মী পোং মশিং ব্রাংলে। মপা-মচা-মশু কয়া সলাই পোং কয়া মীশি মীনা থোকএ। খোযুম লাইয়াম পুম্বনা মী য়াইপী লৌপা মীশিং মশিং ময়েং তাইএ। লাইয়াম শারোই-লাল্লোই হরাও মথোই কাইএ। মীনা লাইয়াম শারোইবু উবা ঙমদেএ।

চীংউবা লাইয়াম লাল্লোই-শিংলোই কয়ানা নমু পোং কয়াবু তাংলৌ থেংপা মতমদা লাইয়াম্না মীপু ফাদুনা চৈথেং পীনা মীশিং লাংঙমদনা মালেমদা চাদা-নাওতাপা পোং কয়া হাৎকৎলক্লে। মী পোং কয়াদা মপুরেন, শিতপতি সনা লাইকোন্দা চংদুনা সলাইচা কয়ানা খোঙদোই নাহুই তমএ। লাইনিংথৌ সনামহি মগাইথেন্দা মী পোং সলাই লাকএ। সনামহিনা মী পোংবু য়েংনা মহায়এ। করি য়াব্রা লৈপকে হায়না সলাই - ৭ তা হংএ। সলাই - ৭ না খুমজৈএ। মালেমদা মী পোং সলাই লৈপা ঙমলোইএ।

সলাইচাশিং মশিং লাংঙমদনা, লাই শারোই-লাল্লোই, লমতুবা-তুশেম্বানা, লাল্লোই-শিংলোইনা হাৎপিরে। কাইনা মৈশা লাংএ, মীৎলু লাইজা ঈহৌনা মহায়রবদা, লৈনুংলোন খরো অশৈববু কৌদুনা, পেনা ঔগ্রী থেনলোন লৈশেমলোন তমদুনা মালেমদা লৈপা চীংউ লাইয়াম কৌএ। লাইয়াম পুম্বা সনামহি মগাইদা লাকএ। সনামহিবু লাইয়াম লাল্লোই - শিংলোইনা খুরুমএ।

চীংউবা লাল্লোই-শিংলোই ঐখোয়পু শিদবা ইবুঙোনা কৌপিববু করি য়াব্রা লৈপকে হায়না লাইয়াম্না হঙ্গৎচৈএ। লাইয়াম শারোই-লাল্লোইবু য়েংনা মহায়এ। তাও শারোইদি লাল্লোই পুম্বা, নখোয়না করি নুংগী য়াব্রা লৈবনা নমু পোংবু তাংলৌ থেংবা অহীংদা মী পোং সলাইগী য়াইবী লৌপনো হায়না হংলপতা লাইয়াম্না তুমিন্না-মালেমদা লুকথদুনা লৈখি।

লাইয়াম্না খুমএ, ইবুংঙো ঐখোয়না পামজবদি ইবুংঙোনা শেম্বা নমু পোং তাইবং পানবা মীগী থব্রাই লাইয়াম ঐখোয়না পামজদুনা মী পোং সলাইগী য়াইবী লৌপনে হায়না খুমজখিএ। চীংউবা লাইয়ামগী হেল্লোইবা য়াব্রা তাবদা সনামহি শাওখিএ। মপুনা শাওবা উবদা লাইয়াম অকিবা পোকখিএনা।

লাইয়াম্না সনামহিদা হঙ্গৎচৈএ। মপু ইবুংঙোগী মফমদা লাইয়াম ঐখোয়না করিগুম্বা য়াব্রা অমা হায়জগে। তাইবং পানবা মী পোংগা থেংনবদা লাই ঐখোয়গী চিঞ্জাক অমদি পীবীয়ু। মীনা লাইদা কৎতুনা চাবা চীঞ্জাক্না মীহুৎ শিন্দুনা লাইয়াম ঐখোয়গী শরুক তন্বীয়ু। মীবু লাই ওক্লবা, তিনজু-লাইজু, অঙক-অঙাও পুম্বদা মপু ইবুংঙোগী থৌজান্দগী মী পোং পুম্বা অসিথোং থিংবা ওইসনু হায়না শারোই-লাল্লোই কয়াগী য়াব্রাহে তাবদা সনামহিনা পেনবীখিএ। মীচু লাইচুবা কোকখিএ খঙও।

হংজেলৈম চৈমর্ম গাংশৈ

খেনচোং লাংচি পেনা

মীওইবগা পেনাগা করিগী নক্করিবনো ?

চকশিংকোন লাংহৈরেন্দি লাংদাই অনেম্বা মালেমনি। অনেম্বা মালেমদা খুম্হোক তম্লীবা চীংউবা লাইয়াম অমাহিংতি নমু পোংনি। নমু পোং খোয়ুম লাইয়ামলত্তা লাংদাই শিংদাইঙৈগী ৱানে। মালেমগী লাংহৈ লাংদাইকোন্দা খুম্হোক ওইরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্নগী হৈনো তুংইননা নমু সলাই পোংনা লাংহৈ লাংদাইঙৈগী ৱানে। চৈচং-চৈশিং মওইরেন লাংহৈকোন্দি সলাইরেন, অপোকপা খোয়ুম সলাই শিদবগী লাংওন লাংদাই ওইরিবা সলাই পোকলেম্বা তরেংনা, নুংলোন্দা লৈগে মনিংনি! পান্দা লৈগে মখানি। লাংদাই-শিংদাই ওইরিবদি মালেম লাংহৈকোন্নি।

লাংদাই ইতমলেন লাংহৈরেন ওইরিবদি মালেমদা লাইনিংথৌ সনামহিনা মীংখৈরোন - ১০০০ লাংদাই শিংদাইরক্লে। মী পোং কয়ানা মালেমদা চাদা নাওদা ইতল্লক্লে। চীংউবা লাইয়াম কয়ানা ফম্বাল ইতমদুনা লাংওন শায়োন কয়া ওইরক্লে। মালেমগী মপু ওইরিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা, খুম্হোক তম্লীবা লাইয়াম কয়াবু মকৌদুনা নমু পোংগা লাংদাই-শিংদাই নহনলো।

লাই ওইপা মপু লাইনিংথৌ সনামহিনা মী পোং লাই কয়াগা লাংদাই-শিংদাইনরকপা উরক্লে। মালেমগী লাংহৈকোন্দা খোয়ুমগী শিন্থা ওইরিবা লাইয়াম পুম্বনমু মপু ওইবা লাইনিংথৌনা মপেনবীএনা। খোয়ুম লাই ওইবনা লাইনিংথৌ সনামহিদা য়াম্বা অসুম্না মহায়জেএ। হাদা মপু শিদবদি লাইনিংথৌ-ও, করি নুংগী য়াৱা লৈপনা, লৈনুংলোন লাংওনবা খরো অসৈবগী পেনা থাগৌ হেক্লোইববু নমু পোং সলাই চাদা মশিনবনো হায়না থৌখাইরেন পুম্বা চীংউ লাইয়াম খিবিক্লা মহায়এ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা নমু পোং সলাই, মালেম খুম্হোক লাই ওইপা কয়াগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই। শিদবা মওইরেন্দি মতাইরিবা লাই মী পুম্বা তাউও। মদু নোংগী য়াৱারেনবু মহায়কে। পেনা থাগৌ হেক্লোইপতি নুংলোন - ৯ পুপনে, পাক্লোই - ৯ লৈপনে। মী লাই তিনপনে। লাই ওইপা-৯ না লাংহৈকোন্দা লাংদাই-শিংদাই ইতমদুনা পেনা লাইহুই থৈরিক ইতমএ। লাই ওইপা - ৯ দি, নমু পোং কয়াগা লাংদাই শিংদাই ওইএ। লাইওইবা মীকা থানবা য়ারোই এ। পেনাতি লাইনি। লাই ওইপকা মী ওইপকাদি অমতনি-খণ্ডও হায়না সনামহি মপুনা লাইমিতা হায়এ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমতা লৈপা খোয়ুম লাইয়াম নমু পোং কয়াবু য়েংতুনা তাইএ। নমু পোং য়েক - ৭ সলাই - ৯ না থাগৌবা লাইওইবা পেনাবু শিন্নবাদি অতৈ করি অমা নংতেএ। য়েক - ৭ না পেনা নাহুইপতি অতৈ লাংহৈ পাওশানপনে। মী পোং কয়াগী লাংহৈ লাংদাইরেন্দা নমুনা খোয়ুম লাই ওইপা

পুন্নগী থৌশিন থৌদা মওইকনিএ। খোয়ুমগা নমু পোং কয়াগা লাংদাইকনি-এ।

নমু পোং সলাই - ৭ না অনেম্বা মালেমদা লাংহৈ লাংদাইকোন ওইদুনা, চীংউ ফম্বালকোন খোয়ুম কয়াগী থৌসু হেল্লোই পাংকনিএ। খোয়ুম লাই ওইবা কয়ানা মালেমগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই ফম্বাল ইতাইদুনা সলাই - ৭ কী থৌসু পোংদা খোয়ুম থৌনি ইতমগনি।

সলাই চাশিংনা অনেম্বা মালেমদা লাংদাইদুনা অপোকপা পোকলেম্বা - পোকলেম্বী অনিগী সলাই লাংহৈকোন লাংদাইগনি। নমু পোংনা পাউখা লাংহৈবদি খোয়ুম লাইগী লাংদাই ইকোন মওইগনিএ। নমু তাইবং পানবা মালেমগী অচংথোং লৈএ। পাওশারেন্দি লাংহৈ লাংদাইরেন্নি।

পৌশি হিরেন নোংচু খারোই ইতম্মা লাংহৈ লাংদাইরেন ইতমএ। পৌশি হেল্লোই নোংতম্মা লাংদাই মালেম নাহুইরেন। হেল্লোই ইতম খংকোইরেন লাইনিংথৌএ সনামহিনা খোয়ুম লাইয়ামদা পাওশাইএ।

খোয়ুম লাইয়াম পুম্বা ময়েংনা মহায়এ। তাওদা খোয়ুম লাইও, নমু য়েক - ৭ সলাই - ৯ না মালেমদা চাদা নাওদাবদি খোয়ুম লাইয়াম পুন্নগী কম্বালকোন মশিং হেল্লোইবনি। মী পোং লাই পুম্বা তিন্দুনা অনেম্বা মালেমদা লৈকনিএ।

মালেম লাংহৈকোন্দা লৈপা লাই মী পোং কয়ানা মপুরেন লাইনিংথৌ সনামহিদা হঙ্গৎচৈএ। য়ায়ারেন্দি, মপু ওইবা লাইনিংথৌ, মালেমদা লৈপা লাইয়াম ঐখোইগী থৌসু থৌকাং কয়াবু শিঙ্খা লাংহৈবদা, লাংদাই-শিংদাই মওইরেন্দা মপুগী হৈনা তুংইন্না থৌশিন থৌদা পাংবদা খোয়ুম লাংওন ওইজগে হায়না মালেমগী লাইয়াম্মা মপু সনামহিদা হঙ্গৎচৈএ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা নমু পোং সলাইচাশিংবু য়েংনা মহাইএ। তাইপং পানবা মীওইপতি পাখঙপগী নাওয়োমনুংকী লাংহৈ লাংদাইরেন ওইপনা নাওয়োমনুংকী জিপতি শিবা মাংবা য়াবা লাংওন্নে। নমু পোং লাংহৈ পাওশানবদি মখংও। য়াইবীকোন লাংহৈদা লাই - ৯ লৈপনে। তাইপং নুংলোন - ৯ দা পুবনে। নুংলোন ৯ দা পুবনে। নুংলোন - ৯ কয়াৎলোন্দা লৈপা লাইতি, তাওবী থোংদাই লাইনে। লাই ওইপা খোয়ুম - ৯ লৈপনে। লাংদাই শিংদাই ওইপনে।

লাংহৈকোন্দা লাই কয়াৎলোন- ৯ লৈপনে। লাংদাই-শিংদাই ওইবা তাইবং লাই-৯দি অচং-অশি নাইবনে। অশি-অচং নাইবা নুংদা লৈপনা পালোই-শিংলোই ইরেনপা লাইনে। লাই-৭ তা শিন্নবা লাই পেন্না থাগৌ নুংলোন পুবনু মী লাই সুমএ। তিংবী-য়ংবী, নুংলোন পাল্লোই, ইরেন-ইতাইরেন, থোংবী য়াইরেন মতাইপিএনা।

লাই ওইপনা শেমএ, নমু তাইবং পানবদা শিন্নবা পেনা থাগৌরেন্নদি, পাল্লোই লোংতম পেনানে। নুংলোই ইতাইপোং লাইসু পেনাতি অহিংপনে। মী লাই পুম্বা খংপনে। মীকী-মরোন লৈপনে। নুংলোনপু খৎবা উপা লৈপনা মালেমদা লৈপা লাইনা হায়পদা, করি নুংগী য়ায়া নংতেএ। লাই ওইপা হেল্লোইপা লৈনুং খরো অসেবগী পেন্নানা থাকৌবদি মতিক ময়াই লৈপনে। মী লাই পুম্বা কৌপা ওন্নুনে।

লাই - ৯ না লাংঙন তমদুনা মহায়খিবা রা লৈএ। মালেম লাংসু হেল্লোই লাইনা লৈকুৎ লৈরাইদা লৈপা, উতা-রাতা লৈপনা মখোয়পু থেংনখিবতা, থাকৌবা লাইশিংনা মহায়খিএ। ইবুংঙোবু ঐখোয়না ঙাইজবনি। মপোক লাংঙন খুদিংগী ওইনা লাই ওইপা পুন্সিগী থৌগন ফংজগে হায়বদা খোয়ুমগী রাবু তাবদা হোয়াইএ।

মদু নোংদা মখোয়বু য়েংদুনা হায়এ। চকশিং লাংশিং কয়াদা মালেমদা লৈপা লাইশিংবু মহাইজবা ওইএ। খোয়ুম লাইয়াম পুন্সিগা সলাইদা লৈপা পেনা থাকৌবগা লাংদাইও। সলাই লাই-৭ সু মীৎপাংদুনা মীকা-লাইকা য়ারা চীংকোইজৌও। শিদবী মপুরেনগী রাসু তাও হায়না মতাই, মপু ওইপনা মী পোংদা মহাইএ।

লাইনিংথৌ সনামহিগী য়ারা মপাও তাবদা মী পোং সলাই, সলাইচাশিংনা হরাও মথোই কাজেএ। মী পোং কয়াগী লাংহৈদা লাংদাই পাউশা ইতম্মা পেনা থাকৌও হায়দুনা মপু ওইপা লাই সনামহিনা নমু পোংদা হায়এ। মী পোং সলাইচাশিং পুন্সিদা মহায়পদা হোয়াইএ। পোংবু য়েংনা লাংহৈএ। লৈনুংলোন খরো অসৈবনা পাইপা পেনা থাগৌরেমপতি অতৈ-নৎতেএ। লাইওইপা পেনানে। পুন্সি মাঙোন্দগী থোকপনে। মাঙোন্দগী ওইপনা সলাই তরেৎ-তা থাইপনে।

সলাই-৭ না পাইপা থাকৌবা পেনাতি, হিংপা শিপা নাইপনে। মী পোংসু শিবনে হিংপনে, পোকপনে লৈকনি থংও। মপোক লাংঙন তম্বদি, নমু পোংনে। সলাই - ৭ কী লাংদাই সলাই নমু পোং পোকপা শিপা লৈকনি। থাকৌ পেনাসু পালোই সলাইদা লৈনুংলোন খরো অসৈবনা শিন্নবা পেনা থাগৌবদি লাইদা হঞ্জিনবনে। লাইদা পীবনে খঙও। নমু পোং পুন্সি-ও হায়না সলাই শিদবগী সলাই চাগোক নমু পোংদা লৈপনে।

পোকপা তাইপং সলাইপু য়োকপতি খঙও। অপোকপা সলাই - ৭ লৈপনে। সলাই - ৭ কী অপোকপা লৈপনা নমু পোংনা মালেমদা লৈপা ঙম্বনে। অপোক আশা লৈকনি। পোকপা শিপা তাইপংনি হায়তুনা সনামহিনা সলাই পোং কয়াদা তাকপিএ। সলাইনা শিদবা লাই ওইপা মপুদা হায়এ। তাইবং ঐখোয়না লৈজবদি মপুওইবা ইবুংঙোগী মরুম থুপ্তুনা লৈপনে। ইবুংঙোনা শেল্লীবনে, শাবিবসু সলাই পোংনে হায়না সলাই চাদি পোং কয়ানা লাংহৈএ।

অসি খিবিক লৈবনা লাংহৈকোন লাংদাই-শিংদাইরেন ইতমএ। লাংহৈ পাউশানরো, নমু চাদা লাংহৈরো, অসৈরেম্বা পেনা থাগী থাবু লাইনি খন্না খোয়ুমগী শিন্থা ওইজরো হায়না লাইনিংথৌ সনামহিনা নমু পোং য়েক - ৭ সলাই - ৯দা লাংদাইবীরে। খিবিক অসি লৈবনা নমু পোং য়েক - ৭ সলাই - ৯ গা পেন্না থাগৌরেম্বগা অনিদি থানফরোই থানফদেএ। খিবিক অসি লৈবননে। য়ারা অসি মহায়না মতাইরম্লগা মীৎলাই পুন্সি য়েংলগা সনামহি মগাইফমদা হঞ্জিনখিএনা। অসি নোংকি য়ারাপু খেনচোং লাংচিং পেনা মকৌএ।

ꯂꯩꯃꯦꯏ ꯂꯩꯁꯦꯃꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡ

নুংতাই নুংশেম পেনা

চৈজিংলোনবু করি কৌবগে ?

চকশিং-লাংশিং কয়াদা লাংদাই-শিংদাইরেন মপু ওইরিবদি অনেম্বা মালেমদা লাংহৈবদি লাইনিংথৌ সনামহিনা, কৌবা মপু ওইরিবা শিদবা লাই ইপুরোইগী ময়াথংলেন ইনজদুনা অনেম্বা মালেম লাংহৈকোন্দা সনামহিনা লোংকুম তমদুনা লৈশেম-নুংশেম লাংহৈরক্লে। মালেম লৈশেম নুংশেল্লু লোইরবদা, হয়া লাংহৈদা কোরৌ লাইবু মালেম অনেম্বা খুন্থোক মতমএ। লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমদা লৈপা লাইশিংগী লাংওন কয়াবু য়েংলক্লে। কোইনা লৈনা মালেমদা খোঙদোই নাহই তমদুনা ময়েংলকপনা।

খোয়ুম লাইয়াম কয়া মশিঙ লাংঙমদনা মালেমদা লৈপা উরক্লে। চীংউ লাই কয়ানা মালেমদা খুন্থোক তম্লকপপু সনামহিনা পাইমা নুংদা হরাও মথোই কাজৈনা। লাইয়াম য়েংনা মহায়এ। তাউও মালেমদা খুন্থোক তম্লীবা চীংউবা লাইয়াম পুম্ব-ও। লাই ওইবনা লাংওন তম্পতি খোয়ুম মতিক ময়াই পুম্বা লাংদাই শিংদাইবনি। লাংদাই-শিংদাই পুম্বা লাংহৈবদি, খোয়ুম লাইয়ামগী থৌশিন্নি।

অসিতসু নহিংতা, লাইয়ামগী লাংহৈ-লাংদাইরেন্দি মালেমদা লাংওন তম্বনে। লাংওন মপুংয়াই ওইবনা মপুগী থৌশিনকোন ওইগনি। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বনা থৌদাং মহৈ য়ানবদি চকশিং লাংশিং লৈগনি। চকশিংকোন লাংহৈকোন্দা লাংদাই মহৈ ওইবদি খোয়ুম লাইয়ামগী লিরেন্নি। নোংদম খোঙলেন মপুগী থৌদাং মাবু পাংজবা, খোয়ুম ফম্বাল মতাইজৌ-ও। অসি য়াব্রা পুম্বা মহায়এনা শিদবা লাইনিংথৌ সনামহিনা।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমদা লৈপা লাইয়ামগী তুংদারেন লাংহৈ পাউশানরকদবা পুম্বা মহায়এ। লাইগী লিরেন পুম্বা লাইয়ামদা সনামহিনা মহাইপতা লাইয়ামসু হোয়াই। চীংউগী থৌশিন-থৌদা পাংজবা লাংহৈকোন লাংদাই-শিংদাই-ও। মপুগী য়াথং পাংলবদা মালেমদা লৈপা লাইয়াম পুম্বনা হোয়াজৈএ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমগী লাংহৈকোন কয়াদা লাংদাই-শিংদাই ওইরকপা লাইজা খোংদা লৈপা খোয়ুম লাংওনপা কয়া লাংহৈ লাংদাই ওইরক্লে। মপুরেন শিদবগী মালেম লৈশেমকোন্দা খোয়ুম ওইবা কয়াদা লাংওন মাপু লাংদাই শিংদাইএ। শায়োন মপু ওইরিবদি মালেমদা খুন্থোক তম্লিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনে। মপুরেন্দি শিদবনে। শিদবা মপুরেন ওইপনা লাংওন ইতমদুনা মালেম লাংহৈকোন খোয়ুম কয়া লাংদাই শিংদাইরক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমগী লাংহৈকোন্দা অসুম অসুম লাংহৈনরকপনা লাংদাইকোন মপুং ওইরক্লে। কোরৌ মপু ওইবগী ময়াথংলেন

ইঙ্গদুনা থৌকাং মাবু পাংজরিবা কোরৌহনবা অমম-অঙান খাইপনে। মশাদগী ওইপতি থানি। নুমিৎ থাদি কোরৌ থক্তা লাংহৈবা লাংদাইরবেন মপুগী থৌশিং পুংকোক্ষ ওইরিবা নুমিৎ-থানে।

নুমিৎনা থাবু লাংহৈএ। থানা নুমিৎপু লাংদাইএ। নুমিৎ কৌবা লাইগী মফমদা মালেম লৈশেম নুংশেমঙৈদা, লাইনিংথৌ সনামহিবু য়েংনা কোরৌহনবনা মহায়এ। হাদা খোয়ুম লাংওনববু, লাংওন-লাংদাই হেল্লোইব-ও, মপুগী থৌশিন থৌদাদা খোয়ুম শিন্থা লাংহৈ মওইরিব-ও। য়াৱা অমা খিবিক মহায়জগে হায়না কোরৌহনবা মপুনা লাইও সনামহিদা মহাইএ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা কোরৌ মপু ওইরিবা, কোরৌহনবগী য়াৱা তাবদা হায়এ। করি মপুগী য়াৱা লৈপগে মতাকপিয়ু মহায়রবদা, কোরৌহনপনা লাইনিংথৌ সনামহিপু য়েংনা মহায়এ। খোয়ুমগী লাংদাইকোন, মালেম্বু লৈশেম-নুংশেম্বদি, কোরৌ লাই ওইপা ঐগী থৌদা অমা তেংবাংজগে হায়না কোরৌহনবনা সনামহিদা মহায়এ।

সনামহিনা কোরৌ অঙানববু য়েংদুনা মহায়রকএ। খোয়ুমগী য়াৱা তাবদি, সনামহি ঐগী লাংহৈকোন লাংদাই মপুংয়াই ওইএনা। খোয়ুম য়াৱাদি কোরৌ মালেম তাইফরোইএ। সনামহি লৈশেমকোন্দা, কোরৌহনবনা থৌখাই মঙমদি, মৈশা ইৱা-ইরেন তম্ববু ইতাইবীয়ু হায়না হঙ্গৎএ।

কোরৌহনবনা সনামহিগী য়াৱারেন মতাবদা, খোয়ুম থৌশিন থৌদা পাংলগে মহায়না মখঙ্গেএনা। লাইনিংথৌ সনামহি কোরৌহনবা অঙানবকা হোয়ানখিনৈএ। লাই ওইপা অনিগী য়াৱারেন ইতম থৌখাং মপাংলক্লে। হাদা মপু শিদবা, কোরৌথক্তা লাংহৈরিবনা সনামহি কোরৌহনবগী থৌশিন থৌদা পুম্বা মউনা লাংহৈরিএ।

লাইনিংথৌ সনামহি, হয়া লাংহৈকোন, লাংবা চকলোন লাংদাইরেন্দা, লৈশেম নুংশেমএ। কোরৌহনপনা থৌকাংএ। অমম-অঙান খাইরক্লে। য়োইদা ঙানবা অঙানবনা মঙান-মশেক য়েরক্লে। মালেম লাইজা ইহৌরম্বা পুম্বা কংলক্লে। কোরৌগী থৌদা পাংজবনা লাংহৈকোন লাংদাই শিংদাইনরক্লে। কোরৌ মচিহেন, লাংহৈ পাউশানরক্লে। মপু ওইবা য়োইদা হেল্লোই অঙানবনে। সনামহি লৈশেমকোন খোয়ুম তেংপাংএনা। কোরৌহনবগী মঙান্না, থাজা লাংচি হুনখ্রে। মওইনরক্লে হাদা মপুং লাংহৈএ। নুমিৎ কৌএ কোরৌহনবা, থাদি নুমিৎ লাংহৈনি। নুমিৎ-থা অনিনা লাংববু মপু ওইপা লাই সনামহিনা উইএ।

কোরৌহনবগী মতিক-ময়াইনা মালেমদা লাইনিংথৌনা মপুথোকপা হৈশান-লৈপান, উপান-য়াপান, মনা-মশিং হিংএ। জিবা কয়া মালেমতা লৈপা ঙমএ। মদু নোংপু উপতা, মপু ওইপা সনামহি হরাও-মথোই কাজৈএ। নুমিৎলোই থাওই অনিনা কোরৌথক্তা লৈপা উইএ। থাসু নুমিৎসু থানদনা লৈএ। নুমিৎ থা অনিগী লাংহৈবু মালেমদা লাংদাই-শিংদাইবীয়ু হায়না মালেমগী

মপুরেন লাই সনামহিনা কোরৌ লাই নুমিৎ-থাদা মহাইএনা। নুমিৎ থানা মালেমদা নুংফদেএ। খোয়ুম ওইপা ঐথোয় অনিগী লাংদাইবু লাংওন মী পীজগে হাইনা সনামহিদা নুমিৎ-থা কৌবা লাইনা মহায়এ।

নুমিৎকী শায়োনবু ইতাইনবা লাই ওইনা লাইজা নুংদা সনা ঈরিক তমখিএনা। কোরৌহনবগী মঙান মশেকনা লাংওনবা নুংলোন পাল্লোন তাইপা ওন্না লাই - ৯ পু ইরেনসু থোংলেন্দি অনেম্বা মালেমগী লাংহৈকোন সনা চুকথাং য়াই ওইবা লাই-৯ ওনখিএ। অসি নুংগী ওনবা লাই অময়-অঙান অনিগী মরক্তা লৈপা লাইনে। খোয়ুম মাগী খোঙ্হোক অহানবা কোরৌহনবগী মমি মৈশা ঈরিক্কোনগী লাংহৈনে, মানা মালেমদা লৈখিএ।

সনামহিনা থাগী থাসু হেক্লোই মতৌ উপদা মালেমগী জিবা কয়াদা অনেম্বা মালেমদা লৈজবদা মপুগী লৈকোন মপুংয়াই ওইগনি হায়না থাওইনবা কোরৌ লাইদা থৌখাই মদু পাংখীয়ু। মঙান-মশেক ওইবদো মালেমদা নতিক নয়াই পীবিয়ু হায়জরবদা থাদি থাওই লাই ওইপনা কোরৌ থাগী লাংচিরেন্দা ওইরক্লে। থাগী নিংথিবা হেক্লোইববু মদু নোংগী উহনকে, থানা থাওইপা লাইনা সনা ঈরিক-৯ বু মালেম তুথাইননা মপিএ থাগী লাংহৈকোন লাংদাইএ।

নুমিৎ থা অনিগী কোরৌ থক্তা পাংপা খোয়ুমগী থৌদারেনবু মউরক্লবদা মালেম খুঙ্হোক লাংলিবা সনামহিনা মউরক্লে। সনামহিগী লৈশেমকোন্দা থাগী নুমিৎকী লাংহৈপ্ লাংদাই মপুংলেন ইতমদুনা, মালেমদগী অহানবা নুমিৎ থা অনিনা থাকৌএ। মৈরেন হেক্লোই তমএ, হায়পনা মৈরেন লাইনা চৈশিং লাংশিং লৌএ। থাবু হেক্লোইননা তমএ হায়পগী থাজা লাই থাকৌএ। নুমিৎ থাগী শাওং অহানবা ওইপতি চৈজিং থাকৌবনে খঙও। সনামহিনা নুমিৎ থাদগী লাই ওইপা - ১৮ লাংদাইননা মালেম ইতম্লখিবনে খঙও।

লাই ওইপা কোরৌহনপসু লাই মপু মালেম লৈশেম্বা সনামহিগী ময়াথংলেন মঙাকখিএ। কোরৌ নুমিৎ থা ওইপসু সনামহি লৈশেমকোন্দা খোয়ুম তেংপাংখিএ। মপুগী লাংদাইকোন ওইপা অনেম্বা মালেম লৈশেমকোনে। শিদবগী লৈশেমকোন্নে, অসম অঙান নুমিৎ থা লৈপা মালেমনে খঙও।

লাইনিংথৌ সনামহিদি লাংওন মপুনে। মীসু লাইসু পুম্না তাইবনে। সনামহিনা মালেমদা লৈপা জিবা কয়াগী মপুনে। কোরৌহনবা অঙানবা থাইরক্লে। নুমিৎ থা অনিনা কোরৌ মৌশিনকোন লাংহৈরে। শিবা মপু লোংদম্লে।

কাংলা কেক্লোন্দা লাইনা ফম্বান ইতাইএ। পেনা থৌসু হেক্লোই, চৈজিং থা কৌবা, অহানবা খোয়ুম লাইনা মমি তমএ হায়বগী লাইগী চৈশিং লাকএ। থাবু কোক্লে হাইপগী থাকৌখিএ সনামহি লাইহুইরোল্লা নোংতম্বনে খঙও, কাওগনো। অসি লোনকি য়াম্নারেম্না নুংজাই-নুংশেম পেনা হায়বনে।

নুং তাই নুংলোন পেনাগী রাপু হাম্নকে। কোরৌ থক্তা অঙৌ অঙান খাইপা লাই ওইপা নুমিৎ থাগী থৌশিন থৌদাবু মালেমদা লাংদাইকোন ওইখিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা কোরৌহনবা নুমিৎ থানু মকৌএ, নুমিৎ থা ওইপা লাইওইপনা মালেম নোংকুম মতমএ, মালেমগী মপু ওইপা সনামহিল হুন্দংচৈএ, কবিনোংগী যাম্বা লৈপকে হায়না মহায়এ। মদু নোংগী কোরৌহনবা লাইকি যাম্বা তাবদা মহায়এ লাইনিংথৌ সনামহিনা কোরৌহনবা মপুলোন নুমিৎ থা হায়না মিংকৌবা-ও খোংনুম অনিগী মতিক ময়াইদা অলেম্বা মালেমদা লোনশীরে। অমম অঙান থাইনবা খোঙুম মমাই হেক্লোইপনা মালেমগী লাংদাইকোন ওইখরে। কোরৌহনবা নুমিৎ থাগী মতিক ময়াইনা মালেমদা লাংদাই মপুং ওইজগে হায়পতা কোরৌহনপা নুমিৎ থানা হোয়াখিএ। মালেমদা লৈপা লাইয়াম পুম্বনা নুমিৎ থাগী শাওংনা মালেম মপুংওই ওইখিবা লাইয়ামদা থৌজানবীয়ু হায়পতা নুমিৎ থানা চৈজিং নুমিৎ থা, থাওইপা লাংওন তমদুনা মালেমদা নুংতাই নুংশেক পেন্নাগী নুংলোন রাপু মহে য়ানখিএ।

শৈথারমচঙ্গে মাংগৈ

নোংকুমথেন পেনা

পেনাগী মগুন করিনো ?

চক্‌শিংকোন লাংহৈদা লাংবা কোম্না চক্লোম্লে। লাইনিংথৌ সনামহি মালেম নোংকুমখ্রেনে। তুশেম লাংশেংখ্রেনে। লমাই ইভমখ্রেনে, মী পোং শোম্খ্রেনে। তিন কাং জিবা কয়া লাংহৈ পাউশাখ্রেনে। শিদবা লাইনা কোরৌথক্তা থৌশিন-থৌদা মপাংখ্রেনে। হয়া লাংদাইখ্রেন, সনামহি লাংহৈরেন্দি মতাইহৈরক্লে। খোয়ুম লাইয়াম পুম্বনা মালেম লাংহৈকোন্দা নোংকুম তম্দুনা লাংদাই শিংদাইখ্রেনে। খোইবু লাইরেম্বী মালেমনা নোংকুম লাংহৈখ্রেনে।

কোরৌ মপুরেন ওইপনা অনেম্বা মালেমদা কোরৌ লাইনা নোংকুম তম্লকবা, চীংউবা লাইয়াম থৌসু হেল্লোই মপুংয়াই মওইনবা মহাইদুনা নোংথৌ কোরৌ অরাংবা লাই মপু শিদবনা, কোরৌহনবা মালেম নোংকুম্লবা থৌসু থৌরেন থৌথাই মপিরক্লে। কোরৌহনপনা ইপুরোইএ শিদবগী ময়াথং ফংজবদা মহাইএ। ইপুরোইও শিদবা-ও, য়ারাদি কোরৌ মালেম তাইফরোইএনা। খোয়ুম থৌশিন থৌদা মঙম পাংপতি মপুগী হৈনা তুংইঞ্জবনে। হোয়াজেএ হায়দুনা মপুগী শিন্থাবু চরৈ ফিগাও শাদুনা লৌএ।

কোরৌহনপগী থৌওংপু মপু শিদবনা কোরৌথক্তা লাংদাইএ। কোরৌ লাইবু ইপুরোইনা হাই। হাদা কোরৌ হেল্লোইপও, খোয়ুম লাইয়াম পুম্বসু কোরৌ নংগী নঙান-নশেক ওইজৌও। মালেমদা লৈপা মী পোং লাই কয়াবু কোরৌহনবা নংগী নতিক নয়াইনা লাংহৈ লাংদাইবা ওইসনু হায়না শিদবা মপুনা নোংদম খোংলেন মপুদা শিন্থা লাংহৈএ।

কোরৌ থক্তা ইপুরোই শিদবগী য়াথং ফংজরবদা, কোরৌ মালেম অনিমক্তা ওইনা খোয়ুম ঐনা লাংওন-লাংদাই ওইরগে। কোরৌসু লাংহৈগে, মালেমসু লাংদাইকে, হায়না খোয়ুম শিদবা কোরৌ মশেক ওইবা লাইনা খোয়ুমগী পুম্বা পাউশা লাংহৈ লাংদাইরক্লে। কোরৌহনবনা মালেমদা লৈপা লাই পুম্বী লাংহৈ পাউশানরক্লে। কুরু শিদবা লাংহৈরে।

কোরৌ মালেম অনিমক লাংদাই-শিংদাই মওইরে। হরি হয়া লাংহৈরে। মপুরেন শিদবগী লাংহৈকোন অনেম্বা মালেম লাংদাইকোন্দা কোরৌ লাইনা লাংওন শায়োন ইতল্লে। হৌরেম্বা কংলৈ ইতল্লেন, মালেম লাংহৈ পাউশারে। ইরেন সুরেন থৌসু থৌরেন য়াংখোংলে। লাইরেম্বা-লাইরেম্বী পুম্বনা সনামহি লৈশেমকোন্দা লাংদাই শিংদাই ওইরক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমগী লাইয়াম পুম্বগা লাংদাই শিংদাই ওইরক্লে। লাইয়াম পুম্বা লাংহৈরে। কোরৌ লাইনা লাংহৈবা মালেমকোন লাংদাই শিংদাই মওইরক্লে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বা লাইতিন পুংকোই তম্লক্লে। লাইনিংথৌ সনামহিনা চীংউ লাইয়ামগা লোয়ননা লাংদাই শিংদাই মওইরক্লে।

মশানৌএ পাখঙবনা ময়ামপুংলেন লাই ওইপা সনামহিদা কোক্লোঞ্জেএনা। লাইনিংথৌনা মশানৌবু মগাইফমলেন্দা ফমদেংহল্লে। লাইয়াম পুন্নগা মচিন-মনাও অনিনা লাংহৈ লাংদাই ওইরক্লে। চীংউবা লাইয়াম্না লাইনিংথৌ সনামহিদা কোক্লোঞ্জেএনা। লাইনিংথৌ সনামহি মশানৌ লাই ওইপা পাখঙপাদা হুঙ্গৎচৈএ।

খোয়ুম মপু শিদব-ও, লৈশেম-নুংশেম মপুরেন খোয়ুম লাইয়াম পুন্নবু অনেম্না মালেমদা ইবুংঙোনা নোংকুমহনবীরে। লাইয়াম পুন্নগী লাংওন মপুংয়াই ইতমজগে, লাংহৈ মপুংয়াই ওইবসু খোয়ুম নোংদম্নীবু হায়না লাইয়াম্না সনামহিদা হুঙ্গৎচৈএ।

মপুরেন লৈশেম্না সনামহিনা লাইয়াম্বু য়েংনা মহায়এ। তারো চীংউবা লাইয়াম পুন্না লাংহৈ পাউশানজরো, লাংওন মপুংয়াই ওইজবনা খোয়ুম লাংদাই মওইজৌও। লাংওন ফম্বাল ওইবনা খোয়ুম মতিক-ময়াই হেল্লোইজবা সনা নোংতম লাইহুইরোন ইতমও হায়না লাইনিংথৌ সনামহিনা নোংদম্নীরে।

লাইনিংথৌগী থৌজাল ফংজরবদা চীংউবা লাইয়াম পুন্নদো মালেমগী লাংহৈকোন্দা মপুংয়াই লাংদাই মফংজরবদা খোয়ুম লাংহৈ ইতম্না মালেম ইনুংকোন লাংদাইরে। লাইয়াম হরাও মথোই কারক্লে। চীংউবা লাইয়াম্না মহায়রক্লে। হাদা লাইনিংথৌ মপুরেন-ও, খোয়ুম লাইয়াম পুন্নগী ওইনা লাংদাই-শিংদাই ওইরিবা পেন্না থাগৌরেম্বগী অসৈ লৈনুং খরোববু কৌদুনা লাংহৈ পাউশানহনবীয়ু হায়না চীংউবা লাইয়াম পুন্না লাইনিংথৌ সনামহিদা হুঙ্গৎচরে।

লাইনিংথৌনা লাইয়াম্বু য়েংলগা মহায়এ। তারো লাইয়াম পুন্না, অসৈবদি খরোববু কৌকে, খোয়ুম লাংওনবা মহাক্কী লাংদাইকোন লাংহৈ পুন্না মালেমগী পুন্না মখঙহৌরো-মউহৌরো হায়না সনামহিনা মহায়এ।

লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈনুংলোন খরো অসৈবকী মীংখৈ হায়দুনা কৌএ। লৈনুংলোন্দা লৈপা লাই খরো অসৈবা মালেম লৈরোন নুংলোন্তা লৈপা ঙমদদুনা চীংউপা লাইয়াম পুন্না থিপা হৌরক্লে।

চীংউপা লাইকী লাংওন ওইরকপা লৈনুং খরো অসৈবনা মালেমগী লাংহৈকোন্দা লাইনিংথৌ সনামহি অমদি চীংউবা লাইয়াম পুন্নবু থিরক্লবদা অসৈবনা লাইয়াম থিবা ফংদ্রবদা, থৌরে পামেন ফৈরাথক্তা তোংদুনা পেনা থাগৌরেম্বানা শৈশবথিএ। মদু নোংনা লাইয়াম্না লৈপা মফম্বু খঙথিএ।

লাইয়াম পুন্নগী মগাইফমদা অসৈবনা খোংদোই নাহুইএ। নাহুই ইতম্বনা লাইয়াম্না লৈপদা চঙলক্লে। অসৈবা লাংওনবনা লাইনিংথৌ সনামহিদা কোক্লোঞ্জেএ। লাইনিংথৌ সনামহিনা খরো অসৈববু য়েংনা মহায়এ। খরো অসৈবাও, ঙসি কোনৌ হেল্লোইপা নুমিৎলোইদা অসৈবা লাংদাইও। লাইতি মালেমদা লৈপা লাই পুন্নবা খঙহৌসনু, খোয়ুম লাংওনবা নুমিৎ-থাকী লাংওন ওইপা মপুনী চৈঙিং থাবু ময়াই হেল্লোই পুন্না মালেমদা লৈপা লাইশিংদা থৌশাইপতি অসৈবনা শিনবা ওইয়ু হায়না সনামহি মপুনা অসৈবদা মহায়এ।

মালেমগী লাংহৈকোন লাইতিন পুংকোই লাংহৈদা লাইনিংথৌ সনামহিনা

[illegible]

লাংদাইকোন পেনা

পেনা কনানা শিজিন্নবা হৌরকখিবগে ?

চকশিংকোন লাংহৈদি হয়া চকলোন্দা লাংদাই-শিংদাই ওইরিবদি মরুরেন শিদবা ইপুরোইনে। ইপুরোইনা কোরৌ লাংহৈকোন লাংদাই-শিংদাইঙৈগী য়ানে। মপু ওইবা ইপুরোইনা কোরৌ লাইয়াম পুম্নবু লাংদাইকোন মওইঙৈগী য়ানে। শিদবা লাইনা য়াইবীকোন্দগী খোয়ুম লাইগী মপোক ওইববু লাংদাই শিংদাইএ। লাই পুম্ননা শিদবা ইপুরোইবু য়াঙমথোইবা হেক্লোইবা ফম্বাল ইতম্না খোংসুবা শিদবদি ইপুরোইনি হায়না কোরৌ লাইনা শিনঙৈনে।

কোরৌদা লৈবা মশিং লাংঙমদ্রবা লাইরেল্লি। লাইশিংগী থৌশিন পুংকোই ওইরিবদি, ঈ মপু শিদবনে। শিদবা লাইনা কোরৌথক্তা লৈবা লাইবু য়েংনা মহায়এ। তারো চীংউবা লাইয়াম পুম্বা, খোয়ুম লাইয়াম পুম্নগী থৌশিন থৌদা ওইপতি চকশিং লাংশিং মতমকনিএ। চকশিংদা লাই লৈবনি, লাংশিংতা ফম্বাল লাইবনি খঙও, কোরৌ লাইয়াম পুম্বা।

কোন্না চকলোন লাংহৈ লাক্কনিএ। কোনবা চকলোন্দা মী পোং লাই পুম্বনা মালেমদা চাদা নাওদানরক্কনিএ। মীবু লাইনা শেমগনি। মীনা লাইপু মমা-মপা, মপু-মবেন ওইবত্তি অতৈ য়ান্না নংতেএ। মীকী শেম্বা লাই ওইপা মালেমদা লাংদাইরকপদা খঙএ। মীবু শেম্বা লাইনা শেম্বদি ইপু-ইবেন কৌকনিএ।

ইপু-ইবেত্তি, ইপানা উবা হানবা লৈএ। ইপানা ইপু তাক্লক্কনি। ইপুনা ইপুধৌ পোকএ। অহানপতি ইপা খঙএ। ইপু নাইপতি সলাই চাগোক্লে। মী পোং কয়ানা লাংদাইবা ওইরক্কনিএ। ইপা-ইপু-ইবেধৌ হায়না মৈরাইনগনিএ। চাথাং-নাথাং-পুথাং লৈবনিএ। লাইকী মচাদি নমু পোংনে। নমু পোংগী লিরেন পুম্বদি লাইকী লিচৎ চৎপনা তাইপং মালেমদা লৈপনা চাদা নাওদাগনিএ। লাইয়াম পুম্বদা কোরৌ মালেম লাংদাইকোনগী য়ান্না খোঙ্হোক মতমএ। লাই ওইপা কয়াগী নুংলোত্তা মপু শিদবগী য়ান্নাবু কাওদ মমি থমজখিএ।

চীংউবা লাইয়াম পুম্বদা মপু শিদবনা কোরৌগী লাইয়াম পুম্বনা লাংদাই শিংদাই ওইরক্কদবা পুম্না লাংহৈ-লাংদাইনরক্লে। মথৌ থৌশিন থৌদা পুম্না ইঞ্জরিবা চীংউবা লাইয়ামনে। হয়ি চকলোন্দা কোরৌ থক্তা লাংওন-শায়োন তমদুনা লাংদাই ওইরিবদি চীংউবা লাইয়াম্মি। লাইয়াম্বু য়েংনা শিদবনা মহাইএ। খোয়ুম লাংওন শায়োন ওইবদি থৌশিন থৌদা মঙম পোংদা মথৌ খঞ্জবনে। লাংশিং চকশিং কয়ানা মপুগী লাংহৈকোন তাকপনে হায়না কোরৌ লাই ওইপা কয়াদা মপু শিদবনা নোংদম্বীএ।

মপু সলাই শিদবা, লাইনিংথৌ সোরারেন অচিবা, লাইনিংথৌ সনামহি, কোঞ্জিন তুকথবা, কোরৌহনবা, নোংতম্বা লাই, লাংদাই-শিংদাইনরক্কদবা লাইবু

মালেমগী অৱাং খৈরেন্দা মাইওন ওল্লে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা অসৈবগী লুমাং থাদা ফমদুনা লৈনুং অসৈবনা নুমিৎ থাওইনরক্লবা, থাগৌরেম্বসু লাংহৈ পাউশানরক্লে। য়েৎওইবনা চৈজিং পাই, ওইওইবনা থাবু পম, হৈ হয়া লাংহৈ লাংদাইনরক্লে।

লাইয়াম পুমবনা অসৈবগী লাংহৈ-লাংদাই পুম্ববু লাংহৈ পাউশানরক্লে। অসৈবনা মহৌদোকপা পেনা থাগৌরেম্বগী লাইশিং পুম্বা মমিৎ পাংএ। লাইয়াম্না মদু নোংগী য়াৱাবু মউবদা লাইয়াম পুম্বা অঙকপা লাংহৈ পাউশানরক্লে। পেনা থাকৌরেম্বগী লাই অমনা সুমএ, অমনসু কৌএ, অমনা কপ্পেএ, অমনা নোকএ, কয়াগী খোঞ্জেল তাবদা চীংউবা লাইয়াম পুম্বা করি নোংগী লাংহৈনো হায়না লাইয়াম্না লাংদাই শিংদাইনরক্লে।

লাইয়ামগী থৌদাং কয়াবু লাংহৈরে। খোম্হোকলোন কয়া মতারবদা, পেনা থাকৌ হেল্লোইপগী মতিক-ময়াই পুম্বা শাফোঙলবদা লাইয়াম্না মালেমদা খুম্হোক-লাম্হোক তম্লকপা পেনা থাকৌরেম্বগী মতিক মগুন পুম্বা খঙএ।

লাইনিংথৌ সনামহিদা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা মহায়এ। হাদা খোয়ুম লাইনিংথৌ। কোরৌনা হেল্লোইবদা নোংদম খোংলেন মপুনা পেনা থাকৌরেম্বগী মতিক-ময়াই হেল্লোইএ হায়পাবু পেনা থাকৌরেম্বা লাইয়ামনা খঙপা ঙমএ।

মতিক ময়াই হেল্লোইপা লাইয়াম পুম্বনা থাকৌরেম্বা নুংলোন পুম্বা খঙখিএ। সনামহিনা চীংউবা লাইয়ামদা শিনখিএ। চীংউবা লাইয়ামগী থৌসু থৌখাইদা থৌকাংলসনু হায়পিএ। লৈনুংলোন খরো অসৈবসু সনামহিগী য়াথং কংদুনা মগাইদা হনখিএ। লাইয়াম পুম্ববু মাগী মাগী লাংহৈকোন্দা ইতমখিএ। লাইওইপা লাইনিংথৌ সনামহি, মালেম লাংহৈকোন লাংদাইদুনা পেনা থাকৌরেম্বা মতিক ময়াই খঙজখিএ লাইয়াম্না।

ৱাঙুরোন

নোংকুমথেন পেনা কোরৌ লাইয়াম পুম্বনা অনেম্বা মালেমদা নোংকুম তমদুনা খোয়ুম লাইয়াম পুম্বগী লাংদাইরেন ইতমলক্লে। মপু লাই শিদবনা মালেমগী লাংহৈকোন চীংউপা লাইয়াম খুম্হোক তম্বসু খোয়ুমগী লিথাংলোন তম্বীকে। লাইগী লিরেন মতাক্কে হায়না মালেমগী লাইয়াম পুম্বদা করি নোংগী নোংকুম তম্বনো হায়পা ৱাপু মতাইকে হায়না মালেমগী লাইয়ামদা পাউশাইএ। মালেমগী লাইয়াম পুম্বনা মপু ওইপা সনামহিগী য়াৱাপু য়োয়াজেএ। লাইনিংথৌ সনামহি নুংলোন নাচোম লৈ, লৈরাং লৈখোং সেনবা অসৈপু লৈনুং খরোপাপু মকৌএ। অসৈপা সনামহি মগাইফমদা খোংদোইএ, লাইয়াম্না অসৈপা উপতা হরাও মথোই কাজেএ। মপু ওইপা সনামহিদা খরো অসৈবনা হঙ্গৎচৈএ, করি নোংগী য়াৱা লৈপকে হায়পদা মপুনা খুমএ । খোয় নোংকুম ৱাপু পেন্না শৈথারোন নাহুই হায়পনা অসৈবনা থিন্তদনা নোংকুমলোন পেন্না খোয়ুম লিথাং নাইহুইনা ইতমএ। মদু নোংতগী মালেমদা লৈপা লাইয়ামনা নোংকুম ৱাপু ময়েক সেংনা খঙখিএ। অসি নোংদি য়াৱা লৈপনা ৱাঙুরোন্না নোংকুমথেন পেনাগী লিরেনবু ময়েক সেংনা পিরিএ।

য়েংলা মহায়গএ। তারো চীংউবা লাইয়ামশা, কোরৌদগী মালেমদা নোংকুম তমগনি। সনামহি লৈশেমকোন্দা চকলোন লাংহৈগনি। খোয়ুম থৌশিন থৌদা মঙম পুংলেন লাংদাইকোন ইতমগনি। লাইগী লিরেন নোংদমগনি। চীংউবা লাইয়াম পুম্বদা কোরৌ মপু ওইবনা লাংহৈকোন মপীরকলে।

কোরৌ লাইয়াম পুম্বনা মপু শিদবদা মহাইরে। ইপুরোইদি শিদবও, খোয়ুম লাইয়াম ঐখোয়রেন পুম্বনা য়াৱা অমা মহায়জগে। খোয়ুমগী লাংওন লাংদাই শিংদাই মমি ইতমলক্কদববু নোংদম্বীয়ু হায়না চীংউবা লাইয়াম্না মপু শিদবদা হঙ্গৎচৈএ। মপু ওইবা শিদবা, লাইয়ামগী য়াৱা তারবদা মহায়এ। তাবিরো চীংউবা লাইয়াম পুম্বা কোরৌ থক্তা লৈবা লাই ওইবা কয়াগী লাংওন লাংদাই মপুং ফানবা থৌশিন থৌদা পাংবদি মপুগী লাংহৈকোন্নি। খোয়ুম লাংদাইকোন্দা ইতম ৱাবু মহায়য়ু হায়না মতাকপিএ।

চীংউবা লাইয়াম্না মপুদা হঙ্গৎচৈএ, মপুনা শেম্বা কোরৌ লাংহৈকোন্দা লাইয়াম ঐখোয়বু মপুথোকএনা। লাইয়ামগী শিন্থাদি কোরৌ মালেম লাংদাই শিংদাই মওইরেন্নি। অনেম্বা হয়া চকলোন লাংবা চকশিংকোন্দা কোরৌগী লাইনা মালেমদা নোংকুমদুনা থৌশিন থৌদা মওইরেন্দা, চীংউবা লাইয়াম থৌকাংদা থৌসু মপু ওইহনবীয়ু। ফম্বাল লাংহৈকোন ইতমহনবীয়ু হায়না কোরৌ লাইনা শিদবা মপুদা হঙ্গৎচৈএ।

লাইয়ামগী য়াৱা তাবদা কোরৌ মপু শিদবনা, চীংউবা লাইয়াম্বু য়েংলগা মহায়রক্লে। তাবিয়ু চীংউবা লাইয়াম পুম্বা, চীংউ লাইয়ামগী লাংওন লাংদাইদা হয়া লাংহৈকোন, অনেম্বা মালেমদা নোংকুমদুনা, লাইয়ামগী লাংহৈকোন্দা লাই নিংথৌ লাইরেম্বী পুম্বা ফম্বাল ফংজৌও হায়না কোরৌ মপু ওইবা শিদবনা লাইয়াম্না নিংজবা পুম্বা থুংজরো হায়না মপিরবদা, কোরৌ লাইয়াম্না মপুগী মীংখৈ শোঞ্জদুনা হরাও মথোই কাজখি। লাইয়াম্না শিদবা মপুগী য়াৱারেন হোয়াজখিএ।

কোরৌ মপু শিদবনা য়াইবী লোক্তী লাংহৈকোন্দা লাংদাই শিংদাই মওইখরে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা মপুগী ময়াথংলেন ফংজরবদা, হয়া লাংহৈকোন অনেম্বা মালেমদা লাংদাই শিংদাইননবা খোয়ুম শিন্থা মঙাইদুনা কোরৌ লাংহৈকোন ওইরক্লে। শিদবগী লিক্লম কাইক্কদবনা লাইনিংথৌ সনামহি নোংকুমদুনা মালেম লৈশেম নুংশেম মহৌরক্লে। কোরৌগী লাইয়াম পুম্বনা। সনামহিগী থৌওংবু উরগা হরাও মথোই কারক্লে।

লাইনিংথৌনা অসুম হৈরেম নুংশেম পাংলকপা, মালেম লৈশেম লোইরক্লে। মপুরেন ওইরিবা সনামহিনা কোরৌগী লাইয়াম্বু মালেমদা খুন্থোকপা লাংহৈকোন লাংদাই ওইরক্লে হায়দুনা চীংউবা লাইয়াম পুম্ববু কোরৌ থক্তা মকৌরক্লে। লাইনিংথৌ খোম্থোক তারবদা, কোরৌ থৌখাই মপু কয়াদো সনাগী কৈরাক লুপাগী কৈরাক তোংদুনা অনেম্বা মালেমদা নোংকুম্লক্লে।

চীংউবা লাইয়াম পুম্ববু য়েংলদুনা সনামহিনা মহায়এ। তাবিয়ু লাইনিংথৌ লাইরেন্বী পুম্বা, করি নুংগী লাংহৈ লাংদাইনো ? খোয়ুম লাংওন শায়োনবু লাংদাই-শিংদাইরে। লাইগী লিরেন পুম্বা লাংহৈরো হায়না অনেম্বা মালেমগী মপুংয়াইদা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা লাংদাই শিংদাই মওইরক্লে।

কোরৌগী লাইয়াম পুম্বনা মালেমদা খুম্হোক্তুনা লাংওন শায়োন তম্লক্লে। চকশিংকোন্দি লাংবা লাংহৈকোন, কোন্না লাংদাইরেন-নি। অনেম্বা মালেমদা খুম্হোক লাংওন ওইরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্বনে। লাইয়াম পুম্বা লাংদাই শিংদাই ওইরিবা মালেমনি। মালেমদা মপু ওইরিবা খোয়ুমগী থৌশিন থৌদা থৌপাংলিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা, মাগী লাংহৈকোন্দা, মনা-মশিং, হৈপান-লৈপান, জিবা কয়া মশিং লাংঙমদনা মপুথোকএনা। লাইনিংথৌনা নমু পোং সলাই - ৭ সু পাখঙবা লাংহৈকোন ইতমখরে। লাংদাই-শিংদাই মওইরক্লে।

চীংউবা লাইয়াম্না মালেমদা লাংওন মওইরক্লে। খোয়ুমগী ফম্বালকোন লাংহৈরে। কোরৌগী লাইয়াম খিবিক কয়াবু নোংকুমজগে হায়না লাইনিংথৌ সনামহিবু ঈরাৎ-থৌকাং পাংজরবদা লাইনিংথৌ সনামহিনা মালেমদা নোংকুম তমগে, অনেম্বদা খুম্হোক্লে হায়না কোরৌদা থৌসু পাংলিবা চীংউবা লাইয়াম্বু মালেমদা নোংকুমহনগে হায়না মপু ওইবা সনামহি নুংলোন্দা খল্লক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহি লাংওন ইতম্লম্বা হেল্লোইবা পেনা থাগৌরেম্বদি লৈনুং খরো অসৈবনি। অসৈববু মকৌএ। অসৈবা নাহুইদুনা সনামহি মপুগী মগাইফমদা খোঙদোই নাহুই তম্লক্লে। অসৈবনা মপু ওইবা সনামহিদা কোকনোঞনা হায়জৈএ। করি য়াব্রা লৈবগে হায়না হায়জরবদা লাইনিংথৌনা অসৈববু য়েংনা মহায়এ। তারো অসৈবা, খোয়ুম ঐগী লাংদাইকোন্দা লৈনুং খরো অসৈবনা পাইজবা পেনা থাগৌরেম্ববু মহুৎ শিন্দুনা সলাই ঙমখুবা পোংদা অহানবা ওইনা শিন্নবীয়ু হায়রবদা,

মপুগী ময়াথংলেন অসৈবনা ফংজরবদা ঙমথংলেন পেনা থাকৌরেম্ববু সলাই ঙমখুবা পোংদা শিন্নদুনাঅসৈবা লৈনুংলোনগী রাবু লৌদুনা, কোরৌ মালেম লাংদাইকোন পেনা খোংএ। কোরৌদগী লাইকুমদুনা মালেমদা লাকএ। মালেমদা লৈবা লাইনা কোরৌ লাইয়াম উবদা হুরাও-মথোই কাজৈএ। লাইনিংথৌ সনামহিনা অহানবা পোং সলাইদা শিন্নদুনা পেনা থাগৌরেম্বা মালেমদা চীংউবা লাই মী পোং কয়া লাংদাইবা হৌখিএ।

লাংদাইকোন পেনা নুংলোন ৱাপু হায়কে। কোরৌ লাই ওইপা মালেমতা লৈপা চীংউপা লাইয়াম পুম্ববু কোরৌথক্কী অনেম্বা মালেমদা খুম্নোক তম্বা লাই পুম্বগা লাংদাই শিংদাইহনগে। অনেম্বা মালেমদা লাইয়াম পুম্ববু অমত্তা ওইনা লাংদাইহনগে হায়না খল্লক্কে। খোয়ুম মপুরেন শিদবা লাইদি লাইনিংথৌ সনামহিনে। ইবুংঙোনা মালেমগী লাংদাইকোন্দা লৈপা কোরৌ মালেমগী লাই পুম্ববু ময়েংননা মহায়এ। হৌদা চীংউপা লাইয়াম পুম্বা খোয়ুমগী লাংদাইকোন মপুরেন মওইপা ৱাপু হায়কে। মালেমদা লৈপা অচৎ-চৎত্তা জিবা কয়ানা খোয়ুম লাইগী থৌশিন থৌদাবু মৈনা বাই তাংনা শমদুনা, মালেমদা মউ উপান লিংকনি। তাইপং সলাইনা চাদা নাওদাগনি। অসি নোংগী খোয়ুমগী লিশাংলাইনা তাইএ। সলাই লাংদাই হেনপা মপোক ওইকনিএ। মী পোং লাই লৈথকলোন লৈখারোন অনিনা লাংদাইকোন ওইকনি হায়পবু পেনা নুংলোন ৱাঙুউরোল্লা পীরিএ। নমু পোং সলাইকি লৈথক লৈখারোন্দি কোরৌ মালেমতি, ইপা, ইমা পোকপা, শিপা নাইপা সলাইনা মপোক তানকনি হায়না মালেমদা লৈপা অচৎ-চৎত্তা জিবা খোয়ুম লাইয়ামদা লিশাং থাদুনা ৱাঙুরোল্লা পীরিএ।

চৈঙেংম চৈঙেতুম মাংচৈ

নাউথেম নাউসুম পেনা

করম্বা মফম মতমদা পেনা শিজিন্নগনি ?

চকশিংকোন লাংহৈ লাংদাইরেন লাংবা কোল্লা চকলোন্নে। লাইনিংথৌ সনামহি অনেম্বা মালেমদা লৈশেম তুশেমদুনা লাংহৈ লাংদাইঙেগী ব্রানে। মপু শিদবা ময়াথংলেন ইঙ্গদুনা, অনেম্বা মালেমদা খুন্থোক তল্লিবদি লাইনিংথৌ সনামহিনে। লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈশেম-নুংশেম মতাইখ্রবদা, মালেমগী হৈপান-লৈপান মনা-মশিং থিঙমদনা মালেমগী লাংহৈকোন তাইখরে। মালেমগী লাংদাই শিংদাইকোন জিবা কয়া মপুথোক্লে।

লাইনিংথৌনা জিবা লক্তাগী অথোইবা সলাই চাদি পোং পী-পা কয়াবু লাংহৈননা কুরু শিদবগী মমি লৌতুনা মী লাই পোং কয়া মালেমদা লাইনিংথৌ সনামহিনা মপুথোক্লে। তাইবংপানবা মপু শিদবনা নমু পোংগা খোয়ুম লাইয়াম পুম্বগা লাংদাই-শিংদাই মওইনবা খোয়ুম থৌশিন থৌদা কয়া পাংলক্পনা সনামহি থৌখাই মওইরক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহি লাংবা চকলোন্দা খোয়ুমগী লাংদাইরেন মওইনবা কোরৌ অরাংবগী হয়ি লাংবা কোন্দা লাংদাই শিংদাই ওইরিবা চীংউবা লাইয়াম পুম্ববু অনেম্বা মালেমদা নোংকুমহল্লক্লে। চীংউবা লাইয়াম পুম্বনা সনামহিগী থৌজাল লাংহৈকোন মতমলক্লে। কোরৌগী লাইনা মালেমদা খুন্থোক তল্লক্লে।

লাইশিংনা মালেমদা লাংওন কয়া তল্লক্লে। খোয়ুম লাইগী ঙমথংলেন নমু পোং কয়া মালেম লাংদাইরক্লে। লাইগী লিচং-শাজং পোং কয়া লাইগী ওইদুনা খোয়ুম শিন্থা ইঙ্গদুনা অনেম্বা মালেমদা লাংহৈকোন ওইরক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা শেম্বা মালেমদা কোরৌগী লাইয়াম পুম্বনা খুন্থোক্তুনা শায়োন লাংওন মওইএ। লাইনিংথৌনা লাইয়ামগী লাংওনবু উজরগা 'হরাও মথোই কারক্লে। লাই ওইবা মপু সনামহিনা লাংওন তল্লীবা চীংউবা লাইয়াম পুম্ববু য়েংলগা মহায়রক্লে। তারো খোয়ুম লাইয়ুম পুম্বা, খোয়ুম লাংওন লাংদাইদা ফম্বাল ফংজবা ওইদুনা খোয়ুমগী মপুংয়াই তমজরো হায়না লাইয়ামদা থৌজাল ঈরিক তল্লক্লে।

লাইনিংথৌ সনামহিনা লাংওন লাংদাই শিংদাই শায়োন ওইদুনা মালেমদা খুন্থোক লাংহৈনরক্লে। মালেম চুকখোং লাংখোং, তুখোং, পাৎ তুরেল, লোইবী চীং, ঈরেন খোং কয়া লাংদাই শিংদাইনরক্লে। লাইনিংথৌ সনামহি মীংখৈ - ১০০০ মপুথোক্লা মালেম লাংহৈকোন ওইরক্লে। অনেম্বা মালেমদা লৈপা চীংউ লাইয়াম পুম্বা লাইনিংথৌ সনামহি লাংওন শায়োন পুম্বদা লাংদাই শিংদাইনরক্লে।

মপু ওইবা লাইনিংথৌনা লৈনুংলোন খরো অসৈববু মকৌএনা। মপুগী য়াথংলেন ফংলবদা লৈনুং খরো অসৈবনা খোংদোই নাহুই তমদুনা লাইনিংথৌ

সনামহি মগাইরেন্দা ইতম্লক্লে। লাইনিংথৌদা লৈনুংলোন খরো অসৈবনা কোকলোঞ্জরে। অসৈবা লাইওইববু সনামহিনা য়েংলগা মহায়রক্লে।

হাদা অসৈবা লাইওইব-ও, লাংওনপা নংপু কৌবতি করি নংতেএ। খোয়ুম লাংওন নফমলেন্দা লাই ওইবা নাওথেম-নাওসুমলোন পেন্নবা থৌসু পুন্বা মহায়কে হায়বগী মকৌবনে হায়না লৈনুংলোন অসৈবা নগুবু কৌবনে। অসৈবনা পাইগা খোয়ুমগী লাংচে মশক তাকপা, লাইতাই-শিংদাই মতাইএনা। লাংওনপা লাই - ১৯ গী লাই ওইবা নাওথেম-নাওসুম্বু থৌসু হেল্লোই মতাইকে তারোদো অসৈপও।

অসৈবা লাইপু য়েংনা পেনা থাকৌ হেল্লোইবগী য়াব্রা কাংগে মতাউ-ও। করি নুংগী য়াব্রানো মহায়কে। লাংসু লাংহৈ পৌসু-পৌরেন মতাইঙৈনে। শিদবা লাংহৈকোন্নে, মতারোদো অসৈব-ও।

মালেমগী লাংদাইরেন্দা লৈপা খোয়ুম কয়ানা অসৈবা লাই ওইপ-ও। থৌসু পেনা শিংকুম-লাংকুম চৈশিং নাইনা থৌকাইগনিএ। খোয়ুম লাইবু লাংদাই-শিংদাইনা লাংহৈনা, অসৈবগী লাংহৈদা পেনা থাকৌ মপাংজৌ-ও। লাংহৈ পাউশানবদি থাকৌ লাংসু পাংফদেএ। য়াব্রা অসি লৈপনা অসৈবা লাই ওইপনা নোংদম খোংলেন পাংপনা লাংহৈ পাউশানরোদো।

থৌসু থৌরেন হেল্লোইবদা থৌকাং পাংবদি মতিক-ময়াই হেল্লোইজৌ-ও। থৌকাং লাংচি মহেনপনা ইতম্বদি পেনা থাংখৌ মপুংয়াই ওইকনু খগুনা থৌখাং পাংজবা লৈনুং খরো অসৈবকী খোয়ুম লাংদাই মওইজৌ-ও মহায়রবদা মপু ওইবা লাই সনামহিদা কোক্লোঞ্জরে। সনামহিনা লাংহৈ ওইরিবা অসৈবতা পেনা থাকৌরেন্বগী থৌসু হেল্লোইববু নোংদম্বীএনা।

লাইনিংথৌ সনামহি থৌজান ঈরি ওইপবু লৈনুং খরো অসৈবনা ফংজরবদা লাইনিংথৌ সনামহিবু কোক্লোঞ্জনা খোয়ুম মহন ফমদা হনখরে লাইনিংথৌনা মালেমগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই-শিংদাই ইতমখরে। লাংওনবা অসৈবদি খোয়ুম মপু ওইবগী শিন্থা লাংহৈ ওইপপু পাংলগে হায়দুনা লাংহৈ পাউশানরক্লে। কোরৌ নুমিৎ থা ওইবা পেন্না থাকৌরেন্বা খোয়ুম খুৎপাই চেংনা পাইদুনা খোয়ুম মগুম পোংদা মথৌ পুংলেন থল্লক্লে।

লাংওনবা লৈনুং খরো অসৈবনা মাইওন নোংপোক ওন্দুনা পেনা চৈজিং থাবু পমদুনা খোয়ুম - ১৯ গী নুংলোন- ৯, পাল্লোই-৯ কী শৈশকলোনবু মতমলক্লে। চীংউবা লাইয়াম পুন্বনা মালেমগী লাংহৈকোন্দা খুন্থোক লান্থোক তমদুনা লৈববু লৈঙমদনা লাইয়াম পুন্বা অসৈবগী পেন্না থাগৌরেন্বা খোন্থোক তাবদা খোন্থোক লান্থোক তমদুনা লাইয়াম পুন্বা লাংওনবা লৈনুং খরো অসৈবনা লৈপা মাইকৈদা খোঙদোই নাহুই তল্লক্লে।

চীংউবা লাইয়াম্না মহায়এ। খোঞ্জেন খোনবী খোন্থোক্তি মালেমদা লৈবা লাই ওইপা লাংওন ঐখোয় লৈঙমদেএ মহায়না অসৈবা মগাই তল্লক্লে। অসৈবনা

পাইবা পেনা থাকৌবু মালেমদা লৈবা লাইয়াম্না উবক্লে। খোঞ্জেলবু তাবদা লাইয়াম লাওথেম-ও।

লাইয়াম্বু পেনা থাগৌরেম্বা লাই পুম্বা শুমএ। লাইয়াম্না মহায়এ। তাবী-ও, অসৈ হেল্লোই লাংওনব-ও। পেনা থাগৌ হেল্লোইবগী খোঞ্জেল য়াইবী হেল্লোইবনা লাইথেমএ, লাইসুমএ, হায়না লাইয়াম্না অসৈবদা মহায়জেএ। অসৈবদি, মালেমগী লাইগী য়ায়াদি মতাইবদা থোয়ুম মপু শিদবগী ময়াথংলেন পাংজখিএ।

চীংউবা লাইয়াম্না অসৈববু য়েংদুনা মহায়পদা, খরোবনা তাদ্রবদা, লাইয়াম্না খুবাক অনি তিংথোক্কুনা লাইয়াম পুম্বা কোইশিন্দুনা য়াইদা অসৈবনা লৈদুনা পেনা থাগৌববু মহনফমদা হপ্তিনবা থৌখাই মাবু পাংজবা থৌশিনকোন মওইরক্লে। লাইয়াম্না খুবাক খুদুনা মালেমদা লৈপা লাইবু কৌএ। লাই অমা থিম্বদনা পেনা থাগৌরেম্বগী মগাইফমদা লাকএ।

চীংউবা লাইয়াম্না খুবাক খুজৈএ। মালেমগী লাংহৈকোন্দা লাইয়াম্না খুবাক খুদুনা লাইকৌথেন মঙম পাংএ। অসি নোংনা লৈপনা লাই খুবাক খুবী মতমএ। চীংউবা লাইয়াম্না লৈনুংলোন খরো অসৈবগী মগাইফমদা লাকএ। খরো অসৈবনা লাইয়াম লাকপা উইএ। লাইয়াম পুম্বনা ফম্বল ফমদেংএ।

লাংওনবা লৈনুং খরো অসৈবদা য়েংঙে। লাইয়ামগী করি য়ায়া অমা লৈবগে হায়না অসৈবনা মহংবদা চীংউবা মতিক ময়াই হেল্লোইপা লাইয়াম্না লৈনুংলোন খরো অসৈববু য়েংনা মহায়জৈএ। তাবী-ও লাংওন মপু ওইরিবা অসৈব-ও। অসৈবগী পেনা থাকৌরেম্না মদু নোংগী লাউথেম লাইসুমলোনবু তাজগে। খোম্লেক মাবু তম্বীয়ু হায়বদা লাইয়াম পুম্বসু খুমদুনা তম্বীয়ু তাজকে মহায়এ।

লৈনুং খরো অসৈবনা খুমজখিএ। চীংউবা লাইয়াম্বু য়েংদুনা মহায়এ। তাবীয়ু লাইয়াম পুম্বা পেন্না থাকৌরেম্বগী খোম্লোক তমজবদি, থৌদাং মাবু পাংজবদি অসৈরেম্বা ঐগী থৌকাংনি। মপুগী থৌকাং অমদি লৈএ। পেনা থাকৌ পাংবদি পুংফম-লাংফম নাইগনি হায়না মতাকপিএ। মসি নোংগী য়ারা লৈবনা মফম-তানফম লৈএ। পেনা থৌদাং পুম্বা চীংউ লাইগী লিরেন্নি। খোয়ুমগী থৌশিন-লাংশিন পুবনে। নোংগী য়ায়া কাওফদেনা থৌকাং মাবু পাংবসি খরো ঐগী থৌসুনে। লাংওনবগী য়ায়া তাবদা চীংউবা লাইয়াম মশানা মশা মশক খঙনা মগাইদা হনখিএনা।

সনামহি মগাইরেন্দা ইতম্লক্লে। লাইনিংথৌদা লৈনুংলোন খরো অসৈবনা কোকলোঞ্জরে। অসৈবা লাইওইববু সনামহিনা য়েংলগা মহায়রক্লে।

হাদা অসৈবা লাইওইব-ও, লাংওনপা নংপু কৌবতি করি নংতেএ। খোয়ুম লাংওন নফমলেন্দা লাই ওইবা নাওথেম-নাওসুমলোন পেন্নবা থৌসু পুন্বা মহায়কে হায়বগী মকৌবনে হায়না লৈনুংলোন অসৈবা নঙবু কৌবনে। অসৈবনা পাইপা খোয়ুমগী লাংচৈ মশক তাকপা, লাইতাই-শিংদাই মতাইএনা। লাংওনপা লাই - ১৯ গী লাই ওইবা নাওথেম-নাওসুম্বু থৌসু হেল্লোই মতাইকে তারোদো অসৈপও।

অসৈবা লাইপু য়েংনা পেনা থাকৌ হেল্লোইবগী য়াৱা কাংগে মতাউ-ও। করি নুংগী য়াৱানো মহায়কে। লাংসু লাংহৈ পৌসু-পৌরেন মতাইঙেনে। শিদবা লাংহৈকোন্নে, মতারোদো অসৈব-ও।

মালেমগী লাংদাইরেন্দা লৈপা খোয়ুম কয়ানা অসৈবা লাই ওইপ-ও। থৌসু পেনা শিংকুম-লাংকুম চৈশিং নাইনা থৌকাইগনিএ। খোয়ুম লাইবু লাংদাই-শিংদাইনা লাংহৈনা, অসৈবগী লাংহৈদা পেনা থাকৌ মপাংজৌ-ও। লাংহৈ পাউশানবদি থাকৌ লাংসু পাংফদেএ। য়াৱা অসি লৈপনা অসৈবা লাই ওইপনা নোংদম খোংলেন পাংপনা লাংহৈ পাউশানরোদো।

থৌসু থৌরেন হেল্লোইবদা থৌকাং পাংবদি মতিক-ময়াই হেল্লোইজৌ-ও। থৌকাং লাংচি মহেনপনা ইতম্বদি পেনা থাংখৌ মপুংয়াই ওইকনু খঙনা থৌখাং পাংজবা লৈনুং খরো অসৈবকী খোয়ুম লাংদাই মওইজৌ-ও মহায়রবদা মপু ওইবা লাই সনামহিদা কোক্লোঞ্জরে। সনামহিনা লাংহৈ ওইরিবা অসৈবতা পেনা থাকৌরেম্বগী থৌসু হেল্লোইববু নোংদম্বীএনা।

লাইনিংথৌ সনামহি থৌজান ঈরি ওইপবু লৈনুং খরো অসৈবনা ফংজরবদা লাইনিংথৌ সনামহিবু কোক্লোঞ্জনা খোয়ুম মহন ফমদা হনখরে লাইনিংথৌনা মালেমগী লাংহৈকোন্দা লাংদাই-শিংদাই ইতমখরে। লাংওনবা অসৈবদি খোয়ুম মপু ওইবগী শিন্থা লাংহৈ ওইপপু পাংলগে হায়দুনা লাংহৈ পাউশানরক্লে। কোরৌ নুমিৎ থা ওইবা পেন্না থাকৌরেম্বা খোয়ুম খুৎপাই চেৎনা পাইদুনা খোয়ুম মঙম পোংদা মথৌ পুংলেন খল্লক্লে।

লাংওনবা লৈনুং খরো অসৈবনা মাইওন নোংপোক ওন্দুনা পেনা চৈজিং থাবু পমদুনা খোয়ুম - ১৯ গী নুংলোন- ৯, পাল্লোই-৯ কী শৈশকলোনবু মতমলক্লে। চীংউবা লাইয়াম পুন্বনা মালেমগী লাংহৈকোন্দা খুন্থোক লান্থোক তমদুনা লৈববু লৈঙমদনা লাইয়াম পুন্বা অসৈবগী পেন্না থাগৌরেম্বা খোন্থোক তাবদা খোন্থোক লান্থোক তমদুনা লাইয়াম পুন্বা লাংওনবা লৈনুং খরো অসৈবনা লৈপা য়াইকৈদা খোঙদোই নাহুই তম্লক্লে।

চীংউবা লাইয়াম্না মহায়এ। খোঞ্জেন খোনবী খোন্থোক্তি মালেমদা লৈবা লাই ওইপা লাংওন ঐখোয় লৈঙমদেএ মহায়না অসৈবা মগাই তম্লক্লে। অসৈবনা

পাইবা পেনা থাকৌবু মালেমদা লৈবা লাইয়াম্না উবক্নে। খোঙ্জেলবু তাবদা লাইয়াম লাওথেম-ও।

লাইয়াম্নু পেনা থাগৌরেম্বা লাই পুম্বা শুমএ। লাইয়াম্না মহায়এ। তাবী-ও, অসৈ হেল্লোই লাংওনব-ও। পেনা থাগৌ হেল্লোইবগী খোঙ্জেল য়াইবী হেল্লোইবনা লাইথেমএ, লাইসুমএ, হায়না লাইয়াম্না অসৈবদা মহায়জেএ। অসৈবদি, মালেমগী লাইগী য়াৱাদি মতাইবদা থোয়ুম মপু শিদবগী ময়াথংলেন পাংজখিএ।

চীংউবা লাইয়াম্না অসৈববু য়েংদুনা মহায়পদা, খরোবনা তাদ্রবদা, লাইয়াম্না খুবাক অনি তিংথোক্কুনা লাইয়াম পুম্বা কোইশিন্দুনা য়াইদা অসৈবনা লৈদুনা পেনা থাগৌববু মহনফমদা হক্তিনবা থৌখাই মাবু পাংজবা থৌশিনকোন মওইরক্নে। লাইয়াম্না খুবাক খুদুনা মালেমদা লৈপা লাইবু কৌএ। লাই অমা থিন্থদনা পেনা থাগৌরেম্বগী মগাইফমদা লাকএ।

চীংউবা লাইয়াম্না খুবাক খুজেএ। মালেমগী লাংহৈকোন্দা লাইয়াম্না খুবাক খুদুনা লাইকৌথেন মঙম পাংএ। অসি নোংনা লৈপনা লাই খুবাক খুবী মতমএ। চীংউবা লাইয়াম্না লৈনুংলোন খরো অসৈবগী মগাইফমদা লাকএ। খরো অসৈবনা লাইয়াম লাকপা উইএ। লাইয়াম পুম্বনা ফন্বল ফমদেংএ।

লাংওনবা লৈনুং খরো অসৈবদা য়েংঙে। লাইয়ামগী করি য়াৱা অমা লৈবগে হায়না অসৈবনা মহংবদা চীংউবা মতিক ময়াই হেল্লোইপা লাইয়াম্না লৈনুংলোন খরো অসৈববু য়েংনা মহায়জেএ। তাবী-ও লাংওন মপু ওইরিবা অসৈব-ও। অসৈবগী পেনা থাকৌরেম্না মদু নোংগী লাউথেম লাইসুমলোনবু তাজগে। থেম্নেক মাবু তন্বীয়ু হায়বদা লাইয়াম পুম্বসু খুমদুনা তন্বীয়ু তাজকে মহায়এ।

লৈনুং খরো অসৈবনা খুমজখিএ। চীংউবা লাইয়াম্নু য়েংদুনা মহায়এ। তাবীয়ু লাইয়াম পুম্বা পেনা থাকৌরেম্বগী খোম্থোক তমজবদি, থৌদাং মাবু পাংজবদি অসৈরেম্বা ঐগী থৌকাংনি। মপুগী থৌকাং অমদি লৈএ। পেনা থাকৌ পাংবদি পুংফম-লাংফম নাইগনি হায়না মতাকপিএ। মসি নোংগী য়াৱা লৈবনা মফম-তানফম লৈএ। পেনা থৌদাং পুম্না চীংউ লাইগী লিরেন্নি। খোয়ুমগী থৌশিন-লাংশিন পুবনে। নোংগী য়াৱা কাওফদেনা থৌকাং মাবু পাংবসি খরো ঐগী থৌসুনে। লাংওনবগী য়াৱা তাবদা চীংউবা লাইয়াম মশানা মশা মশক খঙনা মগাইদা হনখিএনা।

নাওথেম নাওশুম পেনাগী নুংলোন হ্বাপু হায়কে। মপু ওইপা লাইনিংথৌ সনামহিনা অনেম্বা মালেমদা লৈপা চীংউপা লাইয়াম পুম্ববু খোয়ুম লাইগী নুংলোন ঈরিক নাওথেম নাওশুম পেনাকি লিরেনপু লাইয়ামদা শীরগে হায়না নুংলোন য়াইদা মথলক্লে। খোয়ুম মপু ওইপনা পেনাবু লাংদাই ঙম্বা হাদা খোয়ুম লৈনুংলোন খরো অসৈবা মপুথোক্লে। মপুনা অসৈবদা পেনাগী মতিক ময়াই পুম্বা লিথাং থারকপা পেনাগী হিরিরোন লিথাংবু খঙজরে। চীংউপা লাইয়াম পুম্বা অনেম্বা মালেম লাংদাইকোন্দা লাই মপু শিদবা সনামহিনা মকৌএ। করি নোংকি কৌপলো হায়পতি, লৈনুংলোন খরো অসৈবনা খোয়ুম নাওথেম নাওশুম পেনা খোম্থোক মতাইহন মদু নোংগী নাওশুমলোন পেনা খোম্থোক তাবদা মালেম লৈশেমগী লাইয়াম পুম্বা মরাং য়াইদা লৈঙমদনা সনামহি নাওশুমলোন পেনা মগাই পুংকোইদা লাইয়াম তিল্লে, লাইয়াম্না সনামহিবু কোক্লোঙনা অসৈবদা হঙ্গৎচৈএ। হাদা মপুরেন-ও, খোয়ুম লাইয়াম ঐখোয় পুম্বগীসু নাওথেম পেনা লিথাংলোন পিনবীও, হায়বদা, সনামহিনা লাইয়ামদা খোম্থোক অসি খংজবদি হাদা মালেমগী লাইয়াম-ও, নশানা নশাবু খংবনে, নশাদি নশা ওইবনে হায়না মপুনা নাওথেম খোম্থাক লিরেন পেনাবু পিনখিএ।

ꯄꯦꯅꯥ ꯁꯤꯡꯈꯥꯏꯔꯦꯟ ꯶꯴

পেনা শিংখাইরেন - ৬৪

ইরাবোৎ নিংথৌজা
লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন
পেনা লোইশঙ, ইম্ফাল।

নাওথেম নাওশুম পেনাগী নুংলোন য়াপু হায়কে। মপু ওইপা লাইনিংথৌ সনামহিনা অনেম্বা মালেমদা লৈপা চীংউপা লাইয়াম পুম্নবু খোয়ুম লাইগী নুংলোন ঈরিক নাওথেম নাওশুম পেনাকি লিরেনপু লাইয়ামদা পীরগে হায়না নুংলোন য়াইদা মখলক্লে। খোয়ুম মপু ওইপনা পেনাবু লাংদাই ঙম্বা হাদা খোয়ুম লৈনুংলোন খরো অসৈবা মপুথোক্লে। মপুনা অসৈবদা পেনাগী মতিক ময়াই পুম্বা লিথাং থারকপা পেনাগী হিরিরোন লিথাংবু খঙজরে। চীংউপা লাইয়াম পুম্বা অনেম্বা মালেম লাংদাইকোন্দা লাই মপু শিদবা সনামহিনা মকৌএ। করি নোংকি কৌপনো হায়পতি, লৈনুংলোন খরো অসৈবনা খোয়ুম নাওথেম নাওশুম পেনা খোম্লোক মতাইহন মদু নোংগী নাওশুমলোন পেনা খোম্লোক তাবদা মালেম লৈশেমগী লাইয়াম পুম্বা মরাং য়াইদা লৈঙমদনা সনামহি নাওশুমলোন পেনা মগাই পুংকোইদা লাইয়াম তিম্লে, লাইয়াম্না সনামহিবু কোক্লোঙনা অসৈবদা হঙ্গংচৈএ। হাদা মপুরেন-ও, খোয়ুম লাইয়াম ঐখোয় পুম্নগীসু নাওথেম পেনা লিথাংলোন পিনবীও, হায়বদা, সনামহিনা লাইয়ামদা খোম্লোক অসি খংজবদি হাদা মালেমগী লাইয়াম-ও, নশানা নশাবু থংবনে, নশাদি নশা ওইবনে হায়না মপুনা নাওথেম খোম্লাক লিরেন পেনাবু পিনখিএ।

ꯄꯦꯅꯥ ꯁꯤꯡꯈꯥꯏꯔꯦꯟ ꯶꯴

পেনা শিংখাইরেন - ৬৪

ইরাবোৎ নিংথৌজা
লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন
পেনা লোইশঙ, ইম্ফাল।

"ꯁꯤꯡꯈꯥꯏꯔꯦꯟ - ꯶꯴ ꯌꯥꯡꯕꯤ"

শিংখাইরেন - ৬৪ য়াংবী



শিংখাইরেন - ৬৪ গী লিরেন

পেনা শিংখাইরেন - ৬৪ দি নুংলোন ঈরিক য়াইবিকোন্নে। শুম-৬৪ না শিংখাই য়াংবী পুইএ। য়েংওইনবা থকলোন্দা লৈবা শিংখাই - ৫ নি। খোংলৈ ঙমলৈ ইরেন য়াংবী - ৫ নি। খুশুরেন য়াংবী - ৫ নে। তাংবী হুইরেন শিংখাই-৫ নে। য়াংবী খোং শিংখাইরেন - ৫ নে। খোংবী চুকফা শিংখাই - ৫ নে।

য়াংবী ওইরে ৱাংবা শিংখাই - ৫ নে। য়াংবু ওইশা শিংখাই - ৫ তিনলে। তাংফৌ লিরেন শিংখাই - ৫ নি। তুং ওইরেন য়াংবীশিংখাইসু -৫ নে। খিংলোই নুংপি য়াংলোই শিংখাইরেন- ৫ তিনবনে। তাংফু খোংলোই য়াংবী শিংখাইরেন - ৫ নে।

শিংখাইরেন অপুনবা লিরেন - ১২ বু - ৫ না পুন্দুনা - ১২ X ৫ = ৬০ শিংখাই - ৬০ ওইএ। শিংখাই - ৬০ দা শুমলেন - ৪ তিন্দুনা - ৬০ + ৪ = ৬৪ শিংখাই অপুনবা - ৬৪ ওইখিএ।

পেনা শিংখাইরেন - ৬৪ দি কয়াৎ য়াংবী তাওরোই - ১০৮ গী মিহুনলোন কাংবিরেন্দগী শিংখাইরেন - ৬৪ খাইএ। মাগী মিংপু নুংলোন য়াংপী শিংখাইরেন কৌএ।।

"ꯁꯤꯡꯈꯥꯏꯔꯦꯟ - ꯶꯴ ꯒꯤ ꯂꯤꯔꯦꯟꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯡꯈꯦꯔꯣꯟ (ꯔꯥꯒꯒꯤ ꯃꯃꯤꯡ)"

শিংখাইরেন - ৬৪ গী লিরেনশিংগী মীংখেরোন
(রাগগী মমিং)

১	রৈয়ারৈ শিংখাই (রাগ)	৩৩	রৈশাই শিংখাই (রাগ)
২	নোংহারু শিংখাই (রাগ)	৩৪	পানহৌরৈ শিংখাই (রাগ)
৩	খিংলৈয়াইখুসু শিংখাই (রাগ)	৩৫	অরৈমা শিংখাই (রাগ)
৪	য়েংসুহৌ শিংখাই (রাগ)	৩৬	কাইবী হৌরে শিংখাই (রাগ)
৫	হৌরৈ মানবীসু শিংখাই (রাগ)	৩৭	ওরৈ হৌসু শিংখাই (রাগ)
৬	তরৈ হৌসু শিংখাই (রাগ)	৩৮	লৈরোন নুহৌ শিংখাই (রাগ)
৭	য়েহৌ কোংপী শিংখাই (রাগ)	৩৯	খোংলৈ সুহৌ শিংখাই (রাগ)
৮	লৈহৌ শিংখাই (রাগ)	৪০	পামলৈ হৌরেন শিংখাই (রাগ)
৯	লৈশি লৈতাই শিংখাই (রাগ)	৪১	মানশিহৌ শিংখাই (রাগ)
১০	হৌসুরাং শিংখাই (রাগ)	৪২	কাইরেন শিংখাই (রাগ)
১১	লাহে নোংসু শিংখাই (রাগ)	৪৩	লৈহৌ খারৈ শিংখাই (রাগ)
১২	হৈরেন শিংখাই (রাগ)	৪৪	হৌসু ওনবীরৈ শিংখাই (রাগ)
১৩	লৈখারোন লৈহৌরোন শিংখাই (রাগ)	৪৫	পানয়া লৈহৌ শিংখাই (রাগ)
১৪	লাংসু রিহৌ শিংখাই (রাগ)	৪৬	লৈরেন লৈচন শিংখাই (রাগ)
১৫	তারৈ লাংহৌ শিংখাই (রাগ)	৬৭	হিরোনরৈ শিংখাই (রাগ)
১৬	মানহৌ খাংবী শিংখাই (রাগ)	৪৮	খাংরৈ নুরেন শিংখাই (রাগ)
১৭	য়াংলৌ শিংখাই (রাগ)	৪৯	মানচি রৈরোন শিংখাই (রাগ)
১৮	নোংথৌ খাইবী লিরেন (রাগ)	৫০	পামসু লৈরোন শিংখাই (রাগ)
১৯	থারৌ লৈহৌ শিংখাই (রাগ)	৫১	নোংহৌসুরৈ শিংখাই (রাগ)
২০	খাংবী নুংতাই শিংখাই (রাগ)	৫২	মানসুহৌ শিংখাই (রাগ).
২১	য়াংনৌ শিংখাই (রাগ)	৫৩	পানরৈ লোনহৌ শিংখাই (রাগ)
২২	লৈশি লৈরেন শিংখাই (রাগ)	৫৪	ওরৈ লৈরেন শিংখাই (রাগ)
২৩	খাইরেন হৌসু শিংখাই (রাগ)	৫৫	রারৈ লোনসু শিংখাই (রাগ)
২৪	চুংবী তারৌ শিংখাই (রাগ)	৫৬	খাংরৈসু শিংখাই (রাগ)
২৫	লৈসুরেন লৈহৌ শিংখাই (রাগ)	৫৭	কৈরেন লৈরোন শিংখাই (রাগ)
২৬	হৌসু নুংকোই শিংখাই (রাগ)	৫৮	হৌরৈ লৈরোন শিংখাই (রাগ)
২৭	চিরাও তরৈ শিংখাই (রাগ)	৫৯	লুংলৌ লৈরা শিংখাই (রাগ)
২৮	হৌরেন পাওহৌ শিংখাই (রাগ)	৬০	পাংহৈ লৈরোন শিংখাই (রাগ)
২৯	থৌরৈয়ারৈনু শিংখাই (রাগ)	৬১	রৈশি নোংহৌ শিংখাই (রাগ)
৩০	শিরৈ তারৌ শিংখাই (রাগ)	৬২	ইরৈ নোংসু শিংখাই (রাগ)
৩১	য়াংসু পোংহৌ শিংখাই (রাগ)	৬৩	শিংতাই লৈচন শিংখাই (রাগ)
৩২	খোংরৈ লৈরোন শিংখাই (রাগ)	৬৪	হৌরেলসু শিংখাই (রাগ)

লৈয়াৱৈ শিংথাই

রি, রা, রৈ, রে, রে, রে　　রৈ, রা, রি, রে, রৈ, রা
রে, রা, রি, রে, রৈ, রা　　রা, রি, রৈ, রে, রে, রে
রা, রি, রে, রৈ, রা, রা　　রৈ, রা, রি, রে, রে, রে
রে, রি, রে, রা, রি, রে　　রে, রা, রি, রে, রে, রে
রৈ, রা, রি, রে, রা, রি　　রৈ, রা, রি, রে, র, রৈ
রি, রৈ, রা, রে, রে, রে　　রি, রা, রি, রৈ, রে, রে

'য়াকৈরোন'

(অয়ুক অঙনবদা লাইমাংদা পাংগনি)

হয়ি হয়ি হয়া, হয়ি চাদে হয়া চানি, হয়া চাদি হয়ি চানি। হৈগী ময়েক্লোন - ৯ নি হয়াগী ময়েক্লোন - ৭ নি। হয়ি ইপানা চৈজিং পাই হয়া ইমানা থাবু পম, হয়ি লাওবনা খোঞ্জেন্না হয়া লাওবা খোন্থোক্লা, ৱাংবানা কোক্লোঞ্জারক্কে।

(অসুন্না হৌগনি)

নোংহারু শিংথাই

রা, রি, রে, রা, রে, রে　　রে, রে, রা, রি, রৈ, রৈ
রৈ, রা, রি, রে, রা, রৈ　　রৈ, রা, রি, রে, রে, রে
রে, রা, রি, রৈ, রে, রে　　রা, রি, রৈ, রে, রা, রৈ
রা, রি, রৈ, রে, রি, রে　　রি, রৈ, রা, রে, রে, রৈ
রৈ, রা, রি, রে, রা, রে　　রে, রা, রি, রৈ, রে, রে
রা, রি, রে, রে, রা, রে　　রি, রা, রে, রি, রৈ, রা

'লাইচিংলোন - (হৱাওবা)'

(মাইবা-মাইবী-পেনা পুন্না লাইমাংদা ওনশিন্দুনা পেন্নানা অসুন্না থৌকাংগনি)
ইবুংঙো-ইবেম্মা হৱাও মথোই কারিবা লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী অনিদা কোক্লোঞ্জাদুনা, হয়ি হয়া- রে, হয়া রে। ফম্বাল কোনবু ইতাইনা, সনা হিরি ইতমমে।।

(অসুন্না হৌগনি)

থিংলৈসু শিংখাই

রৈ, রা, রি, রি, রে, রৈ   রি, রৈ, রে, রা, রে, রে
রা, রি, রৈ, রে, রৈ, রা   রৈ, রা, রি, রে, রে, রৈ
রে, রৈ, রা, রি, রে, রে   রা, রি, রৈ, রে, রৈ, রা
রৈ, রা, রি, রে, রৈ, রা   রি, রা, রৈ, রে, রে, রা
রা, রি, রে, রে, রৈ, রা   রা, রি, রি, রে, রে, রৈ
রৈ, রা, রা, রি, রি, রে   রে, রা, রি, রে, রে, রে

'লাইনা হকচাং শাগৎপা'

হরাও পুংগী লাইমাংদা পেনা-অমাইবিশিংনা, সলাই চাশিং পুন্বানা তুংদান্নদুনা,

খোইয়ুম লাইনা তাইপঙ সলাই চা, মী পোং শেন্নকপগী মওং-মতৌবু খোঙ-খুৎ, লাই-ৱানা ফোঙদোকএ।

হো লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী মদাইরেনশা হায়না হৌগনি॥

য়েংখুহৌ শিংখাই

রি, রা, রি, রে, রে, রে   রে, রা, রি, রে, রে, রৈ
রৈ, রা, রি, রি, রে, রে   রি, রা, রি, রে, রে, রি
রা, রি, রে, রৈ, রে, রে   রৈ, রা, রি, রৈ, রে, রে
রি, রা, রি, রৈ, রে, রে   রে, রে, রা, রি, রৈ, রা
রা, রি, রে, রা, রি, রে   রৈ, রে, রা, রি, রে, রে
রে, রা, রি, রৈ, রে, রে   রি, রে, রা, রি, রৈ, রা

'হরাওরোন - হৌইরৌ - হৌইয়া'

পেনা অশৈবনা হরাওবুং হায়বদি নোংপোক ওন্দুনা হকচাংগী ফিভম লেং-ওৎতনা চপ লেপ্পুনা, পেননা চৈজিং মখোন থোকতনা শিংখাই অসিনা খোংগনি। মাইবি অমদি মীয়াম্না লাইবুংগী অকোইবদা অসৈবগী মাংওইন্ননা লেপ্লীগনি।

হোইরাও মরোন্দি ঃ- আ---- হোইরৌ, হোইরৌ - হায়না লাওগনি॥

লৈয়ারৈ শিংখাই

রি, রা, রৈ, রে, রে, রে　　রৈ, রা, রি, রে, রৈ, রা
রে, রা, রি, রে, রৈ, রা　　রা, রি, রৈ, রে, রে, রে
রা, রি, রে, রৈ, রা, রা　　রৈ, রা, রি, রে, রে, রে
রে, রি, রে, রা, রি, রে　　রে, রা, রি, রে, রে, রে
রৈ, রা, রি, রে, রা, রি　　রৈ, রা, রি, রে, র, রৈ
রি, রৈ, রা, রে, রে, রে　　রি, রা, রি, রৈ, রে, রে

'য়াক্লৈরোন'

(অয়ুক অঙনবদা লাইমাংদা পাংগনি)

হয়ি হয়ি হয়া, হয়ি চাদে হয়া চানি, হয়া চাদি হয়ি চানি। হৈগী ময়েক্লোন - ৯ নি হয়াগী ময়েক্লোন - ৭ নি। হয়ি ইপানা চৈজিং পাই হয়া ইমানা থাবু পম, হয়ি লাওবনা খোঞ্জেন্না হয়া লাওবা খোন্থোক্লা, রাংবানা কোক্লোঞ্জারক্কে।

(অসুম্না হৌগনি)

নোংহারু শিংখাই

রা, রি, রে, রা, রে, রে　　রে, রে, রা, রি, রৈ, রৈ
রৈ, রা, রি, রে, রা, রৈ　　রৈ, রা, রি, রে, রে, রে
রে, রা, রি, রৈ, রে, রে　　রা, রি, রৈ, রে, রা, রৈ
রা, রি, রৈ, রে, রি, রে　　রি, রৈ, রা, রে, রে, রৈ
রৈ, রা, রি, রে, রা, রে　　রে, রা, রি, রৈ, রে, রে
রা, রি, রে, রে, রা, রে　　রি, রা, রে, রি, রৈ, রা

'লাইচিংলোন - (হরাওবা)'

(মাইবা-মাইবী-পেনা পুন্না লাইমাংদা ওনশিন্দুনা পেন্নানা অসুম্না থৌকাংগনি)

ইবুংঙো-ইবেম্মা হরাও মথোই কারিবা লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী অনিদা কোক্লোঞ্জাদুনা, হয়ি হয়া- রে, হয়া রে। ফম্বাল কোনবু ইতাইনা, সনা হিরি ইতমমে।।

(অসুম্না হৌগনি)

থিংলৈসু শিংখাই

রৈ, রা, রি, রি, রে, রৈ　　রি, রৈ, রে, রা, রে, রে

রা, রি, রৈ, রে, রৈ, রা　　রৈ, রা, রি, রে, রে, রৈ

রে, রৈ, রা, রি, রে, রে　　রা, রি, রৈ, রে, রৈ, রা

রৈ, রা, রি, রে, রৈ, রা　　রি, রা, রৈ, রে, রে, রা

রা, রি, রে, রে, রৈ, রা　　রা, রি, রি, রে, রে, রৈ

রৈ, রা, রা, রি, রি, রে　　রে, রা, রি, রে, রে, রে

'লাইনা হকচাং শাগৎপা'

হরাও পুংগী লাইমাংদা পেনা-অমাইবিশিংনা, সলাই চাশিং পুন্বানা তুংদান্নদুনা,

খোইয়ুম লাইনা তাইপঙ সলাই চা, মী পোং শেল্লকপগী মওং-মতৌবু খোঙ-খুৎ, লাই-ৱানা ফোঙদোকএ।

হো লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী মদাইরেনশা হায়না হৌগনি।।

য়েংখুহৌ শিংখাই

রি, রা, রি, রে, রে, রে　　রে, রা, রি, রে, রে, রৈ

রৈ, রা, রি, রি, রে, রে　　রি, রা, রি, রে, রে, রি

রা, রি, রে, রৈ, রে, রে　　রৈ, রা, রি, রৈ, রে, রে

রি, রা, রি, রৈ, রে, রে　　রে, রে, রা, রি, রৈ, রা

রা, রি, রে, রা, রি, রে　　রৈ, রে, রা, রি, রে, রে

রে, রা, রি, রৈ, রে, রে　　রি, রে, রা, রি, রৈ, রা

'হরাওরোন - হৌইরৌ - হৌইয়া'

পেনা অশৈবনা হরাওবুং হায়বদি নোংপোক ওন্দুনা হকচাংগী ফিভম লেং-ওৎতনা চপ লেপ্পুনা, পেননা চৈজিং মখোন থোকতনা শিংখাই অসিনা খোংগনি। মাইবি অমদি মীয়াম্না লাইবুংগী অকোইবদা অসৈবগী মাংওইননা লেপ্পীগনি।

হোইরাও মরোন্দি ঃ- আ---- হোইরৌ, হোইরৌ - হায়না লাওগনি।।

হৌরৈ মানবীসু শিংখাই

রা, রি, রৈ, রে, রে, রে রি, রা, রি, রে, রা, রে

রে, রে, রি, রি, রৈ, রে রৈ, রা, রি, রে, রে, রে

রৈ, রা, রি, রে, রৈ, রা রা, রি, রৈ, রে, রা, রি

রি, রৈ, রা, রে, রি, রা রি, রা, রি, রৈ, রে, রে

রে, রা, রি, রৈ, রে, রে রে, রা, রি, রে, রৈ, রা

রা, রি, রৈ, রা, রি, রি রে, রে, রি, রা, রৈ, রা

'হরাওরোন-জগোই - ৬৪'

হরাওরিবা লাইবু মমাংদা মাইবি- পেনা অমদি অশৈবগা লোইননা শঙকোক মাইবিনা মাং থাদুনা, অতৈ লোইনবি লাইমিশিংনা তুংদা ইন্দুনা অমদি খুন অদুগী মীয়ামসু য়াওবিদুনা, আমাইবি শঙকোক কয়ানা হরাওরোন জগোই-৬৪ কাইদনা শাগনি। লৈতাই-নুংতাই, লৈশেম-নুংশেম জগোইনা তাক্কনি।

'তরৈ হৌসু শিংখাই'

রি, রা, রি, রৈ, র, রা রা, রি, রি, রৈ, রৈ, রে

রে, রা, রি, রে, রে, রে রি, রা, রি, রৈ, রে, রে

রি, রা, রি, রে, রৈ, রা রা, রি, রে, রে, রা, রা

রা, রি, রৈ, রে, রা, রি রা, রি, রি, রৈ, রে, রে

রে, রা, রি, রৈ, রে, রে রৈ, রা, রি, রৈ, রা, রা

রা, রৈ, রে, রি, রা, রা রা, রি, রৈ, রে, রা, রে

'মীকোন - থাকোনবা'

মাংচোক-ফম্মেন নাইনা ফমফম-চানা ইবুংঙো - ইবেন্মাদা য়েৎ-ওই কাইদনা খুনগী মীনা খুরুমজগনি। হরাওবুংদুগী লাইমাংদা পেনা অশৈবনা মাইওন লাইদা ওনগনি, খুনমি মীশিংসু লাইবুং ওনগনিএ।

আসৈবনা তিনদাই-লাইতাইদুনা কুম অমগী খুন অদুগী লাইহন্দুনা থবাই-মীবু পেনালা শৈথাদুনা মীকোন্শিনগনি।।

‘য়েংলৌ কোংগী শিংখাই’

রা, রি, রি, রৈ, রৈ, রে
রৈ, রা, রি, রৈ, রা, রা
রা, রি, রি, রা, রা, রে
রৈ, রে, রে, রা, রি, রৈ
রে, রি, রৈ, রা, রি, রে
রি, রে, রা, রা, রি, রৈ

রে, রা, রি, রে, রে, রে
রা, রি, রৈ, রৈ, রা, রে
রে, রা, রি, রৈ, রা, রে
রৈ, রা, রি, রে, রৈ, রে
রে, রা, রি, রৈ, রে, রা
রৈ, রা, রি, রে, রে,রে

‘হরাওরোন-খীকোন থাগোনবা’

লাই হরাওরিবা ইবুংঙো-ইবেম্মা অনিগী লাইবুং মনুংদা অশৈবনা চংদুনা পাংথোকপা লাইগী থৌরম্নি।

নুমিৎ অদুগী হরাওবা লোইশিল্লবদা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিবু পেন্নানা নাওথেম তৌদুনা ফন্সাল শৈশক-লাই তেথবা পাংগনি।

শৈহৌদি ঃ- হয়ি হয়া হায়না হৌগনি।

‘লৈহৌ শিংখাই’

রে, রে, রা, রা, রি, রি
রা, রা, রি, রি, রে, রে
রি, রে, রা, রি, রে, রে
রৈ, রা, রা, রি, রি, রে
রে, রে, রা, রা, রি, রি
রা, রি, রৈ, রে, রে, রে

রা, রা, রি, রি, রে, রে
রৈ, রা, রা, রি, রে, রে
রে, রে, রা, রি, রে, রে
রি, রা, রা, রি, রি, রে
রা,রি, রি, রে, রে, রা
রৈ, রা, রি, রে, রে, রে

‘হরাওরোন-লাইনোংকাবা’

লাইরোই নুমিৎকি লাইগী থৌরম পুন্বা লোইরদুনা- মতুংদা পাংগদবা থৌরমনি। হরাওরিবা ইবুংঙো-ইবেম্মা অনিগী শঙলেন মনুংদা মাইবা- পেনা, অমাইবিনা ফন্সাক্লোল চুকখোং মরিদা লেপ্পুনা খুৎনা লাইখোং মরি পাইদুনা পেনানা লাই নোংকাবা শৈশক লাওদুনা পাংগনি। আমাইবিনা চুকখোং মরি লেংগনি।

শৈশক্তি ঃ- হা ইপা সোরারেন হায়না থৌপাংগনি।

লৈশি লৈতাই শিংথাই

রি, রে, রে, রা, রে, রে　　　　রা, রি, রে, রৈ, রা, রে

রৈ, রা, রি, রৈ, রা, রা　　　　রৈ, রে, রা, রি, রি, রৈ

রি, রি, রা,রে, রৈ, রা　　　　রা, রি, রি, রে, রে, রা

রৈ, রা, র, রে, রে, রা　　　　রৈ, রে, রা, রি, রি, রে

রা, রি, রি, রে, রে, রা　　　　রা, রি, রৈ, রা,রা, রৈ

রি, রা, রা, রে, রে, রে　　　　রি, রৈ, রা, রে, রে, রা

"কংলৈ শৈশক লোন (ফম্মশক)"

ফম্বাল শৈশকলোন্দা কংলৈরোন ঈশৈগী মরুওইবা হৌরকফমদি, লাইনিংথৌ থাংজিং - আয়াং লৈমা পাম্থোইবী, লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী অনিগী লাংওন-শায়োন্না মফমনে।

অদুগী থৌদোকপু পেননা ঈশৈ ওইনা মপুং ফানা ফোংদোক্কুনা থৌগনববু কংলৈরোন শৈশক কৌএ ৷৷

হৌসুয়াং শিংথাই

রি, রে, রে, রে, রে, রি　　　　রি, রি, রৈ, রৈ, রে, রে

রৈ, রি, রি, রি রে,রে　　　　রে, রে, রৈ, রে, রি, রে

রি, রি, রে, রে, রে, রে　　　　রৈ, রা, রি, রে, রে, রি

রা, রি, রে, রি, রি, রে　　　　রি, রৈ, রা, রি, রে, রৈ

রৈ, রা, রি, রৈ, রৈ, রে　　　　রে, রি, রৈ, রা, রি, রে

রা, রি, রে, রৈ, রে, রে　　　　রে, রি, রা, রি, রে,রা

"খুনুংলোন শৈশক ফম্মশক"

চকশিং-লাংশিংদগী মৈনা ৱাই তাংনা শমনা, য়েক - ৭ সলাই - ৯ না চাদা নাওদাদুনা মালেমদা খুন্থোক তন্নক্লবদা, হান্না লৈজরম্বা অরিবা লোন্না য়ুম্ফম ওইদুনা, মীনা লাইনা চৎনরম্বা পুৱারিনা য়ুমফম ওইববু, পেনা শৈশকলোন্না মপুং ফানা ঈশৈদা ফোঙদোকপবু পেনা খুনুংলোন শৈশক কৌএ ৷৷

লাংহৈ নোংসু শিংথাই

রি, রি, রৈ, রৈ, রা, রা | রা, রি, রৈ, রে, রে, রা ·
রা, রি, রি,রৈ, রে, রে | রৈ, রি, রা, রা, রি, রি
রৈ, রৈ, রা, রি, রে, রে | রা, রি, রে, রৈ, রা, রি
রে, রে, রি, রি, রৈ, রৈ | রৈ, রা, রি, রে, রে, রৈ
রি, রৈ, রা, রি, রে, রে | রি, রা, রি, রি, রা, রে
রা, রি, রে, রি, রি, রে | রা, রি, রৈ, রে, রে, রা

''ফম্বাললোন শৈশক-ফম্নশক''

চকশিংকোন লাংবা চকলোন্দা লাই ওইবনা মালেমদা মৈদিংঙু ওইনা ফম্বাললোন্দা ফমদেংদুনা লাইগী থৌশিন- থৌদা পাংজবা মাংবা য়াদ্রাবা পুয়াগী লিরেন ফম্বাল কয়াবু শৈথাদুনা পেনানা শৈশকলোন ওইনা পুরারিবু মপুং ফানা পাংথোকপবু ফম্বাললোন শৈশক কৌএ।

হৈরেন শিংথাই

রি, রৈ, রা, রি, রে, রে | রা, রি, রৈ, রা, রা, রে
রা, রা, রি, রি, রে, রে | রে, রে, রা, রি, রে, রে
রৈ, রা, রা, রি, রি, রে | রৈ, রি, রি, রে, রে, রা
রি, রা, রা, রি, রি, রে | রে, রা, রা, রি, রৈ, রে
রা, রা, রি, রে, রা, রি | রৈ, রা, রি, রি, রৈ, রা
রি, রি, রি, রা, রে, রে | রা, রি, রে, রে, রা, রা॥

''লাংওন শৈশক-ফম্নশক''

খোয়ুম লাইয়াম পুম্বানা অনেম্বা মালেমদা নোংকুমদুনা কোরৌ মপু শিদবগী য়াবাবু ইঞ্জনা, অনেম্বা মালেমদা মাগী মাগী লাংওনবু ঙাইজখি। লাংওন মানা মতমলেন ওইরক্লবা লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী কয়ানা লাংওন তমজখি।

লাইশিংনা লাংওন তৌনদুনা অনেম্বা মালেমদা খুম্থোকখি। লাংওন মাবু পেনা শৈশক্তা মপুং ফানা পুথোকপবু লাংওন শৈশক হায়না খঙনৈ॥

"লৈখারোন লৈহৌ শিংথাই"

রৈ, রে, রে, রি, রি, রৈ　　রে, রে, রা, রা, রি, রি

রে, রে, রৈ, রৈ, রা, রে　　রা, রি, রে, রে, রৈ, রা

রা, রি, রৈ, রে, রে, রৈ　　রৈ, রা, রি, রে, রৈ, রে

রৈ, রা, রা, রি, রি, রে　　রি, রা, রে, রৈ, রৈ, রা

রি, রৈ, রা, রি, রে, রে　　রে, রে, রা, রি, রি, রে

রা, রি, রি, রে, রে, রা　　রা, রি, রে, রা, রি, রে।।

